তাঙ্কক অমগী
লীলা

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী মতেং ফংলবা।

তাঙ্কক অমগী লীলা

আই. এস. কণ্ঠজম



লৈবগা ১০শুবা লাইরিক

পীবা মপিমা
বুক পব্লিশিং সেন্টর এণ্ড হোম । খুরৈ,
উক্কালগীদমক
শ্রীমতি ইবেমু দেবী কাঙজম্বা লোঙদবা।

১বা থুংনম — দিসেম্বর, ১৯৭৫
মশীং — ১.০৯৫

মমল—লুপা [illegible]
ওইকম থোকপ হকপূম অহণ অমম্ফে কে [illegible] পীগনি।

TANGKAK AMAGI LILA
By -I.S. Kangjam
A brief history
and characteristic of one-act-play
and a collection of seven one-act-plays.)

নম্ব —শ্রীএলাংবম দামোদর সিংহ,
দি ট্রাইবেল মৈতৈ প্রিন্টিং ৱার্ক্স, উরিপোক।

শ্রীব

তাল'প ।ভ'ণাপ ঙন্বা

।থ

বি

ক্কা

মফমদা

ৱাহৌদোক

হৌজিক্কী মতমগী মীওইবগী সমাজ, হিংলিবা পুন্সীগী মহিং ওন্থোক্পা মওঙ অমা ওইরে হায়নদা গায়মনব থোক্লোই। মতম অনগী সমাজ, পুন্সীগী শকন ঙাসগীগা ওহৌরা পেম্মরবনি। মতম অমদা হায়নরম্ব ফিদম ঙসিদি মমিংতা মঙায়রে। মতম থরগী মতুংদদি ফিদম হায়বদু করিনো মশক তাক্পা ঙংগা থোরক্কদৌরি। অহোংবা সমাজ অসিদা হিংনবগী লানফমদা কন্না, মায়থোক্লিবা মীওইবগী পুন্সী মহিং অসিদা ফিদনগী দরকার লৈরক্কে। ফিদনগী দরকার লৈরক্কনা অসিমক্লা মীওইবগী পুন্সী মপান্থোংগী ফিজেৎ-লৈতেং অমদি থুংশেমদা নোংমা। নোংমগী চাওখৎলে হায়রবসু ঙুংগী ওইবা রাখন্দদি নোংম নোংমগী অস্থম লৈখ্রা তারক্লি। অদুবু খঙনা-খঙনা কনানা মসিদা রাখল থন্থরক্কগে?

ঙসিগী ঐখোয়গী সমাজ অসি ঙাংলি-ঙাংলি ফজনা মুল্লবা হৈবোংগী মশক্লি। মনুংদা তুমীৎ য়াম্না লৈ। অদুবু অমুনবা হৈবোং ফজে মহায়নৈ। থী-ফজে হায়বদি খায়দোক্লগতা মথঙদি। ঙসিগী সমাজ অসিমক পোপ্লি-পোপ্লি কায়রবা হৈবোং অমুনবদুনি। মনুংদগী পাইথোরকপা তুমীৎনা মপানগী অঙাংবা কুয়োমথক্তা ওল্লি। সিবু ফজে হায়সিম্না?

ঙসিগী সমাজ চাওখৎপগী সমাজনি। চাওখৎপগী মিংদা ঈরাংগী কৈথেল কানরি। শোয়ফদবা পুংফমদা শোয়রক্লুনা পুন্সীবু

মশক থীকল্লি। অদুগা মকমগী খোঙচত্না তাইশিন্দুনা মশা-মশাবু কন্নবা হোৎনবা কোঙ্গাম্বনি। মসিমক অবি অনৌ তিন্নবা য়ানগ্রি। নুপা-নুপীগী লমচত্না অবোনবা কারবারন পুন্সীগী থৌদাংশুম থণরি। চংশেংবা পুন্সীগী থৌদাংনা কাউথোরনি। নুপানা মযুম থোঙইদনা মপান্দা চাক্লাক চৎনরি। নুপীনা মকুম্বী থম্মগা মুংঙাই-বগুম লৌরি। কনানন শেন-শমগী হাবী-ভাবীদা লৈজবী খূৎ থাংরি। অকনবনা শকানবু তুঙ্গৎলি। অঙুম-অঙুম্বনা চোংশিন চোংশিন্দুনা য়োংনর হোৎনরি। মনকশিদ রাজনীতিরাগোশিংনা রাজনীতিদা খানাওবা শমলি। লাঙলাঙ মিংদা শাম্নরিবা অবোনবা কারবরনা লোক পঞ্জাবি শিংদন শোকহল্লি। য়াম্নতোং কমদো নশিংনা য়োংংচ চুপোনবগুম কোন্দুনা হেন্না খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি। মিংসু লোংদে কোঙ্গায়নি। অদুগা মশা মশাবুদি কনাখৎলগা সমাজবু চেবি। ঐনস্থ চৈবি, নঙনস্থ চৈরি, মানস্থ চৈবি ঙসিগী সমাজ। হৌজিক্কী সমাজ। ইশা-ইশাগী ইরাল সমাজদ থৈদ্রিলি। মথরায পাঙ্গ্রবা সমাজনা হায়বিবমৈ। তুমিন্না য়াবি। ঐ তীন চঙলবা সমাজনি। নথোয়না ঐগী তীন চঙলবা মচাক অদুনি অদুনা— পন্দবা। পেন্দবা॥

পেন্দবনা থল্লবা তীন চঙলবা সমাজ অমিনা পাম্মি—অফবা। অদুবু কদায় অফবা? নোংমা নোংমগী তীন্না অস্থম চাশিল্লকপনা অফবস্থ কূয়োমতা ঙায়হৌবে। মাঙশিল্লক্লে অফবা; পূম্মাঙ মাঙশিল্লক্লে। মতম অমগী মথৌদা পূক্নীং চেৎপা, ফজবা লমচৎ, অফবতা হায়বা ফিদমগী মশক অদু ঙসিদি মমিংদা ঙায়হৌবে। ঙসিদি পূম্নমক অদু ইতিহাসকী রান্নীগী মচাক ওইরে। ইতিহাস।

হৌগ্রবা ৱারী। ঙসিগী সমাজগী তীন চঙলবা মচাক অসি মতম অমদা ইতিহাসকী মচাক অমুক ওইরক্লিদৌরি। অৱাবনি!

* * * * * *

পুথোকচরিবা লাইরিক অসিদা ঐতিহাসিক, পৌরাণিক, রাজনৈতিক অমদি সামাজিকলা য়ুম্ফম ওইবা তাঙ্কক অমগী লীলা (একাঙ্কী) তরেৎথক্কী নাচোম শেমজরি। লৈচনশিং অসিদা হৌজিক্কী সমাজগী ফিভম অসিগী শক্তম মমি-শামিদং ওইরক্লু থরা মথৈদং তাহনবা ঙম্নবদি ঐনা লাইরিক অসি পুথোকপগী লুংঙাইজবা অমদি পেঙ্গবনি। অদুবু মদু লেপ্পিনবগী পথাপ্পু অপাবশিংগী পূক্নীং অমদি রাখল্দনা লৈরে। অদুনা ঐনা লৈচনশিং অসি পাবিনিবশিংগী মকমদা লাপ্থোকচনি রাক্লম অমনা বিশ্ব-সাহিত্যগী লৈকোন্দা লৌনা হৌরকপা একাঙ্কীগী চার ঙসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দদি মপুং মরৈ ফাদনা লৈবা অসিদা মথোঙ শোমজনীংলুবদগী চার অসিবু মশীক তাকপা ওইনা মসিগী শন্নপা ইতিহাস অমদি চঙদবা য়াম্রবা মচাক্কী মরমদা চাউরাকপা মীৎয়েং থরদং লৈ নাচোম শেম্লদা লৈনা হাপ্পগুম নাচোম অসিগী লৈচন অমা ওইনসু হাপচরি। নাচোম অসিগী অক-ফত্তুগী মরমদা পূন্নমকী মীৎয়েং চিংশিজরি।

ইম্ফাল

দিসেম্বরগী ২৫ শুবা নুমীৎ

১৯৭৫

আই এস কাঙজম

(ক) একাঙ্কী সাহিত্য ঃ—

১। করিগীদমক একাঙ্কী পোক্লকপা ?
২। একাঙ্কীগী অহানবা থাক
৩। কর্টেন রেজর
৪। একাঙ্কী ইবশিং
৫। মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কী
৬। একাঙ্কী করিনো ?
৭। একাঙ্কীগী মচং ওইবা মচাক
৮। একাঙ্কীগী মথল
৯। অহুমগী অপুনবা
১০। একাঙ্কী অমসুং নাটক
১১। অতেনবা লীলা খুদিংমক একাঙ্কী নত্তে।

(খ) তান্নক অমগী লীলা (একাঙ্কী) খরা :—

১। লমন থুম্বা
২। স্কুটর
৩। তৌফম থোকপা
৪। পিবা ফম
৫। হাপ্তা বাঙ্গলা
৬। স্বর্গগী লৈকোন্দা
৭। অঙম্বু ঙম্বা

একাঙ্কী সাহিত্য

করিগীদমক একাঙ্কী গোক্লকপা ঃ—

হৌজিক্কী মতম অসিদা মীওইবা ঐথোয়গী পুন্সি অসে চিল্লবা অমদি য়েৎনবনা থল্লবা পুন্সি অমা ওইরে। মীকুপ খুদিংগী অহোংবা নাইবা মতমগী ঈচেলসিদা পুন্সিগী চঙদবা য়াল্লবা পোৎশক কয়া ফংনবা হোৎনবদা ঐথোয়না অয়েৎপা-অপনবা কয়া মায়য়োক্লবা তাই অমস্তুং কন্নমকস্থ মায়য়োক্লরিবনি। চিন্নবা মতমগী অয়েৎপশিংসি মায়য়োক্লবদা য়ারবা পুন্সিনা পোত্থাবা পান্নকই অমস্তুং পোত্থানবা পান্বে কয়াস্থ থিরকই। অদুবু থবক্কী যুগসিদা মতম্নদি মরাং কায়দবনা মতম থজিক্কদা মুংঙাইনা পোত্থাবা অমস্তুং কান্নবস্থ ফংবা অমুক থিবকই। থিরকলিবা অসিবু ফংহনবদা সাহিত্যনস্থ শরুক থরদি মতেং পী। উপন্যাসকী মুংঙাইরবা রারী পাদুনা নত্রগা নাটক য়েংদুনা শাংলবা মতম্বু করিস্থ খঙহোদনা নৈত্ত লাইর অমদি অরা-অনা ফাওবা কাউথোক্তুনা লেপ্তোকপা ঙম্মী। অদুবু মতুগী মতম অদুস্থ চৎখ্রে। ঙসিগী যুগসিদা মথৌ চিনবা মীওই খুদিংমক্না উপন্যাসকী শাংলবা রারী অমা পাদুনা নত্রগা নাটক য়েংদুনা মতম লেপ্তোকপা পাল্লক্ত্রে। অদুগা পোত্থানবা পান্বেন্স

থিদনা মতম চুপ্পা থবক্তদা পুক্লিং থিংজিল্লবসু পুন্সিসিবু কবিনো হায়বা থৌশারক্তবা অমা পোক্লকই। অদুনা পুন্সি অসি থরা পোথাদবসু য়াদে; অদুবু তাঙলবা মতমু অরেম্বদা মাঙহনবসু য়াম্না পান্মুই। মরম অসিনা উপন্যাসকা শাংলবা ৱারী পাবগী মতুংগা অতেনবা ৱারী নুংঙাইবা অমসুং কান্নবা ফংবা পাবা পাল্লকই। মসিনা ৱারী মচা (কহানী) গী পোক্লকবা মরমনি। মতৌ অসিগুম্না অশাংবা নাটক য়েংবদা মতম য়াম্না মাঙহনবা পান্মুরকপদগী মতম খজিত্তংদা য়েংবা য়াবা নুংঙাইবা অমসুং কান্নবা ফংবা থিরকপদা অতেনবা লীলা একাঙ্কী অসি পোক্লকই। (একাঙ্কী অসি ইংবেজী লোন্দা One-Act-Play হায়রগা খঙনৈ। এখোয়গী মৈতৈলোন্দা হায়বা তারবদি "তাঙ্কক অমগী লীলা" হারবা তাই। হায়রিবা অসিমক্তদা লাইবিক অসিগী মমিংসু থোক্তবি। অদুবু ইরিবা ৱারেং অসিদদি অয়াম্বা মফমদা একাঙ্কী হায়না শীজিন্নজরে।) মমেথংদা অতেনবা ঙাক্তা ওইরবা ৱারীমচা অমসুং একাঙ্কী অনি অসি মতমগী মতুং ইন্না সাহিত্যগী পুক্কেদা মনিংতম্বা সাহিত্যগী মশা অমমম ওইনা মশাগী য়ুম্ফম লিংহুনা লৈরকই অমসুং লৈরক্লি।

থায়নগী ভাবতকী সংস্কৃত আচার্যশিংনা কাব্যগী মরমদা নৈনবদা শ্রব্য কাব্য অমসুং দৃশ্য কাব্য হায়দুনা মখল অনি থোক্লা থায়দোক্লম্মী। শ্রব্য কাব্যনা পানবনি, অদুগা দৃশ্য কাব্যনা তানবা অমদি য়েংনবনি। শ্রব্য কাব্যদন পারগা নুংঙাইবা অমদি কান্নবা লৌই। দৃশ্য কাব্যনা য়েংলগা অমসুং তারগা নুংঙাইবা অমদি কান্নবা লৌই। অদুগা পাবসু অদুম য়াই। হায়বদি নাটক

সাহিত্য অসি দৃশ্য কাব্যানি। পাবা য়াই; রঙ্গমঞ্চদা উৎল্লগা য়েংবা অমসুং তাবা ফংই। একাঙ্কীসু দৃশ্য কাব্যানি; পাবা, য়েংবা অমসুং তাবা য়াই। অদুবু অশাংবা লীলা—নাটক পাবদা নন্নগা য়েংবদা মতম চঙবদগী পোক্কপা অতেনবা লীলা—একাঙ্কী অসে, অনিমক লীলা ঙাক্তা ওইরবসু মশক মওংদি খেন্নে। একাঙ্কীগীসু নাটক্কগী তোঙানবা মশক অমা লৈজে। মচুনা সাহিত্যগী পূক্কেদা মনিং তম্না লৈবা ঙমজবিবনি।

একাঙ্কীগী অহানবা থাক ঃ—

সাহিত্যগী পুক্কেদা নোনা হাপচিল্লকপা একাঙ্কী হায়বসি নোংচুপ (ইউরোপ) লমগী যাম্না নোবিবা খুদোল অমনি। অনোবা খুদোল অসিগা মশক-মওং হাযফেৎ মান্নবা একাঙ্কীমক্তি কোবা য়াদবা লীলাশিং মমাংগৈদসু লৈরমদবদি নত্তে। মমাংগৈদা গ্রীক্কী নাটক উৎপদা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা অমদি তাঙ্কক অনি তাইনবগী মবক্তা কোরস শকপা হায়না হেক তৌনরম্বদু একাঙ্কীগী অগানবা শক্তমনি হাযবা য়াই। মসিদা নত্তনা তরাশুবা শতাব্দীগী অদুরাইদা ধর্ম্মগা মরী লৈননা উৎপা মতম অদুগী কন্না চৎনবা "মিরেকল" (*Miracle*) অমদি "মোরেলিটিজ" (*Moralities*) একাঙ্কী সাহিত্যগী মপুং ফাদ্রিবা শক্তমনি। অনি অসিগী মকওইবা পান্দমদি খৃষ্টান ধর্ম্ম শন্দোক্নবগীদমক ধর্ম্মগা মরী লৈনবা মহা-পুরুষশিংগী অঙকপা পুন্সিগী ব্রারীদা যুক্ফম ওইবনি অমসুং মথোযগী ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক কয়া পাউত্তাক্কা লোয়নননা তাকই। মসিদা নত্তনা তরাতরেৎ অমসুং তরানিপানশুবা শতাব্দীগী মতমদা

অচৌবা নাটক হৌড্রিংঙৈগী মমাংদা নত্রগা মবক্কী উহাক লেপ্পা মত্তাংদা মীওই অমা-অনি থোক্লগা ফাগী-জুগায় তৌদুনা ৱারী শাৱা অমা চৎনরম্মী। মসিস্তু অহানবগী অসিদগী থাক খরা হেনগৎপা একাঙ্কীগী শক্তমনি। ভারতকী সংস্কৃত সাহিত্ত দস্ম অসিগুম্বা মখলগী একাঙ্কীগী শক্তম উবা ফংডি। তশেংনবু হায়রুরবদি পৃথ্বীগী অতৈ সাহিত্যশিং দগী সংস্কৃত সাহিত্যনা একাঙ্কী সাহিত্যগী অহানবা কাৎকা মমি য়াৎপা হাল্লি হায়বা ফাওব-মকস্তু য়াই। সংস্কৃত নাট্য শাস্ত্রদা নাটকী (রূপক) মখল তরা খায়দোক্লিবদুগী মনুংদা ব্যায়োগ, অঙ্ক, বীথী, ভাণ অমদি প্রহসন হায়রবা মখল মশা অসি একাঙ্কীনি হায়বা য়াই। মসিদা নতুনা উপরূপকী মখল তরানিপাল অদুগী মনুংদস্তু ফনা য়াম্নদি একাঙ্কীগা কাইরপ মওং মান্নবা য়াওই। অদুবু হৌজিক্কী মতমগী একাঙ্কীগী কাৎকা অসিগদি সংস্কৃত নাটকা মখলশিং অসিগা খেন্নে। খেন্নবতা নত্তনা হৌজিক্কী একাঙ্কীগী ওইরকলিবা মওং অসি সংস্কৃতকী তাঙ্কক অমগী রূপক অমদি উপরূপকী মখলশিং অসিগা য়াম্না লাপনৈ। ইউরোপিয়ন সাহিত্যগী মথক্ত পনখ্রিবা শক্তমশিং অসিনচুম হেন্না নকশিন্নৈ অমস্তুং তশেংবদি শক্তমশিং অসিদগী ওইরকপনি হায়বদস্তু থোইনা অরানবা নত্তে।

<u>কর্টেন রেজর</u> :—

তরানিপানশুবা শতাব্দীনা মপূং ফারকপগী অতুরাইদদি একাঙ্কী সাহিত্যসি হৌজিক ওইরিবা শক্তম অসিমক নত্রবস্তু মশক অমদি লাকলে। ভিক্টোরিয়ান পেবেদকী মতমদদি মপূং-

ফাবা নাটক অমা উল্লিঙৈদা ওহাক্কী ওইরা লীলাগী মতেক উৎপা চৎনবা অমা ওইনা য়াম্না কন্না তৌনরকই। লীলা মতেক অসি উৎপগী মরমদি মপুং ফাবা নাটক অদু য়েংনবগীদমক থেঙনা লাকপা ভাবোকশিংবু ঙাইবনি। থেঙনা লাকপশিংনা মফম চানা ফমদুনা নাটক য়েংনবা থৌরাং লোইহল্লিঙৈদা হান্না খরা ঙন্না লাকপশিংদা লীলা মতেক অসি য়েংহন্দুনা মতম ঙহাক লেপ্থোক-হনবনি। অসিগুম্বা মথলগী অগেঙবা ভাবোক ঙাইনবা উৎপা লীলা মচা অসিবু "কর্টেন রেজর" (*Curtain Raiser*) হায়রগা খঙনৈ। মসিদা মী অনি থোক্লগা করিগুম্বা ভাব অমবু রারী-রাতাই শাদুনা ফোঙদোকই। মসিনা হৌজিক্কী একাঙ্কী সাহিত্যগী খ্বাইদগী নকবা ১রীনি অমসুং মসিদগী হৌজিক্কী মতমগী একাঙ্কী সাহিত্য অসি পোক্লকপনি।

হৌজিক্কী মতমগী একাঙ্কী সাহিত্যনা পোক্লকপগী য়াম্না মুংঙাইরবা রারী অমা লৈ। একাঙ্কীনা অনৌবা মপুং ফাবা শক্তমসি ওইরকপা কুনশুবা শতাব্দীগী হৌগৎলকপদনি। খৃঃ ১৯০৩ গী ওক্তোবর থাদা লণ্ডন্দা থোকখিবা থৌদোক্তি। লণ্ডনগী অফাওবা ড্রামা হোল "রেষ্ট এণ্ড" (*West End*) হায়বদুদা দবলিউ, দবলিউ, জেকব (*W. W. Jacob*) কী রারীমচা "দি মংকীজ পো" (*The Monkey's pow*) হায়বদু নাট্য রূপান্তর তৌদুনা লুই পার্কর (*Lui Parker*) কৌবা নিশা অমনা কর্টেন রেজর ওইনা পুথোকই। মুমিৎ অসিদা নাটক য়েংবা লাকপা ভাবোক পুন্নমক কর্টেন রেজর অসিদা অমুক্কী মতিক পুক্লিং

লুপখিবক্সী মহুদি কর্টেন রেজর অসি উৎপা হেক লোইবগা মপুং ফাবা নাটক যেংদ্রবস্ত যারে হায়দুনা অদুম হোনদগী ফুক ফুক হোৎলগা মযুম-মযুমদা ওন্নখি। নাটক উৎনবা শীল লাংঙিবা মীওইশিংদদি থোদো অসিদা পেন্দবা পোরুখি। মতম অমদি শেল চঙনা উৎনবা হোংনরিবা নাটক অদুবু য়েংবীদ্রবদা মখোয়না মতুংদদি কর্টেন রেজর উৎপা তোক্লসি হাবনা লেপ্লখ অমস্তং তোকপমবস্থ ওবদি। অদুনা কর্টেন রেজর অসি নংুং থাবা নাটকী রঙ্গমঞ্চদগী তাঙ্খোববখি।

নাটকীদমক শেল তিংনা টিকেট লৈহুনা লাকপা ভাবোকশিংনা অথেঙবা ভাবোক ঙাইনবগীদমক লেম্না উৎপা কর্টেন রেজর য়েংবা হেক লোইব। মুংঙাইবদুনা নাটক যেংনদনা হনখিবা অসিদা নাটকী শীল লাংবা কাবুনা নাটকী পুন্সি অসি শিথরকপা তারে খন্দুনা কর্টেন রেজরবু রঙ্গমঞ্চদগী তান্থোবকপা অসিদগী একাঙ্কীগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি থাক অসি য়েৌরকপা ঙমখিবনি। লণ্ডনগী রেন্ট-এণ্ড থিয়েটরগী থৌদোক অসিমক থোন্নমদ্রবদি ঙসি ফাওবদা পৃথ্বীগী মফম পুম্নদা একাঙ্কীগী পুন্সি কর্টেন রেজর ওইনা অস্তন মৈরেনগনি। অদুগা লণ্ডনগী রঙ্গমঞ্চশিংদগী তান্থোকপীরবা কর্টেন রেজর অসি ওকপীনিংঙাই লৈবমদ্রবদি পুম্নাং মাঙখিদুনা এখোয়না মমিং তাবদগী হেন্না কনিনো কায়বা খঙলমদবস্থ যাই। অদুবু মহুনক্তি থোকখিদ্রে। কর্টেন রেজরবু রঙ্গমঞ্চদগী হেক তাহোকপীরকপগা তরাম-তরাম ওকপীনব লৈথিবনা একাঙ্কীগী মনিং তম্না সাহিত্যগী অচৌবদা চেংকপ

ঙমখিবনি। মতম অতুগী থিয়েটর অমস্তুং নাটক্কী কাংবুশিংদি অযাম্বনা সহরগী লমদা লৈ। থিয়েটরদগী কর্টেন বেজরবু তাম্বোকপীববনিনা সহরদগী তাম্বোকপীবগা চপ মান্নরবনি। অতুনা তাম্বোকপীবতুনা মফম লৈজত্রবা কর্টেন রেজর সহর থাদোক্লুনা খুঙ্গংগী লমদমদা মায় ওল্লকখি অমস্তুং মফম চানা অমদি মায় পাক্লা খুঙ্গংগী লমদমসিদা মফম কনখি।

খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংদি অযাম্বনা অচম্বা অমদি লাইরবা ওাক্তনি। কন্না শূ নোম্বা হাযবসি লাইববগা লাম্বেংননবগী অমত্তা ওাযববা মখোযগী পাম্বেনি। অযুক-নুংথিলগী মতমদা শূ-নোম্লু ববা খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা নুমিদাং ওইবকপদা হরাও কুমহৈ. ইশৈ-নোংমাই তৌদুনা অবা পোত্থাই। মখল অমত্তগী কুমহৈনা মখোযগী পুন্সিবু মপুং ফানা পেলহনবদি ঙমদে। মরক মরক্তা লীলানচিংবা যেংদুনা নুংঙাইবা অমদি কান্নবা ফংবস্থ পাম্নকই। অদুবু লীলাগী মপুং ওইবিবা নাটক্তি সহরদতা উৎপনিনা য়েংবগী খুদোং চাবতুস্থ মখোয়না ফংবা ঙমদে। খুঙ্গংগী লমদা শীল-লাংদুনা নাটক উৎনবা হোৎনবস্থ তোযনা ঙমদে, অতুগা অবায়বা থবকস্থ নত্তে। খুদোংচাদবা কযাস্থ মায়যোক্লে। তশেংনা হায়রবদা যজবা মপুং ফাবা নাটক অমা উৎপা মখোয়গী শক্তিগী রাংমদা লৈ। মরম অসিনা লীলাগী শম্নপ্লা মমীদমক য়াৎপা কর্টেন বেজরবু খুঙ্গংগী মীওইশিংনা মখোয়গী অরা পোত্থানবা পাম্বে ওইনা তরাম তবাম্না ওকখি। অস্তুম্না সহরদগী তাম্বোকপীরক্লবা কর্টেন রেজরবু খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা তরাম্না ওক্লুনা রাম্বা জোয়না শান্নরকই অমস্তুং

হান্না সহরদা নাটকী রঙ্গমঞ্চদা নপচ তাংজতুনা উৎলম্বহ্ তোক্লুনা মনীং তম্না উৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা মসিবু তরাম্না ওকখিবগী মরম্না লীলা যেংনিংবগী খুদোংচাবা ফংবা, লীলা উৎপদা মতম, শেল অমসুং মী য়াম্না চঙদবা অমদি লাযনা উৎপা ঙম্বগী খুদোংচাবা অসিনি। অসুম্না য়ুমদাংতুনা লেল্লম্বা কর্টেন রেজরগী পুন্সিনা খুঙ্গংগী লমদমদা খোঙদারক্লুন অনৌবা য়াওন্দা মশাগী চপ চাবা ফিরেপ অমা ফংনবা খোঙ থাংজিল্লকখি।

সহবদগী তাম্থোকপীবক্লবা কর্টেন রেজরবু খুঙ্গগী প্রজাশিংনা তরাম্না ওকপতনা অমদি খুঙ্গংগী লমদমদা মশাগী য়ুম্ফম লিংবতনা একাঙ্কী সাহিত্যাগী হৌজিক ওইবিবা ফিভম অসি ফংবা ঙম্বদি নত্তে। অদুবু খুঙ্গংগী লমদম অমদি প্রজাশিংনা মসিনা চাওখৎলক্লবগী অচোবা মতেং অমদি পীবনি। হান্না মগুণ ইযাও য়াওদনা য়াম্না হঙ্খবা থাক্লা নপচ তাংজতুনা লৈরম্বা কর্টেন রেজর খুঙ্গংগী লমদমদা মমায হেক ওঙ্লকপদা অনৌবা পুন্সি অমা ফংবগা লোয়ননা মশক মচুসু থোক্লক্লে। খুঙ্গংগী লমদমদা লাযনা অমদি চম্না তোয়না উৎপগী খুদোংচাবা কযা ফংলকপনা হান্না লৈজরমদবা অনৌবা মগুণ কযানা মঙোন্দা লৈতেংলকলে। শীজিন্নবগা পোৎকী মগুণ অমদি কান্নবা খঙলকপগুম কর্টেন রেজবসু তোয়না উৎলগা মশাগী মগুণ হেনগৎলকই অমসুং মীয়াম্না মসিগী মগুণ অমদি কান্নবা খঙলকই। পোৎ অমগী মুংশিবা মনম লোৎশিন-ফাজিন্দুনা থম্বা য়াদবগুম মসিগী মগুণসু খুঙ্গংগী লমদমতদা লৈযু য়ারক্তে। খুঙ্গং অমদগী খুঙ্গং অমদা, খুঙ্গংদগী সহরগী চিদাইদা, সহরগী

চিদাইদগী সঙ্কল্পগী ময়োন্দা মথং মথং মসিগী মগুণ তাৱকখি। চুম্না মগুণ তাবতা নত্তনা পামস্থু পাম্নরকখি। অদুবু নাটকী শীল-লাংঙিবা কাংবুনদি মসিনা নাটকপু হাৎলগনি মুংশা থীবনা হান্না ইপ্তোকখিবদগী অমুক হন্না রঙ্গমঞ্চদা লৌখৎপীনবা থৌশিল লৈখিদে। অদুবু য়েংগদবা ভাবোক্না পাম্নরকপা অমদি মতম তাঙবনা মরম ওইদুনা ঙহাক্তংদা মপূং ফানা মুংঙাইবা অমদি পেনবা থিনন্নকপদা মসিনা অথুবা খোঙজঙদি নত্তনা তপ্না তপ্না মশা মথন্তগী শক্তিনা অমুক হন্না সহরগী লমদমদা মমায় ওল্লকখি। অস্তুম্না সহরগী লমদমদা অমুক হন্না হল্লক্লবা মমায় ওল্লকপা অসিদা স্কুল-কলেজ অমদি ক্লবনচিংবা সংস্থান মচা মচা কয়ানা তরাম্না ওক্লবগী থৌরাং তৌখি। সহরগী লমদমদস্থু থিয়েটরগী কাংবু নত্তনদি মপূং ফাবা নাটক উৎপা অরায়বা থবক নত্তে। স্কুল কলেজ অমদি ক্লবকুম্বনা নাটক অমা উৎনবা হোৎনবা য়াম্না ৱানা থোকই। শেল,মতম অমস্তুং মী কা হেন্না চঙডি। রঙ্গমঞ্চগী লৈতেং মপূং ফাবা ঙমদে, অদুগা পেন্না অমদি মায় পাক্না উৎপদস্থু নিঙবা থুংদবা কয়া থেংনৈ। অতুনা উৎপদস্থু খুদোংথীবা কয়া থেংনদবা, শেল-থুম অমদি রঙ্গমঞ্চগী অরায়বা পাম্বৈ অমস্তুং উৎলিবা অমদি য়েংলিবা অনিমক্তা মতম য়াম্না চঙদবা মরম কয়ামরুম অসিনা স্কুল ক্লবনচিংবদি কর্টেন রেজর অসিনবু থোইনা হেম্না পাম্নরকখি অমস্তুং মফম পীদুনা মরক মরক্তা শাম্নদুনা উৎনবগী থৌরাং তৌনরকখি। অস্তুম তৌরকপদগী মসিগী মগুণ নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি অমস্তুং মশকস্থু অস্তুম হোংলকখি। মতাং অস্বার রৌরকপদদি কর্টেন রেজর হান্নগী কর্টেন রেজর

অদু নত্রে। সহরদগী চৎখিদুনা খুঙ্গংদা চঙজফম হেৰ ফংখিবদগী মশক-মওং হোংখ্রবনি। অদুনা অমুক হন্না সহবদা লাক্লুনা স্কুল কলেজ, ক্লবনচিংবগী মতেং ফংবসিদদি পুমনৌ নৌবা শাক্লোন অমা লৌরবনি। নাটকী রঙ্গমঞ্চদা নপচ-তাংজরিবৈগী মতমদুদগী কর্টেন রেজর কৌজরম্বনি। মশা মতোমতা মনিং তম্না লেপচদুনা মশাগী ফিরেপ শেমজরকপা মতমসিদদি মপুং ফাবা একাঙ্কী ওইরক্লবনি। ইবা অমদি শান্নবগী মশাগী ওইবা তোপ-তোপ্পা ষ্টাইল অমস্থু লৈজরকে। মনিং তম্না অমদি মশাগী কায়াৎ মপুং ফানা লৈজরবা মতমসিদদি কর্টেন রেজর ওইদ্রে। অদুবু মীওইবা ঐথোয়গী খাইদগী নক্কবা পারী-পুনী য়োংনি হায়নবগুম হৌজিক্কী মতমগী একাঙ্কীগী হৌবকফমদি কর্টেন রেজরনি। অদুনা হৌজিক্কী মতমগী একাঙ্কীসিনা মশক-মওং অমস্থং মমিং ফনা য়াম্না হোদোকবস্থু কর্টেন রেজরবু কাউগোকপা অমদি থঙইদ্রবদি একাঙ্কীবু মশক মুন্না খঙবদা খবা ৱানা থোক্কনি।

একাঙ্কী ইবশিং ঃ—

একাঙ্কী সাহিত্যনা চাংখৎলকপগী খোঙথাংদা অইবশিংগীস্থু অচৌবা মতেং লৈ। মতমগী খোঙথাং খুদিংগী চৎনবী অমস্থং মওং হোংবা তাইবঙনি। অনৌবা অমদি অগোংবা হায়বসিবু য়াম্না পাম্নবস্থু তাইবঙপানবগী হৌনবীনি। অদুনা নৌনা পোক্লকপা মীনা পাম্নবা একাঙ্কীস্থু অমুক্কা হেন্না পাম্নবা হেন্নবা তশুনা হোংবা তাবনি। চুম্না পাম্বা হেন্নবগীদমক হোংবত্তা নত্তে। কান্নবা অমদি মতম মতমগী চুনগদবা মওংস্থু হোংবা তাবনি। মসি পুম্নমক

অইবশিংগী মথক্কা নন্দুনা নৈ। ফনা হাউবা পোৎ ওইরবস্থ হন্না হন্না মুহিৎ খুদিংগী চারবদি চানিংলক্কে। অদুগুম্বা চপ মান্নবা মওংগী একাঙ্কী ডাক্কা পাবা অমস্থং য়েংবা কনানস্থ মতম কুইনা পান্নরোই। অস্থুম তৌরবদি একাঙ্কীগী পুন্সি তেনগনি। অদুনা মতমগী অনৌবা অইবশিংনা হান্নগী ইবগী মওং (*Style*) অদু হোংদোক্লুনা অনৌবা মওংদা মতম মতমগী অচুম্বা, মদুনা সমাজবু লমজিংনবা অমদি পারা অমা তম্বীনবা মওংদা ইবা হৌনরকই। মপানগী য়েংনবা (খংন-চৈনবা, ফূনবা) তোক্লুনা পুক্নিং অমদি য়াখলগী ওইবা য়েংনবনা মপুং ওইনা উৎনবা হোৎনরকই। সমাজগী অশোয়বা ফত্তবা কয়াবু পুথোক্লগা থিন থিন্দুনা তাকপা অনৌবা অইবশিংগী চৎনবী ওইরকই। অসিগুম্বা মহু অসি পুথোকপদা একাঙ্কীদা য়াম্না লায়না মায় পাকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা মই অসিবু তশেংনা পৃথ্বীসিদা মশক তাকখিবদি নোরেগী অফাওবা স্বোলার ইবসননি। ইবসনগী মই অসিগী মমি ইংরেজী সাহিত্যগী অফাওবা নাটক্কার জর্জ বর্নাদ শোদা তাখি। তরামাপনশুবা শতাব্দীগী অহানবা হোৎলকপদা বর্নাদ শোনা একাঙ্কী খরা ইরগা ফোঙখি। মথা অমুক ইথরকপনা একাঙ্কী দজন অমা হেন্না বর্নাদ শোনা ইংরেজী সাহিত্যদা খুদোল তমখি। অদুবু বর্নাদ শো একাঙ্কী ইবা অমা ওইনদি সাহিত্য জগৎনা মশক খঙবা ঙমখিদে ; অদুম ওইনমক মাগী একাঙ্কীশিং অচম্বা মওংশীদি নত্তে। অতোপ্পা ইংরেজী সাহিত্যগী একাঙ্কী ইবশিংগী মমুংদা পেট্‌স, গোল্‌সর্দী; বৈরিস অমস্থং সিঙ্গগী মখিং থোইদোক হেন্দোক্না পনব্রা য়াবা ডাক্কনি। গোল্‌সর্দীনা মহাক্কী একাঙ্কীশিংদা মতম

অত্নুগী সমাজগী সমস্যা কয়াবু পৃথ্বী পুম্বদা খঙহন্নবা কন্না হোৎনৈ। আমেরিকাগী একাঙ্কী ইবশিংগী মনুংদনা য়ুজেন অমসুং নীল শীংথাবা য়াই।

একাঙ্কী সাহিত্যনা চাওখৎলকপসি ইংলেন্ডকী সাহিত্যদদা নত্তে। পৃথ্বীগী অতৈ লোনশিংগী সাহিত্যদসু মনিং তম্না মওংদা একাঙ্কীনা মশাগী মতিকচাবা য়ুম্ফম লিংথুনা মপুং ফাবা ফিবম্তা লৈবা ফংখি। রশিয়ান লোনগী একাঙ্কী ইবশিংগী মনুংদা লোগানিভ কী মমিং পনবা য়াই। মহাক্কী অয়াম্বা একাঙ্কী মীনা য়াম্না পাম্মে। বেলজিয়ান সাহিত্যদা মৈটেরলিঙ্ক একাঙ্কী ইবা অমা ওইনা ফাওই। স্কেণ্ডেনেভিয়ান নোর্বে অমসুং স্বীদেনগী লোন) সাহিত্য-দনা আগষ্ট ষ্ট্রিণ্ডবর্গ একাঙ্কী ইবা অমা ওইনা শীংথাবা য়াই।

ভারত্তা লৈবা লোনশিংগী সাহিত্যদসু একাঙ্কী সাহিত্যনা মশাগী য়ুম্ফম মপন চানা কনবা ঙম্মী। অদুবু ভারতদি একাঙ্কীসি তপ্পা অমদি থেঙনা চৎলকই। ইহান হান্না চঙলকপনা বাঙ্গলা লোন্দনি। মসিসু ইংরেজী সাহিত্যদগী ঈথিল ফংদুনা চঙলকপনি। বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা বাঙ্গালা লোন্দা ফজ্জ-ফজ্জরবা একাঙ্কী কয়ামরুম ইরম্মী। মহাক্কী একাঙ্কীশিংগী মনুংদা "চিত্রা", "সন্যাসী" অমসুং "মালিনী" থোইদোক হেন্দোক্না ফাওই। বাঙ্গলা লোন্দা নত্তনা পঞ্জাবী, মরাঠী, গুজরাটি, তামিল, মলয়ালম, তেলেগু, উরিয়া, উর্দ্দু অসিনচিংবা ভারতকী অতৈ লোনশিংদসু মথং মথং একাঙ্কী অসি চঙলকই। ভারতকী রাষ্ট্রভাষা ওইরিবা হিন্দী লোন্দসু একাঙ্কী অনৌবা শক্তম অমা পুদুনা চঙলকই। অদুন্দু য়াম্না থেঙনা চঙলকই। ইউরোপিয়ান সাহিত্যদা একাঙ্কীনা

মপুং মরৈ ফারক্লবা মতম হায়বদি খৃঃ ১৯৩০গী অদুরায়দা একাঙ্কীনা হিন্দী সাহিত্যদা চঙলকখি। হিন্দীদসু একাঙ্কী সাহিত্যনা চঙলকপদা ইংরেজী সাহিত্যগী ঈথিল যংই। অফাওবা হিন্দীগী একাঙ্কী ইবশিংগী মনুংদা ভুবনেশ্বর প্রসাদ, রামকুমার বর্মা, উদয়-শঙ্কর ভট্ট, উপেন্দ্রনাথ অশ্‌ক, বিষ্ণু প্রভাকর, সেঠ গোবিন্দদাস, লক্ষ্মীনারায়ণ মিশ্র, জগদীশচন্দ্র মাথুর শীংথাবা য়াবা ঙাক্লুনি। ভুবনেশ্বর প্রসাদকী খুৎইদা ইহান হান্না হিন্দী একাঙ্কীদা বর্নাদ শোগী মমি লাই। রামকুমার বর্মা হিন্দী একাঙ্কীবু মশক তাকপা একাঙ্কী ইবা মিপা অমনি। মহাক্কী একাঙ্কীশিং হিন্দী সাহিত্যদা মশক নাইবা ঙাক্লুনি মনস্তু থোইদোকপা মফম কলবনি। লক্ষ্মী-নারায়ণ মিশ্রগী একাঙ্কীশিংদনা ইবসনগী খুৎইগী মমি য়াম্না ফজনা তাই। জগদীশচন্দ্র মাথুরগী একাঙ্কীশিংদনা বঙ্গমঞ্চগী অনৌবা য়াথং অমা পুরক হোৎনৈ। হৌজিক মাগী একাঙ্কীশিং অয়াম্বা বঙ্গমঞ্চদা পুথোকপদা য়াম্না ফজনা মহৈ য়াম্লি।

মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কী ঃ—

ঐখোয়গী মণিপুরী সাহিত্যদসু একাঙ্কী সাহিত্যসি য়াম্না তপ্না তপ্না চঙলক্লি। একাঙ্কী সাহিত্যসি ভারতকী অতৈ লোনশিং-দসু য়াম্না থেঙনা চঙলকপনি। অদুবু মণিপুরী সাহিত্যদদি অমুক্কা হেন্না থেঙথনা চঙলকই। মণিপুরী লোনগী সাহিত্যকারশিংনা একাঙ্কীবু শক খঙবীদবদি নত্তে; অদুবু শক খঙনা খঙনা কয়া পুক্লিং চঙশিনবীদবা, অদুগা রারীমচা, উপন্যাসনচিংবা ইবদনা খরা খরায় য়াওশিনবা হেনখিবনা খোঙথাং তপ্না অমদি থেঙনবগী

মবম ওইবনি। মসি ওইদুনসু একাঙ্কীবু মণিপুরী সাহিত্যদা মতিক চাবা মফম কনহল্লোইদবগী ৱাদি নত্তে। একাঙ্কী সাহিত্যবু ঐখোয়গী মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কিং তরাম তরাম কোং নবীনবা ঐখোয়গী সাহিত্যকাব চৈল অনত্থ নথং মথং কযাসু থোরকনি অমসুং থোবক্রি। হীরম অসোমদা থ যা য়াওন। পুক্রিং থিংজিন-বীবিবদি মণিপুরী সাহিত্যগী অফাংবা নাটকার শ্রীগীতচন্দ্র তোংব্রানি। শ্রীতোংবানা নাটকদা নত্তুন মাগী ফাগীনা থল্লবা বাহৈনা সমাজগী অশোযবা অমদি অমোংপা কয়া একাঙ্কীদা পুথোক্লুনা উৎলি। মগী একাঙ্কীদি বঙ্গনঞ্চুদসু মায় পাকা উৎপা য়াই, অদুগা ভাবোকশিংবু নোংহন নাকহনা তাকনিংঙিবা অমদি উৎনিংঙিবড খুদাম্বীনা থিন থিন্দুনা তাকপগী মওংদা ই। শ্রীতোংবা নত্তুনা ওসি ফাওবা মণিপুরী সাহিত্যগী শাংবা যাবা একাঙ্কী ইবা মীশক অমা পুথোকনিংঙাই লৈত্তে। অদুবু নহাক মশা-মকসু একাঙ্কীকাব অম ওইনা লৈবি, নাটকাবগী ফিরেপ্পুনা থোইনা হেন্না মওং চেৎশিল্লি। অদুম ওইনমক একাঙ্কী ইবা অমগী মিং পনবা হেক তাকবদি শ্রীতোংবাদমক মওায়।

মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কী ইপসি শ্রীতোংবা মতোমতদদি নত্তে, অদুবু মহাক্লমক পল্লুবগী মরমদি থবা মকুওইবা অমদি একাঙ্কীগী যাওন অমা পুবকপা ওম্না মীশক থল্লুবগী ৱাফমনি। মণিপুরদা একাঙ্কীগী হৈহো কন্দবদি নত্তে। স্কুল, কল্লেজ অমদি ক্লবনচিংবা সংস্থান মচাশিংগী কবি করিগুম্বা থৌলোকশিংদা একাঙ্কী উৎপা য়াম্না কম্না চৎনবক্রি অমসুং মীয়াম্না পাম্নবসু হেনগৎলক্লি। মসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কীগী ৱাপুং কাবা

ফিরেপ অমদি পুন্সি ওইরক্লদৌরিবনি। হৌজিকী মতমদা স্কুল কলেজনচিংবগী থৌদোক কয়াদা উৎলিবা একাঙ্কীসি অয়াম্বনা শ্রীতোংব্রাগীদা ওইনা তৌই। অতৈ অহবা কয়ানা ইবস্থ উৎলি, শারৈ; অদুবু শ্রীতোংব্রাগীগুম্না অতৈ অইবশিংগী একাঙ্কীশিংসি লাইরিক ওইনা কোঙহুনা পুথোরকপা নত্রগা একাঙ্কীগী অনৌবা য়াওন অমদি অচৌবা ঈহৌ অমা পীবা ঙমদবনা সাহিত্যগী পুক্লৈরোমদা পুশিল্লকপা ঙমদে। মরম অসিনা অইবা মী অমদি ইরবা একাঙ্কী য়াম্না লৈ হায়না লৌবা তারবা ফাওবদা মণিপুরী সাহিত্যগী ওইনা য়েংলুরবদি একাঙ্কী সাহিত্যসি য়াম্না লাইররি অমস্থং মচাক যাম্না লীক্রি।

মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কীগী অনৌবা য়াওন অমদি অচৌবা ঈহৌ অমা য়াম্না অথ্‌বা মওংদা পুরক্লবগীদমক অইবা অমদি সাহিত্যগী ওইবা চেকোঙশিংগী অকনবা থৌদাং লৈ। সাহিত্যগী ওইবা চেকোঙশিংদা ব্রাবীমচা শৈরেং কয়া হাপ্পবা অসিগুম একাঙ্কীস্থ তোয়না হাপ্পা দরকার ওই। মরম মবক্তা অমুক অনিরক হাপ্পনদি একাঙ্কীগী খোঙজঙদা থুজিনবা য়াগনি অমস্থং ঙমস্থ ঙমলোই। একাঙ্কীবু চেকোঙনচিংবদা তোয়না হাপ্পগী থুদোংচাবা পীবনা অইবা মশিং হেনগৎলক্লনি; মীয়াম্না একাঙ্কীবুস্থ মশক খঙবা হেল্লক্লনি অমস্থং মশক নাইবা একাঙ্কী থোরক্লনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্লৈদা একাঙ্কীগী চাওখৎলকপগী ফিরেপ লাক্লনি। লোয়ননা মরনাই লাইরিক ওইনা কোঙদোকপা ঙমজদবা অইবশিং-দস্থ পাম্বৈ অমা ওইগনি। অমা অনিতমক ইরম্ব। মীশক অদুস্থ মথং মথং ইথরকপগী আশা লোক্লক্লনি। হৌজিক ফাওবা

লৈনরিবা অইবশিংদি অয়াঙনা স্কুল-কলেজনচিংবদা শান্নবগী খুদোংচাবা ফংবদা ইবা অমদি ইনিংবগী ঈহৌ লাকপদা অদুক অমা অনিকা ইবা, মশা-মশাদা একাঙ্কী অনি অহুম অমা নত্তনা পংয়াম রাগ্না লৈনদে। শান্নবগী খুদোংচাবা তোয়না ফংদবনা অমদি লাইব্রেরিক ওইনা ফোঙদোক্নুনা পুথোকপা ঙমদবনা মখা তানা ইথবগী থৌরাঙ কয়া লৈনদে। মসিমক্না মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কীগী খোঙথাং তপ্পবগী মরম ওইরি। অদুনা অইবশিং অমদি সাহিত্যগী সংস্থান কয়ানা একাঙ্কীবু সাহিত্যগী অতৈ মশাশিংনা চাওখৎপগুম চাওখৎপা ঙম্নবা কন্না হোৎনবা অমম্ভ দরকার ওই।

মনিপুরদা শ্রীতোংব্রাদা নত্তনা একাঙ্কী ইবা মশক নাইবা সাহিত্যকার খবস্ত লৈ। অদুবু অসিগুম্না সাহিত্যকারশিং অসিম্ভ একাঙ্কীগী ইতিহাসতা একাঙ্কী ইবা অমা ওইনা পুশিনবা ঙমদে। মরমদি মখোয়না একাঙ্কী অমা থনিতমক ইরগা তোকখিবা, অদুগা মতুং তাথবদা অতৈদা থরায় য়াওবগুম একাঙ্কীদা পুক্নিং বয়া থিংজিনবীরকুবননি। অদুগা অমা-অনি পুথোকখ্রিবা একাঙ্কীশিং অদুম্ভ মশক নাইনা পুথোকপীরক্লে অমম্ভং মণিপুরী সাহিত্যগী মপুং ফাবা লৈচন অমা ওইহনবীরক্লে। মসিমকম্ভ একাঙ্কী সাহিত্যগী চাওখৎ-খোঙথাংদা খরা খজিক মুংডাইতবা পোকহল্লি। অদুম অদুম ওইনমক মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কীগী পুক্নি নোংমা-নোংমগী অফবা কিবেপ্তদি পুথংলক্লি।

মণিপুরী সাহিত্যগী পূক্কৈদা মতিক চাবা একাঙ্কী খুদোল তম্না অইবা শ্রীগীতচন্দ্র তোংব্রা নত্তনা হৌজিক ফাওবদি অতৈ কনাগুম্না মশক নাইবা অইবা লৈত্রি হায়না মথক্তা পনখ্রে। অদুবু ঐখোয়গী

মণিপুরী সাহিত্যগী ওইনা মপুং ফাবা নাটকি নত্তবা অতেপ্পা লীলা (Short play) একাঙ্কীনি হায়না লৌনবা, একাঙ্কীমক নত্রবদু হাইকেৎ য়াম্বা অমদি একাঙ্কীগী মওং খবা লৈবা লীলা মচাশিংগী লাইরিকলোমদা য়েংবদা পঙয়াম য়ামগ্রি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচল ওইরিবা অসিগুম্বা মখলগী লাইরিকসি পুন্না থিজিল্লুনা য়েংবদা তরামাথোই-নিথোইদমক ঙায়রি। মদুসু শ্রীতোংব্রাগীনা অযাম্বনি শ্রীতোংব্রাগী লীলা মচাগী লাইরিক্তা "লীলা মচা-মচ" "অঙ্ক অমগী লীলা খরা" "লীলা মচা তরুক" "লীলা মচা তরা" "অনৌবা লীলা মচা মঙা" "আকাশবাণীদগী ফাওখবা খর" 'আকাশবাণীদগী ফোংখ্রবা খরা" অসিনি। অকোম্বগী লাইরিক অনি অসিদি রেডিওদা শন্দোকখ্রবা য়াবেং খরসু য়াওই। ঙুগা অয়াম্বনা রেডিও-প্লে ওাক্তনি; মপুং ফাবা একাঙ্কীনি হায়বা য়াদে। "অনৌবা লীলা মচা মঙা' হায়বসিদনা অতেপ্পা লীলা (Short play) দি ওইবা ফজরবা একাঙ্কীমকনিদি হায়বদা মুংচাই-ওবা এবসর্ড অলসুং এবসর্ডকী মওং খরা চঙবা লীলা খরা য়াওই। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোঙবা তোংব্রাগী "অঙ্ক অমগী লীলা খরা" হায়বা অসিদি য়াম্না ফজরবা মপুং ফারবা একাঙ্কী ওাক্তনি। অতোপ্পা লাইরিকশিংদসু লীলা অমা অনি হায়বদি অচৌবা নাটক্তগী মচেৎ ওইনা লোথোরকপা লীলা অমা অনি নত্তনা অতৈদি অদুম ফজবা মখলগী অমদি মপুং ফাবরা একাঙ্কী ওাক্তনি।

শ্রীতোংব্রা নত্তবা অতোপ্পা একাঙ্কী ইবা অহগী মমিং অমুক পান্না তারবদি শ্রীএম, বীরমঙ্গলসিংহনি। মহাকী লাইরিক্তা 'তাঙ্কক অমগী লীলা পরেং' হায়বসিনি। লাইরিকসিদা য়াওরিবা লীলা মচা

তরামাথোইমক ঐতিহাসিক ওাক্তনি। অরিবা ইতিহাসকী রারীদা য়ুক্ষম ওইরগা অনৌবা রাখল অমদি হৌজিক্কী মতমগী ওইবা ঈথিল অমা পীনবা হোৎনবসি অইবসিগী ফজববা মগুণ অমনি। অদুবু মহাক্কী একাঙ্কীশিংসি মপুং ফানা মহৈ য়াল্লে হায়বদি হায়মথা থোক্কনি।

অতোপ্পা লীলা মচাগী লাইরিকশিংদি এম, কে, বিনোদিনী দেবীগী "অশংবা নোংজাবী" জগদীশ শর্মাগী "গ্রামা মচা মরি' এল, কালাচান্দ সিংহগী "লীলামচা অহুম' অসিনি। শ্রীকালাচান্দ সিংহগীদি একাঙ্কীগী মগুণ খরদি য়াওই, অদুবু মহৈ য়াল্লবা একাঙ্কীনি হায়না লৌবদি ওমদে। ফাগী অমদি পাউতাক্কা কোম্নরবা অঙাং-শিংগী ওইবা লীলা মচা ওাক্তনি। শ্রীজগদীশ শর্মাগী অসিসু একাঙ্কীনি হায়বদা চিংনবা পোকহল্লি। অতেপ্পা মখলগী লীলাদি ওই, অদুবু অতেপ্পা লীলা খুদিংমক একাঙ্কী ওইদবনা মহাক্কী লীলা-শিংসি একাঙ্কীগী থাক্তা চিংখৎপদা খরা রানা থোকই। এম, কে, বিনোদিনী দেবীগী "অশংবা নোংজাবী" দি থোইনা চিংনিংঙাই অমদি যেৎননিংঙাই লৈতনা একাঙ্কী সাহিত্যদগী থাপ্পা থঙ্গা য়াই। লাইরিকসিদা যাওরিবা লীলা অহুম্মক রেডিওগী নাটক ওাক্তনি। একাঙ্কী অমদা ওইবা য়াদবা কয়া হেন্দোক্লা য়াওবা থেংনৈ। অহুমনা লীলাশিং অসি একাঙ্কী সাহিত্যগী মমুং চম্না থম্বগী মহুত্তা অতেপ্পা লীলা (*Short play*) নি হায়না রানবনা অচুম্বা মীৎয়েং অমম্নুং অচুম্বা ফিরেপ ওইগনি।

লাইরিক অমা ওইনদি নত্তবা কলচবেল ফোবল্লা পুথোকপা চেফোঙ "ঋতু" গী ৪০ শুবা অমদি ৪১ শুবা মশীংদা শ্রীঅরাম্বম

সমরেন্দ্র সিংহনা ইবা "তীর্থ যাত্রা" হায়বা দৃশ্য অনিগী একাঙ্কী অমা কোওথি। হায়রিবা একাঙ্কী অসি মহৈ য়াম্লবা অমদি মপুং ফারবা একাঙ্কীনি। অইবনা মহাক্কা উৎনিংলিবদু য়াম্না লায়না উৎপা ওস্মী। অদুবু শ্রীসমরেন্দ্র একাঙ্কীকার অমা ওইনা লম অসোমদা থোঙদারক্তে।

অসুম্না মণিপুরী সাহিত্যদা একাঙ্কীগী ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না লীক্না অমদি তোম্না লৈবা থেংনৈ। একাঙ্কী অমগী ওইগদবা চপ চাবা নিযমদা থিজিল্লবদি এঙ্কাকী হায়বসি ঐখোয়গী মণিপুরী সাহিত্যদদি শুপ্নগী মমিংতনি, লৈতবগুম্বনি। অদুনা লৈরিবা খরা অসি ঐখোথনা মীরায়রুম থোক্তে অমসুং মীরায়বা চুমস্তু চুমদে। ঐগী ফত্তবা ইমাদু, ইচা-ইনাওদু ঐগী ইমানি, ইচা-ইনাওনি; মীগী অফবদু ঐগী ওইবা থক য়ারোই। মতৌ অসিগুম অতোপ্পা লোনগী একাঙ্কী মণিপুরী সাহিত্যগী মসুংচম্বা একাঙ্কী ওইবা য়ারোই। মপুং ফাদ্রিবা ঐখোয়গী লৈজরিবা খরসি ঐখোয়গী সাহিত্যগী একাঙ্কী ওইগনি। অদুবু লৈরিবা একাঙ্কীশিংসি অতোপ্পা লোনগী একাঙ্কীশিংগী মমাংদা পুথোকপদদি ইকাইনিংঙাই ওইগনি। অদু ওইরবস্তু খরা লৈরিবা অসিগী মথক্তা হেন্না ফজবা মপুং ফাবা একাঙ্কী পুথোক্লবা ঐখোয়গী সাহিত্যকারশিংনা হোৎনবা ভাবনি। মসিদা হান্না খরা লৈরিবা অসিদগীসু লোবা য়াবা মতেং লোগনি অমসুং ফংস্তু ফংগনি। মথক-মথা শাবা য়ুমগী অনিগুবা অহুমগুবনচিংবা মথক্কী য়ুমগী মথোন য়োনবা কাবদা সীড়ি মথং-মথং কাবগুম হান্না লৈরম্লবা খরসিনা পান্থে ওইদুনা মথং মথং অসুম মহৈ য়াম্লবা মপুং ফানা মগুণ চেম্লবা একাঙ্কী কয়া মণিপুরী

সাহিত্যগী পুকৈদা হাপচিন্নবা হোৎনবা অনৌবা লময়াম্বা সাহিত্য-কারশিংগী হোৎনবা অমদি থৌনাদা নৈরবনি। মসিবু ঐখোয়না মপুং ফাহনা তাবনি।

একাঙ্কী করিনো :—

পৃথ্বীগী সাহিত্যশিংগী পুকৈদা একাঙ্কী সাহিত্যনা পোক্লকপা অমদি মথং মথং চাওখৎলকপগী শন্নপা মরম অমদি ঐখোয়না খঙলে। মসি খঙবগা লোয়ন লোয়ননা একাঙ্কীগী মপুং ফাবা মশক মওং অমদি মগুণসু খঙবা দরকার ওই। একাঙ্কীগী মরমদা তোঙান তোঙানবা অখণ্ড-অহৈনা মাগী মাগী তোঙান-তোঙানবা মোৎ পীনৈ। মোৎ পুম্নমক খবা খরা খেন্নরবসু মপুং ওইবা মমুংগী অকূপ্পা অদুদি অমত্তনি। একাঙ্কীগী চাউরাকপা মশক অমদি শীজিন্নফমদগী ঐখোয়না খঙবদি একাঙ্কী হায়বসে অভিনয়না মপুং ওইবা লীলাগী শক্তম অমনি। মসিদা করিগুম্বা থোদোক অমবু মপুং ওইবা মীওই অমা অনিগী মরু ওইরবা লমৎকা লোয়ননা লেমজনফম ওইরবা পান্দম অদুনা অপ'বা অমদি অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা মুংঙাইবা অমদি তমজনিংঙাই ওইবা পাবা অমা পীবনি। সিডনী কোক্সকী মোত্তা একাঙ্কী হায়বসি শুপ্নগী লমচৎ য়েকপদদা কুপ্পা নৈনবা অদু নত্তে; করিগুম্বা থোদোক অমবু কোঙদোক্লিবা অদুগী অমত্তা ওইরবা অপুনবা মমি অদুনা অপাবা অমসুং অয়েংবশিংবু মুংঙাইহনবা অমদি শুমহৎপা ঙম্নবা নিংথিনা অমসুং চেকশিন্না শেম্নবা অদুগুম্বা সাহিত্যগী মশা অমনি। সিডনী কোক্সনা মহাকী লাইরিক "Technique of One Act Play" হায়বদুদা একাঙ্কীগী মরমদা অসুম্না হ :—

"The one act form is not one which lends itself easil to much subtility of characterisation. It is essentially concentrated single of purpose, and for this reason imposes the strictest discipline upon the playwrite who make use of it. It should aim at making a single impression, should possess singleness of situation and should concentrate its interest on a single character or a group of chracters."

পিকর্ন ঈটনগী মোত্তস্থ একাঙ্কীগী নেচরদি কবিগুম্বা সমস্যা নত্রগা থোৌদোক অমবু মশা মতোমতা হৌগৎচরকপ। অমস্থং মথং মথং চাওখৎচরক্রবা মওংদা নিংথিনা শেম-শাবা ওইগদবনি অসিনি। মহাক্না মহাক্কী লাইরিক "Chief Faulters in writing One Act Play" হায়বহুদা অস্থম্না ই—

"One-act-play by its nature and the regid restriction of medium has to confine itself to a single episode or situation and this situation in turn has to grow and develope out of itself"

হিন্দীগী একাঙ্কী ইবা সেঠ গোবিন্দদাসকী মোত্তস্থ একাঙ্কী রায়বসে কবিগুম্বা বাথল অমগী মরমদা ওইগদবনি। হায়রিবা বাথল অসিগী কোঙদোকপা অমদি চাওখৎলকপদা য়েৎনবস্থ ঙভবা মাত্রবা অমা ওই। অদুগা একাঙ্কীদা কবিগুম্বা মরম অমবু মতম অমত্তদা থৌদোক অমথক্কদা কোঙদোকদবনি। মোং অসিবু সেঠ গোবিন্দদাসনা মশাগী বাহৈদা অস্থম্না কোঙদোক্কই—

"একহী বিচার পর একাঙ্কী নাটক কী রচনা হো সকতী হৈ। বিচার কে বিকাস কে লিএ জো সংঘর্ষ অনিবার্য হৈ উস সম্বন্ধ কে পুরে নাটক মেঁ কঈ পহলু দিখাএ জা সকতে হৈঁ। কিন্তু একাঙ্কী মেঁ সিফ এক পহলু হোতা হৈ।"

"এক হী সময়কী এক হী ঘটনা এক হী কৃত্য কে সম্বন্ধ মেঁ হোনা একাঙ্কী কে লিএ অনিবার্য হৈ।"

হিন্দী সাহিত্যগী অফাওবা আলোচক ডাঃ নগেন্দ্রনসু পুন্সিগী থোইদোকপা ফিভম নত্রগা অথন্নবা মীকুপ অমগী মশক একাঙ্কীদা লৈ হায়না হায়। আলোচকমকী রাহৈদা—"জীবনকী বিশেষ পরিস্থিতিকা অথবা এক উদ্দীপ্ত ক্ষন কা চিত্র একাঙ্কী মেঁ রহতা হৈ।"

অসুম্না তোঙান-তোঙানবা মোৎ কয়া অখণ্ড অহৈ কয়ানা লৌনরি।

অখণ্ড অহৈ কয়াগী মোৎ অমদি একাঙ্কী অমদা ওইবা য়াবা মওং পুন্নমক কুপ্না নৈনবদা অমত্তা ওইবা মওং অমা ফংবা উম্মী। হায়রিবা মওং অসিবু পুন্না অমদি ক্ষজনা য়াওরবা একাঙ্কী অহু মপুং ফারবা অমদি ম'হ য়াল্লবা একাঙ্কী ওই। য়াম্না শমজিন্না অমদি মচং ওইবা রাহৈদা হাংরবদা মপুং ফারবা অমদি মহৈ য়াল্লবা একাঙ্কী অমা ওইনবগীদমক মথাগী মচাকশিং অসিদি চঙই।

১। একাঙ্কী তাঙ্কক অমগী লীলানি। দৃশ্যসু য়ারবদি অমখক্তা ওইবনা হেন্না ফৈ।

২। করিগুম্বা থৌদোক নত্রগা সমস্যা অমগী মরমদা ওইগদবনি।

৩। ৱারী মপুংগী হৌগৎলকপদা লাঙতক্লবা পোকহনবা অমদি অয়োৌবী থাক (climax) তা একাঙ্কীছু লোইশিনগদবনি।

৪। য়েৎনবনা একাঙ্কীগী মরু ওইবা থবাগনি। মসিনা ৱারীগী হৌগৎলকপদা লাঙতক্লবা পোকহনবা অমদি অয়োৌবী থাক্তা থুনা চঙশিনহনবা তম্মী।

৫। ৱারীগী য়ুম্ফম নিংতিগী থোক্লিবা পুন্সিগী অচুম-অচুগা অশেংবা থৌদোকশিংদা ওইগদবনি।

৬। অচুম্বদা (Realism) য়ুম্ফম ওইরগা তমজনিংঙাই ওইবা (Idealism) মশক অমা উৎকদবনি।

৭। একাঙ্কীদা য়ারিবমথৈ মী মশিং হন্থহনগদবনি। মীশিং য়াম্বনা একাঙ্কীগী ৱারীদা য়েৎনবা অমা থোকহনবা য়াই।

৮। ৱারী মপুং ময়ামগী ওইবা য়াম্না লায়বা হীরমদা ওইগদবনি। মী খুদিংমক্না হেক য়েংবদা নত্রগা পাবদা লায়না থঙবা ঙম্বা ৱারী একাঙ্কীগীদমক য়াম্না মরু ওইবা অমনি। অরুবা ৱারী অমদি মীওন্দা জ্ঞান তাদবা চময়বা পোকহনবা ৱারী ওইরবদি মী খুদিংমক্তা একাঙ্কীনা তমজনিংঙাই ওইবা পারা অমা পীবা ঙম্মোই।

৯। অহুমগী অপুনবা (Three Unities) হায়রবদি থৌদোক, মফম অমদি মতম অমুক্তদা অমত্তা ওইনা পুনগদবনি।

মথক্কী মচাকশিং অসি লোইনা তুনা একাঙ্কী অমদা য়াওরবসু থরা মথৈদি য়াওহনগদবনি। করিমক্তা ইয়াওমক য়াওরবা একাঙ্কী অদুদি একাঙ্কী নত্তে; অদুনা মহৈ য়াম্নবা অমসুং মপুং ফারবা একাঙ্কী ওইত্রে। মরম অসিনা য়ারবদি মচাকশিং অসি তুনা য়াওহন্দুনা মপুং ফারবা একাঙ্কী অমা ওইহনবা থৈ।

একাকীগী মচং ওইবা মচাক :—

একাঙ্কী অমগী মপুংকাবা হকচাং-কায়াৎ শাগৎপদা মরু ওইবা মচাক তরুক চঙই। মচাক তরুক অসি অমা হেক য়াৎপদা একাকীগী মশাদা অশোয়বা নত্রগা মপাঙ্গল শোয়বা মওং অমা লাকই। হায়রবদি মচাক তরুক অসি তুনা য়াওরগা মচাক থয়া অমনা কনবা থবনা শোনবদি কৈ ; অদুদি নত্রহুনা করিগুম্বা মচাক অমা পুডবাৎ য়াৎপা থোক্রবদি একাঙ্কীদু হকচাং-কায়াৎ নাম্ব য়াৎলবা মীওইবদা থোকপা দশাগুম মপুং কাবা অমদি মহৈ য়ানবদা অকায়বা লাকই। অদুনা একাঙ্কী অমগী মশাদা চঙদবা য়াত্রবা মচাকশিং অদু মথাগী অসিনি।

১। য়ারী যুম্ফম (Plot)

২। মীশক মীওই অমসুং লমচৎ (Character)

৩। য়ারী য়াতাই (Dialogue)

৪। মফম মওম (Atmosphere)

৫। লোন্দা পুদা অমসুং ফোঙদোকপগী মওং (Style)

৬। পান্দম (Aim)

মথক্কী মচং ওইবা মচাক তরুক অসিগী চাউরাক্না শন্দোক্না তাকপা মখকুশিং মখাদা পীরি।

১। য়ারী যুম্ফম :—য়ারী যুম্ফম হায়বদি একাঙ্কীগী য়াম্না মরুওইবা অমসুং চঙদবা য়াত্রবা মচাক অমনি। মসিবু একাঙ্কীগী থবাকনি হায়না লৌবন্নু য়াই। যুম্ফম য়াওদনা যুম শাবা য়াদবগুম

রারী-যুম্ফম অসি লৈতক্সবদি একাঙ্কীগী মপুং ফাবা মতম লেপ্পা অমনা য়ারোই। মাদুহে অমঘুনা থৱায় য়াল্লবা হকচাং কঞ্জিনজা কাম্লব-শুম থৱায়গী মপক ওইরিবা রারী যুম্ফম অসি য়াওরবদি একাঙ্কীতু মপুং ফাবা শুকশুম ওয়োই। অদুগা একাঙ্কীদা য়াওগদোরিবা রারী অদুমতু মপুং ওইবা অমঘঙা ওইগদবনি। নাটক অমদি উপন্যাসকী মতৌশুম মপুং ফাবা রারীদা অতৈ অতোপ্পা রারী মচা-মচা কয়া য়াওরবদি একাকী অদু মহৈ য়াল্লবা একাঙ্কীতু ওইরোই। অঙকপা থোঁদোক অমদি লাউতরবা পোকহবা হায়বসি একাঙ্কীগী রারী-যুম্ফমগী য়ায়া মরুওইবা মচাক্কি। অঙকপা পোকহনবতনা রারী-যুম্ফমগী অথোইবা মগুণনি। লোয়নবা পঙশাং শাংবা য়াবিবমথৈ অতেনবা মতমগী রারী ওইবসু রারী-যুম্ফমগী মগুণ অমনি। অইবনা মহাকী পুথোক্লিবা রারী-যুম্ফম অদু ফজরবদি অমসুং চেকশিন্না পুথোক্রবদি মহাকী একাঙ্কীহ য়াম্না লায়না মহৈ য়ানহনবা ঙমগনি। একাঙ্কীগী রারী-যুম্ফম ইতিহাস, পৌরাণিকী রারী, সমাজ, মীওইবগী পুন্সি, সমস্যাশিং—অসিনচিংবা কয়াদা ওইবা য়াই।

২। **মীশক মীওই অমসুং লমচৎ** :—একাঙ্কী অমদা য়াওগদোরিবা মীশকশিং অথমবা অমদি য়াওদবা য়াত্রবা ভাক্তা ওইগদবনি। কায়দবা মীওই একাঙ্কী ইবা মতমদা হাপচিল্লোইদবনি। করিগুম্বা হাপচিল্লুরবদি একাঙ্কীগী ফজবা অমসুং শুপ হন্থংলবগী মরম নগুনা অতৈ ওইরোই। অদুগা য়াবিবমথৈদি মীগী মশীংসু য়ামহ-লোইদবনি। মীগী মশীংনা কা অমা থেঙ্গা য়ায়বদি রারী যুম্ফম্না কনা ফজরবসু চৈনেনবা মশক অমা ওইহনরকনি। মরম অসিনা একাঙ্কী ইবা মতমদা মীশক-মীওই শনবা য়াম্না চেকশিনবা তাবনি।

লোয়ননা য়াওবদ্রিবা মীশক মীওইশিংঙুগী লমচৎ য়েকশনতু চেকশিনগনবনি। য়াওরিবা মীশক খুদিংমক্কী লমচৎ ময়েক শেংনা অমদি লায়না উৎনবা হোৎনগদবনি। য়েক্লিবা লমচৎ তুংগী ওইবা য়েৎনবা অমদি মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা পুথোকপনা অথোইবা পাম্বে ওইবা শীজিন্নরবদি ফজবা মওংগী লমচৎ তাকপা ওইগনি। কনিগুম্বা মকম-মতম মরাং কায়দবনা মরম ওইহনা লমচৎ ত্তগায়না য়েকশগী খুদোংচাবা ফংব্রবদি নাকোইনবা অমদি ঈজ্জিৎকী মওংদা মীশকশিং অদুগী লমচৎ তাক্লবা হোৎনহনা য়াম্রিবমখৈ মপুং ফাহল্লবা হোৎনবা কৈ। লমচৎ য়েকপা ফজবতনা একাক্ষীগী মগুণ হেনগৎপা অমদি অরাংবা থাকী একাক্ষী ওইবদা য়াম্না মতেং ওইগনি।

৩। **য়ারী য়াতাই** :–য়ারী য়াতাইগী মতেংনা একাকীকারনা মহাক্কী পুক্নিংগী ফোঙদোক্লিংবা য়াদু লায়না ফোঙদোকঁই। মসিনা হায়্না য়াত্তুনা থমগ্রবা য়ারী যুফম অদু পাকথোক-চাউথোকহনদুনা মথং-মথং শেমগৎ-শাগৎলকই অমসুং পান্দমগী মায়কৈদা চঙশিল্লকই লমচৎসু য়ারী-য়াতাইসিগী মতেংনা ময়েক শেংনা য়েকপা ঙম্মী। মরম অসিনা মপুং ফানা ফজবা অমদি মহৈ য়াল্লবা একাক্ষী ওইরক্লব-গীদমক য়ারী য়াতাই অসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। য়ারী য়াতাই ফজক্লবদি উৎনিংঙিবা পান্দম অদু মহৈ য়ান্দবা য়াই; অদুগা য়ারীগী থোঙচত্তসু অকায়বা থোকহন্না য়াওই। অদুনা ফজবা মওংগী য়ারী-য়াতাই ওইহন্নবগীদমক অরায়বা অমদি অচম্বা লোন্দা পূদা, য়াওরিবা মীশক মীওইশিংগা চানবা য়াঙাঙ শাঙাঙ,

তেস্তক-তেস্তকপা ন্নাহৈ পরেং, তাবদা মুংঙাইবা অমদি অর্থ লৌশিঘদা লায়না থোকপা হায়বদি অপাবা অমদি অতাবগী ন্নাথলদা চমন্নবা পোকহন্দবা অমস্তুং মাহৈ অমা-অনিদং হায়দোকপদা অর্থ য়ান্না চেৎনা মথল শীজিন্নগদবনি। শন্না হায়রবদা একাঙ্কীন্নীদি ন্নান্নী ন্নাতাইনা থন্নায় হান্ননি। ন্নাবী-ন্নাতাই ফজরবতদা একাঙ্কীদু লায়না মহৈ য়াম্বা ঙমগনি।

৪। মফম-মতম :—একাঙ্কী অমগী ন্নান্নী-য়ুম্ফমদা য়াওবিবসি কবিগুন্না থৌদোক নম্রগা সমস্যা অমনি। হায়ন্নিবা থৌদোক নম্রগা সমস্যা অদু কন্নিগুন্না মফম অমদা মতম অমদা থোকপা ওইগদবনি। মসিবুনি মফম মতম হায়ন্নিবসি। মফম-মতমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু শাগৎনদৌরিবনি অমস্তুং মতুদা চঙগদবা মীশক-মীওইশিং থনগবনি। মফম মতমগী মঙং চান্নবা অমদি ন্নান্নী-মপুংগা চুনন্নবদি একাঙ্কীদু মহৈ যান্দবা নঙনা ফাগী মান্দুনা নোন্নিংবা অমতুম পোকনি। অদুনা একাঙ্কী অমগী মশাদা মফম-মতম অসিগু য়ান্না চেকশিন্দবা য়াদবা মচাক অমনি। য়াওবিবা মীওইশিংগী ন্নাঙাঙ-শাঙাঙ অমদি ন্নঙ্গমঙ্গদা উৎপা মতমদা শীজিন্নগদৌবিবা ফিজেৎ-চাকচা মফম মতমগী মথা পোন্নি। মফম-মতমগী মন্নুং চন্না একাঙ্কীবু ফজনা মহৈ য়ালহন্নবগীদমক অমস্তুং মায় পাক্না উৎপা য়ানবগীদমক অহুমগী অপুন্বা (Three unities) হাযবদি থৌদোক, মফম অমদি মতমগী অপুন্বা ওইহন্নবা য়ান্নিমথৈ হোৎনগদবনি।

৫। লোন্দা-পুদা অমস্তুং ফোঙদোকপগী মঙং : মসিস্তু একাঙ্কীগী যান্না মরুওইবা মচাক অমনি। একাঙ্কীদুদা য়াওন্নিবা হীবম হীবমদুগী মতুংইন্না লোন্দা পুদা অমস্তুং ফোঙদোকপগী মঙংস্তু

তোঙান-তোঙানা। লোন্দা-পুন্দা অমদি কোঙদোকপগী মওং কক্ষরবদি একাঙ্কী অদু ককবা মথনগী একাঙ্কী ওইদে, খোইনচুম মশক থীকনি। একাঙ্কীদা লোন অমম্ভুং রাইগী কোঙদোকপগী মওংদি শঙয়াম য়ামদবা রাহৈ রাতা, মচুদ ককবা অর্থ অমম্ভুং ভাব য়ামা চেন্না মওং ওইগদবনি। একাঙ্কীদা রাহৈ লীক্কা অমদি অর্থ লৈকন্না শীজিন্নবগী মরমদা রান্টর প্রিকার্ডনা অম্ভুমা ইরম্মী— 'You have a painfully small number of words with which to accomplish a large effect for events must in general be large on stage. Therefore every word must count."
মসিনা তাকপদি একাঙ্কী ইবা মতমদা লোন্দা পুদা অম'দ কোঙদোক-পগী মওং অসি য়ায়া চেকশিনগদবা মচাক অমনি অসিনি।

৬। পান্দম :—মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক্তী কবিগুম্বা পান্দম অমমমদি শোয়দনা লৈ। মতৌ অসিগুম একাঙ্কীগীসু অরোইবদা মাগী পান্দম অমদি শোয়দনা লৈকম থোকই। একাঙ্কীগী শেমলিবা রারী মুক্ষম, মচুদা শাগৎলিবা রারী মপুং, মীশক মীওই, রারী-রাতাইনচিংবা পুম্নমক পান্দম কবিনো তাক্লবগীদমক্তি। অয়েংবা নক্তগা অপাবশিংগী মফমদা একাঙ্কী অসিনা উৎলিবা পান্দম মসিনি হায়বসি ময়েক শেংনা থঙহন্নবা হোৎনগদবনি। অম্ভুমা তৌরবতদা একাঙ্কী অদু মহৈ যাল্লবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মপুং ফানা মহৈ য়াল্লবা একাঙ্কী অমদা নুংঙাইবগী ঈথিল অমম্ভুং তমঙ্গনিঙাই ওইবা মশক অমা য়াওগদবনি। হায়বদি একাঙ্কীদুগী পান্দম আদর্শ ওইগ-দবনি। মরম অসিনা একাঙ্কীগী পান্দম অপাবা নক্তগা অয়েংবশিংদা

হুংঙাইবা পীবগা লোয়ননা শেংদোকপা হায়বদি সুধার অমদি সংস্কারগী মশক উৎকদবনি।

কলা-কনাগুম্বা সাহিত্যগী মরমদা কুপ্না নৈনরিবা আলোচকশিংনা একাঙ্কীগী মচং ওইবা মচাক অসি নিপাল তুই হায়না মোৎ ফোঙ-দোকপা য়াওই। মথোয়গী মোৎ অসি মথক্কী মচাক তরুক অসিগা থোইনা খেন্নবা নত্তে। মখিংদা খন্না খেন্নবতনি, অদুগা নিপালমক তরুক অসিগী মনুংদা লোইনা য়াওবা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক মথক্কী অসি নত্তবা মচং ওইবা মচাক অমস্তু লেরি, মদুদি লীলা ফম্বাক অমদি শক্তম লাংবা।

লীলা ফম্বাক অমদি শক্তম লাংবা :—লীলা ফম্বাক অমদি শক্তম লাংবা হায়বদি রঙ্গমঞ্চ অমসুং অভিনয়বুনি। একাঙ্কীগীদমক্তদি অনি অসি য়াম্না মরু ওইবা মচানি। লীলা কধাক্কীদমক্তদি দৃশ্য (Scene) অসিসু য়াম্না মুম্না খঙ্দবা য়াদবা মরম অমা ওই। একাঙ্কীদা বা হেন্না দৃশ্য য়ামহন্না দরকার ওইদে। য়াববদি দৃশ্য অমত্তমক চঙ-হন্না অকবা অমদি ফজবা মথলগী একাঙ্কী ওইগনি। অদুগা রাকম অমনা একাঙ্কী অমা উৎপদা চঙগদবা মতমসি য়ামগ্রবণা মিনিট তরা, অদুগা য়ামবদনা মিনিট নিফুমঙা ওইহনগদবনি। হায়রিবা মতম অসিদগী য়ারিবমথৈ হেলহন্দনবা অমদি তাহন্দনবা হোৎনগদবনি। অদুগা শক্তম লাংবগী মরমদসু একাঙ্কী ইবা মতমদা য়াম্না চেকশিন-শদবা অমদি মুম্না খঙ্দবা য়াদব। হীরম অমনি। শক্তম লাংবদা লুনা থোকপা অমদি ওইথোকপা য়ারোইদবা মওংদা মীশক মীওইগী লমচৎ যেক্লোইদবনি। মসিনা একাঙ্কীবু মশক খীহনগনি অমসুং ময়াম্না পাম্নবা মথলগী একাঙ্কী ওইরোই। মরম অসিনা একাঙ্কী ইবা মতমদা

লীলা ফম্বাক অমদি শক্তম লাংবা হাযবা অনি অসিগী মবমদস্ত যান্না কুপ্না খম্বা হায়বসি তৌদবা য়াত্রবা অমনি হায়না লৌগদবনি। লীলা ফম্বাক্তা পুথোকপদা থোইনা অপাম্বা লৈত্রবা অমদি কজনা শক্তম লাংবা য়াবথতদা একাঙ্কীদু মহৈ য়ালবা একাঙ্কী হাযবত্থু ওইগনি।

একাঙ্কীগী মখল :—

একাঙ্কীসি মখল কয়ামরুমগী লৈ। লৈনবদা অকম্বা মীৎয়েং থম্লিবা অখণ্ড-অহৈ কয়ানমু মাগী মাগী মোৎ মতুং ইন্না একাঙ্কীগী মখল কয়ামক্তম থোক্লা খাযদোকই। খায়দোক্লিবা মখলশিংসি একাঙ্কীগী মশাগী মওং-মতৌ অমদি বাইদাগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙাম্বা মায়কৈদগী অমদি মীৎয়েংদগী থোরকপনি। শ্রীঅযেকপম চন্দ্রমণি সিংহগী মোৎ মতুং ইন্না একাঙ্কীগী মখল মঙানি। মখল মঙাদু মথংশিংনা—

১। চুম্না ৱারী শাবগী মওংদা ইবা একাঙ্কী। মসিদা ফম্বাক্তী ৱারোল অমদি ৱারী থৌদোক্তী মথং-মনাও নাইবা যাওদে।

২। পাননবা ইবা একাঙ্কী। মসিদা লৈনবা অমদি যেৎনবা ৱাফম্না মপুং ওই।

৩। শৈরেংগী ওইবা ৱাবী ৱাতাইতগী মতেংনা ইবা গীতি নাট্য একাঙ্কী।

৪। রেডিও একাঙ্কী—(মসিগী মখল অনি ; (ক) রেডিও প্লে ; (খ) রেডিও রূপক)।

৫। য়েংনবা একাঙ্কী।

শ্রীচন্দ্রমণিসিংহনা খায়দোক্লিবা মথলশিংসিগী মথক্তা কেন্টেসী, মোনোড্রামা, মেলোড্রামাটিক অঙ্গিনচিংবা অসিন্থু হার্পচিনবা য়াই। শ্রীচন্দ্রমনি সিংহনদি কেন্টেসীবু মহাক্না খায়দোক্লিবা মঙাঙুবা মথল—য়েংননবা একাঙ্কীগী মচুং চন্না থম্মী। মসিদগী খরা হেন্না কুপশিন্না মীৎয়েংগী মতুং ইন্না খায়দোকপা তারবদি মথাগী কাঙলুপ অহুম অসিগী মতুং ইন্না খায়দোকনি। কাঙলুপশিং অদুদি—

১। মপুং ওইবা ঈচেলগী মতুং ইন্না খায়দোকপা।

২। হীরমগী মতুং ইন্না খায়দোকপা।

৩। মশক-মওং অমদি মইগী মতুং ইন্না খায়দোকপা।

মথক্কী কাঙলুপ অহুম অসিগী মতুং ইন্না অমুক একাঙ্কীগী অকুপ্পা মথল কয়ামরুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। অহান্না কাঙলুপকী মতুং ইন্না (১) নৈনবনা মপুং ওইবা একাঙ্কী, ৯) সমস্যা উৎপা একাঙ্কী, (৩) অপান্নবা খঙহন্ব জ্ঞানগী ওইবা একাঙ্কী, (৪) শন্দোক-শন্দোক্না তাকপা একাঙ্কী, (৫) ফিদম্নফম ওইবা একাঙ্কী অমসুং (৬) চাওথৎপা-হেনগৎপগী ঈথিল পীবা একাঙ্কী - হায়রিবা মথলশিং অসিনি। অনিশুবা কাঙলুপকী মতুংইন্না মথল মঙা থোক্না খায়-দোকপা য়াই। মদুদি—(১) সমাজগী মরমদা ইবা একাঙ্কী, (২) ইতিহাসকী থোদোক নৈনদুনা ইবা একাঙ্কী (৩) রাজনীতিগী মরমদা নৈনদুনা ইবা একাঙ্কী, (৪) মীওইবগী লমচৎ তাক্লুনা ইবা একাঙ্কী অমসুং (৫) পুন্সিগী অকুপ্পা রারোল তাক্লুনা অমদি নৈনদুনা ইবা একাঙ্কী অসিনি। অহুমশুবা কাঙলুপকী মচুংদনা (১) ইচম চম্বা একাঙ্কী, (২) করেম্নবা একাঙ্কী, (৩) নোক্নবা একাঙ্কী, (৪) বাহংগী

পাউখুম পীবা একাঙ্কী, (৫) লৌশিং পীবা একাঙ্কী, (৬) য়াম্না চীংলেম্বা অর্থদি অর্থ লুবা একাঙ্কী, (৭) মহৈ য়াম্বনা লোইবা হায়বদি হুংঙাইবনা লোইশিনবা একাঙ্কী, অমসুং (৮) মহৈ য়াম্বনা লোইবা ঙম্লাবনা পোলোইবা একাঙ্কী—হায়রিবা মখলশিং অসি খায়দোকপা য়াই।

মথক্কী মখলশিংসি নত্তবা দৃশ্যগী মতুং ইন্না খায়দোকপা মখলনি লৈ। মতুদি—(১) দৃশ্য অমগী একাঙ্কী, (২) দৃশ্য অমদগী হেন্বা একাঙ্কী। মখল অনি অসি অদুক য়াম্না মরু ওইবদি নত্তে। অদুবু অহাম্বগী মখল—দৃশ্য অমগী একাঙ্কীসিনা হৌজিক্কী মতমসিদা চুনবা অমদি চৎনবা য়াম্না হেল্লি।

অহুমগী অপুনবা ঃ—

অহুমগী অপুনবা হায়বগী অর্থদি মফম, মতম অমদি থৌদোক অহুম্মক পুল্লপ থোকমিন্নবা হায়বনি। হায়রিবা অহুমগী অপুনবা অসি সাহিত্যগী নৈনবোলদা খণ্ড হৈরবা কয়ানা একাঙ্কীগীদমক য়াম্না মরু ওইবনি হায়না লৌনৈ। একাঙ্কী অমদি নাটক্কা মপুং ওইরিবা রাম্নী অদুগী থৌদোক, থৌদোক্কুগী মফম অমসুং মতম অসি য়াম্না চেকশিন্না থনগদবা হীন্নম অমা ওই। থৌদোক অদুদা মরু ওইনা য়াওরিবা মপুং ওইবা মীওই অদুগী লমচৎ তাকপা ওইরবদি মীশক অদুগী অঙাং ওইরিঙৈগী, মরক্কী থবা চাউখৎলকপগী অমদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী মথং-মথং তাক্লবা হোৎনবদা দৃশ্যসু মথং মথং ওন-ওন্দুনা তাক্লবা হোৎনবা য়াম্না খুব্রৌ চেনবা

অমদি অপনবা থোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা থোদোক্না শাগৎলগা একাক্ষী কয়াক্তা শক্তম লাংহুনা পুথোকপা মতমদা শাংলবা মতম অহুগী তোঙান-তোঙানবা শক্তম উৎপা তরাই-তরাইবা থবক নত্তে। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মতম অহুগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা মফম উৎপস্থ তরাই-তরাইবা নত্তে। য়াম্না অকনবা মওং অমা ওইনা থোকনি। তোঙান তোঙানবা থোদোক্না মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা দৃশ্য উৎনবা হোৎনবা লীলাবু কজহনবগী মহুত্তা য়ারী মপূংদা অপনবা পীবা নত্তুনা কদিস্থ ওইরোই। অসুম্না উবদা অমদি ষ্টেজদা পুথোকপদা অপনবা কয়া লৈরবা মওং অসি শীজিন্নরবা একাক্ষী অহু মহৈ যানবস্থ ওয়োই। পাবদস্থ থোইনা হেন্না নুংঙাইবা অমদি ইন্টরেষ্ট পীবা ঙমগনি নিংদে। অদুনা একাক্ষীগীদমক অহুমগী অপূনবা হায়বা অসি য়াম্না থম্বনিংঙাই ওইবা মক ওইবা হীরম অমা ওই। করিগুম্বা থোদোক অহু মতম অমদা মফম অমদা থোক্লবদি মহু লায়না পুথোকপা ঙমগনি। হায়রিবা ওহুম অসি অমুক্তদা পুন্না থোকমিন্নবনা থোদোক অহু মপূং কানা অয়োবী থাক য়োনা কাবদা মতেং পী।. লোয়ননা য়ারী মপূংনা পান্দম তানবদস্থ কজনা মহৈ য়ালহনবা ঙম্মী। অসুম্না তোবসিমক একাক্ষীগী মপূং ফারবা কলা (Art) হায়বদু ওইরিবনি। দৃশ্য অনি নত্রগা অনিদগী হেন্না উৎলবস্থ একাক্ষীগী অয়োবী থাক অসি য়োবদি ঙম্মী।. অদুবু অমুক্তদা অহুম্মক পুনশিন্নগ ওইহনবা অসিগুম লায়না অমদি ফজবা মওংগী ওইবা হায়বদুগি ওইদে। য়াফম অমনা মফম, মতম অমস্তুং থোদোক অহুম অসিগী অপূনবগী নিয়মদি থুগাইদুনা ইথনা ইথদা লায়বা অমদি চম্বা কেন্নি

অহুমসি পুনশিনবনা কজব। অমদি থরা রাংবা থাক্কী মখল এই। অহুগা কনা কনাগুম্বশিংগী মোরনা অহুমগী অপুনবা অসিগী মহুত্তা অনিগী অপুনবা যাম্না দরকার ওই হায়বা লৌদৈ। অকোনবগী মপুম্বিদনা থোদোক অমদি মতম অমুক্কদা থোকমিন্নবগী রাকখি। অহুগা মসিদা মকম্পুদি কোনশিন্দনা থাদোক্কুনা থম্মী। অকোনবগী মোৎ অসি একাঙ্কীদা দৃশ্য অমদগী হেল্লা য়াওবা কাংবুশিংগীনি। অহুম ওইনমক অনিবু ওইরবস্থ অহুমগীবু ওইরবস্থ অপুনবা হায়বসিমদি দরকার ইওই মওইরি। অহুবু মসিদা য়ারবদি অতম্মকী পুনশিন্না হায়বসিনা কজবা অমম্বুং অফবা মওং ওইগনি। লোয়ননা অরাংবা থাক্কী লীলাম্ব ওইগনি। অমুম্না লীলাদা পুনশিনবা হায়বসি গ্রীক্কী ফাওরবা পণ্ডিত এরিষ্টোটলস্থ য়ারমদবা নত্তে। এরিষ্টোটলনা থোদোক অমম্বুং মতম অনি অসিগী অপুনবা য়াবম্মী হায়বসি এলেদে´ই নিকোল (Allardyie Nicoll) গী Theory of Drama দগী খল্লবা উম্মী। Theory of Drama দা এলেদে´ই নিকোলনা অমুখা ই—

"The epic might········ · deal in lengthy periods of time where as drama mormally confined itself to a short period. In addition to this he (Aristotle) had emphasised desirability of preserving some kind of unity in action."

অমুম্না মতেক থরা নৈনবসিদগী ঐখোয়না খঙবা উম্মী মদুদি অনিগী অপুনবা, অহুমগী অপুনবা হায়না তোঙান তোঙানবা মোৎ কয়। লৈরবস্থ একাঙ্কীদা অপুনবা হায়বসিমদি দরকার ইওই মওইরি।

কনা অমনা মফমগা মতমগা, কনা অমনা মতমগা থোদোক্কা, কনা অমনা মফমগা থোদোক্কা পূনশিন্নদা য়ানিংবগী মোৎ ফোঙদোকপতনি। পূনশিন্না হায়বসিমদি দবক্কার মওইবিবনিনা য়ারবদি মফম-মতম-থোদোক অহুম অসি পুম্না য়াওহন্বনা অকবা মথলগী অমদি ফজবা মওংগী একাঙ্কী হায়বদু ওইগনি। মরম অসিনা একাঙ্কী ইবদা অহুমগী অপুন্বা অসি ঙাক্ন চৎপা কৈ হায়বসি ঐগী অচেৎপা মোৎনি।

একাঙ্কী অমসুং নাটক ঃ—

কনা কনাগুম্বশিংনা একাঙ্কী অমসুং নাটক অনি অসি থোইনা খেন্নদে হায়না লৌই। ৱাথল অসিমদি য়াম্না থীনা লাল্লবনি। অনি অসিমক লীলাদি লীলা ঙাক্তনি। অদুবু অনি অসিগী মশক, মওং-মতৌ অমদি টেকনিক তোঙান তোঙাল্লি। ঐখোয়না অনি অসিবু অমত্তা ওইনা লৌবা য়াদে; য়াম্না থীনা খেন্নৈ। একাঙ্কীবু নাটকী শরুক মচেৎ অমনি, নাটক মচানি; নাটক্কী পোল্লকপনি হায়না খন্বা অরান্বনি। মপূং ফারবা নাটক অমবু হেক্তা শমজিন্দুনা ইরগা একাঙ্কী হেক্তা ওইবা নত্তে। নাটক্কী তোঙাম্না একাঙ্কীগী মশাগী মই অমসুং মশক-মওং লৈ। নাটক্তা তাঙ্কক অনি নত্রগা অনিদগী হেন্না লৈ। তাঙ্কক খুদিংমক্তা দৃশ্য কয়ামকমসু লৈ। অদুবু তাঙ্কক অমত্তনি হায়দুনসু নাটক্কী তাঙ্কক অমা হেক্তা লৌথোক্লগা একাঙ্কী হায়না মমিং থোক্কিন্বা য়াদে। লৌথোক্লিবা নাটক্কী তাঙ্কক অমদু মথন্তনা মপূং ফাবা ঙমদে, একাঙ্কীদি মশাগী তাঙ্কক অহুমদা মপূং ফাজৈ। হায়বদি একাঙ্কীগী তাঙ্কক অহুমগী মসুংদা তোঙাবা মশাগী ওইবা মপূং ফাবা ৱারী অমা লৈগদবনি। নাটক্কদি মপূং ওইবা

ৱারীদুগা লোয়ননা মতেং পাংবা নক্রগা মৱকী ওইবা ৱারীমচা খরগা য়াম্না তপ্না চীং লেম্না পান্দম তান্না ঈমায় চোল্লবা তুৱেলগী ঈচেলগুম থেল্লা খোয়না চৎলি। অদুগা একাঙ্কীগীদি মসি নত্তে; মপুং ওইবা ৱারী অদুমত্তা য়াম্না থুনা পান্দম অদু তমহনা অয়োবী খাক য়োনবা থুৎলৈ থুনা কাল্লকপা ভেঙ্গৈগুম য়ঙ-য়ঙ লাওনা পাইশিল্লকই। ইবা মতমদস্ত একাঙ্কীদদি হাপনিংঙি হায়দুনা কান্নদবা ৱারেম, থোদোক অমদি মতাং পঙহাপ কাপচিন্বা য়াদে। চঙগদবা অমদি চঙদবা য়াদবা মীশক অদুতা থন্দুনা অকরুনা হাপকদবনি। মৱম অদুনা একাঙ্কীগী ৱারীদি বসন্তগী মতমদ। নোনা য়েন্নিং হুল্লকপা উনানা তপ্না-তপ্না মপুং ফারক্নুনা হেমন্ত ঋতু য়োরকপদা ঙাংশিল-কংশিল্লরুগা পাক শন্না চোইজাইননা কেন্বা অদু নত্তে; হৌজিক্তা পোমশাৎনবন্দী লৈরাংনা কোরোৎহবগী মশেল্লা য়েবদা য়াম্না থুনা ফুগায়না শাৎলল্লগা থুনা লৈথোক লোয়দুনা মালংবগী শট্টম ফংবদা লৈমায়দা চোইজাইননা কেনখিবা অদুগুম ওইগদবনি। ৱাহৈ অমদনা নাটক্তি লৈখন জাৎ শুনা হৌরবা লৈকোল অমগুম্বনি। অদুগা একাঙ্কীনা গল্পদা হৌবা লৈপাল অমথক্কুগুবনি। মৱম অসিনা ঐখোয়না অশুক থীনা থেন্নথ্রবা একাঙ্কী অমমতুং নাটক অনি অসিবু অমত্তনি হায়না লৌবা অরানবা ৱাখল ওইগনি।

অতেম্বা লীলা খুদিংমক একাঙ্কী নত্তে ঃ—

কনা-কনাগুম্বা মীওই থর্বনা অতেম্বা লীলা খুদিংমকপু একাঙ্কীনি হায়না হেক্তা লৌনবা য়াওই। মসিসু য়াম্না থীনা লাল্লবা ৱাখল ওইগনি। হৌজিকী মতমদা মথল-মথলগী লীলা মচা য়াম্না থোরক্লে।

মখল খুদিংমক্কী তোঙান-তোঙাম্বা মশক-মওং অমদি মগুণ লৈজে। একাঙ্কীসু লীলা মচানি। অদুবু হৌজিকী মতমগী অনৌবা থোরক্লিবা অতেম্বা লীলা (short play) গা একাঙ্কীগা হেক্তা মখেন্নে। অতেম্বা লীলা মপুং ফাবা নাটক অনগুম্বনি। মতমদা তেনশিম্বগী রাকমলনি। মসিদা তাঙ্কক অমদগী হেম্বা য়াই। একাঙ্কীগীগুম য়াওগদবা মীশক মীওইগী মশীং কল্লে। লীলা অদুগী মতুং ইন্না হাপ্লিংবা মী মশীং হাপ্পদা অকায়বা লৈতে। অদুগা রারী মপুংদা মতেং পাংবা রারী হাপচিন্না তারবসু মতম্বু তেল্লবা অমদি মপুং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্লবাদ থোইনা কায়দে। অদুগা একাঙ্কীদদি মসি নত্তে। একাঙ্কীদা মতেং পাংবা রারী হাপ্পদে অমসুং হাপ্পা য়াদে। মতৌ অসিগুম্বা অতৈ মখলশিং অদুগসু একাঙ্কীগা অদুম মখেন্নবনি। কুনগুবা শতাব্দী অসিদা পঙশাংদি শাংদবা অঙকপা মখলগী লীলা জাৎ অমা থোরক্লি। হায়রিবা লীলা মখল অসি ইউরোপকী সেমুএল বেকেট (Samuel Beckett) অমসুং ইউজেন আইওনেস্কো (Eugene Ionesco) নচিংবা অফাওবা নাটককারশিংনা পুথোরকপনি। মসিগী মমিং এবসর্ড হায়না থোল্লি। তাঙ্কক অমদা দৃশ্য অমদা লোইশিন্না লীলানি। অদুবু তাঙ্কক অমদা লোইশিল্লি হায়রুনা মসিবু হেক্তা একাঙ্কী কৌবা য়াদে। এবসর্ডকীসু তোঙাম্বা মগুণ অমদি মশক-মওং লৈজে। য়েংগদবা অমদি পাগদবা মীশকসু খল্লি। মী খুদিং-মক্কী ওইদে, এবসর্ডকী মগুণ অমদি মশক খঙবা মীওই খন্নবগী ওইনা তৌই। এবসর্ডপু মশক খঙদবা অচম্বা মীওইনা য়েংবদা অমদি পাবদা পাক লায়না জ্ঞান তাবা ঙমদে। অথন্নবা মীশকশিং ফাওবা রাথল মুম্না খন্দবা য়াদে। তশেংনা হায়রবদা এবসর্ডতি

পাউখোং চম্‌গুম্বনি। করিনো হায়না চমম্বা পোকহল্লি। চমম্বা অদু কোক্তুনা করিনো হায়বত্থ খণ্ডবা হেক ঙমথ্রিবমথৈ ঙুংঙাইবা ঙমদে। অদুগা একাঙ্কীদি মসিগী ওন্ন-তৈনবনি। পান্দম ফঙনা তাক্তুনা পারা অমা তঙ্গীবনি অমস্তুং ঙুংঙাইবা পীবনি। অপাবা অমস্তুং অয়েংবশিংবু মতম অমদি ৱাখল য়াম্বা চঙহন্দনা লায়না ঙ্গান তাহম্বা ওম্বা হায়বসি একাঙ্কীগী অথোইবা মগুণনি। অদুগা কনা-কনাগুম্বনা অমুক রেডিও নাটকপু একাঙ্কীনি হায়না লৌবস্তু য়াওই। রেডিও নাটক্কি মপুং ফাবা নাটক্কগী খোঞ্জেলতগী ওইনা তেনশিনহল্লুনা শেমদোবকপনি। সিনেমাগী মতৌগুম বক্তমঙ্কদা পুথোকপা অমদি উৎপা ঙমদবা কয়া খোঞ্জেলগী মতেংনা রেডিও নাটক্তা পুথোকপা য়াই অমস্তুং পুথোকই। একাঙ্কীদদি মসি শুকয়া য়াদে। মতম তেল্লগা হেক্তা একাঙ্কী ওইবা নত্তে। অদুনা রেডিও নাটক একাঙ্কী নত্তে; একাঙ্কী ওম্বা য়াদে। একাঙ্কীনা রেডিও নাটক ওম্বা অমদি রেডিওদা পুথোকপদি য়াই। মবম অদুনা অতেম্বা লীলানি হায়দুনস্তু ময়াম্বা খঙনরিবা অতেনবা লীলা (short play), এবসর্ড, রেডিও নাটক্কচিংবা অসি একাঙ্কীগী মন্নুং চলহম্বা অমস্তুং একাঙ্কীনি হায়না লৌবা য়াদে। মখোয়শিংসিস্তু মশাগী তোপ-তোপ্পা মশক লৈবা তোঙান-তোঙানবা মথলগী লীলা ডাক্তনি; একাঙ্কীস্তু মখোয়গুম তোঙানবা লীলা মথল অমনি। মরম অসিনা অতেনবা লীলা খুদিংমক একাঙ্কী নত্তে অমস্তুং ওইবস্তু য়াদে।

লমন

খুমবা

ইম্ফাল
জানুয়ারীগী অনিশুবা চয়োল
১৯৬৫

মীশক মীওই ঃ—

১। সম্রাট অশোক	ঃ	মৌর্য্য বংশগী নিংথৌ
২। কুণাল	ঃ	অশোকী মচা ইবুংঙো অমা
৩। উপগুপ্ত	ঃ	বৌদ্ধ লম্বোইবা, অশোকী ধর্ম্ম গুরু
৪। তিষ্যরক্ষিতা	ঃ	অশোকী রানী অতোনবী
৫। মালতী	ঃ	রানী তিষ্যরক্ষিতাগী মনাই অচানবী



পাটলিপুত্রগী কোনুং মনুং
রানী অতোনবী তিষ্যরক্ষিতাগী বিলাস-ভবন

(অকে-অমৌগী পোৎ-চৈতন্না লৈত্তেংলবা কানি। তক তক্নবা, লৈংগুভন্না লৈত্তেংলবা হিদান মচা অমত্থু থাম্রি। কা অসিদা অশোকী রানী অতোনবী তিষ্যরক্ষিতা হক্সৎ-হন্দা চত্তুনা লৈ। মহাকী মায়থোঙদা কল্লক পেল্লা মুংঙাইবা অমনি অপেনবগী মমি তাই।)

তিষ্যরক্ষিতা—হ হ হ.... (য়াম্না পেল্লা নোকপা) মহাক্লা ঐবু ইকাইবা পীখিবগী লমন খুমলে। ঐ পেল্লে, পেল্লে। হ হ হ...। বসন্ত ঋতুগী ফুগায়না শাৎপা লৈরাংগী মুংশিংবা লৈনম লিরি হুম্বা মালংবনা পুরকপদা, অমংবা নোংহৌ উবদা রাহোং লাথা-অমোমনা মমৈ চামোর শাত্তুনা নোয়না পেল্লা জগোয় শাবা, মিরবা পঞ্চম স্বরদা কোকিলগী কুহু খোম্থাং - পুম্নমক অসিনা ঐগী থম্মোয়দা তাশোন ওইহল্লিবা মহাক্লনি। পাঙ্গোংগী অঙাংবা মপালনা কামগী তেলবু ওইরগা তুমিন্না তুমখুন চন্দুনা লৈজবা ঐগী পুক্লিংবু য়াকায়হনবত্থু মহাকনি। থম্মোয়গী মরুভূমিদা নোংহোগী মশক ওইরবা মহাকী আশাবু অয়েম্বদা মাঙখিবা ফোংঙমদবা মৈচাকসে করম্না মৈরী খোক্তনা লৈবা ঙমদগে। হৌজিক ঐ চাংয়েং অমদা মায়থীরবত্থু চাংয়েং অমদা জয় ওইরে। মুংঙাইরে—পেল্লে। হ হ হ....।

(মালতী চঙলকই)

মালতী—মনাও-ইবেম্মা, ননাই হঞ্জরক্লে।

তিষ্যরক্ষিতা—হল্লক্লবরা মালতী? কমদৌরে? চুম্লমবরা?

মালতী—অচুম্বা ওইরমলে ইবেম্মা।

তিষ্যরক্ষিতা—হুংঙাইরেদা অদুদি ; ঐগী নিংবা থুংলে। লাও মালতী। সে, লৌজো। ঐনা নংবু মনা পীরিবনি।

(মাবী তিষ্যরক্ষিতানা মঙক্তা শিবা মুক্তা পরেং অমা লোথোক্লগা মালতীদা পী।)

মালতী—নস্তে-নস্তে ইবেম্মা, মুক্তা পরেং অদুগীদমক মতিক চাবী নচ্চদে ননাইদি।

তিষ্যরক্ষিতা—করিগীদমক মতিক চাদে থম্লিবনো ? ঙসি ঐগী নীংবা থুংবগীদমক নঙোন্দা মুক্তা পরেং অসে ঐনা মনা ওইনা পীরিবনি। লৌশিল্লু সে।

(মালতীনা মুক্তা পরেং লৌশিল্লি)

মালতী—মতম পূম্নমক্তা ইবেম্মগী অনীংবা পুখা থুংবা ওইসন্নু।

তিষ্যরক্ষিতা—মদুদি হায়গন্থ মালতী। নীংবা কায়রবা ঐহাক্তি। সম্রাটকী খাইদগী অচানবী ওইদুনস্থ থম্মোয়গী অপাম্বা পম্নুং ম্লোবা ঙমত্রদুনা নীংবা কায়ববা পুন্সিসে হিংবগী কান্নব্রবনি। অদুবু লমন খুম্নবগীদমক ভিংলিবনি। ঙসিদি লমন অদু মপুং ফানা খুমলে। অদুনা ঐ নুংঙাইরিবনি। ইকাইববু খুদুম চন্দুনা মরোল থোক্লবা থম্মোয়না তেংথা-তেংথানা তেল্লবা মীৎকুপ কয়াবু লোইবা নাইদ্রবা যুগ কয়া-কয়াগা পান্দম ওইদুনা মহাক্কী অমৃত-গুম্নবা রাহৈ অমত্তং ঙাইন্নকপবু হৌজিক্তি মৈরী ওন্দুনা ঙুং-ঙুং চাকথৎলকপা অসিদা ঐনা নুংঙাইরিবনি, ঐনা পেল্লিবনি। হ হ হ………।

মালতী—ইবেম্মা, করিনো অঙাওবীগী মতৌগুম্না নোক্লিবসিবু ?

তিষ্যরক্ষিতা—মালতী, ঙসিদি ঐ তশেংনা লমন খুম্বা ওঘশীদমক ঙাওরবনি। ঐগী আশাবু মহাক্না মঙলান ওইহনবা, মীওইবা পূম্নমক্না কলঙ্ক-মীহৌনরবা সম্রাটকী পদবীবু করিস্থ থওইদবা, নিপানি হায়দুনা পুকচেল কয়া শাহুনা ঐবু ইকাইবা পীবা —মহুগী লমন চপ চানা খুমলিবনি। মহাক্না ঐগী ইকমদগী পাম্নিবমা মমতা ; ঐনা মঙোন্দা পীনিংলিবনা অনুরাগনা থল্লবা প্রেম। ঐনা পাম্বদি যৌবনগী ঈথক'য়ায়দা কারক্লিবা থিংঙমদ্রবা ঈফুৎপু ঈচেন্দা পাথোকথিদনবা পল ওইবীমু অসিনি।

মালতী—অদুবু ইবেম্মা, হৌজিক্কি পল ওইবীমু য়াদ্রবনিনা পাথরকপা ঈফুৎকী ইচেন্দা মহাক মশামক ঈরাক্ররেদো।

তিষ্যরক্ষিতা মহুদনি ঐগী থম্মোয়না পেল্লিবসি মালতী। ঐগী থম্মোয়দগী থোরকপা অশেংবা য়াহৈবু মহাক্না করেম্নবনি থনখি। সুপীজা ওইবী অমনা ইকাই-ইকাইনা তিংথোরকপা ভিক্ষাগী ঝুলীবু হাডনা হজিনহনখি। মালতী,তশেংনা মহাক্কি নুংগী মুর্তিদা মিহুন হুনবনি ; মী নত্তে। নুংগী মুর্তিনা সংসারগী অচৎ-চত্ত উহুনা করিগী লৈফম থোকপগে ? অদুনা ঐনা সংসারগী লেঙলি-পাল্লিবা ফজবশিংবু য়েংহুনা সুংঙাইবা ফংলিবা মহাকী মমীৎকী মঙাল মাঙহনখ্রবনি। হৌজিক্কি মহাক নিংথৌ কান্দা পোকপা রাজকুমার ওইহুনস্থ মমীৎ তাঙলবা লম্বীগী চাক্লিবা অমা ওইরে। ঐগী লমন খুম্বা মপুং ফারে। ঐ পেল্লে মালতী।

(মপান্দা কনাগুম্বা অম লাকপগী খোঙথাং তাবা ফংই।)

মালতী - ইবেম্মা, কনাগুম্বা অমা মায়কৈ অসোমদা লাক্লগনে।

তিষ্যরক্ষিতা—মালতী লাক্লিবহু কনানো য়েংলুচো। সম্রাট নক্রবদি কনাগুম্বা অমত্তা ঐগী ইনাক্তা চওহল্লকনু।

মালতী - কগনি ইবেম্মা।

(মালতী থোকখি।)

তিষ্যরক্ষিতা— হৌজিক্তি লৈবাকী রাজ্য-ভার পুম্বা ঐগী ইখুত্তা লৈরবনি। ঐনা তৌবা ওমদবা করি লৈরি। সম্রাট অশোক ঐগী মীৎলৈ য়েংনা জগোয় শাবরা মীশক্লি। অদুবু ঐগী থম্মোয়দা হৌরিবা মৈরী অসিদি মুৎহনবা গুকওম ওমদ্রে। ওম্নরোই, শাস্তিগী লাইজ ঈরিক অমতং থীকদবা মহাক্না নুংগী মুর্তি ওইখ্রবদা কয়ম্বা চাক্লিবা মৈরী অসি মুৎকনি।

(সম্রাট অশোক চঙলকই।)

অশোক—রানী! রানী! নহাক করম তৌরি?

তিষ্যরক্ষিতা - সম্রাট, ননাইহুপী মতম পুম্নমক্তা নুংঙাই-য়াইফনা পুন্সি লেজরি। সম্রাটকী জয় ওইসনু।

অশোক—রানী, নুংঙাইয়ু। নুংঙাইনা পুন্সি লেনগদবনি। অশোকী মৌর্য্য সম্রাজ্য ধর্ম্মনা ঙাকপা লৈবাক্লি। ধর্ম্মনা জয়!

তিষ্যরক্ষিতা - সম্রাট ধর্ম্মগী লৈবাক অসিদা শা ঙা, উচেক-রায়া কাওবা শাস্তি ওইনা হিংবা ওইসনু।

অশোক—অদুবু রানী, অশোকী থম্মোয়না শাস্তি ফংদ্রিবসি করি-গীনো?

তিষ্যরক্ষিতা—তপশ্বরীয়ু সম্রাট। লৈবাক-প্রজা, শা উচেক্লচিংবা জীব

পুন্নমক্লা শান্তি ফংবগা লোয়ননা সম্রাটকী থম্মোয়দগী ফঙলা নোংমদি শোয়দনা শান্তি পুরকনি।

অশোক—শান্তি অদু পুরন্নবনি। অদুবু মাংত্রে; ঐগী থম্মোয় য়াম্না লাওতক্লে রানী।

তিষ্যরক্ষিতা - চহী অনি চুপ্পা শোক্কবা তমথীরবা কলিঙ্গগী লালকমদা শিখি-নাখিবা ময়াম অছু নিংশিংলুবদা সম্রাটকী থম্মোয়গী শান্তি মাঙখিবা ওইরমগনি।

অশোক মদুমক্তি হায়বা ঙমদে। মহামাত্য গুরুদেব উপগুপ্তনা লমজিং ওইদুনা ভগবান তথাগতকী মফমদা চঙজবদগী পাপ পুন্নমক কোক্তুনা পুক্নিং অসি শান্তি ফংব্রবনি। অদুবু হৌজিক অমুক পুক্নিংগী শান্তি মাঙখিদুনা থম্মোয় অসে লাওতক্লি।

তিষ্যরক্ষিতা তপথবীয়ু সম্রাট। মাঙখ্রবা শান্তি অমুক হন্না পুরক্লবা পুক্নিং ফাথবীয়ু। ননাইন্নুপীনা সেবা তৌজগে।

অশোক—(হিদান্দা তপ্পা ফমথরদুনা) রানী, ঐগী পাপকী প্রায়শ্চিৎ মপুং ফাদ্রিবমাল্লে। অঙকপা থাজদ্রবা পাউনা হন্না হন্না ঐগী থম্মোয় অসে ওৎপগী লোইবা নাইদরি।

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাটকী থম্মোয়বু লাওতক্লবা পোকহল্লুনা তমথীনা ওৎ-নৈরিবদুবু করম্বা পাউ ওইরবনো ?

অশোক—ঐগী ইচা কুণালগী মুংঙাইত্রবা পাউনা ঐগী থম্মোয়বু তপথহল্লে রানী।

তিষ্যরক্ষিতা—(চিংনরপ তৌবা মীৎয়েংনা য়েংলগা) ইচা কুণালগী পাউ? ইচাগী করম্বা মুংঙাইতবা পাউনো সম্রাট?

অশোক - রানী, পাউ অসে থাজনিরা থাজগুমসিরা হায়বা ঐ খবা ঙমগ্রে। কনা-কনাগুম্বনা ডাঙনবনি, ঐনঙ্গা উক্লবদি নঙ্গ্রেদো।

তিষ্যরক্ষিতা— লাঙতক্লবা মতোদা) কনানা কবি ডাঙনরবগে সম্রাট ?

অশোক—পাউ অসে ওইথোকনি থাজদবনা হায়দোকে খনবদদা কোক্কগীনা খোঙ ফাওবা তু চুংঙি। অদুবু মীওই খরনা কন্ননক হেক ঙাঙনরিবনা চুম্মোই হায়না লৌবস্থ ঙমদে।

তিষ্যরক্ষিতা—পাউ অদুবু ননাইনুপীনা তাজবদা য়াম্মক অকায়বা ওইনা থোক্লগদ্রা সম্রাট ?

অশোক—করিগী অকায়বা ওইগদৌরিবনো রানী ? ঐদি নহাক্কা পাউ অসিগী মবমদা রঃ তানগে লাক্লিবনি। রানী, ওস্থোক্লা থাজদ্রবা পাউনি। ঐগী ইচা কুণালবু মমীৎ তাঙলবা লম্বীগী চাক্লিবা ওইরে হায়নে।

তিষ্যরক্ষিতা—(অঙকপা মওংদা) ইস ! ইচা কুণালবো ? কবমা সম্রাট ?

অশোক—মতুগী মরম তাংদাংবা ঐ খুকখঙ খঙদে। পাউ অসে তাবদা ঐ য়াম্না ঙক্লবনি।

তিষ্যরক্ষিত'—থাজনিংডাই ওইদে সম্রাট। প্রজা খরগী তোকঙা ওইরমগনি। তোকঙা শন্দোকপা প্রজাশিংবু ফারগা রাজ-দণ্ড পীরবতনা চিংনবীরিবা পাউদো ইরায় লায়না কোকনি।

অশোক— ফন্নগদগী ফূক হোগৎলগা) অঙকপনি রানী ! ধর্ম্মনা ডাকপা অশোকী সাম্রাজ্যদা তোকঙা শন্দোকপা মীওই লৈরবা ?

তিষ্যরক্ষিতা—(অশোকপু অমুক কমথহন্দুনা) তপথবীয় সম্রাট ! পুক্লিং

নৈতানা পোখাবীয়ু। থর্মনী নৈবাক্তস্থ মরাল নৈরবদি থর্মনা পীবা শান্তি নৈ।

অশোক—অহুবু পাউ অহু ভাবমক্তদা ঐগী ইশাদা কাওরিবা খুদম অসিনা থাজদবস্থ ওমদে।

তিষ্যরক্ষিতা—মহুদি পুক্লিংগী মথা পোনবনি সম্রাট। ভারত সম্রাটকী মচা ইবুংঙোনা করম্বা লম্বীগী চাক্লিবা ওইগনি। পুম্নমক মীনম্বনি। তক্ষশিলা তাকলুনবদীদমক মশাদা শক্তি পীতুনা থাখিবা ইচাবু মমীৎ তাঙতুনা লম্বীগী ভিক্কারী ওইরে হায়বসি থাজবা য়াবা য়াকম নত্তে। ইচা-ইবুংঙো কুণাল নিংথৌ মচানি; য়েক্লবা লাম্বা পাবদা নত্রগা করিগুম্বা থৌদোক অমদা খুদোংথীবা থোক্লুনা মমীৎ তাঙলবস্থ লম্বীগী চাক্লিবদি ওইকম থোক্তে। অতুগা করিগুম্বা খুদোংথীবা থোক্লবস্থ খুনমক পাটলিপুত্রদা অশেংবা পাউ য়ৌরককম থোকই।

অশোক—অদুবুদি চুম্মী রানী। অতুদা থোৎ-নৌরিবী চহী মতাং রামজত্রিবী ইমৌমুপী কঞ্চনাস্থ তানপুরা পায়দুনা ইচা কুণালগী মতুং ইল্লি হায়রি। করম্বা মুপী নিপা অনিমক শকমাম্নবা নৈবাক অসিদা নৈরিবনো? থনবদা চমম্নৈ রানী। ঐগী থম্মোয় অসে নৈতাকম খঙত্রে।

(সম্রাট অশোক কন্নবদগী লোংনা হিপথখি)

তিষ্যরক্ষিতা—(অশোকী মশা পায়দুনা) তপথবীয়ু সম্রাট, অশেংবা পাউ খঙনবা হৌজিকমক তক্ষশিলাদা দূত অম্না থাজগে।

(লমদম তারা সজ্জদগী মীরাম্না শক্রকপা লাইশোলল্খোক্লেল অবা কংই)

বুদ্ধং শরণং গচ্ছামি ।

সঙ্ঘং শরণং গচ্ছামি !

ধর্ম্মং শরণং গচ্ছামি ।

অশোক—(লোংনা হিপ্পা হিপ্পা মমীৎ উইশিল্লগা মথুৎ লোক্সরঙুনা)

হে ভগবান তথাগত ! অশোক্কী নৈতাফম থঙত্রবা ওমচাক্লরবা থম্মোয়দা শান্তিগী লাইজ ঈরিক অমত্তং খিকথবীয়ু ।

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাট !

(খিল্লবা তানপুরাগী মখোলগা লোয়ননা ভক্তিগী ইশৈ লমদম তারদগী তাবা ফংই । সম্রাট অশোক ইশক ওক্লা ফূক হৌগৎলগা তুমিন ফমঙুনা ইশৈঙ্ যাম্না মুম্না তায় । রানী তিষ্যরক্ষিতা অশোক্কী মতোঙ্ মুম্না য়েংঙুনা লৈ ।)

ইশৈ :—

বুদ্ধং শরণং গচ্ছামি ।
সঙ্ঘং শরণং গচ্ছামি !
ধর্ম্মং শরণং গচ্ছামি ।
চঙজরি নঙোন্দা হে ভগবান !
নখুয়া থম্বাল পীরবীয়ু,
ননাইগী ননাই এহান্নি ।
বুদ্ধং শরণং গচ্ছামি ।
সঙ্ঘং শরণং গচ্ছামি !
ধর্ম্মং শরণং গচ্ছামি ।

(ইশৈগী খোঞ্জেল তাম্লবদগী অম্লম নকশিন্নকই ।)

অশোক—(লাওতক্লনা) রানী, খোঞ্জল অসিবু ? তারিবা ইশৈগী স্বর অসিবু ? তাবদা থম্মোয়সে থুক লাওবা পোকই । খোঙ্হোক অসে ? মিরবা খোঙ্হোক অসে কনাগীনো ? ঐগী ইচা কুণালগী নত্তবরা ? মানশ্রেদা রানী ।

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাট, পুক্লিং লাওবীগনু । কনাগুম্বা লম্বীগী চাক্লিবা ওইরমগনি ।

অশোক—নত্তে বানী, তারিবা খোঞ্জেল অসে ঐগী ইচা কুণালগী নত্তনা কনাগীসু ওইরোই । য়াম্না লাওতক্লরে । মহাকী মশকসে উরগা খঙগনি । ঐ মাগী মনাক্তা চৎলগে ।

(অশোক ফম্বদগী হোগত্তুনা চৎকে তৌই, তিষ্যরক্ষিতানা থাম্মী ।)

তিষ্যরক্ষিতা—তপথবীযু সম্রাট । সম্রাজ্য অসিনদি চাউবনিনা শকমান্নবা, খোঞ্জেল মান্নবা কয়া লৈরমগনি । অত্তুবু সম্রাটকী পুক্লিং লৈতাবীদ্রবনিনা অশেংবা থঙনবা ইশৈ শক্লিবা লম্বীগী চাক্লিবা অসে মকম অসিদা কৌহল্লরক্কে লাওতক্লরবা থম্মোয়বু কায়দুনা রাখল মুংডাইমা পোথাবীয়ু । সম্রাটনা করিগী সনা-খোঙলেংথোক্কনি ।

অশোক—নত্তে রানী, মহাকপু মকম অসিদা কৌহল্লুবা ঐনা অমুক ডাইডমদ্রে । ইখোঙ খোংনা হেক্কা চৎলগে ।

তিষ্যরক্ষিতা—(অশোকপু খায়দুনা) সম্রাট, মদু হোনদে । প্রজা মীয়াম অসিনা সম্রাটপু রাখল চোইরে, অঙাওবনি হায়নখ্রবনি । মদুম তৌরবদি সম্রাটকী মান-মর্য্যাদা

পুন্নমক ময়েং তাবনি। মহাকপু মকম অসিদা থুনমক কৌহনরক্কে। ওহাক্তা পোথাবীয়ু সম্রাট।

(রানী তিষ্যরক্ষিতানা অশোকপু হিদাক্কা অয়ুক কমথহন্নি।)

মালতী!

(মালতী চঙলকই।)

মালতী—ইবেম্মা, করম্বা সনা-য়াথং ?

তিষ্যরক্ষিতা—ইশৈ শক্তুনা চৎলিবা লম্বীগী চাক্লিবা অসে য়াম্না থুনা মকম অসিদা কৌরকউ। সম্রাটকী সনা-য়াথংনি, লাক্তবা য়াদে হায়রু।

মালতী—কগনি ইবেম্মা। (মালতী চৎকে তৌই।)

তিষ্যরক্ষিতা—অদুগনে মালতী,

মালতী—কম্রি ওইরবনো ইবেম্মা ?

তিষ্যরক্ষিতা—মহাক মতোমতমক মকম অসিদা চঙহল্লক্কদবনি। কনাগুম্বা মহাকী লোয়নবা নত্রগা লোয়নবী য়াওরবম্নু চঙহল্লকপা য়াদে। মথোয় অদু মপাব্দা ভাইহল্লু।

মালতী—কগনি ইবেম্মা। (মালতী চৎখি।)

অশোক—রানী, ঐ ইশামক ইখোঙনা থোংনা চত্তুনা উন্নরুগে হায়রগা নহাক্না থামলিবা করিগীনো ?

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাটতি মচা লুংশিবগী রাথলনা ভাওরে। নিংথৌ অমা ওইবগী হৌনবা-হৌনদবা করিমত্তা খনবীদরে। অচম্বা ভিক্ষারী অমবু লম্বীদা তয়াং-তয়াং থোক্তুনা উন্নরুবা সম্রাটকী মান-মর্য্যাদা ময়েং তাবা ওইরোই-দ্রনে ?

অশোক — করি রানী ? মান মর্যাদা। হা হা হা......(নোকপা)
রানী, নিংথৌনা মহাক্কী প্রজাগা উন্নবদা মান-মর্য্যাদা
ময়েং তাবা। মতুংনা নঙণী রাখল?

তিষ্যরক্ষিতা— তপথবিয়ু সম্রাট।
(মমীৎ তাঙলবা মচা ইনুংঙো কুণাল মালতীনা মথুৎ শন্নগা
পুশিল্লকই। মালতী কুণালবু থন্নগা মপান্দা থোকখি।)

কুণাল—(মা-মাচুনা চঙলক্লগ) সম্রাট, কয়ম্বা সনা-য়াথং তাক-
পিগদবা?

অশোক— কুণাল! ইপাগী ইবুংঙো কুণাল।
(অশোক চেন্থোক্লনা মচাবু কোল্লি।)

কুণাল— সম্রাট।
(তিষ্যরক্ষিতা মপা-মচাগী মতোন্থ য়ুম্না য়েংলুনা লৈ।)

অশোক—করি হায়রবা কুণাল? ইপাদা করিগী সম্রাট হায়রি।
পাবুং-মহারাজ হায়য়ু।

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, নচাবু মফম অসিদা কৌবিববু কয়ম্বা সনা-
য়াথং তাকপিগদবা লৈবগে? তাকপিরো, ময়াথং ফিগাউ
শানা য়াজরি।
(কুণাল অশোক্কী মমাঙদা থুকউ-থুদক কুন্দুনা লৈ।)

অশোক—(কুণালবু কোনথৎলগা) করি রানো কুণাল? ইপানা
নঙোন্দা করিগুম্বা য়াথং অমত্তা পীগদবা লৈতে। হায়য়ু
ইপাদা, কয়ম্মা নহাক্কী নমীৎ অসি তাঙলিবনো?

কুণাল—পাবুং-মহারাজগী য়াথং—রাজ-দণ্ড।

অশোক—(ঙক্লা) রাজ-দণ্ড। ঐগী য়াথং? কয়ম্বা মতমদা ঐনা
ইচাবু মমীৎ তাঙহনবা দণ্ড পীখ্রবা?

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, তাকপিগদবা নয়াথং লৈত্রবদি নচা চৎচগ্নগে।

অশোক—করি হায়বা কুণাল? কদায়দা চৎকদৌরিবা?

কুণাল—পাবুংগী য়াথং ঙাকচনবগীদমক। লম্বীগী চাক্লিবা ওইনা কোয়চৎ চত্তুনা ইপুনশি লেনবস্থ পাবুংনা পীনবিবা রাজ-দণ্ডিনি।

অশোক—রাজ-দণ্ডি। করম্বা মতমদা নহাকী করম্বা নরালগীদমক ঐনা নঙোন্দা রাজ-দণ্ডি পীখিবা। ঐ জ্ঞান তাবা ঙমদ্রে। (তিষ্যরক্ষিতাদা) রানী, করম্বা মতমদা ঐনা কুণালদা রাজ-দণ্ডি পীখি?

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাট সনা-পুক্লৌং লাঙতকবিগনু। কুণাল ইচা-ইবুংঙো ওইয়বস্থ মরালগী মতুং ইন্না রাজ-দণ্ড ফংলগা মীশক্লি। মহাক রাজ বিদ্রোহীনি।

অশোক—করম্না? করম্বা মতমদা ঐনা মহাকপু রাজ-বিদ্রোহীনি হায়দুনা দণ্ডি পীখিবা?

তিষ্যরক্ষিতা—তুংদা ফজ-মুংদ থোক্লকনবা হায়দুনা ঐহাক্না সম্রাটকী মহুৎ শিন্দুনা রাজ দণ্ডি অদু পীজখিবনি।

অশোক—(ঙক্না) করি তিষ্যরক্ষিতা? নঙমক্না ঐগী ইহুৎ শিন্দুনা রাজ-দণ্ডি পীখিবা?

কুণাল—চিংনবিগনু পাবুং-মহারাজ। পাবুংগী য়াইফনবগীদমক ইমানা নচাদা রাজ দণ্ডি পীনখিবনি। সেনাপতিনস্থ য়াথং অদু পাঙথোকউ হায়বা য়াত্রকদা ঐ ইশানক্না ইহুৎনা পাবুংগী মিংচৎ মাঙহন্নীংলবদগী ইশাগী ইমীৎ অসি কোথোকচদুনা য়াথং অদু ঙাকচরবনি।

অশোক—অদুবু ঐনা থঙনীংলিবদি নহাক্না করম্না ঐগী মায়য়োক্তা রাজ-বিদ্রোহী ?

তিষ্যরক্ষিতা—তক্ষশিলাগী লালহৌবশিংগা লৌতুনরবরা হায়না চিংনবদগী।

অশোক—করি হায়বা ? তক্ষশিলাদা লালহৌবশিং নমথরকচো থাদ্রগা ঐগী মায়য়োক্তা রাজ-বিদ্রোহী ? (শাউরগা) অচুম্বরা কুণাল ? নঙমক্না ইশাগী মায়য়োক্তা ?

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, মরাল লৈরবা রাজ-বিদ্রোহীনি হায়দুনা মতিক চাবা দণ্ড পীরবা মতুংদা হৌজিক অমুক মবম থিগৎপিবনা করি কাম্নবা লৈগদগে ?

অশোক—(শাউনা) করি কুণাল ?

তিষ্যরক্ষিতা - তাবিরেম্দনা সম্রাট, মহাক্কী রাঙাঙ অসে। মসি খঙদুনা ঐহাক্না সম্রাটকী য়াইফনবা মাঙজোননা রাজ দণ্ড পীজখিবনি।

কুণাল—হৌজিকসু রাজ-দণ্ড অদু নচানা হরাউ-হরাউনা লাকচরি।

অশোক—রানী, করম্না কুণালনা রাজ-বিদ্রোহীগী থবক তৌবা ? অদুগা ঐমক তাহন্দনা নহাক্না ঐগী রাজ-মুদ্রা শীজিন্নদুনা কুণালদা রাজ-দণ্ড পীথিবগী মরম—পুম্নক অদু ঐ খঙনীংঙি।

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, তাবদা নাকোঙ বাই চিন্নবা হীরম অদো খঙবিনীংলুরগদু। ঐ ইরাল লৈরবা মীশক্তি। ইশানা য়ানা রাজ-দণ্ড অদু লৌজখ্রবনি।

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাটনা খঙবিনীংলবদি রাকম অদু খঙবদা থোইনা

অকায়বা লৈতে। তাবিয়ু সম্রাট, কুণাল অসে ঐগী য়েক্লবনি। ঐগী য়েক্লবদি সম্রাটকীসু য়েক্লবনি। মরমদি সম্রাটনা ঐবু থোইদোক কেন্দোক্না চানবিবনা। অদুনা সম্রাটকীদমক ঐনা ....।

অশোক—কুণাল, নমাগা নহাক্না য়েক্লরবা?

তিষ্যরক্ষিতা—অচুম্বনি সম্রাট, কুণাল ঐগী য়েক্লবনি। মহাকী কামদেববু ঙমজবা মায়থোঙ-শাকদা তরু-তরু পাঙলম্বা অপোম্বা থম্বাল মানবা ঐগী থম্মোয়বু শুমহৎপা ঙম্বা মীৎস্না অনী অসি ঐগী য়েক্লবনি। মহাকপু উবদা ঐগী থম্মোয় অসে সম্রাটকী খ্বাইদগী অচানবী রানী ওইদুনসু তপথনা লৈবা ঙমখিদে। মাগী মকমদা ঐগী থম্মোয়না পেন্নবা হায়জবা মহাক্না য়াখিদে। অদুনা ঐবু ডাওকল্লিবা, ঐগী থম্মোয়দা কামগী ঈকৌ পোকহল্লিবা নাপল কারবা ইচা-ইবুংঙো অসি ঐগী য়েক্লবনি থম্দুনা কংকম থোকপা রাজ-দণ্ড পীখিবনি।

(কুণাল তিষ্যরক্ষিতানা হায়দোরকপা বাক্তাও তাবদা ইকাই হন্দোইবা পোক্তুনা মখুৎনা মনা মেন্দুনা খাওঙি।)

অশোক—(য়াম্না শাউনা) তিষ্যরক্ষিতা।

তিষ্যরক্ষিতা—সম্রাট, মীওইবগী থম্মোয়দগী হৌরকপা পুক্নীংগী ঈহৌবু কনানা থিংবা ঙম্বগে? ইকাই-ইকাই তিক্কাগী-মমক তিংথোক্লবা ফিগাউ হাওনা হক্কিনবা তাখি।

অশোক—(শাউনা) ওক্কী, নচাগী মকমদা নঙগী অচুম্বা রাখল?

(অশোকা-তিষ্যরক্ষিতাদা খোঙপাক্না কাওই।)

তিষ্যরক্ষিতা—ইবুংকথোক্কী ইচাদি নঙোন্দনা। মথোক কারকপা লেংঙোম্নবনি। মসিদা ঐগী করি ইরাংল লৈ?

অশোক—(মথা ক্রক-ক্রক চীক্না) অদুগা ইচাবু নহাক্না রাজ-বিদ্রোহীনি হায়না মরাল শীদুনা মমীৎ কোথোকপা?

তিষ্যরক্ষিতা—অচুম্বনি সম্রাট, ঐগী তপথরবা থম্মোয়বু শান্তি পীনবগীদমক ইকাইবা নংলবী ঐনা মতোন্দা লমন খুম্বনি।

অশোক—(য়াম্না শাউনা) লমন খুম্বা! ওক্কবী! হ, পুবী লীন অমোম। চণ্ডালিনী!! পুম্নমক নঙগী লৌনম?

অশোক্না তিষ্যরক্ষিতাদা অমুকন্না খোঙপাক্না কাওই। তিষ্যরক্ষিতা পুক্রে তুই।)

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, করি মতৌনা তৌবিরিবসিবু? ইমাগী মরাল্লা লৈতে; পুম্নমক ঐগী ইরালনি।

তিষ্যরক্ষিতা—(তপ্পা তপ্পা হোগৎলগা) থম্মোয়দা ঈথৌ লাংবা কোকপা ভমত্রবদা কবম্না সম্রাটকী অচানবী ওইনা লৈদুনম্না পুক্নীং অসি লৈতাবা ভমগনি। ইকাইবা নংলবী ঐহাক্নি। অক-ফত্ত করি থম্মীংঙাই লৈব্রু। অহুনা ঐনা ঐগী অপাম্বা মতুং ইন্না কুণালগী মফমদা লমন খুম্বনি। সম্রাটম্না হৌজিক কুণালগীদমক লমন খুম্বিগে হায়না......?

অশোক—করি হিংচাবী? ওক্কবী, কন্না-হন্না নরাহৈ অহুমক? ঐনা ওক্কবীবু দেবীনি খল্দুনা মহাক মথৈ পূজা তৌ-রুরবা। বিন্দুসারগী মচান্নুপা অশোক্না সিংহাসনগীদমক

মচিন-মনাও পুন্নমক হাংখি ; কলিঙ্গ-বিজয়গীদমক মী কোটি-কোটিগী থন্নায় মাঙহনখি। করিন্সু নাচুংবা গোকখিদে। অছুগুম্বা অশোক্কী থম্মোয়না নঙগুম্বী ওক্কবী চণ্ডালিনী অমবু হাংপদা নীংহন্নখিগদ্রা ? নঙগী-দমক মতিক চাবা দণ্ডিদি—মৃত্যু-দণ্ড। কনা লৈ ? ঐগী থূংশু থাঙশাং পুন্নকউ। মতম কুইনা থাদোক্লুব্রবা খুংলাই ঙসিদি অমুক পায়বা তারে।

কুণাল—(অশোক্কী মখোঙ কোন্দুনা) নংঙু-নঙ্গে পাবুং মহারাজ, করিন্সু লৈত্রবা নচা ঐগীদমক ধর্ম্মগী রাশক থুগাই-বিগন্নু। ইমাগী মন্নাল লৈতে। রাখল থেনবী কৃপীগী মপোক্লি ; ইমাবু ঙাকপিয়ু।

অশোক—মচু য়ারোই কুণাল। ঐবু থাম্‌গন্নু। মতাং অসিদা ধর্ম্মগী রাশক করিনো হায়বা ঐ খঙদে। ইখুংমক্লা ওক্কবী অসিবু হাত্তুনা ইচাগী লমন থুমগনি।

(অশোক্না তিষ্যরক্ষিতাবু মশম্‌ পায়দুনা চি'থুই।)

কুণাল—পাবুং-মহারাজ, ইমাবু তমথিন্নবা মীচৈনা চৈবা অদো নচাগী নাপদা তাহনবিগন্নু। (অশোক্কী মমাঙদা খুকউ-থূদক কুন্দুনা) পাবুংগী মফমদগী ইমাগী থন্নায়বু নচানা ক্ষিপাউ শানা নিজরি। ইমাবু থাদোকপিয়ু। পাবুং-মহারাজ, ইমাবু থাদোকপিয়ু। নচানা হন্না-হন্না হায়জরি। ইমাবু ঙাকপিয়ু।

অশোক—করি কুণাল ? ওক্কবী অসিবু ? মহাক অসে নমা নত্তে ; ইচাগী মীৎ তাঙহন্নিবা নহাক্কী য়েক্কবনি।*

কুণাল—নত্তে নত্তে পাবুং-মহারাজ। মহাক ঐগী ইমানি। ইমাবু কনবিয়ু।

তিষ্যরক্ষিতা—মচা-ইবুংঙো কুণাল, কল্পিগীদমক ঐবু কয়ীংলিবনো ? ঐ নঙগী নমা নত্তে, য়েক্লবনি। লীনবু শঙ্গোম পীথক্কুনা য়োক্লবস্তু মহ্ খক থাদোক্কবনি। ঐ অসে ত্তমথিরবী মহ্ পুবী লীন অমোম্নি।

কুণাল—করি রানো ইমা ? কৌজিক কাওবা ইমাগী খল্লোয়দা নচাবু মলোম থম্বিরিব্রা ? ঐনা ইমাগী নচা শইথিবনা ইমাগী অনীংবা খুংহনবা ত্তমথিদবনি ; ঐবু রারোবিগন্নু ইমা।

তিষ্যরক্ষিতা—ওক্লে কুণাল, ওক্লে। মথা ত্তাথবগন্নু, ঐ ত্তাবা ত্তগক্লে। ঐদি ওক্কবীনি, লমচৎ নাইদবীনি। ইরালগী মতুং ইন্না ঐ দণ্ডি কংলসন্নু। ঐনা ইশানা য়ানা সম্রাটনা পীনবা বাজ-দণ্ডি লৌরবনি।

অশোক--নঙগী অহুগুম্বা নীংতমদবা নরাকৈ অক্লনম্ব নঙবু কনবা ওইথোক্কে। ইথুৎমক্লা নঙবু কাৎকনি। কদায় ? কনা লৈ ? কৌজিক কাওবা ঐগী খুৎশু থাঙশাং পুরক্তিব্রা ?

(বৌদ্ধ লম্বোইবা উপগুপ্ত চঙলকই।)

উপগুপ্ত—বুদ্ধং শরণং গচ্ছামি। সঙ্ঘং শরণং গচ্ছামি। ধর্ম্মং শরণং গচ্ছামি। সম্রাট, সনা-য়াথং হল্লিনবিয়ু। ভগবাণ তথাগৎনা হিংসা য়াদে। রানী মূপীনি ; মূপী হায়রম্বিদি অপঙবীনি। রানীবু ত্তাকপিয়ু।

অশোক—গুরুদেব, তাকপিরিবা নয়াথং ঐগী ধর্ম্মোয়না রাজ্যবা চংশোইদোরে।

উপগুপ্ত—তপথো সম্রাট, তপথো। হিংসা থাদোকদবনি। হিংসানা মীওইবগী থর্ম্মোয়বু জয় তৌবা ঙম্বা হৌনদে। অদুগৈ ধর্ম্ম-দীক্ষাগী মতমদা রাশকপিথিবদু কাউবিরব্রা?

অশোক—(মরু লূকথরগা শকফম হল্লিন্না) ওঃ ধর্ম্ম-দীক্ষা! গুরুদেব, অশাউ মাঙওইনদুনা হায়দোকখিবা রাকম ঙাকপিগনি। হায়দোকপ্রবা ইরাইহে অমুক হল্লিল্লরে। তাও তিষ্যরক্ষিতা, নঙবু হাৎপগী মন্ত্রত্তা লৈবাক অসিদগী তান্থোক্লবনি। হৌজিকমক মকম অস থাদে কুনা চৎকদবনি। ধর্ম্মনা ঙাকপা অশোকী লৈপাক্তা ওক্তবীগী খোঙদাফম লৈতে থঙঙু।

কুণাল—করি রানো পাবুং-মহারাজ? ইমাবু তান্থোকপিগনু ঐগী ইমাবু কোম্নুং থাদোক্তুনা চৎহনবিখিনু।

অশোক—কুণাল, নঙগী নমীৎ কোথোক্তুনা নঙোন্দা অরাবা-চৈনা পীরিবা মীশক অসিবু করিগী অদুক লূনা থল্লুরি। থামগনু, মহাকপু ঐনা লৈবাক অসিদগী তান্থোক্লবনি। (তিষ্যরক্ষিতাদা) ওক্তবী, হৌজিক ফাওবা চল্লিব্রা? খূদক অসিমক্তদা থাদোক্কদবনি।

কুণাল—নচানা হন্না-হন্না হায়জরি পাবুং-মহারাজ। ইমাবু ঙাকপিয়ু। নচাগী ইমীৎ অসিনা সংসারগী মঙাল পুন্নমক উত্তিরিগৈদদি ঐগী ইশা অসি মায়ানা কুপ্লম্মী। অদুবু মায়া অদু মাঙখিদুনা নচাগী থর্ম্মোয়না উদবা অমতা লৈজরে।

মায়ানা কূমবা মপাম্বোংগী মীংপু মাঙহনবিরগা খম্মোয়ন্নুংগী মীৎ অমা পীনবিরিবা ঐগী ইমাবু পাবুংনা ঙাকপিয়ু।

তিষ্যরক্ষিতা—(নীংঙমদনা কুণালগী মখোঙদা তুম্হুনা) ওক্রে কুণাল, ওক্রে; তোক্রো। নঙদি ঙাকপিহৈবনি, ঐনা মীশুংশি খঙদবী লমচৎ নাইদবী শানি। ইরাম্না ইপোৎ ফারবা ঐবু কদি ঙাকপিফম কৈরিগে? সম্রাটনা পীনবা রাজ-দণ্ড ওক্বী ঐগীদমক মতিক চারবনি।

কুণাল—(তিষ্যরক্ষিতাবু কোমখৎলগা) কল্লি মতৌনো ইমা? তৌহৈদে। ইমানা নচাগী খোঙ পায়ুনা নচাদা পাপকী পোৎলুম খোঙ্কৎপিগনু। পাবুং মহারাজনা তাম্বোক্লবস্তু নচানা ইমাবু চঙজফম পীগনি।

তিষ্যরক্ষিতা—(য়াম্না নীংঙমদনা) কুণাল, নঙগী অতুগুম্বা নবাহৈ অহুনা ফজরবী নমা ঐগী থম্মোয়দা তাশোন ওইরে। পাপ চেনবী ঐশাক্লি। তমথিরবী, ইকাইবা খঙজবী, লমন খুম্নীংবগী মৈচাক্লা ঙাওদুনা চৎনবী অংদি ধর্ম্মগী পল য়াংমা লাম্লবী ঐনি। কাইহৌরুবস্তু ঐ, লমন খুম্বস্তু ঐ; মহুগী লমন নহাক্লা ঐঙোন্দা ঙাকপিবনা খুম্লবা। সংসার অসিদা ইকাইবা খঙজবী ঐগী লৈফম লৈত্রে; পৃথিবী অসিদা পাপ চেম্লবী ওক্লবী ঐগী লেপ্লবা খোঙফম লৈত্রে। ঐনা হিংদুনা লৈবদি পৃথিবী লূম্লবনি।

(তিষ্যরক্ষিতা ফিহৈদা শোম্না য়েম্না থাঙ শত্তোক্লুনা মতোমতা মথবাক্তা থিন্দুনা শিজগে তোই। উপগুপ্তনা তিষ্যরক্ষিতাগী খুদাং পায়ুনা থাম্মি। থাঙ লৈবাক্তা তাম্মি।)

উপগুপ্ত—কল্লি মতৌনো দেবী? ইশানা ইশাবু হাৎচবা মহাপাপনি। ধর্ম্মনা হিংসা য়াদে।

তিষ্যরক্ষিতা—খাম্নিগনসু গুরুদেব, পাপ চেন্নবী ঐগী হকচাং অসে লম্নক্কী শা-উচেকশিংগী মচাঙ্গাক ওইজগ্রসনু।

উপগুপ্ত—মতু য়াদে দেবী। পোকওমদনা পোকপা মীওইবা মপোক্লি। ভগবান তথাগৎকী মফমদা চঙজরগা পাপ পুম্বা কোক্কনি।

কুণাল—অচুম্বনি ইমা, তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গীদি ভগবানবু হেনবা অমা লৈত্রবনি। ইমাগী পাপ ভগবান তথাগৎনা শোয়দনা কোকপিগনি। (অশোক্তা) পাবুং-মহারাজ, পাবুংনা ইমাবু ঙাকপিয়ু। পাবুংনা ইমাবু ঙাকপিগ্রবদি নচাসু ইমাগী সেবাগীদমক খুদক অসিমক্তদা লৈবাক অসি থাদোকচরগনি।

উপগুপ্ত—সাধু! সাধু! ধন্যনি মচা-ইবুংঙো কুণাল। নহাক্কী পূকচেল অঙকপনি। (অশোক্তা) সম্রাট, দেবীবু ঙাকপীয়ু। মচা-ইবুংঙোগী থম্মোয়না পেম্নবা ঙাকপিরে হায়বা বাহৈ অদু অমুক্তা হায়বিয়ু।

অশোক—ভগবান তথাগৎকীদমক্তা ঐনা রানীবু ঙাকপিয়ে গুরু-দেব।

উপগুপ্ত—ধন্যনি সম্রাট, ধন্যানি। (তিষ্যরক্ষিতাদা) দেবী, সম্রাটনসু থৌজানবিয়ে; মচা-ইবুংঙোনসু ঙাকপিরে। হৌজিক্তি পাপ কোক্নবা ভগবান তথাগৎকী মফমদা চঙজসি।

বুদ্ধং শরণং গচ্ছামি।

সঙ্ঘং শরণং গচ্ছামি।

ধর্ম্মং শরণং গচ্ছামি।

(ময়াম পুম্নমকসু মখুৎ লোম্নরগা খোঞ্জেল অমতা ওইনা খুম্মি।)

[তপ্না-তপ্না ফিজেও হাইজিন্নকই।]

স্কুটর

চূড়াচান্দপুর

আগষ্টকী অনীশুবা চয়োল

১৯৭১

মীশক মীওই :—

১। তোম্বীমচা : মমা।

২। রনজীৎ : মচানুপা।

৩। যামিনী : মমৌনুপী।

৪। শান্তিবালা : শকহেনবী নুপী অমা।

ইমুংগী কা অমা, চাকশঙ

(অচম্বা ইমুং অমগী চাকশংদনি। কৈরঙ চেক্ফ, ভাবধাক, শী, ঔশিং সনাদন, পুখম ঙেংঙোংনচিংবা মকম চানা-চানা লৈ। যামিনী চাক থাংলি। [illegible] পাইশিনখ্রে। শোগংল্কপা য়েনশাং [illegible] অমুক-অমীবঙ্কুং ওৎলি। অদুগা [illegible] অচ ঙৈদোকপা মনীংথোঙ [illegible] [illegible] চাকুদ্রবগী মফি হোংলগা য়ুবিংকী কুদাম [illegible] বা নাকন্দগী চঙলকই।)

[illegible] লাংমাইজং লুমীংকী অয়ুক্কী পুং মাপন তারমদাইনি।)

রনজীৎ—([illegible] লেপ্লগ [illegible] চৎখ্রে? যামিনী, কৈদোরে [illegible] চাক [illegible]?

যামিনী [illegible]

রনজীৎ—([illegible]) কদোংদ [illegible] নোং [illegible] চান অসিদ [illegible] চানা [illegible] থোংদবসিবু করি-গীনে।

যামিনী—([illegible]) ঙায় হেক শাউবিরকখিন্নু। [illegible]।

রনজীৎ—অচুপ্ত কদোংদ লাইগদোরিব্নো! পুং মাপন তোগ-দোরগদি থঙদ্রা?

যামিনী—[illegible] কম্মা মঙোংনরি, ভোদবা নত্তে। ঙসিদি লোং-মাইজিংসি, চটিনিনা অফিস কাগদবস্তু নজেদনা।

রনজীৎ—[illegible], অফিস কাবরোই হায়দুনা চরা কেল্লসি হায়বরাও?

যামিনী—(চাকথুমগী রাই শীৎচিন-শীৎচিন্না) ঐ মহুমক্তি হায়জদেনা। মতমসে পঙথেঙ থেঙবা নত্রি, ছুটি শুমীৎনিনা খর থেঙলবস্সু কায়দে হায়বগী রানি।

রনজীৎ—নঙনা লোইনা খঙবিরেনে। মতম থেঙবা-থেঙদবা, ছুটি ওইবা ওইদবা মঙনা তুকা থিবগী মরম করিনো? ছুটি সুমীৎ ওইবা নোংমাইজিং অসিনা হেন্না থবক চিল্লিবনি খঙলত্রা?

যামিনী—মী পুম্নমকস্সু ওফিসকী থবক তৌনৈ। মখোয়না নোংমাইজিংদা থবক চিন্দ্রগা ইবুংঙোনা কস্সুক চিল্লিবসিবু করিগীনো?

রনজীৎ—নঙনা মহু খঙলগা করি কাম্নৈ?

যামিনী—খঙজবদবু করি অকায়বা ৈবগে?

রনজীৎ—হে, নঙ পঙহেন হেক্সিল্লকনু। ফুরক্লুনা নমমহু তৎচনি।

যামিনী—ফুবিনীংবগীদি ফুবিয়ু। ফুবসি এঙোন্দা ঙসি নোংমতগী নোহৌনা থোকপা নত্তে।

রনজীৎ—চীস্কক্কা থুমগনু। মচীন ওহোক্না কনখ্রে মসে। সুপা-নহাগী থবক্তা সুপীনা য়েৎপা নঙন নাত্তনত্তা তোকপনি। খঙঙু, সুপী হায়বসিদি সুপানা হায়বত্তুতা তৌগদবনি।

যামিনী—(খরা থাপ্না নৈবা পুথম-তেঙোৎ লৌশিল্লগা) হোয়নে, ঐ অসে চাকথুমগা ফোঙখোঙগদা ইপুনশি চুম্না পুন্দুনা থম্বিয়োনে।

রনজীৎ—মচীন থীম্নুকো। ঐ অসিবু নঙনা কৈরোল-লৈকায় মমাওসিদা য়াম্না কত্তবা তাহনগদৌবগী তৌরিবসি করিগীনো?

যামিনী—(কোল-লীক তৈথোক-নাম্থোক্লদুনা) মচুবু ঐগী ইতিক্লা ?
ফজুবা পূম্নমক ঐঙোন্দা তাইনবিয়ু। ঐনা ফমনবগী ইমুং অসে মনা-মনিল নাইদবনি।

রনজীৎ—ইঃ ফরেদা ইবেম্মা। নঙ লৌখদগী ঐগী মাথা অসে ঙহাক্তা ঈংনা পোথাবা ফংহন্দ্রবনি।

যামিনী—লৌত্রিবৈঙে ঐবু কোয়তান তাম্নবিবা মতমদুদা থম্থবি-হৌদ্রিবা করিগীনো ? ফরে, পম্বিত্রবসু ইরাইনা ইমুমদা চৎচখিনি সূংতিগী স্কুটর মনীং নপ্লিবী শকহেনবী ইবেম্মদু পুশিনবিরক্লগা মাথা ঈংনা সুংঙাইনা পানবিহৌরো।

রনজীৎ—অওইবরা নঙ ? নচীন অদু—।

(রনজীৎ শাউনা যামিনীগী মনাক্তা চঙশিল্লি।)

যামিনী—ফূবিগে হায়বগীদি ফূবিয়ু ; চাকথূমদদি মাংথোকপিয়ু। ইবুংঙোগী থূৎ পেন্নবা ফি হোংদোক্লগা লময়ায়দা ফমজরগে।

রনজীৎ—মসে, মচীন অসে—।

(রনজীৎ মমাঙদা লৈরম্বা তেঙ্কোত্তা খোঙনা কাওই।)

যামিনী—কোল-লীক্তা তাইনবিয়ু ইবুংঙোনা থুগাইরগা অবোক্লা ঐঙোন্দা তাইনবিনি।

রনজীৎ—হে, নচীন্দু থীমু ; তুমিন লৈয়ুনে। চাক্ প্রপ-প্রপ ম্লোইনবা তৌগেদি হায়রদুনা পঙঙাঙদা ঙাঙলিবা করিগীনো ?

যামিনী—ফরে-ফরে, অফবসু ফজবসু ঐ করিমতা হায়জররোই। ইবুংঙোনা তৌবিনীংবদা তৌবিরো।

রনজীৎ—মচীন অসে কপত্রেংহু মঙায়। লাইরিক হৈবী নুপী লৌরগা মরা-মপুরোইবদা ফুল-রাইট দিমাও তৌই হায়বদু ঐখোয় ইমুংদা থোকএ।

যামিনী—(থাবৈবা য়েঙ্খাং ওৎলগা) নুংঙাইরেদকো ইবুংঙো. করিস্থ নৈত্রবী ঐ অমগীদমক লাইব্রিক হৈবী নূপী পুম্নমকপু চেন্থবা রাত হায়রিগনু। ঐনা লাইব্রিক থরা তমজরকপসে ইবুংঙোদা ফুল-রাইট দিমাও তৌননবা, আরগুমেন্ট তৌননবা নৎচদে। ইশাগী লৌশিং থরা ওইজনবা, মীৎ মাকোঙ শিংনবা অদুক তমজবনি।

রনজীৎ—খুম্বকাদি হৈবে। মচীন অসে কবোক পোকপন্থ মডায়।

যামিনী—খঙজদ্রে ইমুং অসিগী মতৌ অসে। খুম্মবস্থ খুম্মি মহায়বা; খুমত্রবস্থ খুনদে, উশিং থোওইদে মহায়বা। ঐনা ইমুংসিদা নৈগদবসে ফনা লুই। ঐ ওইবগী অস্থক কুইনবু থাঙজিবনি।

(যামিনী চাওনা চাওনা মনীংথোঙদা পোকখি।)

রনজীৎ—কয়াদা উশিং-থোওইখিদ্রবা নূপীনো? নুপাসিনা শাংরে কায়তুনা তুমিন্না নৈজবনি। মাস্থ মানা থোকপা খুমহৌদবা যাদে মতাংগুম পঙঙাঙদা ঙাংবা। য়ুম অসিদা ঐবু মীকুপ অমা ফাওবা পোথাহুনা নৈনীংবা পোকহন্দবনি। (মখূদাংদা শিবা ঘড়ী য়েংলগা।) লেপ্পা নৈত্রবা মতমগী থোঙচত্তি অস্থম চৎখিবা, ঐথোয় ইমুংনা অস্থম দিলে তৌবা। সত্য, নংদতুনা তোক্লরনি। চাকা চাব-চাদবা—।

(রনজীৎ চৎখিগে তৌই। তোম্বীমচা চঙলকই।)

তোম্বীমচা—রনজীৎ, নঙ কদায়দা চৎকদোরিবনো?

রনজীৎ—ইমা, ঐ অকুবা থবক থরা নৈ।

তোম্বীমচা—নকি-নরোল হোংজববু চাক চাররোইদ্রাও?

রনজীৎ—চারহোই, হৌজিক ফাওবা লোইত্রিসিনি। মতম অসি থেঙখ্রবনি, খংনদ্রুনা রা থোক্লবনি।

তোম্বীমচা—খঙত্রেদা রনজীৎ, ইমা রা ঙাওনীংদে। ইমা মনেম ফত্তনা হায়রদু ওইদোরি। নঙগী নুংশীসিনা মোনবসিনা; ইত্যাদি নহান্না পামদে হায়বদুনি। ইচানা পামদুনা পুরকপগী তদুক কদায়নো হায়না তুমিন লপনিদো। নুপী জুগোৎ চাদে নঙ শরাইবক থীকো নুপামচা।

(যামিনী লাক্লাকোন অমা পাযবগা চঙলকই।)

রনজীৎ—শোইদ্রিবরনে নঙগী চাক্থুবু?

তোম্বীমচা—যামিনী, হনেম নঙোন্দা রা কথা ঙাওনীংদে। নঙ অসে ওন্থোক্লস্থ শৌ না খঙখিদ্রে। নুপাসে থবক যাম্না চিল্লি, মুংতিগী থবক চৎলি খঙলবদি খবস্থ ঙম্না থোংবা য়াইনন। নুমীৎ চুপ্পা কবিবু তৌরিবনো খঙদে, নঙগী শুক্ল-শুক্লসে ওন্থোক্লা হৈনত্রে। য়েংবদা মীৎ নাই। নঙনা চাক থেঙলগা থবক নংদবগী মীরা তাবনা ইচানা; নঙদি যুমসিদা মুংঙাশনা কম্লগ চাদুনতা লৈবনিনা করিস্থ খঙবিপোৎ নত্ত্রেদো ইবেম্মা।

যামিনী—(চাক থিগদবগী চফু থাংদোক্লহুনা) অবোক, ঐস্থ নোং ঙানবদগী ঙহাক্তা পোত্থাজবা নত্রে।

তোম্বীমচা—থুম্বদি কয়া হৈরিবনোনেসে মতমগী ছাত্রী ওইরকপা লাইরিকহৈবীনিনা। মমা-মপানদি মচা নীঙোল পোক্লগা মরা মপুরোইবগী সেবা করম তৌনিদি তম্বিরক্ত্রেদো।

যামিনী—(চাক থিনা-থিনা) অবোক, ঐনা ওক্ত-শিংবগী দমক তাকপিয়ু, চৈবিয়ু, ফৃবিয়ু, ঐ করিমত্তা শাউজরোই। ঐনা মরম ওইদুনা ইমা-ইপাদা ১৮ । পীবিগনু।

তোম্বীমচা—ই......, রাঙাঙকাদি হেরেদা। হো ইবেম্মা, ঐ নঙগা ঙাঙনবকা ঙমজপোৎ নত্তে; তোকপিরো। সত্য ইমুং অসে মুংঙাইদৌরি। ঈশিংগা থাউগা পাত্র অনক্কদা হাপ্লবাননা ফনা নিংথিনা ত্তিন্নগদৌবি।

(তোম্বীমচা চৎখি। যামিনী তেঙ্কোক্তা উযান্দগী য়েঙ্গাং হাপ্‌থ)

যামিনী—চাক থবা থেঙনগীদনক ফবিগী অবোক্তা রাকৎপিকরিবনো ?

রনজীৎ—(লাউহৎলদুনা) ঙামন লৈয়ু, নচৌন্দু থীন্নু। ঙাইখো, নঙনা ইমানা ঙাঙবদা খুম্মুবিবা করিগীনো ?

যামিনী- ঐনা লাঙ্গরে, তোকপিরো।

(যামিনী লমযাযদা ঈশিং থবা থীক্তোক্লগা বনজীৎকী চাক থাংদোক্লবা তৈবোই-নান'বাই তৌই।)

রনজীৎ—নঙনা লাম্লে হায়রগা হেক্তা ত্তোক্কদ্রা ? অহন অসে ঐবু পোকপী ইমানে খঙলব্রা ?

যামিনী—ঐস্তু খঙচৈ, ঐবু পোকপী ইমাগুম ঐস্তু লুনা খঙ্গবিবনি।

(চাক-য়েনশাং থাংদোরকই।)

রনজীৎ- অদুনা উশিজ্রিবনিনে, হা ?

যামিনী—অদুম্না শেরান্নবা খনবিগনু। খুমদনা তুমিন্না লৈবগস্তু অরানবা তাই। উশিন্তদুনা তৌরিবনিস্তু মহায়বি। খুম্মে, চীনগনবী লমচৎ-ব্যবহার নাইদবী মত্তাই। ঐবু করম্না

ইমুং অসিদা লৈয়ু হায়খিরিবনো ? অদুগা ইবুংঙোনসু অমুক চাক থেঙবগী অবোক্তা য়াকৎপিরুরি।

রনজীৎ—থেঙববু থেঙজি হায়বনি। রা য়াম্নদনবা ভস্তানা থোংবা য়াত্রাও ?

যামিনী—থোংদবা নত্তে, থোংলি। য়াম্নমক থেঙবসু নত্তেদনা। নোংমাইজিং নুমীত্তা ইবুংঙোনা য়াম্না চিনবিরিবা থবক্তো করিনো হায়বা এস্ত্র থঙজি। হায়রুদনবু করি কান্নগবনো হায়দুনা তুমিন্না লৈজবনি।

(লা মচেৎ অমদা মোরোক মেৎপা হাপ্লগ চাক পৃথম মনাক্তা থম্মি।)

রনজীৎ—ই: খঙবিবেদা। নঙনা এগী থবক পাম্নরিব্রা ?

যামিনী—য়াম্না থেঙলে হায়বদায়, প্রেপ-প্রেপ হারগা লেঙবিব্রো নংননবা।

রনজীৎ—(চাগদবগী ক্ষমথরদুনা) চাবু চানীংদ্রে।

যামিনী - (ঈশিং খুজাই লানশিল্লগা) সিনেমা য়েংবগীদমকপু করিগী য়াথোক ওইহনবিরিবনো ? খঙনা-খঙনা এস্ত্র রা ভাঙলুহনা করিবু কান্নগবনো হায়বগী তুমিন্না অস্নম থোংজরিবনি। করিগুম্বা থেঙলে খনবিরগনা চাদনা কোক চৎখ্রগা য়েংখিরুবা য়াই। পুং অহুমদনি। চল্লরুগা চানস্ত পঙথেঙ থেঙলোই।

রনজীৎ—তুমিন লৈয়ু। পুং অহুমতগী থবক নত্তে খঙলব্রা ? হোরেল মুমীৎ তাবা ফাওবনি। সিনেমা য়েংনীংলে য়েংনি, কোয়নীংঙে কোয়নি ; এগীদি থবক্তি পূম্নমক।

যামিনী—পূম্নমক খঙনা-খঙনা থব্রায়সি মুংঙাইতনা তুমিন ইরাম্নং- গীনি হায়দুনা খাঙদুনা লৈবনি। এনা ফত্রবদি ইমুংসি মহী লাঙনিদো।

রনজীৎ—(ফূক হৌগৎলগা) করি হায়রা ? নঙনা ইমুংসি থুগাইগে হায়রিব্র ? ঙসি নঙ, ফূদুনা শিঙনি।

যামিনী—ৱাইহ থুদিংগী ফবা ফবা। চৌন্না হায়দৌ শক্লক থুৎ থোক্লা হেক্লা ফবিয়ু। ফবা হায়বসিবু ঐঙোন্দা ঙসিদগী ওইনা নোনা থোক্রিব্রা ?

রনজীৎ—হে, তুমিন লৈয়ু। চৎথোকখ্রা নশক্কু য়েংনীংদে। ঐবু ঙহাক্কা শান্তি পীয়ু ; চাক চাগে।

(রনজীৎ চাক চাগদবগী অয়ুক ফমথৈ। য়েঙ্গাং মহী তোৎলগা চাক চথোম অমা অনী হুকই। চানীংদনা চায় ইশু শুগৎনা। যামিনী চাকথুমগী অচাইবশিং শীংচিল্লি)

যামিনী—(শাউনা মুকম-মুক্রম শোনবা) ঐদা য়ুম অসিদা লৈত্র-বদি ফগদৌনি।

রনজীৎ—চাক য়েঙ্গাংনি হায়দুনা তৌরিবসিবু থৌনাউসিদা ইচঙ চঙঙ যাদে। সিগুম্বা চৌঙ্গাকসি চদুনা কয়াম কুইনা লৈখিদৌরিবনো খঙদে ; (যামিনীদা) হে, সিগুম্বা চাক-য়েঙ্গাংসিবু মীনা চানা হৌনব্রাও ?

যামিনী—কৈদৌরবগে ?

রনজীৎ অস্থক হাউতনা থোংলিবসি করিগীনো ? য়েঙ্গাংসিবু সি নত্রবদি থোংনীংঙাই লৈত্রবা জাৎলাও ?

যামিনী—লৈতবগী পাঙনবা অরৈবা হেক্লা থোংলবনি। করিমত্রা চাবা য়াত্রব্রাও ?

রনজীৎ—য়োৎশিনবদা থৌনাউ অসিদা চঙঙু য়াত্রেনে। চাক্লা মরোন অমা তাইচুংলা করিনো কল্লিবা। ভারৌ অমা পুথো-রকউ।

যামিনী--ওসিদি ত্তারো অং। যাওন লৈত্রে। চৌছিক্কীদি অসুম পাঙন-পাঙনবা লোইশিনবিখ্রে। চোরেন লৈবা হায়বদুনি।

রনজীৎ—করি? ত্তারো অং কা ফাওবা লৈতবা? হোরেল নঙনা চাবা মতমদ পুথোক্কবা লোৎশিল্লিব্রা?

যামিনী—(শাটরগা) করিনো তাকপিরিবদুবো? ঐবু য়াম্মা চাবা ফজদবা চাক্লুক্কা ত্তারো কুপ্পী নইমা খনবিরব্রাও? থাজব্রগা য়েংবিযু সে।

(যামিনীনা ত্তাকবাক হাংদোক্লগা উৎলি।)

রনজীৎ—অদুবু ঐ। চাগে শাংবা মতমদা কেজ্জো লৈহন্দ্রিবসি করিগীনো?

যামিনী—লেংন্দবা নাত্ত, লোইথোকখিবা মতাং থোক্কনা তৌবনি। লৈনা মওনদা হায়বা-হায়দবা অদুম মহাপচরি। করিনো, ওস্থোক্লা রা শা থখ্রে।

রনজীৎ (শাঙবগা রা শাংথবা হায়দি? ঐ অসে নঙগী ফুপানি খওলব্রা?

যামিনী - খিৎ তোকাপুরে।

রনজীৎ—নঙনা তোকউ হায়বগা হেক্ক তোকব্রাও? ইমুং অসিদা নঙনা ননীং তৌবা য়াবোই খওলব্রা?

যামিনী -শোর ফাওবা কম্মা কোঞ্জবা ওনদবা ইমুংসিদা ঐনা করি ইনীং তৌরবগে?

রনজীৎ—রা য়াম্মা ত্তাংন্নুকো। অরেশ্বদা নপাম য়োজনি।

(রনজীৎ খরা চারগা চাক চাবা তোকই। তেক্কোত্তা মখুৎ হাম্মি।)

যামিনী—মদুনা থবা ফরগনি। থরায় অসে ওস্থোক্লা মুংঙাইনা কপ্পা-কপ্পা লেল্লবনি।

"লাঞ্জাও মতুংগী মণিপুরী উপন্যাস"

(সমাজ-সংস্কৃতি-ব জনীতি-অথনীতি)



শ্রীগুরুমযুম সনাম্মাইমা শর্মা।

(রনজীৎ [illegible]। [illegible] মফি [illegible] [illegible],
[illegible] ইকা পুহাক।)

রনজীৎ - করিনো মানা হায়বিনাদ ?

তোম্বীমচা — পোন্দা ফাক্লিন্দুনা থ [illegible] ডাবরে, [illegible]ংদ্রে চৎলগে কায়রে

রনজীৎ — [illegible]নীংদ্রেগা চৎচাখাদনা। [illegible] ঐনা ফাড়ুনা থম্মু ?

যামিনা — ফনে উসিনা [illegible]। [illegible]নীংদ্রব হমু সিদা [illegible] করি [illegible] ? [illegible]। [illegible] ভাগী [illegible] অকায়বম্ব [illegible]। [illegible]গী স্কুটর [illegible]নীং নপহন্দুনা [illegible] শকাহনবী অজবু [illegible]। [illegible] পুশিন্দুনা [illegible]। লৈবিকৌবো।

রনজীৎ — ([illegible] কহাপ্প) [illegible] নাপ।

যামিনা — স্কুটর [illegible] লেপ্লেগী যুমগী [illegible]। [illegible] হনাদা যানবা [illegible], [illegible] লৈথিব [illegible]। [illegible]গীদমক [illegible]-ইকোন কা থোকপাদা [illegible]। থা [illegible]-মণ্ড অমসিগী [illegible] কদায়দা [illegible] ?

রনজীৎ — নংগী [illegible] ঐডোম্দা থংনব [illegible]। [illegible]নীং [illegible] হবেম্মা, [illegible] নংগী সনাদো কবিস্ত ৱাগনু।

তোম্বীমচা — [illegible]। স্কুটির লৈরগা মনীংদা হাপ্তুনা পুনিদে কাঃবগী শাউবনিদনা। ইমো হবেম্মসে [illegible]গী মনীং থুংজনবা নঙগী স্কুটর মনীংদুদা হাপ্লগা মণিপুর পুম্বা শীনবা থুংনবা অযুক্কা কোয়পু পুবিযুসে।

যামিনী—তোংজনা দে তোংবদস্ু ইতিক চাজদে। শকথীবী ঐনা তোংলগা ইবুংঙোগী মায় চোম্লবনি। সুংতিগী তোংগী তোংবা ইবুংঙোখোয়গী ওফিসতা থবক তৌমিন্নবী শকহেনবী অদুবু অদুম তোংহনবিয়ু ; ঐ করিমত্তা শাউজদে।

রনজীৎ—নচীন অদু থীমু নঙ ; নঙ হায়রিবসিনি—।

(ফগদবগী মওঙদা যামিনীগী মনাক্তা চঙশিল্লি।)

যামিনী—হেক্রু শাকোকপিরো, মদুনা ইবুংঙোগীসু ঐগীসু ৱাই শংলনি।

তোম্বীমচা—সুংঙাইবেদা ইবেম্মা, ইচাবু মীহাৎপা ক্তাহনবিবগেরা ? মানস্ু ইচাবু য়াম্না ওক্তবা নূপী-নহাদা লাওবা হুপা তাহল্লিমে।

যামিনী—অবোক, মানা তৌরিবসে য়ান্না অমুক্তা য়েংশিনবিয়ু হায়জরিবসিনি। মুমিদাং থৃদিং অহিং থেঙলবা মতমদা হল্লক্লিবা, নোংমাইজিং নুমীৎ থৃদিং পোথাবা শংদ্রিবা করম্বা ওফিসতা কারিবনো ? থাগী তলথনা কদায়দা থমখ্রবা ? পূম্নমক অসি অবোক্না অমুক্তা থিবিবগা ঐবু চাম্বীবীনি হাযবিয়ু।

তোম্বীমচা—ঊ... ঃ থঙকেদা ইমৌদি। নঙনা হেক হায়রিনখে চুম্লে।

রনজীৎ—মানা ঐগী তলব অসিদা পান্নবা। স্কুটর লৈবদা মীভোন্দগী পূক্নবা শেলদু শিংখ্রিবনি থঙলত্রা।

যামিনী—কবম্বা বৈদোবগী পূকন্নিবা ? সরকারদগী লোন ফংবদাই। অরাৎপদুনা ঐগী ইন্নীক-ইকোন কায়খোক্লগা তৌনখিবা নত্রাও ?

রনজীৎ—অদুক য়াম্না নঙনা থিগৎপগী করি নথো লৈ?

যামিনী—থিগৎচররোই, মতম পূম্না থংজেদে। উচি চাকখোন্দোনা অসুম খরা খরা পুখোকপিরে নোক্না চেক্তা পুশিনবিরকও কেদৌবগে? ঐগীদমক্তা সুংশা থাদিনিংই, উবাদনা চৎচখিনি।

তোম্বীমচা—ঙাইখো রনজীৎ, মানা অসুক কম্না হায়রিবসিবু নঙবু অংকাপা নুপী কা তৌরগদাবে?

রনজীৎ—কদায়দগীনোদা ইমা, মানা মচাং থীরি নি।

যামিনী—হোয়, ঐ চৌন্থীবীনি। স্কুটর মনীংদা হেক-হেক নপকল্লিবীদুদি ঐগী মীত্তা উহনবা নীংগ্রংগী লাইফদিবীরা?

রনজীৎ—কয়াদা মচান থীগ্রবা নুপীনে। নোংমখক্তং লম্বী লমদাংসু খোকই, মতমসু লেপ্তত্রে হায়দুনা নপচবা অদুবু মানা সুংত্তিগীকা হায়জিল্লিনে। তৌসু, মীগী মমা লৈশাবীদা বদনাম ঙোং-লাকসু।

যামিনী—বদনাম থোক্তনবা কোক হেক পুশিল্লকপনা ফৈ হায়জবনি। খঙদ্রে, সুংত্তিগী মনীং নপ্পিন্দ্রু ঐনা মীৎসি ফত্তদুনা মশেন-মরাং উবা ওইবা তারে।

(যামিনী কোল লূথাক পুরগা মনীংথোঙদা থোকখি।)

রনজীৎ—সত্য, মসিগী নুপীসে, মথাঙ অসে থুদেক্লরনি।

তোম্বীমচা—ঙাইখো রনজীৎ, যামিনীনা অসুক থম্মোয় শোক্না হায়রিবসিবু অচুম্বা রাক্মা?

রনজীৎ—কদায়দগীনোদা ইমা, ইমাসু য়াওনা চৌন্থীবী অসিনা পঙঙাঙ ঙাঙবসি থাজরব্রাও।

তোম্বীমচা—শাউনীংবদগী মানা অদুক পঙহায় হায়বা ওইরবদি ফৈ। নত্তদুনা অশেংবা ওইরবদি ফত্তে। নত্তে, নঙবু অপঙবী

লাইবিক হৈতবী নমানি হায়দুনা ঐঙোন্দা মীনম্লিব্রাগ ? পা মরি-মতা অসিগী অতুধ য়াম্বা তলব অহুনা কদায়দা থমখ্রবা ? ভশেংমা মীগী অপুক শিঙ্গিং নাইবা ? নত্রগা অ বেম্বদা ডাভশিল্লদুনা মাতুওম্লবরনে ? ইমুংনা চৈরা হেন্দে হায়বদা খাক্লিবসে খরদি থঙঙু ।

রনজীৎ — ইহে, প্রস্তোভপানিদা। ইমাংগী লাকপা ঈচ নত্তনা শীরব্রা ? কনাগুম্বা অপ্রোম্বা নুপী অমদা মীৎচিনা হন্না য়েংলুবদি হায়রুগনু, ওফিসকী অচিনবা থবক ময়াম অসিনা কোক অসি ঙহাক্তা ঈংন পোথাবা ঙমজবনি ।

নূপীগী খোঙ্জেন — (মপান্দগী হো, ইমুংগিবু কনা কনা লৈবিবগে ? ঐ অমুক্তা চঙজরক্কে ।

তোম্বীমচা — হো ইবেম্মা, কনানো ? য়াদি য়াদি, হেক্তা চঙলকউ ।

(মশক-মতৌ ফজবী ফেসন্না চৎবী শান্তিবালা চঙলকই। মথুত্তা পস অমা পায়। মমীৎ-মনা তথক-তথকই। মতাকপু হেক উবদা অরায়বী নুপী নত্তে হায়বা খঙবা হন্মি। মহাক্কা থাজদনা চঙলকপদা রনজীৎ ঙকই।)

শান্তিবালা — মিষ্টর রনজীৎ, কৈদৌরবা থানবা মতম শোয়রবদি ? ঐ ভাইবা ঙমজদুনা অদোমগী য়ুম য়োনবা হেক্তা লাক্লবনি। য়োৎকপস্থ ঙহাক ওইরে। মপান্দগী কৌবদা শৃক্তা তাত্রবদুদা ইমুংদা হেক্তা চঙজরক্লনি, ব্রায়ৌবা য়াদেকো।

রনজীৎ — ঐসু লোইরে। চৎনবা তৌরসি, গাড়ী ইস্থোরক্লগে।

(রনজীৎ থুনা থোকখি।)

তোম্বীমচা — ইবেম্মবু কনানো ?

শান্তিবালা - ইমা. ঐ মিষ্টর রনজীৎকী গর্ল ফ্রেণ্ডনি। ইমিংনা শান্তিবালা কৌজয়ে। ইমাবু মিষ্টর রনজীৎকী মাদর ওইবিরব্রা ?

তোম্বীমচা নখোয়গী নবোলকাহ্ন ইমাদি খডদেদা।

(যামিনী চঙলকই)

যামিনী—মান্নি, অদোম্না নীংবিরিবতুমক্রি।

শান্তিবালা—অদোম্না কনা ওইবিরবনো ?

যামিনী—ঐ ইমুং অসিগী মী অমনি।

শান্তিবালা—হায়বদি মিষ্টর রনজীৎকী মচন নত্রগা মচে ?

যামিনী ঐ অমত্তা নৎচদে।

রনজীৎ—(প্রেপ প্রেপ চঙলক্লগা) শান্তি, চৎলসি।

শান্তিবালা—মিষ্টর রনজীৎ, নূপীসিবু কনা ওইববনো ?

রনজীৎ—ও, সিদা লেপ্লিগীসিরা ? ঐখোয়গী চাক থোংনবা থম্বী নূপীনি।

যামিনী--মান্নি, ঐ ইমুং অসিগী চাক থোংনবা থম্বী নূপীনি। কৌজিক্কি ছুটি কংলে ; হোরেলদগী অদোম্না থোংবিহৌনা তারে। (তোম্বীমচাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা খুৎমতুনা) অবোক, ঐ চৎচবগে। ঐনা শানখিবা পুম্না ঙাকশিয়ু। হৌজিক্কি মহাক্না খোয়দাজবী হূপী লাক্লবনিনা ইমুং অসি ঈংনা শালহৌরনি। চাক থেঙবগী রাথোকস্ত লৈয়রোই।

তোম্বীমচা—ঙাইখো যামিনী, নঙ চৎখিবা য়াদ্রি। (শান্তিবালাদা) ইবেম্মরা মুংতিগী ঐখোয় রনজীৎকী স্কুটর মনীং নপ্লি হায়বদো ?

শান্তিবালা—ও:, আই সি। মিষ্টর রনজীৎ, নহানমথৈ অদোম্না ঐঙোন্দা শান্নরিবা লীলাদো মসিরা ? অদোমবু পাখংনি,

লুহোংঙ্গি হায়ংদাই ? অদোমগী ফিজেৎ-চাকচা, শেন-থুম, স্কুটরনা ঐবু মীৎ থকহন্দুনা ঙাওহনবদো ঙসিদগীদি য়াবরোই। লীলা লোইরে। ঐনা চিংনরকপস্থু কুইরবনি। ঙসিদি হৃরানবা ফারেদো।

তোম্বীমচা—(শাউনা) ইবেম্মস্থু স্কুটর ঙোংনীংমল্লি।

(তোম্বীমচা থোকখি

রনজীৎ—শান্তি, চৎলসি লাকও।

শান্তিবালা—করিনো চৎপা হায়রিবত্তুবো ? কদায়দা ? করিগী ?

রনজীৎ—শান্তি, নঙগী রাখল শেরায়রে। ঐগী রা ঙাখো।

শান্তিবালা—তাদ্রবস্থু লোইনা খঙলে। নতাত্তো করিমত্তা কান্নববোই কৈশাল মউন ঙপ্পা য়াউমচা। ঐগীদমক থুম কাযনবা তৌবিন্থু। ঐগী আশা থাদোকউ।

রনজীৎ—(ইকাইবা অমদি শাউনীংবা অনী য়ায়নুনা) পুন্নমক চীস্থীবী মীনাইন্নুবীসিনা থোকহল্লিবসিনি।

(রনজীৎনা যামিনীবু ফুগে তৌই, শান্তিবালানা মরক্তা চঙশিন্দুনা থাম্মি।)

শান্তিবালা—করিনো মিষ্টর রনজীৎ, ঙাঙরবরা অদোম্থু ? অদোম্মা মীৎ চুমদ্রগা যুমগী নুপী ফূবিগদৌরিবসিবু করিগীনো ? মত্তুদি য়াম্মা ফত্তে। নুপানা ঙম্মি হায়ত্তুনা নুপীবু শাঙাগুম্মা থনবদি তৌবিন্থু ; নুপীস্থু অদোমগুম থম্মোয় পানবা মীনি। সে, অদোম্মা নকান তলব ফংবদা ঐঙোন্দা ফি লৈযু হায়ত্তুনা পীখিবা লূপা চহুমদো ; শুবরা য়েংবিয়ু। ঐ মীগী হূপা মুকবা পাংদে ; কায়নরসি ঙসিদগী, বাই-বাই।

(শান্তিবালা পর্সতগী লূপা চহুব লৌথোক্লগা শমধারদা থাদরম্মি, অন্নগা থুনা চথখি।]

রনজীৎ—ঙাইথো শান্তি। শান্তি।

(রনজীৎ শান্তিবালাবু তাম্নগে [illegible] [illegible] কই।)

তোম্বীমচা—কদায়দনো রনজীৎ? নঙ চৎ[illegible] [illegible] রাই।

(রনজীৎ ঙহাক ঙকচানহুন। [illegible]ঙ্কি, অহু[illegible] [illegible]।)

যামিনী—অবোক, এৈনা ফত্তহনা ঙমুং মঙী লাংবল্লে। মথোয অনীবু কৌশিনবিয়ু। যুম অসে মচাকী[illegible]। এৈগীদমক্তি খনবিরম্ম, চৎচথ্রগে।

তোম্বীমচা—কবি রানো যামিনী [illegible] যুম অসি থাদোক্লুম চৎপা যাবোই। মূপানা মরমচৎ চমত্রবদা যুমগী মূপীনা মপুরৌং ঈংবা হৌনদে। ইনেম্মা নঙবু শেম্নানা খল্লুরে; নঙদি অশেংবা লক্ষ্মীনি। ইনেম্মা নঙোন্দা ঙাঙখি-শকথিবা পূম্নমক নপুক্তা পুক্লৌ-ম্নারো থমগন্নু। (লূপা চহুম খূনগৎলগা) সে, শেন অসি লৌশিল্লু। নঙগী নরম্মি।

যামিনী—এৈ লৌজরোই। অবোক অতুম লৌশিনবিয়ু।

তোম্বীমচা—(নমতুনা পীরগা) ঙ[illegible] লৌরোইদৌরি [illegible]? লৌশিল্লু সে। ইনেম ঙসিদি জ্ঞান তারে। হৌজিক্তি নঙনা হায়বা লোইনা চুম্নম্মে।

(রনজীৎ শা[illegible]না চঙলকই।)

রনজীৎ—মসিগী মূপীসিদা হাৎলগা লোইবে।

(রনজীৎ যামিনীদা ফুগে ভোই।)

তোম্বীমচা—(খোন খৎ্না কল্লগ্না) রনজীৎ, যামিনীগী মশা শোকপা য়ারোই। মাবু হেক ফূবদা ঐ য়ুম অসি থাদোক্কুনা চৎখি-গদবনি। ঙসিদি ঐ লোইনা খঙলে, উবে। ঐগী ইচা রনজীৎ কনানো, ইমৌ যামিনী কনানো, ঐ নিংথিনা খঙলে। যামিনী মপুনশিগী ওইনা য়ুম অসি থাদোক্কুনা চৎপা য়ারোই। নঙস্তু মাবু হুন্দোক্লমদুনা চৎখিবা য়ারোই। হেক চৎখিবদা হায়বা ইন্দবা মচাগী মমা অশিবগী থোঙজীন্দা লেপ্লবনি খঙঙু।

রনজীৎ—(শাউনা) মসিগী মূপীসে, স্কুটর থম্বা কা অসে মানা শো লোনশিল্লিনে।

তোম্বীমচা—মদু যামিনীগী মরান নত্তে। কা অদুগী শো ঐনা লোনবনি। শোজে ঐঙোন্দা লৈ। ঐ নত্তনা কনা অমত্তা কা অদুগী শো হাংবা য়ারোই। পঙঙু, স্কুটর অসি নঙদি শোকপা ফাওবা য়াররোইদবনি। য়োনথোকখ্রনি।

রনজীৎ—করিগী য়োনগদৌরিবা? য়ারোই য়োনবকা। শেল লৈ হায়দুনা কোটা নত্রবদি লৈগে হায়বদা পাক ফংদবা পোৎনি। ফংলগস্তু মমল য়াম্মি।

তোম্বীমচা—য়োন্দবা য়াদবা। স্কুটর লৈতৈদগী ইমুং অসি মথক-মথা ওনখ্রে। য়োনগুমসি হায়রগনা ইমুং অসি ঈংনা নে তানা পান্দ্রিফাওবা বন্ধান ওইনা থম্বা তারে। লাইশ্রম তোমচৌদা লূপা লিশীং অহুমদা থমদোকখ্রগনি।

রনজীৎ—করিনোনে ইমানা হায়রিবদুবো? পোৎ মাঙহল্লগে হায়রিব্রাও? বন্ধান থমগ্রবদি গাড়ী ওইররোই। বন্ধান্নি

হায়দুনা শেমদি শেম্বিদনা পঙতোংদা তোংবদা গাড়ী পুংমন মল্লনি।

তোম্বীমচা—মদুনি ঐনা পাম্লিবা। পুংমন হেক মন্দুনা শীজিন্নবা য়াররোইদবা মতমদুদা হন্দোকনি। হন্দোকপা ঙমদ্রবসু করিসু কায়দে. ঐনা তোংগদবা লৈতে। (যামিনীদা) যামিনী, নপামদকা চৎখিসু। নপুক্লীং সুংঙাইতবা তোগসু। কারগুম্বা চৎথবদি ঐদি য়ারোগনিকো। ইনেম স্কুটর বন্ধান থম্বগী রা ঙাঙনরুখিগে। লুপা লিশীং অহুম অদুনা নঙগী নরীকনকোন শাদোকপিগনি।

(তোম্বীমচা চৎখি)

রনজীৎ—ইমা, তোরুসুকো। স্কুটর বন্ধান থম্বা য়ারোই। কদায়নো শোজৈ পীরম্মু। ইমা, শোজৈদো—। (রনজীৎ মমাগী মতুং ইন্নখি।)

তোম্বীমচা—(মসুংদগী) পীরোই-পীরোই। স্কুটংদু বন্ধান হেক থমদ্রিবমথৈ কা অদু শো হাংলরোইদবনি।

(যামিনী মমাগা মচাগা অনীনা তোনরিবা মতোদু তঙক-তঙক য়েংদুনা লৈহৌই।)

[তপ্না-তপ্না ফিজঙ হাইজিল্লকই।]

তৌফম

থোকপা

এলাহাবাদ
ডিসেম্বরগী অহানবা চয়োল
১৯৬৯

মীশক-মীওই :—

১। রামচন্দ্র : অযোধ্যাগী নিংথৌ

২। লক্ষ্মণ : „ যুবরাজ।

৩। সীতা : „ মহারানী।

৪। কৌশল্যা : রামচন্দ্রগী মমা।

৫। মনাই অমা।

অযোধ্যাগী কোনুং মনুং

মতম—অহিং

(অযোধ্যাগী নিংথৌ রামচন্দ্রগী পোত্থাশঙনি। কাগী মনুং অমসুং মপান অনীমক উবা ফংই। কাগী মনুংনা মপূ্ংনি, মপান্না মচেৎনি। য়েংথংবা নাকন্না মপানগী শরুক্কি: ওয়থংবনা মনুংগী কানি। অনীগী মরক্তা থোঙজাউ অমনা খল্লি। থোঙজাউ অচু থিংজিল্লি। মনুংথংবা কাগী মতাই ওইরপ থোঙজাউদগী থবা লাপথোক্লা রেশম অমদি মণি-মুক্তানা থাল্লবা আসন অমা থাই। মফমদুদগী থবা চথোক্লগা য়েংৎ ওইরপ্পা অমদি ওয়রোমগী মমাঙ ওইরপ্পা সনা অমদি মণিনা থাল্লবা লৈতেং কয়া লুপাগী টেবল মথক্তা থম্মি। মপানগী শরুক থোঙজৌনগী ময়া নাকন অনীমক্তনা মুক্তানা থাল্লবা লৈ চবুন অনী লুপাগী পাত্র অমমমদা হাপ্লগা থিল্লি।

ফিজঙ হাইদোরকপদা নিংথৌ রামচন্দ্র লাঙতক্নবগা লোয়ননা কাগী মনুংদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি।)

রামচন্দ্র—(মতোমতা) পাবুং-মহারাজগী রাশক ডাক্লবগীদমক চহী তরামরি বন্দা চত্তুনা মচা ওইবগী তৌফম থোকপা ইথৌদাং ডাক্লক্লে। বালিবু হাত্নুনা মরূপ সুগ্রীবগী মফমদা তৌফম থোকপা ইথৌসু উৎলম্লে। দৈত্যশিংগী মখূৎ চনখ্রবী সীতাবু উদ্ধার তৌদুনা মপুরোইবা অমা ওইবগী মথৌসু পাঙথোক্লে। লঙ্কাগী সিংহাসনবু বিভীষণগী মফমদা শিন্নদুনা মরূপ শান্নবগী তৌফম থোকপা তৌবিমন উৎখ্রে। পুনশিগী তৌফম থোকপা পূম্নমকসি পাঙথোক্তুনা ঐনা অযোধ্যাগী নিংথৌ ওইরে। অগ্নি পরীক্ষাগী চাংয়েংদা মায় পাক্লবী সীতাবু লৈবাক্কী মহারানী হাপ্লে। মসিনা ঐগী পুনশিগী তৌফম থোকপা

ইথৌদি লোইবা নত্তে। নিংথৌ অমা ওইনা ঐনা ঐগী প্রজা অমদি লৈবাকপু নিংথিনা ঙাকপা তাবনি। ঐগী থবক্তা লৈবাক-প্রজানা চিংনরবদি চিংনরিবা অদু লৈহন্দবা হায়বসি ঐগী ইথৌনি। অগ্নি পরীক্ষা তৌদুনা লৌশিল্লবী সীতাবু মীখূৎ চল্লুরবীনি হায়দুনা লৈবাক প্রজানা চিংনৈ হায়বা ঐ খঙডি। অচম্বা ধোবীগী ইমুং অমনা ফাওবা চিংনদুনা অহিংদা লোম্না ঙাচনরবা, ইমুং-মমুংগী খৎনবদা সীতাবু খূদম পীফম ওইববদা অতৈ প্রজাশিং, ঐগী অঙম-অথৌশিংদি করিগী চিংনরোই। পূম্নমক নিংথৌগী রাজ-দণ্ডবু কিবনা মচীন খুমদুনা খাঙবা নত্তুনা করিস্তু ওইকম থোক্কে। অদুগা ঐস্তু ইশাগীতা থন্দুনা প্রজাশিংগী মফমদা উৎ চাইগদবা নত্তে। লৈবাক-প্রজাগী চিংনবা লৈহন্দবা হায়বসি ঐগী তৌদবা যাদ্রবা ইথৌনি। ঐ লৈবাক অসিগী নিংথৌনি। লৈবাক-প্রজাগীদমক ঐনা ইথৌ তৌবা তাই। ঐনা মখোয়গী চিংনবা কোকহনগনি ; চিংনবা কোকহনগনি। (মরু লূকথদুনা ঙহাক রাখল তৌই।) কনা লৈ ? তারিব্রা নখোয় কনা লৈ ?

(মনাই অমা য়েৎথংবা নাকন্দগী চঙলকই। থোঙজীন ময়াদা লেপ্লগা মখূৎ লোৎলৈ।)

মনাই—মহারাজ, সনা-য়াথং তাকপিসি।

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণগী মনাক্তা চৎলু ; হৌজিকমক মহাক ঐগী ইনাক্তা লাক্কবা য়াদে হায়রু।

মনাই—ফগনি মহারাজ।

(মনাই চৎখি।)

রামচন্দ্র—(তপ্পা আসন্দা ফমথংলগা) লৈবাক মবা ঈ'না-তপ্পা পান্দুনা প্রজাশিংগী পূন্নীংদা শান্তি লৈনবগীদমক চিংনবা মক যুক্তকৎপ কাও। মসি নত্তনা অতৈ পাইম্ব অমা লৈরোই। লেবাক প্রজাগীদমক ঐ লৈবনি, মখোয়গী মপূন্নীংখওদনা, মখোয়গী মনীং খুংহন্দনা ঐনা করম্বা লৈবাক ঙাকনি। ঐগী লেবাক ঙাক্লোন্দা মখোয়না চিনরবদি ঐ নিংথৌ ওইবদা মতিক চাদ্রেবনি। মখোয়না ঐবু থাজদ্রুনা নিংথৌ খুভম ফিল্লরি। অদুবু লেবাক্কী বানী নকরিবী সীতাগী মফমদা মখোয়না চিংনবা লেপ্লক্রি। চিংনবসি মাঙহন্দুনা প্রজাশিংগী পূন্নীং অংকপা লৈহন্দবা, নত্রগা নিংথৌ খুভম থাদোকপা অমদি লগী তৌফম থোকপা ইথৌনি।

লক্ষ্মণ চয়থংবা নাকন্দগী চঙলকই। থোঙজীন ময়াদা লেপ্লগা মথূৎ লোমদুনা লৈ।

লক্ষ্মণ—য়াম্বুং মহারাজ, তা লোৌ থেঙলবা অতিংগী মতম অসিদা ননাণ্বু কৌবিববু করম্বা সনা-যাথং তাকপিগদবা লৈবগে?

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ, করিগী মপান্দা লেপ্লুনা লৈরি? লাউ, চঙলকউ মফম অসিদা।

(লক্ষ্মণ থোঙ হাংদোক্লগা মচুংথংবা কাদা চঙলকই। ময়ম্বানী মনাক্তা লেপ্লি।)

লক্ষ্মণ—য়াম্বুং, মায়থোঙ থেগুম লাং লাঙতক্লনা লৈবিরম্বদি করম্বা চিংনবা লৈবিবগে? তাকপিযু ননাঙ লক্ষ্মণদা, ননাওনা য়াম্বুংগীদমক-তৌফম থোকপা ইথৌ পাঙজগে।

রামচন্দ্র—তপথৌ লক্ষ্মণ, ইয়াম্বা করিস্ত তৌদে। ইয়াম্বনা নিংথৌ অমা ওইনা লৈবাক্কীদমক তৌফম থোকপা ইথৌ অমা পাঙনবা

নঙবু কৌবনি।

লক্ষ্মণ—তাকপিযু য়াম্বু, য়াম্বুগী য়াথং ননাওনা ফিগাউ শানা য়াজরি।

রামচন্দ্র---লক্ষ্মণ, ইযাম্বনা হন্দক কাযগদৌরিবা রা অসি নঙ য়াদবা তৌগনু।

লক্ষ্মণ—মীরোল্ হেক তাবক দগী ঙসি ফাওবদা ননাওনা যাম্বুগী করম্বা য়াথং হীক্কোকপা য়াওজখ্রবগে? য়াথংদা পীনবিযু; ননাওনা যাথং ঙাকচনবগীদমক ঙাইজরি।

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ, হৌজিকমক তাংলো থেঙলবা অহিংগী মতম অসিদা নতৈমা জানকীবু পুদুন অযোধ্যা নগরসিদগী থপ্লা অশূকপা উমং ঙান্না চৎপা তাই।

লক্ষ্মণ—ননাওনা যাম্বুগী যাথং ইগ্নগনি, অদুবু খঙজনীংবা অমক?

রামচন্দ্র—হাযযু লক্ষ্মণ, ইনাউনা নয়াম্বদগী করি খঙনীংডি?

লক্ষ্মণ—য়াম্বু, অশূকপা উমং তান্না ইমা শত্রুবী ইতৈমগা লোয়ননা চৎনবগী যাথং কংজরিবগী মরম ননাও খঙহনীংঙি।

রামচন্দ্র—চুম্মি, নঙন্থ মবম অদু খঙকম থোকই। তাশ লক্ষ্মণ, ইনাওনা অশূকপা উমংদা নতৈমা জানকীগা লোযননা চৎকদৌবিবগী মরমদি মকম অতুদা নতৈমবু থাদোক্লনবা—।

লক্ষ্মণ—(ঙক্লা) য়াম্বু? ইমা শত্রুবী ইতৈমা জানকীবু অশূকপা উমংগী মনুংদা হন্দোক্লুবা?

রামচন্দ্র—মান্নি লক্ষ্মণ, থীন্দনা ইয়াম্বগী য়াথং ঙাক্লবা থৌরাঙ তৌবো।

লক্ষ্মণ—(মখুৎ লোম্নদুনা) য়াম্বু।

রামচন্দ্র—করিনো লক্ষমণ ?

লক্ষ্মণ—য়াম্বুংনা ননাওবু লণ্ডনবিরিব্রা ?

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ, হৌজিক লণ্ডনবগী মতম নত্তে। ইয়াম্বনা হায়রিবসি তশেংবনি। হৌজিকমক নতৈমা সীতাবু শূব্বা উমংগী মনুংদা থাদোক্লগদবনি।

লক্ষ্মণ—য়াম্বুং, ইমা শক্লবী হাত্তেমবু করি মবাল লৈদুনা অসুক তমথিনবা চৈরাক অসি পীবিরিবনো ?

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ, নঙনা মদু খঙলগা নতৈমবু চৈরাক অসিদগী কনবা ওয়োক্ত। নতৈমবু উমংদা থাদোকপা ঐগী তৌফম থোকপা ইথৌনি। অদুগা নঙনা এগী য়াথং ঙাকপা। চৎলো, হৌজিকমক নতেমবু উমং তাম্বা পুখ্রো।

লক্ষ্মণ—য়াম্বুং, করি রানো তাকপিরিবদুবু ? থাবুম কয়া চুপ্পা হিংচাবশিংগী মবক্তা অরা-কোঙ্গায় খাণ্ডদুনা মপুনশি লেঞ্জরক্লবী ইতৈমবু করিগীদমক অমুক হন্না ওরাবৈ মৈবক্তা লংশিন-বিগদৌরিবনো ?

রামচন্দ্র—(ফয়ম্বদগী হৌগৎলগা) খঙঙ্, লক্ষ্মণ, নতৈমনা লঙ্কাদা হিংচাবশিংগী মথুৎ চন্দুনা থাবুম কয়া লৈরুবা অদুমক্তা চৈবাক অসি ফংগদৌরিবনি।

লক্ষ্মণ—হাযবদি ?

রামচন্দ্র—হায়বদি মীখুৎ চল্লুরবী মূপীবু কবম্না লৈবাক অমগী মহারানী ওইনা থমগনি।

লক্ষ্মণ—তাকপিরিবা রাফমসিবু য়াম্বুংমক্কী সনা-পূক্লীংলা ?

রামচন্দ্র—মদুমক ওইবা য়াই।

লক্ষ্মণ—কবয়া য়াম্বুং ? লঙ্কানবেশ্ রাবনবু হাৎপ সুগ্রীৎ অদুগম্ভদা সতীগী অকনবা চাংযেং অগ্নি পরীক্ষা তৌবগা থাম্বুংন হৈতেমবু লৌশিনবিখ্রবা নত্রা ?

রামচন্দ্র—চুপ্পি লক্ষ্মণ, হয়াম্বনা নতৈমবু অগ্নি-পরীক্ষা তৌদুনা লৌশিন্নবনি। অদুবু চাংয়ং অদে লঙ্কাগী মীযাম যোংশিং অমদি নঙ-ত্রীগী মাঙদনি। অযোধ্যাগী মীযাম অসিদি নতেমগী সতীগী চাংযেং চহৌদে। অদুনা মখেযন নতৈমবু চিংনৈ।

লক্ষ্মণ—অযোধ্যাগী মীয়াম্না হৈতেমবু চিংনবনা ?

রামচন্দ্র—অচুম্বনি লক্ষ্মণ, প্রজা-মীযামগা চিনবা নেকব নাইনা জানকীবু বন্দা থাদোকপা হযাম্বগী তৌদবা থাদ্রব শথৌ অমা গুহরবনি।

লক্ষ্মণ—(শাউরম্না) করম্ব প্রজানো হৈতেমবু চিংনরিবা ? সতীগী অকনবা চাংযেং অগ্নি পরীক্ষাদা মাব পাকখ্রবী হৈতেমনি। হৈতেমগী সতীগী প্রকাপ্পা কনখিবনা নাপদা চিনব তুলসী মনা কান্নবা মৈ কৌব লাইনা মতু লাংশিনহনব ডমখিদবনি। অসিগুম্নবী শেংলবী হৈতেমবু চিংনৈ হায়নিবা প্রজাদো চোংথোকহনা হায়রো লাউ লক্ষ্মণগী মমাঙদা ; লক্ষ্মণনা মহাক্কী চিং-নদু কোয়বা পাটখুম পীগনি।

রামচন্দ্র—তপথৌ লক্ষ্মণ, ফিংগৎকম্ন। শাউবা হায়বসে হক্তে। অশাউবনা অপবা বাখলবু নমহৎপনি।

লক্ষ্মণ—য়াম্বুং হৈতেমবু চিংনরিবা মীশকশিং ননাওদা তাকপিয়্ন।

রামচন্দ্র—তপথোনে লক্ষ্মণ। লৈবাক প্রজাগী মপী-মপা ওইদুনা লৈরিবা নঙ-ঐনা মখোয়গা শীংনগদবা নত্তে। মখোয়গী মনীং থুংনবগীদমক ইশাগী ওইজবা থাদোক্কদবনি।

লক্ষ্মণ—অদুবু য়াম্বুং, মরাল লৈজদ্রবী ইতৈমবু অসুক তমথিরবা চৈরাক অসি পীবা ননাও য়াম্ভনীংদে।

রামচন্দ্র—য়াদন য়ারোই লক্ষ্মণ। নহাক্না নয়াম্বা ঐগী য়াথং ঙাক্কদবনি।

লক্ষ্মণ—মনাও অমা ওইনা য়াম্বুংগী য়াথং ঙাকফম থোকই। অদুবু করম্না নুপীজা ওইবীগী নপোক্তা পোক্লবী ইতৈমবু শাহিং চাবা শানা থল্লবা শূক্লবা উমংদা থাদোক্কদোরিবনো? য়াম্বুং, সনা পূক্লীং অমুক্তা মন্না খন্থবিদুনা য়াথং অসি কঞ্জিনবিয়ু।

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ, ইয়াম্বগী দি হায়খ্রবা রা হোংলরোই। নঙস্থ খন্দুনা য়েংঙু, অচম্বা পোবীগী ইমুং অমনা ফাওবা নতৈমবু চিংনরব-সিদা অতৈ অঙম-অখোশিংদি করিগী চিংনরগ্নোই। ঐনা প্রজাশিংগী পূক্লীং খঙই। অদুনা মখোয়গী পূক্লীংগী চিংনবদু কোক্লবা নতৈমবু চৈরাক অসিমক ঐনা পীরবনি।

লক্ষ্মণ য়াম্বুং, মীরা ঙাঙনবা পাম্বা মীওইবনি। প্রজাশিংনা ঙাঙবা ঙাক লৌরবদি পু-থাংবা ঙম্বা নত্তে, অদুগা মী খুদিংমক্কী পূক্লীং পেনহনবা কনানস্থ ঙম্লোই। কয়াম কুইনবু মখোয়না ইতৈমবু চিংনগনি। ইতৈমগী শেংলবা লমচৎনা মখোয়গী চিংনবদু শোয়দনা কোকখিগনি। নিংথৌকোন্দা শাৎপী মহাক্না য়াম্বুংগী সেবাগীদমক লুংঙাই-য়াইফকোন থাদোক্কনা চীং-মান, উরক-ম্বারক্তা লেল্লক্লিবা, ফত্রবশিংগী মথূত্তা ভারবদা

মুংতি মুংবম খুদিং মীৎয়া পিরাং কংদনা লেম্লক্লিবা—ঙসি গুম্বী ইতৈমবু কয়াম কুইনা প্রজানা চিংনগদগে ? প্রজা-শিংনা চিংনরিবসি কোকহন্নবগী থৌদাং ননাণ্ডদা পীনবিয়ু য়াম্মু।

রামচন্দ্র—মচু য়াবোই লক্ষ্মণ। প্রজানা য়াত্রবা চিংনবব নীশকপু অযোধ্যা নগরদা কুইনা থম্বা চুমদে। থীল্লগন্নু, য়াম্মা থুনা খোঙশান্নবা তৌরো।

লক্ষ্মণ—(রামচন্দ্রগী মখোঙ মথাদা মচক নান্দুনা) য়ম্মু, ননাঙনা হায়জবসে লৌবিয়ু। খোংজী মিহুন লাংলবী ইতৈমবু হন্দোকপা হায়বসে তৌবিগন্নু। কায়নথৎদা যাম্মু স্থ নীংঙমদ মৈনা চাকপিরক্কনি। যাম্মু, যাববদি য়াথং শুঙ্গিনবিয়ু

রামচন্দ্র—(মমায লৈথোক্লুনা খোংফম অমা-অনী চথোক্লগা) লক্ষ্মণ নঙনা ঐঙোন্দা অদূম্না হায়ফগদবা নত্তে। নঙদি ঐগী য়াং ঙাক্কদবনি।

লক্ষ্মণ—(তপ্না হৌগৎলগা) ওম্মোকপনিদা যাম্মু। পাযমা পীবক্লু থৌচু মুংশুম কনবিরবা। প্রজাগী অবানবা বাখলনা লমজিং-ঙনা মবাল লৈজদ্রবী ইতৈমবু অল্লাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লহনবা তারবা। ইতৈমবু চৈরাক অসি পীত্রিবৈঙগী মমাঙদা ননাও অযোধ্যা থাদোকচহৌরগে।

রামচন্দ্র—নত্তে, মচু য়াদে লক্ষ্মণ। নহাক ঐগী য়াথং চন্দবা য়ারোই। নযাম্বগী য়াথং নত্তে; অযোধ্যাগী নিংথৌ রামচন্দ্রগী য়াথংনি।

লক্ষ্মণ—(ঙক্লা) য়াম্মু।

রামচন্দ্র—থৌন্দনমক নথৌ পাঙথোক্রো লক্ষ্মণ। ইমুং ঙাগ্রিদৈঙে-সিদা জানকীবু পুডুনা খোঙদোই হুংখ্রো। নহাক্না ঐগী য়াগং ঙাকপা থৌন্তবতনা লহাক্কী ওইজবা বসিমু ওইরোই।

লক্ষ্মণ—(মথৎ লোন্নদুনা) য়াম্মুং, ঙসিগী ইমুং অসিদা য়াম্মুংনা লৌবিরিবা শক্রোন অসে ননাও জ্ঞান তাবা ঙমজগ্রে।

রামচন্দ্র—(অশাউব উত্তুনা) লক্ষ্মণ ঐবু রা য়াম্মা ঙাঙহনগনু। লেঙগ্রবা চৌংজাউ নাপোম্মু লেঙহন্নবা কোৎনবা নঙগী কবম্বা নথৌনানো? খুদক গসিমক্তদা নথৌ পাঙথোক্লবগীদমক খোঙশানখ্রো।

লক্ষ্মণ—(মথরায় মু ঙাহজনা) য়াম্মুংগী য়াথং মালেম লৈদা তাদবা ওইসমু। ননাও খোঙশাঞ্জবে।

(লক্ষ্মণ চৎকে হায়দুনা খোঙ মযা ফাওবা চৎলি)

রামচন্দ্র--ঙাইখো লক্ষ্মণ।

লক্ষ্মণ—করম্বা সনা-য়াথং অমুক?

রামচন্দ্র—নঙগী থম্মোয থডুনা ইয়াম্বগী যাথং অসে নতৈমা জানকীদা হায়রুবা ঙম্নরোই। অদুগা হায়রুবদসু নতৈমনা য়ারক্লবা য়াই। অদুনা ওইদবা রানা অওইবা শা অদুইঙ পাবুংগী রাশক ঙাক্নবা চগী জবামরি বন্দা চৎপদা নতৈমনা মহর্ষি বাল্মীকিবু খুরমজনীংঙি কাযখিবদো ঙসিদি নয়াম্মুং ঐনা চৎলুনবা য়াথং পীরে হায়না নতৈমা জানকীদা হায়য়ু। অদুগা শ্রুকবা উমং য়োম্নবা মতমদা নঙনা নতৈমবু থম্নম্লগা হল্লক্কদবনি।

(লক্ষ্মণ য়াম্না মথরায় মুংঙাইতনা মক্ক লুকথরগা রামচন্দ্রনা লৈরিবা কাড়দগী থোঙ তপ্না হাংদোক্লগা মপান্দা থোরকই।)

রামচন্দ্র—লক্ষ্মণ।

লক্ষ্মণ—(লেপ্লগা) য়াম্বুং।

রামচন্দ্র - কোম্নং মমুংগী কনাগুম্বা অমতা ঐগী য়াথং অসি তাহল্লোইদবনি।

লক্ষ্মণ—যাম্বুংগী য়াথং ইজ্ঞগনি।

(লক্ষ্মণ যেংথ'বা নাকন অদোমদা থোকখি।)

রামচন্দ্র—(হঙ্গৎ-হন্দ চৎনা-চৎনা) এগী ইনাও লক্ষ্মণন' মতেমা জানকীবু কযাদা লুন খঞ্জখ্রবা। মতৈমগ কাযনগনি খনবদা মগাক্কা থম্মোয় অসে পুবা ভমদ্রে। অতুবু ঐদি লৈবাক-প্রজাগী পেন্নবগীদমক ঐগী হথৌ পাঙ'থ'ক্কব য়াদে। সীতা। থুনা অযোধ্যা নগর অসি থাদোকপদনা লৈবাকী অফবনি। মহাক ঐগীনি ; ঐনা লৈবাকীনি। ঐ া, লৈবাক মীয় মগী —অনী অসিদা এগীদি কন্সি লৈতবনি; লৈবাকীনা লুম্না হেল্লি। লৈবাক-প্রজাগী ফবগা পুম্নমক ফবনি। ঐনা লৈবাক্কা সেব তৌবদা লৈবাক-প্রজা পুম্নমক্কা পেল্লগা পৃথিবীগী মঙ্গলনি।

(সীতা হবাউ হবাউ য়েংথংবা নাকল অদোমদগী চঙলকই। অহুগা থোঙজীন মযাদ' লেপই।

সীতা—ইবুংঙো, আর্য্যপুত্র। ননাইবু চঙজররকবগী য়াথং পীনবিয়ু।

রামচন্দ্র- ওঃ জানকী তাংলৌ থেঙলবা অহিংগী মতম অসিদা কারি হায়নীংবা লেবগে?

সীতা.. আর্য্যপুত্র, ইনাও ইবুংঙো লক্ষ্মণনা ইবুংঙোনা তাকপি হায়দুনা তম্নরিবা পাউ অসিবু অচুম্বা ওইবিরব্রা?

রামচন্দ্র—চুম্বনি সীতা; ঐনা নঙবু য়াথং পীরবনি। অহুবৈ নঙনা মহর্ষি বাল্মীকিদু খুরুমজনীংডি হায়বদু ঙসিদি ননীং থুংজরুরে। তন্দনা হৌজিকনক খোঙশানখ্রো।

সীতা মপুরোইবা। মনাইনুপীগী নীংবা থুংহনবিবা ঙমখনীংঙাই মথক্কি। মহর্ষিবু খুরুমজনবা ননাইনুপীনা ইবুংঙোগী যাথং পুংনা চংচবগনি। ইবুংঙোগী খুদম থম্মোল শোকচনবগীদমক মতুংদা চঙজনরবা য়াথং পানবিয়ু।

রামচন্দ্র - সীতা, নহাক মফম অসিদা চঙলক্লগনু। থুনমক খোঙশন্নব থৌরাঙ তৌরুরে।

সীতা— থৌরাঙ পূম্নমক ইনাওইবুংঙো লক্ষ্মণনা শীনহৌবে। ননাইনুপীনা ইবুংঙোবু খুরমজগে লাকচবনি।

রামচন্দ্র—সীতা, নঙ ময়াম হনাও চঙলরগনু। থুনমক চংখিবনা পূম্নমক্কী অফবা হৌবগনি। চংথ্রো, খাঙশানখ্রো।

সীতা আর্য্যপুত্র, ননাইনুপীবু মহর্ষি বাল্মীকি খুরুমজরুনবা হয়াউ-হয়াউ য়াথংদি পীরিরে। অদুগা খোঙশাল্লমদাইগী মতম খাসদা ইবুংঙোগী থয থম্বালবু শোকচদুনা আশীর্বাদ লৌজবদা অথিংবা থম্বিবা অসিবু করম্বা রাজনীগী মথা পোনবিবনো?

রামচন্দ্র সীতা, নঙগী বাহং অদু হংদবনা হেন্না ফবনি। ঐ নঙগী মায়খাঙ উবা য়াদে।

সীতা— করিনো তাকপিরিবা য়াম্লাতবু আর্য্যপুত্র? হয়াউ-হয়াউ য়াথং পীনবিবনি, হয়াউ-হয়াউ মঙ্গল পীনবিয়ু। মহর্ষিবু খুরুমজবা হেক লোইবগা থুনা ইবুংঙোগী সেবাগীদমক ননাই-নুপী হল্লক্কনি।

রামচন্দ্র—(মথৱায় মুংঙাইতনা) জানকী, নঙগী ৱাখল অদু প্ৰমা'র। নঙনা উমংদা মহৰ্ষি বাল্মীকিগী মনাক্তা চৎকদবদি মুংঙাইরু হায়দুনা থাবা নত্তে ; কপ্পুচো-ৱারুচো হায়দুনা পীৱিবা য়াথংনি।

সীতা—(ঙক্লা) আৰ্য্যপুত্ৰ ?

রামচন্দ্র—তাও সীতা, নহাক্না উমংদা চৎকদৌৱিবসে মহৰ্ষি বাল্মীকিবু খুৱুম্না নত্তে, শূৰুবা উমংগী মম্নুংতদা নহাকপু নতোমত্তা থাদোক্লুনবনি। এগী য়াথংসে নঙগা এৗগা কায়নবগী য়াথংনি।

সীতা—ইবুংঙোগী থম্মোয়দা নপাইন্নুপীবু করম্না অমকপা লৈদুনা অসিগুম্বা য়াথং অসি পানবিৱিবনো ?

রামচন্দ্র—সীতা, নঙগী অমকপা লৈৱবা থম্মোয় অদুবু এৗনা খঙই। অদুবু অযোধ্যাগী মীয়াম অসনদি মদু খঙবা ঙমদে। অদুগা নঙগী নৱাম্না লঙ্কাদা-মীখুৎ চল্লুবা অদুমক্নি। মীখুৎ চল্লুবগী-দমক প্ৰজাগী পুক্নীংদা চিংন-পৱৈ লৈৱবা নহাকপু এগী ৱানী হাপ্পুনা লৈবাক্তী মমা ওইবদি ঐ পামদে। অদুনা প্ৰজাশিংগী পেন্দবসি কোক্লবগীদমক নহাকপু শূৰুগা উমংদা থাদোক্লবা য়াথংসে এৗনা পীৱিবনি।

সীতা -অদুগীদমক্তা করিগী মুংনাংবিবগে ইবুংঙো ? লৈবাক-প্ৰজাগী পেম্নবগীদমক্তা ওইৱবদি নপাইন্নুপীনা হৱাউ-হৱাউনা শূৰুগা উমংদা চৎচগে।

রামচন্দ্র—এগী অপাম্বসু মদুমক্নি জানকী। থুনমক চৎনবা—।

সীতা—অদুবু আর্য্যপুত্র কনিংগীদমক ইনাও ইবুংঙোনা অশেংবা রানা হায়দোক্লে থইদবা রানা মাঙওইনা ঐঙোন্দা মহর্ষি বাল্মীকিবু খুৎলৈ সি হায়রিবনো ?

রামচন্দ্র—জানকী, থংদ রাতি থদে ঐগী ইনাও লক্ষ্মণগী মবুক-থোক্লী নত্তে। মতৌগী মফমদা মযাম্বুংগী য়াথং অদু ভম্বা ঙমদবগী ওইদ-রাতি থদু তায়রু তায়না এনা য়াথং পীখিবনি।

সীতা—আর্য্যপুত্র, লৈবাক্কা মপী মপা ওইদুনা লৈবিরিব ইবুংঙোনা কনিগীদমক পোকপদগী লাঙ্গরক্লিরবা অচুম্বদ ঙাউজবা ইনাও-ইচংঙো লক্ষ্মণদা ওইদ রাতি ঙাঙউ হায়না য়াথং পীনবি-রিবনো ? ইনাওইবুংঙোগী পুক্নীংদা অমকপা থোরি কনিগী লৈহনবিরিবনো ? ওইদ রাতি হায়হনবিগী মচুও অশেং-অশেংবা রাহনা ইবুংঙোমক ননাইনুপীদা তাকপিরম্লবদি থম্মোয় অসে ওস্লোরা পেঙ্গবমগদবনি হৌজিকসু ঐগী থম্মোয়সে পেইঙে। লৈবাক-প্রজাগী পেম্নব য়াইফনবগীদমক ঐনা অযোধ্যা থাদোকপদি ঐগী লাইবক ফর্না।

রামচন্দ্র—সীতা, ওক্লে ওক্লে। ঐবু নিন্দা তৌবগনু। ঐগী য়াথং ঙাক্লবগীদমক শেম-শাকরো।

সীতা—আর্য্যপুত্র, ননাইনুপীনা হায়জবিবসিবু নিন্দা ওইনা লৌবি-রব্রা ? মনাইনা মপুবু নিন্দা তৌনা মকোকথক্তা পাপকী পোৎলুম হাপকৎচবনি। ননাইনুপীগী ইথোদি ইবুংঙোগী য়াথং ঙাকচবনি। ইবুংঙোনা লৈবাক-প্রজাগীদমক তোক্ষম থোকপা থোদাং পাঙথোকপদা ননাইনা শরুক য়াজবনি। ইবুংঙোগী প্রতিমাবু থম্মোয়মুংদা লাৎচরগা পূক্নীংদ চিংনবা

পোকচদনা লৈবাক প্রজাগী থাইফনবগীদমক তাংলৌ থেঙলবা অহিংগী মতম অসিনক্তদা শূক্রবা উমং তাম থোঙশাঞ্জনগনি।

রামচন্দ্র — অতুনি জানকী, চিংনবা লৈতনা চৎকদবনি। নঙগা কাযনবন ঐস্তু োবাকীদাক ঐগী তেফম থোকপা ইথৌ পাঙথোকপনি।

সীতা—(মথক্লাই মুংডাইতনা) আর্যাপুত্র, ঙসি ননাইমূৰ্ণা ইবুংঙোগী য়াথং ডাব়বা চৎলমদাই মতম অসিদ অবোহবা ওইনা ইবুংঙোগী খুয়াখাগী উযুল ইকোবথন্দা হাপকৎচবা ফংহনবিয়ু।

রামচন্দ্র জানকী, রাৈত অদু অমুক হন্না ৎায়বগনু। ঐ নঙবু মফম অসিদা চঙলক্লবগী যাথং পাবা ঙম্লোই। ঐ নঙগী মায়থোঙ য়েংলবোই। ঐনা নঙবু আশীর্বাদ পীরবনি। চৎলো. থোঙশানখ্রো।

(রামচন্দ্র মথরায় য়াম্না মুংঙাইতনা মমাথ লৈথোক্লগা মথুৎ য়েৎ সীতানা লৌরিবা অদোমদা তিংথোক্লগা সীতাদা আশীর্বাদ পী।)

জানকী—(মথরায় শোক্লা) কৈদৌবগে ইবুংঙো, ঙসি কায়নরমদাইগী মতম অসিদা ইবুংঙোবু অরোইবা ওইনা খুকমজশা অদুতদ ননাইক্লপীদা পীনবিয়ু।

রামচন্দ্র—(য়াম্না মুংঙাইতনা) সীতা, কাযনগনুনে রাৈত অদো। ঐ য়াবা শুকডম ঙম্লরোই। ঐ নঙগী মায়থোঙ য়েংলরোই। চৎলো, নঙগী মঙ্গলগীদমক ঐনা হন্না-হন্না আশীর্বাদ পীরবনি।

সীতা—(কপ্পা কপ্পা নোম্থুনা খুকম্লগা) আর্যাপুত্র, নোক্লা নোক্লা বিদায় পীবিদুনা ননাইমূৰীবু নোক্লা-নোক্লা চৎপা ফংহন-বিয়্রবা। ইবুংঙোগী নিংথিবা চেংলৌ অরোইবা মীংয়েংনা

অমুক্ত কান্দবা য়েংঙবা মংঙনবিদ্রবা। ফরে, ইবুংঙোগী থাগং ঙাকচনা লেপ্লবা প্রজাগী য়াইথনবগীদমক ননাইনুপী চংচনগা। খুরমজরি আর্য্যপুত্র, ননাইনুপীবু আশীর্বাদ পীনবিয়ু।

(সীতান থোঙজীন য়াদা খুরুমদুনা বামচন্দ্রদা খুরুমজই মমুদনা বামচন্দ্রনা শাক মনায লৈথোক্লগা খোঙফম অমা লুনা থামদোক্লুনা যেংথবা মথুংদা আশীর্বাদ পীবগী মওংদা লেপ্লগা পাক্লা চঙলকই।)

লক্ষ্মণ (মথং লোয়্নদুনা) ঙসি ভ্রবী উমো, য়াম্বুংদগী বিদায় লোয়া লাকবিবরা? মহাকবু খুবমজবদ থেঙনদবা পূজাগী থোইদোকপা পূন্সিক পীবাঙ লোইহজবে। খোঙশাম্নবা তৌরাগা?

সীতা (তপ্না তপ্না লোগৎশগা লক্ষ্মণদা মুম্না যেংহুনা) লক্ষ্মণ! ইবুংঙোগী হবু থে লক্ষ্মণ। কৌশিক মহাশব নহাক্না ইতৈমদা ওইদবা লান হংলইবা শা য়ারা নপাড তম্নিবা। করিগী থম্মোয মচুক পিকপগে? করিগীদমক্লো ইনাও-ইবুংঙোনা ইথংগী মথক্তদ লৈহদবা ব্রত ঙাঙলিবা?

লক্ষ্মণ—(ঙক্লা অমদি চিংনন্না) হৈতেমা।

সীতা—হায়যু লক্ষ্মণ, করিগীদমক ইতৈগী মফমদা অশেংবা ব্রা লোৎপগে? নযাম্বুংগী য়াথং ইতৈমনা শোয়্দনা ঙাক্নি। মতু নঙনা হাযদোকপদা করিগী চিংক্নিবনো? নয়াম্বুংনা লৈবাক-প্রজাগীদমক তোকম থোকপা থোদাং পাঙথোকপদা ইতৈমদি শুপ্নগী শূরবা উমংদা চৎপদা নত্তে; থরায় অসি

ফাওবা থাদোকপা ঙমগনি। মদুগী ইতৈমা করিম্তু চিংনদে। ইতৈমগীদি নয়াম্তুংনা ঈশ্বরনি, মতাক্লা ইতৈমগী শ্বর্গনি। মহাক্কীদমক ইতৈমনা ঙম্লোইদবা কবি লৈবগে ?

লক্ষ্মণ—(মথূৎ লোম্লদুনা) ননাওবু ঙাকপিয়ু ইমা শক্লবী ইতেমা।

সীতা—(চৎনা-চৎনা) লাক্লো লক্ষ্মণ, ইমুং ঙাম্দ্রিবগু অসিগক্কেদা ইতৈমা অযোধ্যা থাদোক্লগে। নথে পাঙথোকপদ নঙন্তু নপুক্লীংদা নুংঙাইতবা-নুংনাংবা পো কতু। ইতৈমনা চৎনদৌ রিবসে লৈবাক প্রজাগী য় ইফনবনি। লাকও, নথ থোরকো লক্ষ্মণ ; ইতৈমবু যিল্লবো।

(সীতা থোকখি। লক্ষ্মণ মথরায় নুংঙাইতনা মর লকপগদা সীতাগী মতুং ইন্দুনা চৎখি। মনুংগী কাদা রামচন্দ্রনা লাগা মকুবা থম্মোযগী য়াঙাঙ অদু তাবদা নুংঙাইতনা থাঙগম থঙদ্রবনা চঙ্গ-হন্দা চত্তুনা থাঙডি।)

রামচন্দ্র—সীতা, জনক-নন্দিনী চৎলেংকে। বিদায়! জানকী, বিদায়! প্রজাগী চিংনবা করুবগীদমক লাঞ্জদ্রবী নঙবু ঐনা থাদোক্লবনি।

(রামচন্দ্র মথরায় নুংঙাইতনা মক লুকথরক্নুনা তপ্না আসন্দা ফম্বৈ। কৌশল্যা অঙাওবীগী মতৌগুম মশাম-মনা ইকা ফারদুনা ইফিং ফিংনা চেনশিল্লকই। থোঙ ফং হাংদোক্লগা রামচন্দ্রগী মনাক্তা চঙলকই। রামচন্দ্রসু ঙক্লা ফক তোগংলি।

কৌশল্যা—রাম, ইমানা তারিবসিবু অচুম্বরা ?

রামচন্দ্র—ইমা।

কৌশল্যা—হায়য়ু রাম, ইমানা তারিবসিবু অচুম্বা পাউবা ?

রামচন্দ্র ইমা, জানকীগী পাউ ওইহনবদি ইমানা তাবিরিবচু অচুম্বনি। ঐনা ইনাও লক্ষ্মণদা জানকীবু উমংদ থাদোক্লনবগী য়াথং পীজখ্রনি।

কৌশল্যা—(ডক্র) করি হায়ব' রাম। ইমাদি জ্ঞান তাবা ওমদ্রে। মঙলা-ত্তাইবঙলা?

রামচন্দ্র—ইমা, ওপথবিয়ু।

কৌশল্যা—ওপথৌ হায়বা? করম্ব' ওপথগদৌবিবনো? নঙে-নত্তে রাম, নঙগী য়াথং অদু হঞ্জিল্লু। সীতাবু উমংদা থাবা য়াদে। ইমা নমৌগা কায়নবা ওল্লোই।

রামচন্দ্র—ইমা, নচাবু ঙাকপিয়ু। ঐগী পীথোকখ্রবা ইয়াথং হঞ্জিনবা ওল্লরোই। সীতা শোয়দনা উমংদা চৎকদবনি।

কৌশল্যা—মদু য়াদে রাম। করিগীদমক ঐগী চমৌ সীতাবু উমংদা থাদোকদৌরিবনো?

রামচন্দ্র—ইমা, লঙ্কাদা মীথূৎ চন্দুনা লৈকববী সীতাবু অযোধ্যাগী প্রজানা চিংনৈ। মতুনা প্রজাগী চিংনরবা সীতাবু অযোধ্যাদা লৈহন্দবা তাবনি।

কৌশল্যা—অযোধ্যাগী প্রজাশিংগী চিংনবা কোক্লংগীদমক লাঞ্জত্রবী ইমৌবু নচনা থাদোক্লবা। মদু য়াদে রাম। সীতা চৎনবগী-দমক শেম-শাবা লোইরোরে ইমা-না থাম্বদি য়াবরোই। নঙনা য়াথং হঞ্জিন্দুনা সীতাবু থাম্মু। রাম, সীতাবু থাম্মু।

রামচন্দ্র—ইমা নচাবু ঙাকপিয়ু। নচা বামচন্দ্রনা সীতাবু উমংদা থাদোক্লনবা য়াথং পীখিবা নত্তে; অযোধ্যাগী নিংথৌ রামচন্দ্রনা পীখিবা য়াথংনি।

কৌশল্যা করি হায়রিবা? ঐগী ইচা রামা নত্তে; অযোধ্যাগী নিংথৌ রামচন্দ্রনা পোখিবা য়াথংনি হায়রিবা? অদুগা নিংথৌ ওইবগী তৌফম থোকপা; রাজ-সিংহাসন, রাজ-বৈভব পুম্নমক অসিগীদমক নঙন সীতাবু থাদোকপা তারবা?

রামচন্দ্র—ইমা, করিস্ত লৈত্রব রাজ-বৈভব, রাজ সিংহাসন অসিবু কল্লক-মিহৌবা নচা নংচদে পুম্নমক অসিবু থাদোক্তুনা চানা পাবুং মহারাজগী রাজ্যক ভাক্তবগীদমক চহী তরামরি লন্দা চংচনবিবনি। অদুবু হৌজিক্তি লৈবাক ঐভোন্দা নিংথৌ খুভম পীরবনে। অদুনা লৈবাক মীয়াম্বু লোলহন্দুনা নিংথিনা প্রজা পালন তৌবা নচাগী তৌফম থোকপ ইথৌ ওইরে।

কৌশল্যা—করিস্ত লৈত্রবা নিংথৌ খুভম অসিগীদমক ইচা-ইমোংগা চহী তরামরি চম্ন নংখ্রবা। হৌজিক্তসু অমুক নিংথৌ-খুভম অসিগীদমক ইমৌ হবেম্মা সীংগা কায়নবা তারবা। কান্নদ্রবা নিংথৌ-খুভম অসি থাদোক্লো বাম। ইমা নিংথেম পোকপী ওইনী দে। মতাক্তী নিংথৌ খুভম আসনা ইমাদা খাঙঙমদ্রবা তাশোন ওইরে।

রামচন্দ্র তাকপিরিবা থারাডুবু করিনো অপোকপী? নিংথৌ ওইবা হায়বসে সিংহাসনদা নুংঙাইনা ফমদুনা লৈববু নত্তে। লৈবাক্কী ভার পুম্নমক ইকোক থক্তা থোঙ্গৎপনি। অদুনা ঐনা ঐগী তৌফম থোকপা মতিক চাবা ইথৌ তৌবা তাবনি। অদুগা মসিমস্তু খনবিয়ু অপোকপী, মপাগীদমক

রাজ-সিংহাসন অমদি লৈবাক্কী ভার থাদোকপা হায়বসে করি ফজনীংঙাই লৈবগে ?

কৌশল্যা--য়ুমদগী য়ুমগী মুপী তাম্মোকপা নিংথৌ অমগী মতিক চাবা মথৌ নত্তে রাম। সীতাসু লৈবাক অসিগী প্রজা অমনি হায়না খল্লু। মহাক্কা মনী' তম্না হিংজবগী অধিকার অদু নহাক্কা ৰবিগী মাঙহনগদোবিবনো ? সীতাসে মীনি, মুপীজাগী মপোক্তা পোকপীনি। মহাক্কীসু মী অমা ওইবগী ফংফম থোকপা অধিকার লৈ। অদুগুম্বা অধিকার অদুবু ঙাকপা নিংথৌ অমা ওইনা নঙগী তৌফম থোকপা নথৌ নগুবন ?

রামচন্দ্র- ইমা, ঐগী হায়বসিদগী লৈবাক্কীনা লুবা হেল্লি। অদুনা ঐনা সীতাবু থাদোকপা তাবনি।

কৌশল্যা- ওস্মোকপনিদা রাম। ইমানা হায়বা ইল্লুনে নঙবু। নিংথৌ খুভম থাদোক্লো। নঙসু ঐসু জানকীগা লোয়ননা রাজ-বৈভব থাদোক্লগা অচম্বা পুনশি লেল্লরসি।

রামচন্দ্র- ইমা, মুপী অমগীদমক ইবুধৌশিংগী মিংচত্তা অমকপা লৈহৌগদবা থবরপু নচান, করম্না তৌগদগে ? রঘু শাগৈগী চৎনবী ঙারবগীদমক নচা রামগী থরায় মাঙখিবদি য়াই, অদুবু হাযদোকখ্রবা য়ারাদি শোয়দনা ঙাক্কনি।

(মপান্দা রথ থৌবগী মখোল তায়।)

কৌশল্যা—(মুংশা থীনা) রাম। রাম। রথ থৌখিবগী মখোল তাবে। জানকী চৎখ্রগনি। নঙনা মাবু অমুক্তা খাম্মু রাম।

রামচন্দ্র—ইমা অপোকপী, নচাদা রাহৈ অদু তাকপিবগনু। নচাবু ঙাকপিয় ইমা।

কৌশল্যা—নত্তে-নত্তে রাম। ঐ ইমৌনুপী সীতাগা কায়নবা ঙম্লোই। ঐনা মাবু খামগনি। লক্ষ্মণ, লক্ষ্মণ, রথ থৌখিন্নু। রথ খামখো। সীতা, নঙ চৎখিবা য়াদে। ইনেম্মু থাদোক্তুনা চৎখিন্নু। ঙাইখো সীতা। সীতা।

(কৌশল্যা অঙাওবীগী পান্দমগুম সীতাবু কোর-কোরদুনা চেঙ্খোকখি। রামচন্দ্র তুমিন মরু লূকথদুনা লৈহৌই।)

[তপ্না-তপ্না ফিজঙ হাইজিল্লকই।]

পিবা

ফম

ইম্ফাল
সেপ্টেম্বরগী অরোইবা চয়োল
১৯৬৭

মীশক-মীওই :—

১।	তোমচৌ	:	লৈবাক্কী মন্ত্রী।
২।	মণিহার	:	তোমচৌগী মচানুপা।
৩।	ইবেমচা	:	তোমচৌগী নুপী।
৪।	কানন	:	তোমচৌগী মচানুপী।
৫।	চাউবা	:	তোমচৌগী মনাই।
৬।	ড্রাইভর	:	তোমচৌগী কার ড্রাইভর।

তোমচৌ মন্ত্রীগী বাঙ্গলা

(মী উন্নফম কানি। তোমচৌ মন্ত্রীনা ফম্নবা টেবল-চৌকি অমদি মী শাক্লগা ফম্নবা ফাল পরেং শানা থাবি। ফক্লাংদা গান্ধী, সুবাস অমসুং নেহরুগী মিংশেল চনবা ফোটো থেংলি। মতম্না সুংথিলনি।

তোমচৌ ওয়থংবা নাকন্দগী থোবকই। চৌকিদা ফম্মি। টেবল মথক্তগী খবর লৌখংলগা পাই।)

তোমচৌ—(নংশোমতা মোমোন নোক্লদুনা) হ হ হ.........অপঙবা ছাত্র-ছ মীশিং অসিনা লাইবিক্তি ওমগে হায়দ্রদুনা মথোঙ চাদ্রবা খরনা ইনশিনবা হেক য়ারে। অপোজিসনগী কাঙবু অসিনা এরোন অমা মথৌদি লৈত্রবাননা লৈবাক ঈরাং চাইনগদবগীদা মতৌবা। ওইসু ওইররোইদৌবদা মমিদা শোশাবা কাঙবু অসে দিজোলভ তৌববদি খরা ঈংগনি। ইলেক্সন চংক্লা চংরবদি লৈবাক অসি যনা-যজনা ওাকপা ওমগনি। (তুমিন্না খবর মখা অমুক পাথৈ) খবরমি হায়দুনা তৌরিব অসিনা অতৈ পাটি লৈত্রবগুম অসিগুম্বা অসিদা হাপ্লা—ট্রাইবপু হায়বনে, প্রোসেসনবু হায়বনে। কান্নদবা ওাক্তা ই। (শাউবপ্পা খবরদু টেবল মথক্তা থম্মি।) চাউবা।

চাউবা—(মমুংদগী) করি ওইববনো তাইবুংঙো ?

তোমচৌ নঙগী চাদুবু লোইদ্রিব্রাও ?

চাউবা—লোইজবে তাইবুংঙো।

তোমচৌ—লোইরবদি পুথোনক্লোদনা ; ওম্মোক্লা তপক্লে নঙসে ইবো।

চাউবা—(মনুংদগী) পুংরক্লে তাইবুংঙোবু ।

(চাউবা চা কপ অমা পুজুনা যেংথংবা নাকংদগী থোবকই। টেবল মথক্তা চা পম্লগ অমুক চঙখিগে হৌই ।)

তোমচৌ—(চা থক্লা-থক্লা) চ উব, নচৈমংবেম্মদি ?

চাউবা—অরাংগীসিদা থবক অমা চথোকখি ।

তোমচৌ—কবিরু তৌবা চৎলিবা ? চৎলু, নচৈমংবেম্মা কৌকচো। ঐনা থুনা লাকউ হায় হায়ক।

চাউবা—ফনি, হায়জকগে ।

(চাউবা ওয় থংবা নাকন্দা চংথি ।)

তোমচৌ—চাউবা, ভাইখো। কল্লকখো ওন্থো।

চাউবা—(অমুক চঙলক্লগা) কবি ঙব্ববনো খংবুংঙো ?

তোমচৌ—ড্রাইভরদি কদায়দা লৈ ?

চাউবা—ভহাক ওইখ্রে, গাড়ী পুরগা চৎখিবা। কদায়দনোদি থঙজহোদ্রে ।

তোমচৌ—(শাউবপ্না) মসিগী ড্রাইভর অসে হেক থিংকপদা লৈরম্বা হৌনদে। সসপেণ্ড তৌদ্রবদি য়ারোইদৌরি।

চাউবা—তাইবুংঙো, হায়বিগদবা কবি বাৎলিবগে ? চৎচবা য়ারগদ্রা ?

তোমচৌ—ইহে, নঙস্তু হৌজিক ফাওবা চত্তুনা লৈরম্মি। প্রেপ-প্রেপ চৎলুনে চাউবা। মন্ত্রীগী থবক হায়বসিদি মতম পুম্নমক্তা অথুবা ভাক্তনিনে থঙলব্রা।

চাউবা—য়ারৌবিগনু তাইবুংঙো, ঐ চেন্না-চেন্না চৎচগে ।

(চাউবা তবি তবি চেনখি)

তোমচৌ—নহোকপা মী পাঙুন ঐগী হনাক্তা লৈরে। লৈবাক পুবগী রাখল থনবদি লায়রকুনা মখোয় ভাঙনবদ থদাঙ চোরে। হন্নগী মন্ত্রীন ওয়াকুনা সৌবিবসিন্ত হান্না মন্ত্রী ওহৌদ্রিস্তৈগী কন্দিসন্দুগী নাবিনগু কেন্দবা। ওহোক্লা ঈরাং থঙখিদ্রে, নানা পোকপ অমা তোকুন লৈ। রানোম-খোৎনোম্বা নান্নিবাশং অসেমনা ময়ীৎ মনা শিংন কাযদা যেংগ হাযদব। মানা পীরব ভোক্তা শস্থম ডাইডুনা লৈগদ্রা? ঐমক্লা দাইবেক তৌবস্থ মতম অসিনদি—। (মপাল্লগী কানগী হোনোন খোংলবপা তাবা) করি কান্নবগী খোংজবা শান্নিবা?

(দ্রাইভরন মথংবা নাকল্লগী চৎলকই।)

ড্রাইভর তাইবুংঙো, লেঙগদবা মতম?

তোমচৌ (শাডিরপ্প) কদাযদা চৎপা? নঙ নতোংতা চৎখ্রো।
(ড্রাইভর তঙেন-তঙক যেংডুনা লৈ।) নঙবু কদায়দা চৎলুবগে?

ড্রাইভর—য়ুম ফাওনদং চৎচকবনি।

তোমচৌ (ফক হোগৎলগা) কৈদৌবা চৎলুরিবা? ঐগী বা তাদনা কবিমতা চথোকপা নাদে, মতম পুম্নমক্কা বেদিদা লৈগদবনি হাযদ্রাও? মতম অসিনগ থোঙ থাংবা য়াদবমখৈ ঈরাং তৌগদবগীদা লৈববা মতংসিদা নঙনা অস্তক রাখঙদবসিবু করিগীনো? কদৌবগী চৎলুরিবনো? নযুমদা ফুপী-অঙাং তোংডুনা শান্নহল্লুব্রা?

ড্রাইভর—ঐস্ত তাইবুংঙোনা লেঙথোকপ নংনবা হঞ্জরকপনি।

তোমচৌ—তুমিন লৈয়ু, তানীংদে।

(চাউবগা ই বমচাগা লাকই।)

ইবেমচা—হাথু হাথু কৌবিদবু করি ওইরবনো মায়-পাবুং ?

তোমচৌ—করিগী ওইনি ? ফজবা নশক্তু য়েংমীংডুনা কৌবা।

ইবেমচা চাউবা, থক্কা প্রেপ-প্রেপ তৌশিল্লু। নঙ-তাইবুংঙো ওসিদি অকবা মীটিং অমা লৈবনি। চৎলম খোৎলমদাইসিদা রাই-রনকা চাইহনগন্নু। (চাউবা যৎথংবা নাকন্দ চঙখি।) মায় পাবু বু মীটিং লেঙগনি হায়নড়বু মতম ওইবিদ্রেব্রাও ?

তোমচৌ—চৎলগদবনি রা হায়বমগে হায়দুনা নঙবু কৌবিবনি।

ইবেমচা—করি তাকপিরমগদবা ?

তোমচৌ—য়েংডোই, শঙাওব মখো শূনীংদবা মীওই থরনা ইনশিনবদগী ছাত্র ছাত্রীশি পূম্নমক ঈরাং তৌরে। মখৈ মশিং তমগেদি হায়রদুনা শাকীং তৌগনি, ষ্ট্রাইক তৌগনি ; অদু তৌগনিগ অদু তৌগনিগা হায়বনা অমুক্তোইরে। মখোয়গী বাঙাঙনা থবরক পূমথন থরবনি। ওসিসে মতা চাদ্রবদি খৎ থোক্কবা যাই। নচান্নূপাগা নচা-নূপীগডু চথোকহনাখন্নু। মখোয়গী মীটিংকাদ যাংকন্নু হায়যু। পুলিস অমদি সি. আই ডি থৌরাঙ তৌদুনা লৈরবনি। হোরেন নাতৈ চাদবদগী গুরুং-গ্রাং হক তৌনরবদি শোক লাক্কনি।

ইবেমচা—খোঙকাপ নাতৈ অমত্তা চথোকহল্লবোই। হায়বা ইনবা ইচা অনীনিদা।

তোমচৌ—অদুম্না নচা কনখৎকন্নু। মূপামচা মণিহারসে হন্দক মরক মওঙ অমা তৌই। মহাক্কি য়াম্না কম্না চেকশিনগদবা।

ইবেমচা কারম্থু খুংশা থীবিগন্নুদা মায়-পাবুং। ঐনা ইরেঞ্জনা মখোয়বু থেমগনি।

তোমচৌ চাউবদ ?

ইবেমচা মঙুংদা লৈরমগনি। হো চাউব, নঙ-তাইবুংঙোনা নঙবু কৌবিনে।

(চাউব পপ গ্রপ থোরকই।)

চাউবা করি ওইববনো তাংবুচে ?

তোমচৌ—নঙবু জীপ থোব নীনা কাউবা চেরববাত। জীপ্তু ইবেম্মবু কুল্দগী থরা কৌবিরচে। হুপামচা মণিতারম্থু লপাদকা থেংনববা সাইকলনো কবিনে অদুম পানা পুখিংবাউ। মখোয়গী কলেজদবাদি চৎলুবন্থু। মখোয় চৎবা হাংশিনা মেকা থা লাম্ভুনা তোকনি।

চাউবা নিনি লাইবু তৌ!

তোমচৌ—থরা খুনা চৎ-কা তৌ। মতম অমা চাত্রবাদ ওসি ঐ কলঙ্কুবা কাংবা য়াদ। নপীনচাগা নূপানচাগবু নতৈম' বেম্মগা নখোয় অনাদা শিন্নরম্নবান। ঈবাংসিদা যাওহনবকা য়াদেকো। ঐ চৎলে।

(তোমচো ওয়থংবা নাকন্দা থোকখি। ড্রাইভর মতুং ইন্নখি।)

চাউবা হতৈম'বেমা ঐখোয় তাহবুংঙোনা অমুক শাউগল্লিবসিবু করিগীনো ?

ইবেমচা—অদুবুবনে চাউবা, নঙ তাইবুংঙোহোযসে লৈবাক অসিগী মপুনিনে। লৈবাক অসিগী অফ-ফত্তা মখোয়গী মথুত্তা লৈরবনি। লৈবাকী মপুনি হায়দুনা অমনা অমা হায়,

অমনা অমা হায়। মী খুদিংগী রাদি মাল্লদবা; রায়াম থোয়াম পুবা ওন্নবা কোংনবদ, মথা শারবনি। ডাক্তা ঈংনা পোপাজবা ফংত্রবনি। অচুম্বনিসু থওদে অরানবনিসু থওদে মীশিং অসিনা রাকংপসিনা নওনসু থওলি-উরিবফুনি মী লাকইবা ময়ামদো। অসিমক্তদা থানবিবসু নাত্রিদো। মথোয়না ফায়বা য়াত্রগা অ অচ তৌরে, অদা তৌরে; শেল চায়বু হায়বনে, মশাগী ওইজবা ডাক্লেবু ফায়বনে-- নাকোও রাই চিনবা রা ডাক্তা য়ায়য়োক্লরিবনে। ওসিমকসু মী থরনা ইনশিন্দুনা ছাত্র-ছাত্রী ময়াম ঈবাং তৌনি হায় হায়রিবসিনি। মৈশা ময়াম অসিনা থাওবা ওমত্রফুনা য়ুমদা লৈবা নথোয় ঐথোযনা অদুক শাউজবনি। নাশি-থোংদা ডাইনবনি, রারৌফম থোক্তেদা। নওবু রারৌবরনে?

চাউবা—রারৌবুদি রারৌজদেদা।

ইবেমচা—অদুদি চাউবা, ইবেম্মা লৌবিরুনি হায়বদে। প্রপ প্রপ চৎলো। কৈনা-য়েংনা থোকো। মীকা তল্লফুনা রা থোরুনি।

চাউবা—ফনি ইতৈম'বেম্মা, চৎচরগে।

(কানন ওয়থংবা নাকল্গী চওলকই।)

কানন—ইমা, পাবুংদি?

চাউবা—এঃ ঐথোয় কানন য়ৌরক্লে; ঐ চত্রবসু য়ারেদনা।

ইবেমচা—ইচা বল্লক্লেদনা? হৌজিক্তা নও-খুবাবু থরা ক্লোইবিকচে হায়নরম্লিবনি। চরা বামগে হায়রবসু বাল্লু; চাক য়েংবা লৈবনি।

কানন—চরাকা বাল্লরোই। ঐ লাইরিক থবা লাকপনি।

ইবেমচা—কদায়দা চৎকদৌরিবা ?

কানন—মীটিং চৎকদৌরি। ছাত্র ছাত্রী নয়াম কাপ্তজৈবুংদা মীটিং তৌদৌরি।

ইবেমচা—করিগী মীটিংনে ? চৎখি লাকখিন্‌নু। হোরোল নঙ-পাবুং লাক্লগা চৈজরনি।

কানন—চত্ত লাক্তবকা য়াবগোৎ নাত্তু ইমা। খুরা, সে লাইরিকসি থর' থমজিনবিক। (কানন্ন চাউবদা লাইরিক পী।)

চাউবা—করিনোনে ইবেম্মা, নঙবু চৎলুগদৌবিত্রাও ? হোনেল পাবুংনা চৈরনি। চৎলুন্নুদা

ইবেমচা—চৎলুম্ন কায়ববাদি হেক তোকউ। লম কেনগন্নু; নঙ-তামো লাক্লগা' রা থোকচনি।

কানন—তামোদি কেন্নু কায়রোক, মানা মকোকনে। মথোর' কলেজনা কৌনকঙবনি।

ইবেমচা—(ভক্সা) কন্নি হায়ব' ? নঙ-তামোনা মকোক ?

কানন—উম, মান ছাত্র-ছাত্রী পুন্নমক্তী লেঙ্গানি।

ইবেমচা—অওইববনে নূপীমচা ?

কানন—ঐনবু ইমাদা ফাগী তৌখিগত্রাও ?

ইবেমচা—(মথবাক য়েঙ্গুনা) ইমায়পেম্মা ইমায়পেম্মা। মপাগী মচা ওইরবা ? ঐনদি লাইরিক য়ায়া হৈরগা ইঞ্জিনিয়ারবা ডাক্তরবা অমা ওইহল্লৌংঙি। অঙ্গুগা মানা মপাবুংগুম লেত্তা শারবা।

চাউবা—নূপীমচা কানন, চাকশঙদা চঙঙ্গুনা চরা য়াম্লোকক্টরো। ইমা-ইপা হায়রবসিদি মীৎনা উবা লাইনি। মখোয়না হায়বা

ইনগদবনি। চৎলু-লাকউবনুকো। হোবেন গুক° থ্র°
তৌনরবস্থ ফত্তে।

কানন করিনোনে খুদানা হায়রিবত্নবো? ইমান্নবা মযাম্না
তৌরিবরু যাওদনা য়ানবাগু?

চাউবা—অদুদা ইবেম্মা, নখোয় ছাত্র ছাত্রীশিংসিনা তৌবসিনত্তবু
পাবুংখোংগী মাংয়োক্তদা থুইনা তৌই।

কানন—ছা° ছাত্রী এখোযন তৌনিবসিদি এখোযগী লৈবাকী
রাজনীতিগী ইচেল অসিদা অনৌবা য়া ন অন পুান্নবা
হোৎনবিগনে।

ইবেমচা—অদু থুহজনবু নহে নশিং শান্নব ছাত্র ছাত্রী নাশায়না
রাজনীতি যাৎবা পৌনদোং [illegible] চা বদা [illegible] ,
[illegible] নচা [illegible] জদেকে।

কানন চায়র হংদনগী [illegible] তেনে [illegible] [illegible] ছ ছাত্রী
এখোয অসে কযে [illegible] এখোংগী [illegible] অসিগী যুংগী
গুহগদৌরিবনি। অদুনা নতম চারিদে এখোযগী শূম
চাৎবা কান্নগী [illegible] অনে শি দাকহৌত্তনা অহোংবা
অমা পুররুবা হোৎনহৌদনা য়াদবনি।

চাউবা- হোংনবুদি চুম্মিনে। য়েক্স° মথেল থেল চাবগুম্বনি।
অহানবনি হাযদুনা ভা থেংবা ভাক্সা অসুন চারবদি
হাংরক্কে। ইবোম্বনা লাকচবা মতম থোকই। অতবু
ইবেম্মা কানন নখোয অংাদি রা নাং যাওকনু। রাজ-
নীতি হায়বসে য়াম্না শাথাখ্রবা ভাৎনি, কৈ তোংবগা
চপ মান্নবনিনহে।

কানন—হুম, হৌজিক মরৈ য়েৎনবা মতম নত্তে খুবা। কোম্না য়েৎনসি। থেঙখ্রগনি, চৎলগে। (চৎকে তৌই।)

ইবেমচা –(খোন খবা কল্লপ) চৎখিন্নু হায়রবদিনে—। লম হেনবা হাযবসিবু অক্ষবা থবক্লাও? ঐসে নঙবু পোকপা নমানে; হায়বা-লাকপা খরদি মইল্লু কৈদৌবগে?

(কানন চৎকে তৌরম্বদগী লেপই। মণিহার ওয়থংবা নাকন্দগী চঙলকই।)

মণিহার—কানন, করিগীনো নঙনা সিদা লৈথোক্লিবদি? নমাম্নবা ময়াম্না তৌরিবসি য়াওদ্রিবা করিগীনো? ইকাইখ্রাও মীগী মমাঙদা। চৎলু, য়াওরুচো। ঐ নঙবু থিরক্লিবনি।

ইবেমচা করিনো নখোয়না হায়নবিবাদা? ঐনা মাবু চৎ-হন্দ্রিবনি। নঙস্সু চৎখিবা য়ারোই।

মণিহার—করিনো ঐখোয় ইমানা হায়বিসিবো? ছাত্র-ছাত্রী ময়াম চপ মান্নবা হৌহ্নবা তৌবা থবক্তা ইচিন ইপবানা লৈথোক্লবদি মীনা করি হায়নখিনি।

ইবেমচা—মীনা হায়নবা-হাযনদবা ঐনা য়াওবা য়াদে হায়রিবসিনি। নখোযনা তৌরিবস্লবু অক্ষবা থবক্লাও? নপাবুংখোয়গী মায়য়োক্তা ঙাক্তা—।

চাউবা—হোযনে ইবুংঙো মণিহার, নখোয় ছাত্র-ছাত্রীশিংসিনা তৌবসিদবু সরকারগী মায়য়োক্তা ঙাক্তা হেক তৌইদো। ফরবস্সু ফত্রবস্সু হৌজিক্কী সরকার অসিদা পাবুংস্সু মচীন চৎপা মন্ত্রী অমা মওইরি। মীনা তৌজরবস্সু নখোয় নচিন নপরাদি য়াওরুস্সু, ক্ষত্তে।

মণিহার---য়াওদবা য়াদবনি খুর'। পাবু'না মন্ত্রী ওই হায়রুনা। ইচিল-ইপল্লানা লৈবাক্কী অলিগুম্বা থংক্তগী লৈখোক্লুনা। লৈরবদি ইমান্নবশিংগী মমাঙদা য়াম্না ইকাইলৌংঙাইনি।

ইবেমচা—মচিন-মপল্লানা মীটিং অদু য়াওরুরগা নপাবুংগী ইজ্জৎ মাঙগদৌরিবনি। নখোয়না য়াওদবগী নমান্নবশিংগী মমাঙদা ইকাইবগা য়াওকরগা নপাবুংনা মমান্নবা মন্ত্রী মযাম, লৈবাক মীমাঙদা ইকাই ফিল্লক খুম্বগা কনানা হেন্না লুবগে?

মণিহার—পাবুংনা ইকাই ফিল্লক খুম্বদি পাবুং মশানা খুমকঞ্জবনি। মদুবু ইচিল-ইপল্লাদা তাইনফম থোকপ্রা?

ইবেমচা—করি হায়বা মুপামচা?

মণিহার—নচানা হায়রিবসে অচুম্বনি ইমা। মশাগী মরান্না পাবুংনা ইকাইবা নংগদৌরিবনি।

ইবেমচা—মণিহার, নঙমক্তসু নপাবুংবু হন্দুনা ঙাঙলবা?

কানন—ইমা, তামোনা হায়রিবসে পাবুংবু হন্দুনা ঙাঙবগী রাকগ নত্তে।

ইবেমচা—(শাউরম্না) নচীন থীমু। মপাবুংনা নখোয়বু পোকপনি। নপাবুংগী ইজ্জৎসু থরা ময়েংচু।

মণিহার—অদুবু কমদৌনি হায়বগে ইমা? পাবুংখোয়দি মশাগীদা ময়েংই। লৈবাক অসিগী কাচিন-কোয়ন্না খুদিংনা লৈরিবা লৈত-লাইর অমদি অল্লা-অনা কয়া অসিগী মরম্মদদি করিসু থল্লবিদে। চুম্না বা ঙাঙবদমক হৈ। চীন্দদি অমুক্তোইবা দেশকী অদু তৌগদবনি, অদা তৌগদবনি; লৌমীগী অদু, লাইরবগী অদু; প্রজা মীয়াম্না মতেং পীমু। অদুগা

তৌথোরকপনা থুৎ। তৌগদবা থবক্তি তৌরুদুনা খুৎ কায়াগুদা লোনশিন্নগা চৌকি কোন্দুনজা লৈবা মন্ত্রীনি। মন্ত্রী ফমসিবু পাবুংথোয়না পিবা-ফমদোনা খল্লিয়ে।

চাউবা—মণিহার, নঙনা ঙাঙলিবদো কৈরোল লৈকায় তারগা ফজবা নত্তে। নঙনা মদু হায়দোক্লগা পাবুংগী মিংচত্তমক পীবনি। অদুগনে, ঙসিদি নচিন-নপরা মীটিং অদু য়াওকরম্ল।

কানন—মুংঙাইরেঙ্গা থুরা, তামোদি তোরেঙ্গ ময়াম মমাঙদা য়া ঙাঙদোরিবো।

চাউবা—অদুবু নিনে ঐনা ফত্তে হায়রিবসে। নচিন-নপরামক্লা পাবুংগী ফত্তবা তন্দুনা ঙাঙবা হায়বদো ফজবরো ?

মণিহার—ঐথোয় পাবুংথোয়সে লৈবাক্লা য়াদবা মন্ত্রীনি। ইকাইবা খঙদবগী চৌকি কোন্দুনা লৈবনি। চোপনীংগ্রবদি ফজনা ফম থাদোকপনা ফরবনি।

ইবেমচা—কয়াদনোনেসে, মপাবুংবু মানা কয়া থীনা হায়রিবনো ?

চাউবা—অদুবু মুপামচা, নঙনা য়া-য়া মীয়োন্দা ঙাঙথোক্লগা ফজফম করিস্ত লৈত্তে। হোরেঙ্গ পাবুং কল্লক্লগা কাতু-কারন তৌবগে থব থাদোক্লসি হায়ংরপা লোইয়ে।

মণিহার—ফাগ্রবা পারাবু কদায়দগী কাউ হায়বা য়াগদগে। ময়াং লোনশিংগা পাবুংগা মরী লোইনা লৈনবনি।

ইবেমচা—তুমিন লৈয়ুনে নুপামচা। নঙ অমিনা মী শিবা য়াবা য়া ঙাক্লা ঙাঙলদুনা। নপাবুংনা তৌবা থবক্তা অঙাং নঙনা য়েৎপা হৌনদে। কনাগীদমক্লো নপাবুংনা তৌরিবসিবু ? নচিন-নপরাগীদমক নত্রাও ?

মণিহার—পাবুংখোয়না ভাল্লিবা পাপকী শেল অসে মচা ঐদি পামজদে। লাইরবশিংগী ঈ চুপ্পগা সুংঙাইনা তুমথুম হনবা ঐদি ঙমজরোই। ইকাইবা থঙদবা, মীচুংশি লৈতবা পাবুং-খোয়গুম্বা থরম্বি মসিদা য়াম্না কৈনরম্বা য়াই।

কানন—ঐদি ঐখোয় পাবুংগী মচানিবু হায়জনীংঙ্গেবনি। হন্বী চৎপদা পাথং মচাশিংনা মন্ত্রী শেঙ্গাবগী মচা চৎলে কায়দুনা লঙনবদা ইকাইবনা শিগদোরে। খোঙ অসে থাংদুনা চৎপা ঙমজবনি।

ইবেমচা—নচিন-নপন্না চঙদুনা নপাবুংবু অদুক থীনা হায়বা ঝৌনজাও?

মণিহার—পাবুংখোয়মদি অফবা থবক্তি তৌরক্তে। মশাগী ওইজবা ঙাক্কা ভানবগী অহুত্তা লৈত-লাইব প্রজা কয়াগী কদায়দা করি য়াংলি, করম তৌরগা ফংদগে হায়না অরা-অনা থিদনা হোৎনরবদি লৈবাক অসিগী অফবা ওইরোইজাও? মদুম তৌরবদা পাবুংখোয়বু থাগৎলোইদবা কনানো? অদুবু পাবুংখোয়মদি-লৈবাক প্রজানা পাম্লিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদনি তৌরিবা। পাযক্কে ফম থাদোক্লো হায়না মায়কৈ মরিদগী লাউরকবা কাঙবদা ভাশিন্নদনা লৈথোকপা ঙম্মি। ঐদি মন্ত্রীনি, হংয়নীংবা মথৈ হায়জৌ হায়বগী মতাঙম নাচুংদনা লৈথোকই। মচা ওইবা ইচিন-ইপন্বাদি মন্ত্রী শেঙ্গাবগী মচানি হায়না মীনা ঙাওনবদা মপান থোকপা ঙমদ্রে। মীয়ামগী নোরুফম ওইবনা ইমায় অসে পুন্থনা কদেজ কাবা ইকাইরে। মসি পুন্থসে ঐখোয় পাবুংনা থরদং থম্বিরবদি ফংদবনি।

কানন—অওইবনি, মচা ওইবা ঐখোয়গী মায় অসে থঙকম লৈত্রবনি।

ইবেমচা—অদুবু মন্ত্রীসিঙ্গ নপাবুং মতোমতরাও? নপাবুংনা কম খাদোক্লগা হেক্তা লৈবাক অসি করগত্রাও?

মণিহার—কবা কত্তবগী রানা অমনি। মী অতৈংসু বদনাম চায় হায়দুনা ঐখোয় পাবুংসু বদনাম হেক্তা চাগত্রাও? কজনা লেম্না ঐ অসে প্রজানা য়াত্রে হায়না কম কোক খাদোক্লবদি কয়েং তুংদা পাবুংগী মিংচত্তুম লৈবৌগনি। অদুদি নত্রবনিনা মচা ঐখোয় কাওবা মীনা বদনাম তৌরে।

(কার থৌজিল্লকপগী মখোন তায়। তোমচৌ চঙলকই।)

তোমচৌ—ইচাবু কনানা বদনাম তৌবিবনো? ইপা লৈরিনা। মন্ত্রী ঐগী ইচাবু উশিৎ-থওইদবদি য়ারোই। কনা-কনানো হায়যুনে, পুলিস থাদুনা কাহল্লুরগা জেলগী হন্নাইথোংবা পীজগে

ইবেমচা—ও-ইবুংঙো, মী অতৈ লায়রি; নচা অনীসিদুম হায়া হন্নাইথোংবদু খন্না পীজবিরু।

তোমচৌ—কৈদৌনরবগে মখোয়বো? (কানন্দা) ইবেম্মা, নমাগা করি তৌনরবগে?

ইবেমচা—ঐগবুদি করিসু তৌনজদে। মায়-পাবুংগী মায়য়োক্তা নচা অনীনা আন্দোলন হৌরিয়ে।

তোমচৌ—করিগী আন্দোলমোনে?

ইবেমচা—করিগী ওইনি, মপাগী মচা ওক্লি। অনীমক লৈবাকী নেতা ওইরে।

চাউবা—কদায়দগীনোদা তাইবুংঙো। ইতৈম'বেম্মনা কাগ্গী তৌবনিদা।

ইবেমচা—কাগী নত্তে; নচা অনীনা ছাত্র-ছাত্রী ময়ামগী লুচিংবা লুচিংবী ওইরিয়ে। মমা ঐনা হায়বা য়াকা লৌকিপোৎ নত্তে।

তোমচৌ—(ওক্লগা) ঐগী ইচা অনীখো? চুম্ব্া নমানা হায়রিবসে সুপামচা?

মণিহার—অচুবনি পাবুং।

তোমচৌ—করি? নখোয়' নচিন-নপরানা ছাত্র-ছাত্রী ময়ামগী ঈয়াং অসিদা মকোক চিংলিবা? নপা ঐনা মন্ত্রী ওইনা-ওইনা?

মণিহার—পাবুং, ইচিন-ইপরাবু লাম্না লৌবিগনু। ফিভম্না য়ায়জবদগী তঙাই ফদবা হায়বতু ওইদুনা ইচিন-ইপরাসু হৌজিক্কী সরকার অসিগী মায়যোক্তা চোংথোকচরবনি।

তোমচৌ—অহুবু হৌজিক্কী সরকার অসিদা ঐনা মন্ত্রী ওইরিনে।

মণিহার—পাবুংগী কোক ঈংননবা য়ারবদি মন্ত্রী ফম অসিদগী।

তোমচৌ—মন্ত্রী ওইবা তোকউ অসিরা?

কানন—যাম্নি পাবুং, লৈবাকী মীরা-মৈশা লাংদনা তুমিন্না পোত্থাবিরে। অহলসু ওইরক্লে। লাই নীংদুনা লৈবনা ফরগনিয়ে।

তোমচৌ—করি! ফম থাদোকপা? করিগীদমক ঐনা মন্ত্রী ওইবা তোকদোরিবা? মখৌ লৈজবা খরনা কোয়লাউ লাউরগা ঐনা ফম হেক্তা থাদোকত্রাও? হন্দক অসিদা নাতৈ খরা চাহৌদবরগী গুপ্নগী কেবিনেট মিনিষ্টরদা ওইদুনা লৈরবনি। হন্দকী অসিদা শেল খরা য়াম্না তানশিনহৌরগা মথংগীদদি চিফ মিনিষ্টর ট্রাই তৌগদৌরিবা ঐবু মন্ত্রী ওইবা

তোক্লো হেক্তাহায়রিবা করিগীনো? থবক শূনীংদবা থরনা প্রজা অপণ্ডবা থরা থোমজিন্নগা পণ্ডলাউ লাউবসে থোওইনা তাক্লগ্নু।

মণিহার— অচুম্বা খোল্লাউনিনা তাদনা লৈখা ওয়াক্লবনি পাবুং। অচুম্বগী মায়য়োক্তা অরানবনা কদৌঙৈদম্নু কুইনা লেপ্পা ওয়োক

কানন—অচুম্বনি পাবুং, তামোনা হায়রিব্বা য়াকম অসিদা থব্বা মুম্মা খন্থবিরবদি সুংঙাইজগনি।

তোমচৌ— খন্থবা-খন্থদবগী য়া করিম্ত লৈতে। মখোয়না তৌরিবা পুম্নমক অদো অপণ্ডবা প্রজাগী মমীন্তা উৎ চাইবনি। মতুদা নহৈ-নশিং তমদুনা লৌশিংগী মঙাল ফংলবা ছাত্র-ছাত্রী নখোয়না করিগী য়াওক্লরিবনো?

মণিহার—প্রজাদা উৎ চাইবিবদি পাবুংখোয়নি। পাবুংখোয়গী সরকার অসিনা মশা মশাগী ওহজবা তানমন্নবদগী লৈখাক্কী ফিভম অসি ওইরিবনি। পোইন্নদবু কৌ শণ্ডবায়দা লুপা কুণ্ড্রা য়োরে। ইপা ইপু হাক্তক্তগী চাবা হৈনরক্লবা মীতৈ জাতিনা ওসি তল চাদুনা থরায় ফিংনবা হোৎনরে। অতুগা মীতৈ ঐখোযগী মরেক মহাউ থাংবা খজিক্তং চাবদা মচি ওইখ্রবা চেঙ মথৈন। মপান্দা থাদোক্লুনা ময়াং মহা-জনশিংগী মবুক কংথোক্লবগী মরম ওইহল্লি। অসি পুম্নসি কনাননো? পাবুংখোয়না নত্তবাও?

ইবেমচা—নূপামচা, নঙগী য়াঙাঙ অদু হেনমল্লে। নঙনা কদায় কদায়দগী ময়াম অমা হোৎখত্তুনা ঙাঙলিবদু করিগীনো?

তোমচৌ—মণিহার, ওস্তোক্রা পণ্ডিতকো নওসে। বিঃ এঃ তম্নবা নওনা অদুক পণ্ডালবা করিগীনো? ওইজবা থম্ন। তান্দ্রবদি ঐখোয়দি করি চাহুনা চিংগনি? ঙসি ওইরিবা ঐখোয় ইমুংগী ষ্টেওর অসি হায়না ওইরমগ্রাও? লৌ পরী কুনমঙা লৈশিল্লিবা, টাটাগী গাড়ী মঙা চেল্লিবা মন্ত্রী ওইদৈদগী নক্রাও? ঐনা তৌরিব। পুম্নসে নচিন নপরাগীদমক্লিনে। হয়েং ঐনা শিঞ্জবদা নচিন নপরাদি নখুত্তা হায়দুনা চাহৌগদবনি।

চাউবা—পাবুংনা হাযরিবসি অচুম্বা ঙাক্লি মণিহার। অরানবা পাম্বৈবু ওইরবসু অচুম্ব। পাম্বৈবু ওইরবসু পাবুংনা তানশিন্দুনা থম্লিবা পুক্কৈ অসে নচিন'নপরাগীনিনে।

মণিহার—য়াকম অদু য়াম্না নোক্লীংবা রানি। ঈশ্বরনা মীওইবা ঐখোয়বু শেম্বিবদা খোঙ খুৎ, মীৎ-নাকোঙ পানবিরক্লিবসে শু-নোমদুনা ইচৌঙাক তাঞ্জনবনি। ঐ ইপাঙ্গলনা হিংজবা ঙমগনি। কানমম্ন অদু মঙায়; মাস্ন মীনি। ইচিন-ইপরাগী ফুংগী য়রমদা করিসু রাবিনীংঙাই মরম লৈতে। অদুগী শক্তকপুদি পাবুংনা সেবা তৌগে নীংবিরগনা লৈবাক প্রজানা য়ানবা চৎপিয়ু। তৌজিক্তি লৈবাক্না য়াম্রে; ফম থাদোক-পিরো। হয়েং য়ারবা মঙমদা অমুক ওইবিয়ু। অফবগী মযেক মাঙবা হৌনদে।

ইবেমচা—য়েংঙ্গনসে, চাউর-শাংলবা হায়বসিদি মপাবুংদা পাউতাক পীবা কয়াদা হৈরবনো?

তোমচৌ—(শাউরগা) মণিহার, নঙ অঙাংনি। রাজনীতিদা অঙাং নঙগী নখিন করিসু লৈতে। , ওপোজিসন পার্টিনা লৈবাক

অসি পায়রগা ঐখোয়না ঙাক্লিবা অসিগুম্বা মুংঙাইগনব্রাও ?
মখোয়স্তু অত্ত মঙায় ? মখোয়না ,হক পায়বদা মশাগী
ওইজবা কেক্তা তানখিম। মসি মীওইবগী হৌনশানি।

মণিহার—হৌনশা ওইববস্তু পাবুংথোয়না তৌরিবসিদি থরা
হাকমল্লে।

তোমচৌ—নথৌ লৈতে। করিগীনো নঙনা অগ্রৎ-অপা অস্তুক
শারিবসিবে। ? ঐনা ফিরান মচাকা"থেগুনা কাব তোংলগা
কোযচৎ চৎপসিদা কল্লক্লনা পচঙাঙ ঙাঙবশিং অত্থগী মরা
নপনা পৌরিবা করিগীনো ? ঐ মস্ত্রীনি তৌনীংবা থবক
থুদিংমক ঐগী ইনীং।

কানন -পাবুং, ঙামোনা কায়নিবসে অচুম্বা ঙাঙনে।

তোমচৌ ইপাই লাংলেন, নঙস্তু য়াওশিল্লক্লিব্রা ? খঙেনে নখোয়
নচিন নপরানা খঙলিবসে।

চাউবা নূপীমচা কানন, তুমিন লৈয়ু। (মণিহাবদা) অচুম্বা
ইবুংঙো মণিহার, নঙস্তু পাবুংগা চৌন্দা পাউদানবা হৌনদে।
পাবংগী মায় চোপকদবা থবক্তা নচিন-নপরানা চঙশিনবা
হৌনদে। নখোযবু জ্ঞান থরা তাউনে।

মণিহার—খুবা, ঐঙোন্দা করিমতা হায়বিরকম্রু। মচা অমা ওইনা
হায়জবদা য়াবিত্রবনিনা ঙসিদগী হৌনা ঐদি পাবুংগী মায়-
যোক্তা লেপ্পবনি। লৈবাক পূম্বনা হৌগদৌরিবা আন্দোলন
অসিদা ঐ য়াওরগনি।

ইবেমচা—(হুংশা থীনা) করিনোনে হুপামচা, নঙবু চাননা
ঙাওরব্রাও ?

কানন— ঐমু তাযোগী তুং ইনগনি।

তোম্বচৌ—উম, নখোয়গী নচিন-নপয়া মঙায়রে থোনা কন্নিবা। তৌ, নখোয়না তৌনীংবা। নখোয়বু ঐনা চাউনখা যোকপদি অসিগীদমক্তনি। ঐসু ঐগী ফিরেপ হোংগদবা লৈতে। কনানো ঐবু মন্ত্রী কমদগী চিংথরগদবা?

মণিহার—পাবুং, শাউবিবগী মতুঙা নচানা হায়জবসিদা অমুক্তা মুম্বা থম্বিবু। পাবুংনা ওইবিরিবা মন্ত্রীদো শাগেগী পিবা কম্মক্তি নত্তে। তুপগী চহী মঙাদগীনে।

তোম্বচৌ—নওনা অমুক হায়রবসু থঙডি। চহী মঙা অসিগীদমক ঐনা তোট লেপ্পদা শেল কয়াম তিংখিবা, মীতোন্দা কয়া হায়জখিবা। মতু পূম্বা তেল্লবা মতম অসিগী মতুংদা হঞ্জিন্নবা হোৎনদবা য়াদবনি খঙলব্রা?

মণিহার—পাবুংগী রাখল অদুনি ঐনা য়াম্না হৈনজগ্রিবা। পাবুংনবু ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা লৈবাক প্রজাগী কান্নবা থবক কজনা তৌরবা কন্নিগী মীডোন্দা য়াম্না মোঙনা হায়জরুগদগে? কন্নিগী শেল তিংগদৌরিবনো? চহী মঙাদবু নত্তে; পুমশি চুম্না পাবুংবু প্রজাশিংনা মায়কৈ অসোমগী ওইনা শোয়দনা থনগনি। মন্ত্রী কমস্তু অতু মঙায়। ঈশানবু করবদি রানীংঙাই লৈতে।

তোম্বচৌ—হায় অপঙবা, নঙগী য়া অতুদি ইশি শিনতুম নোঙ্গীংঙি। হৌজিকী মতম অসিদা নঙগী অতুঙবা অচম্বা রাখল অদুবু চয়কম লৈরিব্রাও? মীকোক য়ৈতুনা লুপা লৌখিবা, লৌরবমক্ত দসু ঐতোন্দা থাদদবা কয়া য়াওরিবনি। নখোয়তুবু ঐনা কন্নবা সুংশিনগদৌরিবনো?

কানন—ঐখোয় পাবুংগী রাথল অদুদি পুরুওন ওম্নরে।

চাউবা—ইহে, নুপীমচা, মচিন-মপন্না চগুদুনা পাবুংদা ঙাক্না তকশিল্লে। অদুই শক্লকপুদি চরাংদুম রাম্বোকউরে। হায়রে।

ইবেমচা—খঙদে, ওম্বোকপা ইচা ঙাক্না পোকইদা। ঐগী অনীদং পোকপসিদা অদুক পেল্লবসিনদি মীগী ময়াম পোকপদি করম তৌরিগনা ?

মণিহার—পাবুংগী মীনুংশি লৈত্রব অমদি ঐগী মীগী নাইবা রাথল অদুনা করম্না লৈবাক্কী সেবা তৌবিগদৌরিবনো ? মদুমক্তনি নচানা পাবুংবু মন্ত্রী ফম থাদোকপিরো কায়জরিবা।

তোমচৌ—অদুবু ঙাইখোনে, নঙসু ময়েংঙ ; কৌজিকী ঈরাং মতাসিদা ফম হেক থাদোক্লবা মীনা ঐবু কল্লক পেম্নগদৌবিবনিনে। কাংচেৎ মচুগী ফোরেন কার অসিনু মীনা তোংথ্রগনি। য়েংঙ, হৌজিক্তি কয়াদা মুংঙাইরিবা ? কারগীসু ড্রাইভরগীসু খবচ পুম্বা লৈবাক্কী শেনফমদগী কাইথোক্লিবনি।

ইবেমচা—অওইবনি, অদুক মুংঙাইথ্রবা অসিবু পামদদুনা মীনা লৌরগা করিগী থাবৈ-খরা শারিবনো কুপামচা ? পঙডিদকো নঙসে।

মণিহার—পাবুংসু ইমাসু করিমতা মুংশা থীবিগনু। কার তোংলম্লগা তোংবা কংলোই হায়বগী মিপাইবা ওইরবদি লৌরা টাটা গাড়ীরা করিনো গেক্তা য়োনসি। অদুগা মন্ত্রী ওইরিবৈদা হৌজিক তোংনবিবা অসিদগী হেন্না ফবা ফোরেন কার অমা লৈসি কৈদৌবগে ড্রাইভরগী তঙবকীদমক্তসু মুংশা থীবিসু ; নচা ঐ লৈজরি। ইপুনশি চুম্না পাবুংগী কার ড্রাইভর ওইজগে।

(ডাক্লাসিদা ড্রাইভর চঙলকই।)

ড্রাইভর—তাইবুংঙো, ঐনা হায়জবা রাকমদুবু ?

চাউবা — কনায়দগী ব্লানোনে লাকভোবা ? তুমিন লৈখোদা।
হিয়াঙ তাররিবিগা থীৎ তুম্বাগী শেন খৌবকপিন্নদনা।

তোমচৌ - থপামচা মণিহার, নগুস্তান শাউ। না মায়া ঙাঙনাফুসি।
থপীমচা কানন, নঙস্থু নমায থনস্থ।

মণিহার - পাবুংনা লাইবিবা পূপা নচা অনীনা য়াঙগে। পাবুংস্থু
নচানা লায়জবা থাবিড়না কম থদোকপিনবা তৌবিয়ু।

তোমচৌ—মণিহার, নঙ মতোহনবা ? লাই লাক্কুনা চাযররবস্থু
কমদি থাদোক্লোইনে শঙলবা ?

মণিহার - অদু ওইববদি কৌজিকমক পাবুংগী মাযোক্তা ষ্ট্রাইক
তৌগনি। ইনকলাব—

কানন - জিন্দাবাদ।

মণিহার — ইখোধ পাবুং কম

কানন থাদোকউ।

মণিহার — ইনকলাব—

কানন জিন্দাবাদ।

(চাউবস্থ জিন্দাবাদ হায়না খুমা যাওই।)

তোমচৌ — শাউনা চাউবা, নঙস্থ যাওবা ?

চাউবা—ইবে, তাইবুংগোব—

ইবেমচা— মায-পাবুংনা অতন হায়বদু থোক্কই। লাউবিবস্থু, যুম
কাযদনবা অঙাংশিংগী দাবীসি পীথোকখ্রসিদনা ?

তোমচৌ — করি ? মমা নঙস্থ য়াওনা ? ঐ মখোয়গী দাবী পীবা
শুরুতম ওয়োই। তরাই-তরাই ওইবা মন্ত্রী ওইরবোই
থল্লিখে। ইচা-মীচাকা যেংলোই। পুলিস কৌরুরগা যৃধহনগা
লোইরে।

(তোমচৌ শাউনা চংখি। মণিহারনা মাঙ থারগা কানন্না
তুং থংহনা লাউ-লাউহনা ইমখি। চাউবা অমস্থং ড্রাইভরস্থ খুমা
য়াওহনা ইমখি। ইবেমচা তঙক-তঙক য়েংহনা লৈহৌই।)

[তপ্পা তপ্পা ফিজঙ হাইজিল্লকই।]

হাপ্তা

বাঙ্গলা

ইম্ফাল
ফেব্রুয়ারীগী অরোইবা চয়োল
১৯৬৭

মীশক–মীওই :—

১। যাত্রাসিং : ইমুংগী অহল।

২। চাউবী : যাত্রাসিংগী নুপী।

৩। ইবোয়াইমা : যাত্রাসিংগী মচানুপা।

৪। ললিতা : ইবোয়াইমগী নুপী।

৫। সনাতোম্বী : ইবোয়াইমগী মচানুপী।

য়াল্লাসিংগী য়ুম

(তক্ক-তনানবা য়াইমরপ ওইবা ইমুংনি। ফমেনদা চুমথাক ফক অমা থাই। নাকথদা টেবল অমগা চৌকি অমগা থাই। ললিতা নাকথগী উখোঙদা ঙাবগা দারীদা মখোঙ য়াম্ব্রতুনা ফম্মি। মহাক ফম্না ফম্না ৱোঙ্কা লোল্লি।)

ললিতা—সনাতোম্বী।

সনাতোম্বী—(ইমুংদগী) করিনো ইনম্মা ?

ললিতা—ঙবু ইমুংদা কৈদৌরিবগে ?

সনাতোম্বী—(ইমুংদগী) লাইরিক পারিয়ে।

ললিতা—করি লাইরিকপু পারিবা ? থবায় য়াওরেদা ইচন্দি।

সনাতোম্বী—(ইমুংদগী) তূ, মাগীদি হৌরক্লদৌনি।

ললিতা—নশক-নশাম্ব উদনা করিনো নঙনা ইমুংদা ঙাঙলিবদুবু ? মপান্দা থোরকউনে।

সনাতোম্বী—(লাইরিক অমা পায়দুনা থোরক্লগা) লাইরিক অমা ঙহাক্কুং পাবসে পঙকৌদা মকৌবা; করি তৌসি হায়রিবনো ?

ললিতা—করি লাইরিক্লো নঙনা অদুক থবায় য়াওনা পাব্রিবদুবু ? থবায় য়াওমল্লি, স্কুলগী লাইরিকপু ওইরম্লোই।

সনাতোম্বী—স্কুলগীবু কৈদৌনা পাজরুগদগে; অদুক ইণ্টরেষ্ট লৈতবদুবু।

ললিতা—চুম্মি, মতম্নি। হৌজিক স্কুলগী লাইরিক পাবদা ইণ্টরেষ্ট লৈবা মতম নত্তে। অমত্তুদনি ইণ্টরেষ্ট লৈগদবা। ঐখোয়স্তু লৈশারিঙৈদা মতুঙথদুদা পাত্তুনা লেপ্পকপনি।

সনাতোম্বী—ইনম্মনা পান্নকইখ্রু কন্নম-কন্নম্বনো ? মুংঙাই-মুংঙাইবা খন্না ঐঙোন্দস্তু তাকপিন্নুদনা।

ললিতা—করি ঙানোনে সনাতোম্বী, নঙ-তামোনা ইন্নকপা মুংশি চিঠিন্নু নঙোন্দা তাকপা য়াই হায়বন্নাও ?

সনাতোম্বী—হায়মা, অদু ওইরে। ঐনা পাবদি চিঠিস্তু নঙনা।

ললিতা—চিঠি নত্রবদি করিনিনা ? ঐবু খঙদবোই নীংব্রাও ? ইবেম্মা, ঐস্তু লৈশারক্লিবনে।

সনাতোম্বী—ইনম্মনা খল্লিবদুগ। য়াম্মা লাপ্নখ্রে। চিঠি পীবিনবকা অমত্তা লৈজত্রিরে।

ললিতা—ইমায়পেম্মা, ইচনগী থম্মোয়সিদি চম্লেদকো। ননম্মা ঐঙোন্দবু লোম্পা হৌনব্রাও ? নঙগী নতেং পাংবিগদবা ঐনিনে অডাওবী।

সনাতোম্বী—অদো, ঐগীদি লৈজত্রিরে।

ললিতা—লৈরোই-লৈরোই। হৈবোং অমুনবা মমুংদা তুমীং চঙদে হায়ববু থাজবা য়াখিত্রা ?

সনাতোম্বী—থওইবনে ইনম্মা, অয়ুক-মুমিদাং লৈমিন্নম্নিবী ঐবু থাজল্লিবা করিগীনো ?

ললিতা—থাজৈ-থাজৈ, নহান স্কুল কুল্লকপর্দা মমাঙগী চুথেক কাওবা লাকমিন্নবতুদি কৈথেলদা থোকপা প্রাস্তিক্রা শাবা ওইন্নমানে।

সনাতোম্বী—মানা হেক ওম্নবা পঙহারদা হায়জিনগদবনি। করি তৌদি হায়রিবনো কৌন্নিববু ?

ললিতা—য়া অমম্নি হায়বিগে—সিনেমা-ড্রামা য়েংগন্দবা, হরাও-কুমহৈ পামদবা খুন্নুং ওইবা নুপাদকাম্নি লৈরুমুকো।

সনাতোম্বী—কৈদৌই ইমম্মা ?

ললিতা—হায়মা, নঙগীসি অা-লন্নায় লৌথ্রাওদা নয়ুম শানগে কায়রিব্রাও ? অদু ওইরবা অমা ঐখোয়দি তোয়না লাকপগী রা লেক্তে।

সনাতোম্বী চুম্না হংবনিদা।

ললিতা—ঐ লোইনা খঙঙ্ডিবনিকো। কবি লমদমীনোনে নহানগী "পল্লাড়বু" ইন্দ্ধালগী মাদি নঙমাম্নেদা।

সনাতোম্বী—ঐখোয় ইনম্মাসিমা করি-করিনো পঙহায়দা হায়-জিন্দুনা ঐবু অঙাওবা শেম্মেকো।

ললিতা—ইচম্নি হাযবগী মতম চানা হাযবিহৌবনি ; অপাম্বুদি তৌজোদ'। অদু ঙসি নঙ কমদৌপে হায়ব' ?

সনাতোম্বী—করিবু ?

ললিতা—করিনো ইবেম্মা ? রাখল মুংঙাইমন্দুনা কাউরবরো ? ঙসিসে নোংমাইজিংনে।

সনাতোম্বী—তোয়নবে, সিনেমা প্রোগ্রাম লৈকো। নোঙেল অসে মুংঙাইমন্দুনা সিনেমা য়েংবা মুমীৎনি হায়বা কাউ-থোক্লুরেদনা।

ললিতা—কাউনি, কাউফম থোকই। নোঙেলনা নত্তে ; ইচনগী চৎপী মতাংননি।

সনাতোম্বী—(শাউশিনদুনা) তৌরদৌনি ঐখোয় ইনম্মগী, লোইবা থব্বা হেক নাইরোইদবনি।

ললিতা—অচুম্বদা হায়ববু শাউবরো ? হায়জররোই ইবেম্মা, শেম-শাবা লোইথোকউরো।

সনাতোম্বী—তামো য়াওব্রবসু চংক্রাও?

ললিতা—খাল্লাগী প্রোগ্রাম কাম্বা য়াত্রাও? নত্ত-তামো য়াওব্রবসু ঐখোয় অনীদা হেক চৎলগা লোইরে।

সনাতোম্বী—তামো য়াওব্রবদি ঐখোয় মূপী ডাক্তা চৎলি হায়রুনা ইমানা চৈরোইব্রাও?

ললিতা—করিগী চৈরুগবনো, ইত্তং তম্বনা যেংলিবনু মূপী ওইরবসু ঐখোয়স্থ মীনি। করানা করি তৌবগবনো? হৌজিক্তি মূপা-মূপী য়াইট চপ্ য়ায়রবসিদবু। চৎলো; থেঙখিনি, লোইশিল্লুরো।

সনাতোম্বী—ইনম্মদি?

ললিতা—ঐবুদি কৈনো, ঙলাক্তনিদা। ঐদি মৌনিনে, নঙদি লৈশাবীনি। থরা ফজনা কে-ও। নঙনা ফজনা কেনা চৎলগা ময়ল লৈবা মশক ফজবা পাথং থোইদা থুগদৌরিবনি। ইবেম্মা, হৌজিক অসিদি তাঙ্গা নাম্বোকহনখিবা য়াবা নত্তে।

সনাতোম্বী—অচুগী ওইরবদি পামজদে, জাৎ-জাৎ ডাক্তা হায়-জিন্নকদৌনি।

ললিতা—সিবু পঙহায় হায়জিনবা য়ারাও? অচুম্বনিনে অপঙবী, তাথা হায়বসিদি নাম্বোকহনখিবা য়াবা নত্তেনে। ময়ল লৈবা মশক ফজবা থলহোরগা লৈমিয়বা হুংঙাইগদৌরিবনি। হৌজিক অসিদি থায়নগী থম্বা-থোইবীগী য়াম্বী অমু চৎন-ব্রবনি। মবুক ফনা ফত্তনসু লাইয়-চুমৎলবা থম্বা কৈদৌ-লরুক লোংথারগুবা ময়ল লৈবনা কাম্ববনি। মসিমদি মূমা থরহো নখোঙ থাংত্রিঙৈদা।

সনাতোম্বী—(নোকক্নেং তৌরজুনা) খঙজরে, লাকও লোইশিল্লুরসি।

ললিতা—নঙদা লোইশিল্লু।

(সনাতোম্বী ইমুংদা চঙখি। ললিতা মোন্দা হুংঙাইনা ঈশৈ শংলগা মোজা লোমুনা লৈহৌই। চাউবী মপাম্লোমদগী চঙলকই।)

চাউবী—ললিতা, ইবোম্বাইমনা চংখিবত্নু কদায়দনো ?

ললিতা—খঙহৌদ্রে ইমা।

চাউবী—ঙসি ছুটি হুমীৎসিদা ঐনা হায়বত্নুদা লোইশিম্নবা তৌ হায়রগা কদায়দা অমুক চংখ্রবা ? হয়েংদি অমুক ওয়রোই-দৌবনি। মহাক্না একাগাড়ীনা চংলবদি ঙহাক্তদসু মৌংগনি।

ললিতা—ইমানা হায়বত্নু চংলম্বসু য়াই।

চাউবী—কদায়দগী চংপনো। চংপা তারবদি ঐঙোন্দগী পোৎ অমা পুখিগদবনি। হোয়নি-মাইনিসু হায়রমদবা, ঐগী ইরম্বাইশু নত্তে। ইমুং অসিগী মতৌ অসে ঐ ওয়্থোক্না তত্রে।

সনাতোম্বী—(ইমুংদগী) হো ইনম্মা ঐদি লোইরে। থ্রপ-থ্রপ লাকও, লোইশিল্লরো। খেঙজখিনি।

চাউবী—করিনো সনাতোম্বীনা হায়রিবসিনা ? নখোয়বু কদায়দা চংকদৌরিবগে ?

ললিতা—সিনেমা য়েংবনি ইমা।

চাউবী—উম, য়েংলেদা নখোয়না য়েংলিবসে।

ললিতা—ইমা, ঙসি নোংমাইজিংনি। সিনেমা য়েংবগী প্রোগ্রাম থোকই।

চাউবী—(শাউরগা) নোংমাইজিং খুদিং, কুমদৈ মুমীৎ খুদিং, সিনেমাদা হায়ছনা লৈবসিবু করিনো ? ইমুং অসে ঈরাংগী কৈথেল কারেকো।

ললিতা—ইমা, চুমা সিনেমা য়েংবদনি।

চাউবী—চহী অমগী মমুংদা নোংমা ফাদোক যেংবা ঐ য়াই। অদুদি নত্তুনা হাপ্তা খুদিংগী য়েংবসে ওাকএয়ে। ললিতা, নঙ য়ুমগী মোনি। নশানা মুমা জ্ঞান তাগদবনি।

ললিতা—ইমা, ঐ য়ুম অসিগী মোনি। অদুবু ঐনা—

চাউবী অদু অদা ঐ খঙদে। কৈরোল-লেকাস মাড়েদা ইমুং অসিগী বননাম লৈহনবা য়াবোক।

(চাউবী শাউনা ইমুংদা চত্তগে ওাই। সনাতোম্বী য়াম্না কেনা মফি-মরোন শেৎলগা থোরকই।)

সনাতোম্বী—কৈদোরবগে ইনম্মা ? থেঙং থিনি।

চাউবী—কদায়দা চৎকদৌরিবনো সনাতোম্বী ?

সনাতোম্বী—সিনেমা যেংলুদোবিনি।

চাউবী—করি তৌবগী সিনেমা য়েংগদোরিবনো ? কাম্রা ঈরাং তৌগনু। চৎপা য়াদে। নফি হোংদোকউ।

সনাতোম্বী—তম্রি, কি হোংঙুববসিদবু।

চাউবী—কায়বা ইন্দবা তৌগন্নু। চৎপা য়াদে কায়রিবসিনি।

সনাতোম্বী—ইনম্মা কমদৌবা ?

ললিতা ঐগীদি হাপ্তাগী প্রোগ্রাম্নি, য়েংদবা য়াদে।

চাউবী—(অশাউবা কাখছনা) ললিতা, নঙ য়ুম অসিগী মোনি। ঐনা নঙগী মনেম্নি। নহা-অহল থায়না চৎনসি।

ললিতা—চুপ্পি ইমানা ভাকশিবা। ঐ য়ুম অসিগী মৌনি।

চাউবী—অদু ওইরবদি ঐনা হায়বা ইনবা তাই। নিঙোন ওইরিঙৈ নপামদা তৌবগুম হৌজিক্কি তৌনীংঙি হায়দুনস্থ পণ্ডতৌ তৌদবা কৈ।

ললিতা—ঐনা ইমুং অসিদা থোইদোকপা ইনীং তৌবা লৈতেনা। তৌজবস্থ ইতিক নত্তে।

চাউবী—অদু ওইরবদি নোংমাইজিং খূদিংগী ঈরাং তৌদুনা সিনেমা য়েংবা চৎলিবসি তোকপা তাই।

ললিতা—মতুদি হায়রিবস্থ ইমা। সিনেমা য়েংবা অসে য়াম্না কায়থ্রবনি। য়াম্না বুদ্ধি-লৌশিং ওই।

সনাতোম্বী—অওইবনি ইমা, কারদনবু য়েংঙি হায়বরা? মতুংদা য়েংত্রবস্থ ঙসিদি য়েংলুরগে।

চাউবা—(শাউনা) তুমিন লৈয়ু। ঐনা য়াদে হায়রিবসিনি। সিনেমা য়েংলগা নবুক থনত্রা? ঐখোয় ইমানা পোকপদগী য়েংলক্তি। অস্থুম মবৈ, করিস্থ তৌদে। সংসারগী চৎনবী, হৌন-লোনচৎ অস্থুম মথওঙি। হৌজিকালগী লাইরিক হৈবী সিনেমা য়েংগনবী নখোয়না হেন্না য়েৎ ওয় থওদে।

ললিতা—ইমা, সিনেমা হায়বসে চাওখৎপগী খূদম্নি। হৌজিকী মতমসিদা সিনেমা-ত্রামা য়েংত্রবা মীচুদি খুমুং তারবনি।

চাউবী—খুমুং অদুনা হেন্না পামজৈ। হৌজিক কালগী ঈথক-ঈরাং অসে য়েংবদা মীৎ নাই।

ললিতা—মতম মতমগী মীওই ওইবননি ইমা। ইমানা খাম্নগী মীনি; খুমুং পামগনি। ঐখোয়না হৌজিকী মীনি; অপ-টু-ডেট ওইবা পাম্মি। হৌজিক অসিদি খুমুংগী রাথলদা

ফুম্বংনদুনা লৈরবদি মীনা য়াম্মা থীনা নোক্লে। অতুগা ফরবম্‌-ফত্রবম্‌ মহাক বিঃ এঃ অমনি। মাগীম্‌ থন্না—।

চাউবী—বিঃ এঃ য়োংদো ? মানা য়াদুনা নখোয়না তৌরিবা ওইরে ? মপানি হায়দুনা লৈরিবা হনুবা অসি-ম্‌ মবুক ওম্মোক্লা ফখ্রে ; মচা-মমৌনা তৌরিবমথৈ হেক য়াই। সত্য, মরক অসিদা ঐমক্তা শিজনীংঙে।

সনাতোম্বী—ইমা, নঙসিমা পঙশাউদা শাউই।

চাউবী—শাউদবদি। সিনেমা য়েংবগা ঈরাং তৌবগদা নঙ অমম্‌ মাঙলগদবনি খঙঙ্।

ললিতা—সনাতোম্বী, নঙ ওসিদি তোক্লো।

চাউবী—মৌম্‌ নিঙোনম্‌ নখোয় অনীমকপুনি ঐনা হায়রিবসি। ঙসিদগী কনা অমত্তা সিনেমা য়েংবা চৎপা য়াদে। হায়বা ইমদদুনা চৎলবদি ইমুং অসে থোক্লবা অমা ; খঙলেদনা।

(চাউবী শাউনা ইমুংদা চঙখি।)

সনাতোম্বী—(মচীন পেথোক্লুনা) ওম্মোক্লা তঞ্জরে ঐখোয় ইমাসে। কি হৌজিকপু শেৎনুরগা অমুক হোংদোকপা।

(ইবোয়াইমা চঙলকই।)

ইবোয়াইমা—কৈদোরে নঙদি লোইশিল্লমত্রবদি ?

ললিতা—(খুমদবা)

ইবোয়াইমা—কৈদোরবগে ? নশা ঙমত্রব্রাও ?

ললিতা—(খুমদবা)

ইবোয়াইমা—হোয়নি মাইনি খুমদংসিবু ননাহু তাত্রাও ? চৎলরোই তোক্লগে হায়রিত্রাও ? (সনাতোম্বীদা) সনাতোম্বী, মনম্মসি কৈদোবে ?

সনাতোম্বী—শঙঙদে, ঐঙোন্দা হংবিরকনু।

(সনাতোম্বী শাউরগ তৌনা ইমুংদা চঙখি।)

ইবোয়াইমা—করিনো নখোয়না তৌরম্লিবসিবু ? অমসু অমসু ইশাউ শাউবগুম। ঐনা নরা থেঙনকপগীরাও ? য়াদবগী তৌবনি। নখোয়সু লম্বীদা লাক্লবা মখাই, অদুম থেংনপোৎনি। লোংশিল্লানে ; টিকেটসা কঞ্জলপোৎনি। থেঙজখিনি।

(চাউবী ইমুংদগী থোবকই।)

চাউবা—নুপামচা।

ইবোয়াইমা—করিনো ইমা ?

চাউবী—ইবুংঙো, নখোয়গী হাপ্তা-বাঙ্গলা চৎপসিবু তোকপা শুকয়া ময়াবরোইত্রা ?

ইবোয়াইমা—করিনো হাপ্তা বাঙ্গলা হায়ববু ?

চাউবী—খঙশিল্লদ্রিত্রা ? নখোয়না নোংমাইজিং খুদিং সিনেমা য়েংবা চৎপা অসে তোকউ হায়বনি

ইবোয়াইমা—(নোক্লদুনা) ও: সিনেমা য়েংবা চৎপবু ওইরে ইমানা হাপ্তা-বাঙ্গলা হায়রিবসে। ওম্থোক্লা ফজবা মিং অমা ইমানা থোনবিরেদা।

চাউবী—নোকশিল্লদুনা কাল্লদে। ঙসিদগীদি সিনেমা য়েংবা চৎপা তোকউ। নত্রবদি ইমুং মহী লাউগনি; লৈকাই কুমহৈ ওইগনি।

ইবোয়াইমা—করি য়ামোনে ইমানা হায়রিবসিবু ? থরায মুংঙাইনবা হকচাং লেকখৎনবা হাপ্না অমগী মনুংদা লোংমা সিনেনা য়েংববু করি তৌই হায়বগে ?

(ললিতা কয়খদগী তুমিন কৌগৎলগা ইমুংদা চঙখি।)

চাউবী—করি ? হকচাং লেকখৎলি হায়বা ? করি তৌদুনা নখোয়গী নশা-নশাদুবু থুইথবনগে ? নমা ঐনা পামদবা থবক্কি তৌদনন্না কৈ।

ইবোয়াইমা—ইমা, নতমগী ঈচেল হায়বসে কনানসু থিংবা ঙম্বা নত্তে। ইমাখোংগী মতমদা সিনেমা-ড্রামা থোরক্তে, অদুনা ইমানা মসিদা থরায় য়াওদে, পামদে। হৌজিক্তি নাকেন্থাংঙু ওইরে। অদুবু নচা-নপো ঐখোয়দি হৌজিক্তা বসন্ত চঙনরি।

চাউবা—(শাউনা) বসন্ত ঋতুনি, আবের খেল শায়গে সিনিনে ? ওস্থোক্লা ইকাইবা শঙথিত্রেদা। নশা-নশানা ঈয়াং তৌরগা মতমগী খোংচত্তা তাইশিল্লবা করিগীনো ? ঐখোযগী ইমুং অসিদা ঈবাং য়াদে। ঙসিদগী মেম সাহেব শাদুনা হাপ্তা বাঙলা চৎপা য়াররোই হায়রিবসিনি।

ইবোয়াইমা—ইমা, নতমগী চৎনবী থিংবিদবনা কৈ।

চাউবী—থিংদবা যাদে। ঐখোয়গী ইমুংগা, ঐখোযগী সমাজগা মদুগা চানদে।

ইবোয়াইমা—ইমা চানবা-চানদবা হায়বসে মী-মীগী য়াথন্দা লৈব-পোৎনি।

(ললিতা য়ায়া কেথা থোরকই।)

ললিতা—লোইরে, চৎলসি।

ইবোয়াইমা। সনাতোম্বীদি ?

ললিতা—মাদি ইমানা—।

সনাতোম্বী—(ইমুংদগী থোরক্লগা) ঐস্মু চৎপা য়াওগনি।

চাউবী—ইমায়পেম্মা। পেঙ্গবেদকো। ও খোংনা কপ্পীংঙি। অসুক হায়বা ইন্দনা সরাং পাম্বা নুপা-মুপী ডাকো ঐগী ইচা-ইমৌ ওইনা হেক থু বিদকো।

ইবোয়াইমা—সনাতোম্বী, নংগি কৈনশাবীনি, ইমাখোযগী য়ারক মথাদা লৈরিবনিন ইমদগী পার্মিশন অ ত্ং—।

সনাতোম্বী—ইমা, ঙসিদি চৎলুরাগকে।

ইবোয়াইমা—ইমা, শাউরম্মু। টিকেটস্মু হায় ককশিল্লক্রবনি, অদুনা ঙসিদি চৎলুবগে। মতুংগীদি কোম্ন থম্লদসি।

(চাউবী খুমদে। ইবোয়াইমা, ললিতা সনাতোম্বী মথোয অহুম মরী মবী চৎখি)

চাউবী—সত্য, পেঙ্গবে,; পূমপেল পেল্লে। ও খোংজুনা কপ্পীংঙে। থাযনগী লৈবক খুম্লকী ভম্লনাইশিংহুনা এগী ইচা ওইনা লোইনা হেক পোক্লরেদকো। হে বিধি, নোংদম্বা, কম্লম্বা থোশীম্লো তৌনিবসিবু। এদা শিঙ্গনীংঙে।

(যাত্রাসিং লীটে অমা পায়রদুনা তপ্পা তপ্পা চঙলকই।)

যাত্রাসিং—হায় চাউবী, হীদাক ডাংক অমত্তা হাউনা হাল্লকউ।

চাউবী—(খুমদবা)

যাত্রাসিং—ননাহু তাক্লনহায় ? উযুংদোনা লেপ্পুনা লৈম্বিনহুবু কৈদোঘবগেনে ? ইচা-ইমৌদি নহানিনা মথুৎ মোৎলি হায়রকনিনে।

চাউবী—(খুম্‌দে, তুমিন লৈ।)

যাত্রাসিং—করি তৌরবগেনে চাউবী? প্রপ-প্রপ হাম্লকউকো। হীদাক তান্থক অমগীদমক হন্নুথওসিদা ইচা-ইমৌগী মমাঙদা খংনবা ইকায়কো।

(যাত্রাসিং লীচৈ লৈবাক্তা থম্লগা ফমেনকক্তা ফমথে।)

চউবী—হো ইবুংঙো, ওসিদি হীদাক থকপকা লায়ব্রি। অতাবী রা অমা ডাওনদবা য়াত্রে।

যাত্রাসিং—করিগী অতাবী রানোনে চাউবী? রাদু লাযরি হীদাক হায়া কাম্লকখো। ইচাশিংনা কদায়-কদায় চংখ্রে? মখোয়বু ওসিগী সিনেমা য়েংবা চংখ্রবরো?

চাউবী—হোয় চংখ্রে; লেওখিবদা ও যরি মম-সাহেবশিংদু।

যাত্রাসিং—ফরে ফরে চংখ্রবদি। কবিগীনোনে ওসি নঙনা অস্তক শাউনা লৈরম্মিবব?

চাউবী—করম্মা শাউরোইদৌরিবনো? য়ুম অসিবু করম্মা পাম্মি হায়ব্রিবনো? অহন ওইবা মপা জ্ঞান তামন্দে; মচা রাবকেন্নু হায়দে।

যাত্রাসিং—করি তৌরবগেনে? মখোয় অঙাংস্নু নত্রে। অমস্নু মুপী খিরে। অমস্নু থাজবা য়ারে। লোইনা চাউরেনা।

চাউবী—চাউরবা ওক্তা ওায়বসিননি ঐনা মুংশা থীরিবা।

যাত্রাসিং—করিগী মুংশা থীরিবনো? নুপাস্নু মুপীস্নু জ্ঞান তারবা ইচা ওাকনি। মশা ঈংপা ওমজরবা ওাকনিনা। ইহে, হীদাক হায়বদু কাউনিকো।

চাউবী—মচা লম্প্রাইশিং অসে খম্বোক্লা ফজনা থাগংলেদা। মপাসিনা পোকপা মচানবু করা জুগোং চাগবলো।

যাত্রাসিং—ইঃ, মমা নঙদি জুগোৎ চারেদা ? করেনে ?

চাউবী—ঐ লৌরবদি থবদি ফগদবনি।

যাত্রাসিং—উম, ফগনি। নঙ লৌরবদি ইবম্মা, ইচাশিং অসে লোইনা থুমুং ওইরগদবনি। মপা ঐ গৌবগী মেম-সাহেব শাদুনা মুংঙাইনা লৈজবসি য়েংবদা মীৎসি পেঙ্গ্রাও ?

চাউবী—ইঃ, ইচা-ইমৌশিংনা ঈবাং তৌরিবসি থোওইনা তৌহল্লিবা ওইরে ? সাবু মেম-সাহেবকী মপারাঙ ?

যাত্রাসিং—নত্তদি। ইচা মপা নুপীসিবু ঐগী ইচা নত্তে হায়গেবাও ?

চাউবা—হো মায়ে ইবুংঙো, মায়ে-মায়ে। মপাগা মচাগা থহোরা মায়ঁজেদা।

যাত্রাসিং—মায়দদি ; মপা ঐনা পোকপা ইচাবু ঐগা মায়দবা য়াব্রাও ? মায়ব্রবদি য়া থোক্লোইজ্রাও।

চাউবা—অদুম্মা মপানা ভাওশিন্নদুনা ফরক ফুদুনা লৈরগা অঙাংশিং অসিব কয়েং তুংদা করম তৌহোগদৌরিবনো ?

যাত্রাসিং—করি তৌনি হায়বগে ? নঙ-ঐনা ঙসি ফাওবা হিং-লক্লিবসিগুম মথোয়গ মরাইনা লৈজঁহোগনি।

চাউবী—মদুনকাদি য়াবপোৎ নত্তে। তৌরিবা ঈরাং মতা অসিনা কোর্ফু কায়থোক্লগা তুম্বা লেপশিনবদা মতারগদবনি।

যাত্রাসিং—হেক্ক হক্সিল্লকপদগী য়েংগে হায়দুনা য়েংবনি। য়া হায়রিবনি হায়দুনা ইশাউ শাউবগুম মেন-মান অমত্তা তাদে। ইচা ইমৌনা করি তৌরবগে নিংখিজনা থৌনা চঙনা ঙাঙনসি। হীদাক হায়দুদদি হান্না হান্নকথোদনা -

চাউবী—হৌদাক গুহাক লৈতনা নীংশিংবগুম অঙাংশিং অসিগী তুংগী মরমদসু খরা খন্নরবদি ফগাদবনি।

যাত্রাসিং—অদুবু করি তৌরবগে হায়রমনি মখোয়না?

চাউবী—মদুবু ঐখোন্দা অমুক হংসিন্দ্রিবা? খঙবিদ্রিবাও হৌজিক ফাওবা? ইমুং অসিদা ইচা অনীনে ইথোনে লাম্বা পাচু। ঈরাংগী কৈথেল কাবসে কবিমতা জ্ঞান তাবিদ্রাও? নোং-মাইজিং থুদিংগী সিনেনা যেংবা চংলিবা করিবু কায়রবগে? মবুক থনব্রা? মশা ফগৎপ্রা?

যাত্রাসিং—হ হ হ. (নোকপা) নঙনা ঙসি অসুক শাউরিবসিদি অঙাংশিংনা সিনেমা যেংবা চৎপগী ওহবে। চৎচসনু কৈদোবগে? নঙা ওইবিডে মচা-মশু লৈত্রিডে অসিদা কোয়-হোয়েংহোদনা হয়েং অকন ওইরবা মতমদা য়াগদ্রাও? নত্তে নঙ-ঐবু ঙসি ইচাশিং অসিনা তৌরিবসিদা য়াওবা য়ারিব্রাও? হৌজিক্তি মখোয়গী মতৌ অসি উরগা তকশীদা শোন্দুনা তোক্রবসিনি।

চাউবী অদুবু ঐখোয়গী ইমুংদা তৌরিবসিদি খরদি হেনমল্লবনি। ঐনা নগান্না লাইরিক হৈবী মূপী ইমৌ ওইগুমসি হায়জব্রাও? হৌজিক্তি লাইরিক হৈবী অমা লাকপদগী করি থোক্লে। ইমুং অসে ঈবাংগী মকোন ওল্লে।

যাত্রাসিং—মীগী মচাদা ঙাক তাইনগনুমহায় চাউবী। হৌজিক অসিদি ইচানু-মীচানু চপ মান্নরবনি।

চাউবী—অদু ওইরবসু মহাক্তি মৌনিদনা। যুম অমগী মৌনবু অমুক ঈরাং তৌরবদি করম্না যুম অসি পালগদৌরিবনো?

ইমাযপেন্মা, সিনেমা য়েংবদবু ওস্থোরা থবায় য়াওখ্রেনে। থবকস্থু মনা অমত্তা শূদনা মেম-সাহেব শাদুনা লৈবা, ঙম্বু ঙম্মিনে। ইচানুপীনি হায়দুনা তৌরিবা ঈবেম্মা অসিমম্থু মাঙলবনি। মাবু করম্মা ইমুংগী মৌ ওইনা চম্মক্ৰগদৌরিবনো? মনম্মগা মবুংগনা মাঙকল্লবনি। অদুগনে পুম্নমব অসিগী মরুদি মপা নহাক্লি। মপা নঙনা থবা য়ারক-রাত্তেমগেদি হায়ক্রেদো; কাও থাবওম হেক থাবা। ঐদনা ঙাঙগনবী ফত্তবী ত'রে।

যাত্রাসিং—ইহে চাউবী, নঙনা নখোয়দৌ শীৎপমখৈ শাউদুনা পঙঙাংদা ঙাঙদ্ভি। পুম্নমক ঐখোন্দস্থু তাইশিল্লে। নঙবু ভাব তাউনে। নীংথিজনা য়া ঙাঙনসি। হীদাক হায়বছ্ অমুক্তদি হাল্লকখোদনা।

চাউবী—ভাবসে ঐনা তাত্রিব্রা, মপা নঙনা তাত্রিব্রা খঙম্রে। নচা-নমৌ লৈরবা নত্রাও? হালহল্লু মখোযবু। চবী তম্না-মঙাদগী ইমুং অসিগী থবক কুপনোম মযাম অসে ঙসি ফাওবদা তৌবা লেপত্রি। ঙমজ্রে ঐ।

যাত্রাসিং—অদুবু তাও হাযবা চাউবী, হীদাক ঙাম্বক্তুমা থরগা নঙগা ঐগা জ্ঞান তানা সেগা মাইগা য়া তানগনিদনা। হৌজিকী মতম অসে থায়নগী নখোয় ঐখোয়গী মতম অদু নত্রবনিনহে। হৌজিকী সমাজ অসিদি অনৌবা মতমগী ঈথক-ঈয়াংগী ঈপাক্তা তাউরবনিনে। মতমগী মথুং ইন্না ঐখোয়গী ইচা-ইমৌস্থ মথুদা তাউবনি। ঐখোয়গী ইমুংদা

নত্তে, পূম্নমকনি। মসিবু নঙ ঐনা থিংলুবা ঙম্মুবা পোল্লাও ? ঙসি ওটৈরিবসি হয়েংদি অমা হোংখিনি। থাম্নগী ঐখোয়গী চৎনবী অতুদ' লেপ্তুনা লৈয়ু মাবা হৌনদে। অহুনা শাউকহুনা কাম্নয়োই। নঙ-ঐদি মতম লেপ্লবনি, শিবা ডাইহুনা পঙলৈ মরৈরো।

চাউবী—ওন্থোকপা মপা পূকফবনিদা। ঐখোয়বু'দি শিম্নগনি; অতুদা হুয়েং তুংদ ইচাশিং অসে মমী'ত্তা নাপ ওারকনি। মহুগী মায়ী পুম্নমক মমা-মপ ঐখোযন ওইরোইত্র ও ?

যাবাসিং—অহুবু চাউবী, নঙ-ঐনা' থিংবা ঙম্বা নত্তে হাযননি; চৈরে ভাঙপন চৈগনবা মতাগনি। মখোয়না মনাদা হাপ্লে হ, করি কাম্নবগে ?

চাউবী—অহু ওইহুনস্ত ঐখোয ইমুংগীশি খরদি হা'কমলে। মকমগী চৎনবীনি হাম্নহুনবু ঈনাৎ নত্তন শঙ্গে'ম পাঙচা চাবা য়া'ত্রাও ? ঐগীদি হায়রিব'সিনি, মপা নঙনা মেম-ম্যাকেবকী হাপ্তা বাঙ্গালা চৎপ'সি খরদি খিংঙু।

যাত্রাসিং—মহুবু ঐনা থিংবা ঙম্বাও ? কিনিঙ্গিশিংনা হৌদোক্লম্নবা হাপ্তা বাঙ্গ'লাবু কৈদগী ঐনা খিংব য়াগদগে ? চৎচসম্ন, কোয়ঙ্গসম্ন। নঙ ঐনা' নহা ওইরিঙৈদা লৈকোন শাম্নরকপ থাবল চোংমিম্নরকপা, বাকনী থুকম্ন, চৎকুকপা; ভলি ইচাগা ইমৌগনা সিনেমা য়েংবা, ক্লবতা চৎপা, মুশিলাংরোইরমগী বাকিং—ক'রম্নু খে-দবনি। নঙ-ঐম্ন নোংমাংংদি ইচ্চা-কমৌগী মজ্জুং ইম্নুনা মখোয়গী হাপ্তা বঙ্গলাদু চৎলুবা ময়াবনি।

চাউবী—(যাত্রাসিংনা করেম্মরকপা ওক্সুদা শাউদুনা) মচা-মমোম্না হাপ্পা বাক্সলা চৎপদা খাউবুবা ওইনা গিল'স চাম্মুগে হায়বরা ও?

যাত্রাসিং—(নোকমি নোকমি মখোয়না মখোয়গী ; ঐনা হায়বদি নঙ-ঐগী য়ানিনে চাউবী।

চাউবী—(শাউমনবদগী নোকথোরক্লুনা) হ...... ওম্মোকপা নুপানি। মচা মমোগী মতৌ উরগা নহা ওইনীললক্রমায়ে। হো ইবুংঙো, য়ারবোইয়ে। মতম হেল্লে, কম্মাক কুরু শুংলে।

যাত্রাসিং—করিনো নঙনা হায়বিবদুবে'? নহানা নহাগী ; অহম্মা অহনগী। অহন্দি মেম-সাহেব শাবা য়াব্রব্রাও?

চাউবী—ঐখোয় ইমুংসে মেম-সাহেব ঙাক্কা ঙায়রে। ইগী মুম মচা অসদগ মেম সাহেবকী বাঙ্গলা ওম্মোক্লসে।

যাত্রাসিং—রাখন্দা সাহেব শারগা লোইরে। ইমুংদা চক্-উরাক্কা মিরাং খুবা মীন' উবা নন্তে। নঙস্থু মেম শাউনে মম্মা। কৈদোউঙে পিনি খঙব' নত্রে। নোংমতদি ঐখোয় অনীম্থু হাপ্পা বাঙ্গলা কারুসিনে।

চাউবী—ও কারুরে ; নচ' ননোগী মতু' ইন্দুন' স'হেব শারুরো। মেম সাহেব শাবা নপা নচা নখোয় মথৈ পূম্মা লৈগেৌরো। ঐম্মা পোৎ য়োম্মে।

(চাউবী শাউন' ইমুংদা কং চঙথি।)

যাত্র'সিং—(ফাগী ওইনা নোকক্কেৎ তৌরজুনা) হায় চাউবী, নঙনা পোৎ য়োম্মিবদুবু হাপ্পা বাক্সনা চৎনবযাও?

ইদাক তাহক অমতা হাল্লকউ হায়বৰু নচা নমৌগা লৌ-তাবদুনা হাল্লক্লে। ফরে-ফরে, হান্না বাঙ্গলা ঙইনা চৎলসি। ঐ থোক্লম্নগেকো। নহাগা নহাগা, অহনগা অহনগা; লান্না লাম্বানি। হায়, থবা কেরকউ। মীগী যমাঙদা চোপ-কনিকো। শিরমদাগসিদা চোপ্পকা থাবা নত্তেরে।

(যাত্রাসিং মাগী লৌচৈ পায়রগা বা চবেঙ-চবেঙ তাঙলদুনা চৎথি।)

[তপ্পা তপ্পা ফিজও হাইজিল্লকই।]

স্বর্গগী লৈকোন্দা

ইম্ফাল
আগষ্টকী অহুমশুবা চয়োল
১৯৭১

মীশক মীওই :—

১। নীলমণি
২। নবকুমার
৩। প্রমোদিনী
৪। চাওভল
৫। ধর্ম্মরাজ।
৬। চিত্রগুপ্ত।

খৃ: ১৯৬৫ গী আগষ্টকী তাং২৭ তা ছাত্র-ছাত্রীশিংনা তৌখিবা চাক-তাওবগী আন্দোলনদা থবায় কৎথবশিং।

স্বর্গগী লৈকোন

(মথল কয়াগী লুপা মচু মানবা, সনা মচু মানবা লৈ তাকা লৈকোন শীনবা থুংনা শাংলি। লৈ পুমমক পথবা-থুইথবা মাইক্রবা ঙাক্কনি। মণি-মুক্তাগুম ইরং-ইরুং লংবা অঙাংবা অশংবা মচুগী লৈ কয়াস্থু অতৈ লৈশিংচুগী মবক্তা অতিয়াদা থবাম্মীচাক ময়াম তগুপ তরেং ঙানবগুম নীংথিনা তথক-তথক লৈতেংলি। অশুক নীংথিয়বা পূক্লীং হৃয়বা স্বর্গগী লৈকোন অসিদা নীলমণি সুংগুক-সুংঙাননা ফমন্নুনা লৈ। নবকুমার চঙলকই।)

নবকুমার—তামো, ঙসিদি য়াম্না থরাম সুংঙাইতনা উইদা। করি তৌরবগে? আগষ্টকী চয়োল ওইশিল্লকপসিদা হৌখ্রবা থৌদোকপু নীংশিংদুনা অরাবগী ঈপাক্তা তামোগী য়াথল্লো ঈরাক্লরব্রা?

নীলমণি—নব, হৌখ্রবা মুমীত্তুগী থৌদোক্কুবুসি করম্না কাউগদগে। করিস্থু খঙজব্রবা মরাল লৈজদবা ছাত্র-ছাত্রী কয়াবু কয়াদা ঙমথীনা তৌবিশ্রবা। থৌদোক অদুবু ইমীৎসিনা কয়াম কুইনা য়েংবা ঙমথিবগে?

নবকুমার—তামোগী পূকচেন খঙজরে। তামোগুম্বা অমগীদমক ঐখোয়গী মীতৈ লৈবাক্তা চাউথোকফম থোকই। য়াইতোং-ফমদোংবশিংগী মনাই ওইদুনা মখোয়গী মখোঙ কোম্বুনো ইশাগী অধিকারবু মাঙহনবা য়াত্রা? অদুগনে তামো, লৈঙাক মপু ওইরবস্থু মখোয়গী অরানবা থবক অদুবুদি মচা-মনাই অমা ওইনা চুমথোক্লবা হোৎনবা; করিগুম্বা ঙমত্রগনা মখোয়গী মায়রোক্তা লেপ্পুনা থবক তৌবা হৌজিকী

মতম অসিদদি তৌদবা য়াম্রবা অমা ওইরম্রা থক্লে। মমাঙৈ নিংথৌ পাল্লিভৈগী শুপ্নম শাসনগী মতম অদুদি নত্রে হায়জরিবা তামো।

নীলমণি—কজরিবা ইনাউনা বাথল্লি। ইয়াম্নস্থু মচুমক অচুম্বনি থল্লি। হৌজিক্তি মমাঙৈগী নিংথৌ পাল্লিভৈগী মতম অদু নত্রে; মী খুদিংমক অচৌ-পিশক থায়দনা চপ-মান্নবা রাইট লৈরবা মতম্নি। ইনাউনা হায়বগুমদুনা হৌজিক্কী রাইট মান্নববা গনতন্ত্রগী লৈবাক অসিদা য়ায়তোং-ফমদোংবা ওইরিবশিং থসে মপুক্তি কয়া মচুমত্রে। মখোয়না তৌরিবসি য়ায়া চুমদবনি।

নবকুমার—অদুনি তামো, হীরম অমবোমদদি মমাঙৈগী নিংথৌ পাল্লিভৈনা হেক্না ফবরা হায়না থক্লে। নিংথৌশিংদি শুপ্নম সাসন চলাইরবস্থু লৈবাক-প্রজাগী ফনবা থল্লি, চাওখৎনবা তৌই। অদুগা হৌজিক্কী লৈঙাক মপু ওইবশিং অসিদি মচৌদদি লৈবাক্কী প্রজাগী ফনবা চাওখৎনবা অদু-অদা মহারবা; তৌথোরকপা অমদি মপুক্লীংদা খল্লিবনা মশাগী ওইজবা তানবা, করম তৌরগা ইশাগী পুকৈ চোলহৌগদেগে হায়বা অসি ওাক্তা নত্রনে তামো?

নীলমণি—(তপ্পা হৌগৎলগা) অচুম্বনি নবকুমার, মখোয়শিং অসে অয়াম্বনা ময়ুম-ময়ুমগী মমাঙথোঙ থিংজিল্লগা মনীং-থোঙ হাংদোক্নুনা থম্বা ওাক্তনি। মসিনদি কদায়দগী অকবদি ওইরগদগেদো। ঊরাইদনা কাবা পারাদি মসি-শুম্বসিদনি।

(প্রমোদিনী লাকই।)

নবকুমার—প্রগোম্ম লাক্লেদনা।

নীলমণি—চঞ্চলকউ প্রমোদিনী।

প্রমোদিনী—তামোগা ত্রদর নবকুমারগা করি য়ারী শানদম্মিবনো ?

নবকুমার—কবিগী য়াবীবু ওইগদগে, হৌগ্রবা থৌদোকপু নীংশিংতুনা অরিববু অমুক নৌহনবগী য়াফয়্রি।

প্রমোদিনী—করি য়ানোনে ত্রদর নবকুমারগী য়াওাসিবো ? কাউবা য়াত্রবা থৌদোক অদুদি মতম পুম্নমক্তা ঐখোয়গী থম্মোয়দা নৌহনতা লৈরবনি। মদুবু অমুক নীংশিংবা অমদি নৌহনবগী দরকার লৈরিব্রা ?

নীলমণি—প্রমোদিনীনা হায়রিবসি য়াম্না চুম্মি নবকুমার। আগষ্ট ২৭ কী থৌদোক অদো ঐখোয়দদি চহী কয়া কয়াগী মতুংদম্ম অরিবা ওইরোই, নীংশিংলুবগীম্ম দরকার লৈতে। মতম পুম্নমক্তা নৌহনতা লৈরগদনা কাউবরোইদবা থৌদোক্নি।

নবকুমার—ঐগী য়াথলম্ম মদুনি তামো। মকম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় মবিদা নত্তে; হুম্মীৎ অদুগী থৌদোক অদুবু মমীৎমক্তা শঙ-শঙনা উৎহৌবা মী খুদিংমক্তা করম্না কাউবা ঙমগদগে ? মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা য়েক্লুনা লৈখ্রবা থৌদোক্নি।

নীলমণি—ঙসিদি চাউভনদুবু উদেদা। য়াবু কদায়দা চথোকখ্রবগে

প্রমোদিনী—ঐগা হৌজিক্তা আম্বাইদা থেংনরম্মী। মহাক্কম্ম তামোগী নাক্তা লাকনি হায়রৌই।

নীলমণি—চাউভলসি ঐদি য়াম্নবু হুংশিল্লিনে। মপুক ওম্থোক্না চমজখ্রবা। তমথীরবশিং অদুনা হেক ফুবদা মহাকী মশা অদো পূম্নথীৎ থীংপনি। নখোয়-ঐখোয়দি খল্লবু কৈ। মহাক্তি মীরম্নেনগী হকচাং-পোল্লাং অদু পাক-হেক থাদোকপা ঙমদদুনা কয়া কুইনা অল্লাবা থাঙলক্লবা।

প্রমোদিনা—হোয়নে তামো, মাবু শাথীনা ফুবিখ্রে হায়মনি। নোংমৈগী য়োৎ তোপ্পা মনীং কুন্দা হায়বরা করিনো অদুনা খবাক্পা ঙবা—অসঃ চীন্দা হায়দোকপদবু লায়না থোক্লবনি।

নীলমণি—অদুবু পূম্নমক অসি হোৎখ্রবা ঙাক্তনি। কম্না হম্না তমথীরবা দৃশ্য অদুগী মারী শাদুনা থম্মোয় অসে লাঙতক্লহনবা খোয়শাউনহনবা ক্তন্তে। ঐখোয়না লৈরিবা মফম অসে মতম অদুগী মীরম্নেন্দু নত্রে। ধর্ম্মবাজগী য়াথংনা মফম অসিদদি অশাউবা, কল্লক-য়েংথিবা পোকপা য়াবা মাথল খনবা য়াদে। মফম অসি স্বর্গনি, শান্তিগী লৈকোম্নি।

নবকুমার—হোয় তামো, হৌজিক্তি শাউরুবগীম্ভ কান্নবা লৈরমোই। ধর্ম্মরাজগী য়াথং থুগাইদুনা ঐখোয়না অশাউবা কয়া উৎলবস্ত মখোয়না খঙগদবা লৈত্রে। হৌজিক-হৌজিক অসিদা মখোয়না কাউবা লৈতনা চীনফা পুরিবদি হৌদোং লম্বোইবগুম মপাম্বোংগী চীনবান্দা লাংবনগী খোইহী তৈরগা থম্মোয়দনা হু ফুমহুনা মীম্নুংশি হায়বহ্ মচেৎ অমতা 'পাক্তনা অচম্বা' মীওইশিংগী ক্ত চুপ্পা অসিদনি।

প্রমোদিনা—শীজনীংদবগী-জাত্তগু মখোমগুম্বা জীবসি থইক্ত লৈত্রে। ঐখোয়গী থৌদোক অদুগী মতুংদা চরণামৃত শীকপগুম কৌ চেঙ

খরা-খরদি থীক্লমায়ে। মতুম্ মী অমনা চয়োল অমদা চেঙ কিলো অমদগী কেয়া চাগনু .পুক লুমগনি হায়না হায়রে। অতুবু কলি যুগ অসিদমু মহাভারতকী ভীমগুম্বা মী লৈতবদি নত্রেদো। মপূক থম্মা চাউবা মীদি মপূক পায়দুনা খাওবদা উম্লক্লদুনা চীন থোকপা য়াওনরে হায়না তায়।

নীলমণি—তাবা নক্তে, তশেংনবা প্রশ্ন। খরা-খবা থীক্লিবদুসু অপুম্বা, নমথীবা নুং যাওবা ঙাক্তনি হায়।

নবকুমার হায়রিবা পূম্নমক অরু নবা শমতা য়াওদে। ঐখোয়গী হাউথ্রবা শইনখ্রবতনা মরম লৈবা মীনা চাখিবা, ঐখোয়গী থৃজি পায়বশিংনা শেম শাগৎহোবা ; অতুগা ঐখোয়বুনা মীগী মচি কাপ্রবা নমগীবদুদা কলর থাদুনা, মনম চাইদুনা অকবা মালহন্নগা পীজবা। মসি ঙাক্তনি হৌজিক্কী মীরয়েনগী লৈঙাক-থোক্লীন। তুমিন লৈবা হৈতবা মীওই খরাদ লৈঙাক মপু চাক্কোবদা শোগ্রীগা বোরথানগা মথেল লুকোয় তৌদুনা কুমহৈ ফনা সুংঙাইনরে হায়। চাক্কোবা চৎলুবা হন্নকপদা মযুম য়োবা ঙমদতুনা মপূক পায়রগা হোটেম্লোমদা চেনশিন্নবসু য়াওরমায়ে।

নীলমণি—কোয়, মীরয়েনগী কুমহৈবুদি ফনা মসুংঙাইরমগনি। চেনশিন্ফম হোটেনশিংতদগা লৈরমজ্রবদি মপূক্তা উটি চৈল্লিবা চাক্কোবা হন্নকপশিংগী কুমহৈদো থরা কেয়া সুংঙাই-রমগদবনি।

প্রমোদিনী—হোটেলগীবুদি লৈজরবস্থ থোইনা কায়দেদা। ক্বায়ত্তোং কমদ্বোংবশিং অত্তুগীদমক্তদি মশক খণ্ডনা ক্ষুং য্বাওবা যোরদ্বান নঞ্জগ্যা তাইচুংঙ্গ্বা, আটা অপুম্বা—লৈরিবনা থরা স্পেশিয়েল ওইবা পোহু-চৈ মণ্ড্গ্বা ডাক্তনা স্পশিয়েল ওইনা লাওখিগদবনি।

নবকুমার—তামো, হন্দকি মীরমলেগী পাউ অমবু তায়নে।

নীলমণি—শীজনীংমগ্রুনা লোৎশিন্দুনা থম্বদা চৌঙ্গাক মখৈ লোইনা গুদাম মনুংদা পংংে-পুমলে হায়বদুরা?

নবকুমার—অদুদি কুমসিন্তগী পাট নত্তেদা তামো। মমাঙৈদস্থ অতুম খোকপা জাৎনি; ঐখোয়না খঙলুদবগী য্বাফম্রি। অদুগা ঐনা তাবিবা পাউ অসিদি ঐদি ফনথুম নোক্লীংঙি।

প্রমোদিনী—কবিনোনে অদুক নোক্লীংলিবা পাউদুবু? হায়-[illegible], ঐখোয়স্থ থরা নোকপা য়াওগে।

নীলমণি—হোয়নে, নতোমতা নোক্লীংদৌ শক্সাক ঐখোয় অহম পুম্বা নোকমিসি।

নবকুমার—ময়ামদি নোক্লীংঙোইদা। ঐতবু চুম্বা নোক্লীংজবগী বানি। মীরম্লেন্দা কুমসিদি ঈশিং তাওঙ্ি হায়না তায়। কল্লোল তৌখিদুনা তৌরিব্রা নত্রগা লৈঙাক-মপুশিংনা অচৌবা মহাজনশিংগা মান্নরগা স্রেক্তা থাঙ্গবরা খঙব্রেনে।

প্রমোদিনী—ত্রদম নবকুমারগী পাউ অসিদি নোকপদি লায়বদুনা মিপাইনীংঙাই [illegible]। চাননবদি লায়রদুনা থক্লনবা ঈশিং থাওবা কংলক্ষবদি হিংবা ফনা হুদৌরি।

নীলমণি খওত্রে মীরমেনগী মতৌ অসে। ময়াঙগী মনা লৈবাক মণিপুর মমিংগী মচায়রে। তুংদা কবি ওইরগদৌরিবা খল্লুবদা তুজুংবা পোকই। সরকারনদি কনবনি চায়দুনা কম্রোল তৌরিব। পাং কম্রোল তৌরগা কেন্দা অরাবদুম ওই। মসিদা কাম্ররিবদি কারবাররালাশিংতনি।

প্রমোদিনী—ঐনা যাম্না নুংশা থীরিবদি নুংশিং অসিন্থু কম্রোল তৌশিনখদুনা এরাং কায়না নিংশাশোর হোনবা কংদবগী অচৌবা অরবা অমা ওইরক্রগদ্রা হায়বসিনি।

নীলমণি—নদুস্থ খল্লন য়াবিবনি হিংনবগী মক্ক ওইরিবা ঈশিংগা নুংশিংকা অনী অসিবু চুদামদা পৈশিনবা কম্রোল তৌদুনা খবা-খরতনক থাদোরকপা মতারবদি ওত্থোক্রা অরাবা অমা ওইরমিদা। নোংবিমগা থম্বিদবনে খরা কুইরবা পোং মখেদি লোইনা পৎ-পুম্রনি। অপুম্বা নুংশিত্তা শোর হোনবা, অপুম্বা ঈশিং থকপা হায়বদু খেংনবা তারবা ঐখোয়গী ইরেবাক্রা। মতাং অদুবু য়োরক্রবদি য়ায়তোং-কমদোংবা মখোয়স্থ মশাগী মখোঙদা মশানা শীংজঙনা য়ানশিঞ্জবগী ফিভম অদু মরাইনা ওইজরক্লনি।

নবকুমার—অহনিনে তামো, ঐদি গখোয়গীদমক্কবু য়াবিয়িনে।

প্রমোদিনী—ঐখোয়দনবু য়াবিবনি, মখোয় মশাদি করিস্থ য়াবিবা তাং নত্তে। বিজ্ঞানদা অদুক চাওখৎলবা মতম অসিদবু মরল লৈবা মখোয়না য়াবিগদরাও? মহৌশাগী লৈজবা ঈশিংগা নুংশিংকনা হেক পুরকপদা মখোয়দি লেবোরেটোরীদা তাংবা পিম্রিল য়াটর লৈরগা থকনি, ওম্রিজেন লৈরগা

নিংশাখোর হোৎনগনি। করি থানীংঙাই লৈরিবগে ? অরাবা
লাইমংণখোরিবা লাতপবা লেশ্বদনা মীচম প্রজা মখোইনি।

নীলমণি—চুম্মিনে, মখোয়দি করিম্ব থাবিগোৎ নত্তে।

নবকুমার—থাদনবা হায়দুনা মখোয়দি লৈজনবা মীচম প্রজাদগী মখূৎ য়েৎ-ওয় চংদুনা মতম চনা তানশিনহৌরবদবু।

প্রমোদিনী—ঐনা থামা চিংনরিবা অমনা অহৈং-অশা চাং মাম্নরবা কয়বা মণিপুরগী ঈশিং-মুংশিং অদো ভুমিন-ভুমিন্না মপাক্না য়েক্না খংদোক্লমগদ্রা হায়না খল্লিযে।

নীলমণি—তৌরব্বা য়াই, থাকৈ। মণিপুর মমাঙৈগী নত্রে, শাবা খন্না হেনগৎলে হায়না তায়।

নবকুমার—অচুম্বনি তামো, ঐখোয়গী অকবা অহৈং অশা চপ মাম্নরবা ঈশিং-মুংশিং অদু মপাক্না থাদোকখ্রগা ৎপানগী অশাবা মুংশিং মণিপুরদা পুশিন্নরক্লগনি।

(চাউভল লাকই।)

নীলমণি—চাউভল, নঙদি কদায় য়ৌরবে ?

চাউভল—তামো, ঐ মকম কৈদম্ব চৎচদে। তামোগী নাক্না লাক্চরিবনি।

নীলমণি—ঐদি নঙসে ইচংপু চখোরক্নে হায়বিবনিনে। নত্তোইদা লৈবা থুংঙাইদ্রবঙ ? ঐখোয় থংগল খঙা-খঙী উৎদুনা থাঙ্গী-ক্লাক্তায় শারবা মতম লেপ্লি।

প্রমোদিনী—চাউভলনি অকম অতিদা লাকহৈবগী কিজৌনোকর ওনগ্রে। মতম পুম্নমক্তা রাখওংদা উৎদুনা লৈরবনি।

চাউভল—পণ্ডহায় হায়খিনবিগনুদা। কিন্দোসোকক অমা ওইবা ইতিক নংদদে।· ঐনা মরক মরক্কা এঙ্কুক খনবদি মীরম্লেন্দা লৈহৌরিবা মরূপ-মপাং, ছাত্র-ছাত্রী কয়াগী মরমদনি।

নবকুমার—অদু কাম্নে চাউভল, খঙবদা ঙায়রবনি। কৌজিক মখোয়-ঐখোয় মতেং-হৈতেং পীনা যাবা মতাং থোক্কে।

চাউভল—চুম্মি অদুবুদি; অদু ওইহনস্থ মখোয়-ঐখোয় কাউনবা য়াবা নত্তে। মখোয়নস্থ ঐখোয় মরিবু কাউত্রি। চহী খুদিংগী আগষ্ট ২৭ লাকপা খুদিং ঐখোয়বু মখোয়না নীংশিংলি। মখোয়না ঐখোয়বু ঐখোয়না তৌখিনদগীহেক্রা য়াংনা থাজৎলি

নীলমণি—ঐখোয়নস্থ মখোয়দা তৌবিমল উৎপা ওইনা তৌগদবদি নহারোল ছাত্র ছাত্রীশিংনা অহোংবা লৈঙাক্লোনগী অনৌবা সমাজ অমা শেম্নব নীংথম্নবা লৈঙনা থাংলক্লিবা থোঙখাং অসি লেপ্পা লৈতনা চঙশিনবদা অপনবা থোক্কবা হায়না আশীর্বাদ পীবা অসিনি। অদুগা তৌবতদি নহারোল ছাত্র ছাত্রীদস্থ ঐখোয়না মরূপ-মপাং অমা ওইনা ঐখোয়গী পাউজেল অসি থানীংঙি, দেশকী অমদি জাতিগী মাইকনবা লোৎনবদা ছাত্র-ছাত্রীশিংনা অমত্তা ওইবা মরাম্না য়ানরবা লম্বী অদুদা চৎপা; কনাগুম্বা রাজনীতিরালাশিংনা মখোয়বু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নকন্দবা। অচুম্বগী পাম্বৈতনা নোংমদি শোয়জনা নহারোলশিংনা পাম্লিবা অনৌবা অদু ফংবা ঙমগনি।

চাউভল—মতুংনি তাঁমো, ননাগস্থ মহু পামজৈ। রাজনীতিগী ঈথিলনা নহারোলগী রাখলবু লাম্না লমজিংবদি ননাগস্থ পামজদে।

প্রমোদিনী—অদুবু ছাত্র-ছাত্রীশিংগী কন্নিগুম্বা ঊগৌ অমত্তং হেক খোন্নকপদা চুক্লী পায়বা লৈঙাক মপুশিং অসিনা অতোপ্পা রাজনীতি কাঙবু অমগী ঊথিল চঙ্গে হেক্তা হায়জিনবি, চঙলবোঈস্ন নীংঙি। অদুগা রাজনীতিগী কাংবুশিং অসিনসু অদুগুম্বা নহারোলগী ঊহৌ অদুদা মখোয়গী খুদোংচাবা লৌগদবগী হোংলৈ। মসিনি নহারোলগী খোঙথাংদা অপনবা অমদি অরাবা।

নবকুমার (নাকন্দা য়েংথোক্লুবগা) তামো, ধর্ম্মরাজ সোমদা লেঙথোরক্লিমাম্মে।

নীলমণি—অদুদি ঐখোয়গী ব্রাইসি লেপ্লসি।

(ধর্ম্মরাজগা চিত্রগুপ্তগা চঙলকই। চিত্রগুপ্তগী মখুত্তা বহ অচৌবা অমা পায়রকই। নীলমণি, নবকুমার, প্রমোদিনী অমস্তুং চাউজ্জল মখোয় মন্নিনা নখুৎ লোম্নগা মঙক নোন্দুনা ধর্ম্মরাজদা ইকাই খুম্নবা উংলি।)

ধর্ম্মরাজ—"চিত্রগুপ্ত।

চিত্রগুপ্ত—তাকপিসি—ধর্ম্মরাজ।

ধর্ম্মরাজ—নোংমদা মশাং লাকঙমদনা মর্ত্তদগী থরায় কয়া কয়া মফম অসিদা লাকপনিনা কনানা কনানো হায়বা ঐ অমত্তা খঙবা ঙমদে। ঙবাং খঙলম্বত্তসু ঙসি কাউঠ, মখোয় মরি অসি কনা কনানো? করম্না মফম অসিদা লৈরম্লিবনো? মাগী মাগী লামায় ফাকুগা মখোয়গী দোষ-গুন ঐহোন্দা খঙহল্লু।

চিত্রগুপ্ত—খঙহল্লগে ধর্ম্মরাজ।

• (চিত্রগুপ্তনা মাগী বয়জাউহু কোয়কাক কাকই।)

ধর্ম্মরাজ—চিত্রগুপ্ত, হৌজিক কাওবা অমত্তা থেংনখিব্রা ? মতম মাগুহনগন্থ, চেন্দা লৈবা থবক পনগন্থ। মীরয়েন্দা লৈবা থরায় পুন্নমক্কী হিসাব পাবনা নখৌ ওইবদুদা নত্তন্থু মীরয়েনগী মচৎ লৌরক্লব্রা ? মীরয়েন্দা ওফিস মশা অমগী টেবল অমদগী টেবল অমা য়োঁবদা থা অমা চগুবদু মক্কম অসিদা য়াদে। মক্কম অসে অঙনবশিংগী লৈফমদু নত্তে, হাবী-জাবীগী মকোন শাক্কম নত্তে। থবক থুদিংমক খুদক্তা তৌগদবনি ; থীনবা য়াদে।

চিত্রগুপ্ত—থেংনজরে ধর্ম্মরাজ। হঙ্গৎচরগে, তাবিসি ; কলিগী মতম অসিদদি মবাল লৈত্তবা, পাপ তৌদবা থরায়সি অমত্তা য়াগদ্রে। থরায থুদিংমক পাপ্পা থল্লবা থবকপু পুন্য কংনবগী লম্বীগুম থল্লরে।

ধর্ম্মরাজ—করম-করম্বা থবক্তো মখোয়না অদুক খোয়দানা তৌরিবদুবু ?

চিত্রগুপ্ত—হঙ্গৎচগে ধর্ম্মরাজ। মীরয়েন্দা লৈবা থরায়শিং অসে অঙম অঙম্বা অমনা অমবু শেৎ-শেন্থনা চানবগী থাক য়োরে। থকসী-খাসী নাইদবে, মীয়ুংশি হায়বদু মচেৎ অমত্তা পক্লদরে। ঐগী মীগী হায়বসিন্থু ওয়োক্লা কন্না নাইনরে। মশাগী ওইজবা ওাক্তা থিনরে। মশাগীবু ওই-জরবদি অক-কত্ত করিম্থু য়েংদরে। জাইবঙ শেম্বা ঈশ্বর লৈ হায়বা কাউনরে। মখোয়গী মীৎনা উবা ঈশ্বরদি শেলনা ওইরে। সন-থুম, শেলগীদমক্তা অমনা অমবু হাৎপদা হলেংবা লৈনরে। শেক্তা থুমজানা মিরাং মহুম শাবদু ওায়রে।

অরোনবা কারবারনা কাচিন-কোয়য়া শীন-খুংলে। অদুগী মথক্তা নুপীসু নুপাসু অনীমক লমচৎ চুয়রে। মমীৎ করায়বা ভাক্তা মালেম-লৈমায় থরে। নুপীবু মী ওইনা খনবিরে। নুপা খুদিংনা নুপীবু কৈথেলদা য়োনবা শান্নপোৎকুম লৌনরে। নুপীনসু সত্তীগী রাথল অরিবা-অমনবনি হায়দুনা চুল্লোক্লরে। নুপা লৈবা নুপী কয়া কাওবা অরোনবা ফিজ্রও মরুমগী লীলা কয়া শান্নরে। ধর্ম্মরাজ, ওন্নোকপা মতৌনি। মীরয়েনগী কুমহৈ অসি হন্নৎচবদা লোইবা নাইগদবা লৈত্রে।

ধর্ম্মরাজ—পুন্নমক খঙলে, মরমচৎশিং অদুনা হৌজিক্কি কনাসু স্বর্গ য়োরকপা ঙমত্রবনি। অদুবু নরক্কদি অঙকপা ফংনা ঈরাং থোক্লে। মীরয়েনগী মথোয়গী হৈনবীশিং অদু থাদোক্কদুনা নরক্কসু শেঙ্গা-থুমজা, অয়োনবা কারবার অমদি লমচৎ চুমদবগী মকোন শাররে। হন্নক্তা নৌনা লাকপা থরায় অমনা মাগী দণ্ডি অদু থরা য়াংননবা হায়দুনা। ঐগী দুত্তা শেল পীরম্বগী কানদুনা অচৌবা রাথোক অমসু থোক্লবনি।

চিত্রগুপ্ত—খঙত্রে ধর্ম্মরাজ, মীরয়েনগী অসিগুম্বা লমচৎশিং অসে ইবুধৌ ব্রহ্মামক্তা শেম্বদদি য়াওখিদবনি। অদুবু মসিদা হৈনবী অমা ওইদুনা থরায় পুন্নমকশিং অসে খাঙথাং খোঙথাং থুদিংদা পাপ খোঙ্গাওনদুনঃ লৈরে। থরায় মরি অসিসু পাপকী খবকশিং অদুদগী নাম্নোকপা ঙম্বা নত্তে। অদুবু অরোইবা মীকুপ্তা মথোয়না ভৌজরকপা খবকী মহৈনা ধর্ম্মরাজগী মীচঙ-মীখায় নাইত্রবা খলনা ওনবদা মথোয়গী

মপাপশিং অদু কোকপিবা যারে লেপ্লহনা কোকপিবগা মখোয়বু মকম অসিদা লৈহনখিবনি।

ধর্ম্মরাজ—মখোয়না করম্বা ধর্ম্ম ভৌখিদুনা?

চিত্রগুপ্ত—লীংশিংজগে ধর্ম্মরাজ। থরায় মরিমক ১৯৬৫ গী আগষ্ট কী তাং ২৭ কী শুংথিন্দা খোকখিবা ছাত্র-ছাত্রী ময়ামগী চাবা ফংজে, পীযু হায়জবদা লৈঙাক মপুশিংনা শেরায়বা রাখয়া লমজিং ওইহনা লোংমৈ কায়দগী মরাইবক থীবগী অরাবা নংজবরুবা ওাকুনি। (নীলমণিদা খুদোম্বীনা থিল্লদুনা) কোলোয়না নীলমণি কৌবা থরায়সে লৈঙাক মপুগী মনাই ওইজবা গাড়ী খোহনা জীবিকা তাঞ্জবনি। তমথীরবা মীওৎ-মীনৈদু য়েংবা ঙমদবদগী মতেং পাংগে চেনশিল্লুবদা তমথীরবা শয়তানশিং অদুনা শঙ্গিন্না থিন্দুনা থরায়গা হকচাংগা থাইনহল্লকপনি।

ধর্ম্মরাজ—ধন্যনি হে থরায়।

চিত্রগুপ্ত—(প্রমোদিনীদ খুদোম্বীনা থিল্লগা বয়জাউগী চেনা অমা কাল্লহনা) প্রমোদিনী কৌবী থরায় অসিনা চুম্বা চীঙ্গাক পীযু চৎচরুবদা ময়ামগী খোঙনেৎ-খাদা কাঙক্রুম থরো ওনবদগী মীরয়েন থাদোরকপনি। (বয়গী চেনা থম্বা অমুক ফাজোক্লগা নবকুমারদা খুদোম্বীনা থিন্দুনা) থরায় অসিগী কোলোয়না নবকুমার। মীয়ামগী লান্নবা মপুকশিং অদুগী চকম থরদং কংজনবা হায়রুনা অকনবা খোল্লাউগা লোয়নবা চীঙ্গাক পীযু কায়জরুবদা কজবা শয়তানশিং অদুনা হুম্না হম্না নোংমৈনা কাপশিনবিরদগী হকচাং পোল্লাং থাদোক্লয়গা মকম অসি য়ৌরকপনি।

ধর্ম্মরাজ—অদুগুম্বা ফত্রবা শয়তানশিং অদো ঐগী চৈরাক্তগী নাম্বোক্কদবা অমত্তা লৈতে। মখা হায়থো।

চিত্রগুপ্ত—(বয়গী চেনা খরা ফাক্কোক্লগা চাউডলদা থুদোক্নীনা খিক্কদুনা) শয়তানশিংনা ফুবদদা পোল্লবা হকচাং পোল্লাং অদু পাক থাদোকপা ওমত্রদুনা কুইনা মীরম্লেন্দা অরা-চৈনা থাঙজররুবা চাউডল কৌবা থরায়নি।

ধর্ম্মরাজ—উম, ঐ লোইনা নীংশিংলে। তাও থরায মরিমক, পাপ্পা কুয়োম ওইরবা তমথীরবশিং অদুগী থরায় থুদিংলক অমত্তা চিথদনা ঐগী ইনাক্তা য়োরক্লগা চৈরাক ফংলরগদবা ওাক্তনি। ওষ্নোকপনি, মীরম্লেন অসিদি মতৌ অমা ওইরে। লাউথা কনবনা থুল্লাকপা শকপা; অঙম অঙম হাৎনবা, চানবা; করাম চাউবা; ঐগী মীগী নাইবা; তৌগদবা মখোনি তৌদবা, শেঙ্গা থুমজাদা থিবা; নুপা-নুপী খায়দবা, লমচৎ নাইদবা নাইদবী ওাক্তগী য়াকাবুং ওইরে। য়েংহৈদবা, তাহৈদবা, তৌহৈদবা ওাক্তনা মীরম্লেন অসি পুমথন থনখ্রে।

চিত্রগুপ্ত—অচুম্বনি ধর্ম্মরাজ। মখোয়গী মপাপময়াম অদু ইবদা লোইবা খপা নাইররোইদবা ঐগী বয়ক্তাপ অসে চল্লক্লরোইত্রা। হায়না মুংশা থীরে। বয় অসে পাপ্পমু থল্লে। ঐগী ইশা অসিদা ফাওবা পাপকী মহীক চঙলকদবোই নীংলে।

ধর্ম্মরাজ—চিত্রগুপ্ত, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক নরক্তা চৈরাক কংহুনা লৈরিবা শয়তান অনীদুগী লমায় কাক্কোকউ।

চিত্রগুপ্ত—(বয়গী চেনা থরা ফাক্কোক্লগা) ধর্ম্মরাজ ভমথীরবা থরায় অনী অসি অমনা শূংলাই পায়দবা থরায় অমদা হুম্না হম্না নোংমৈনা কাপ্লদা হলেংবা লৈত্রবা মথৌ শুঙবা হুই ; অমনা থরায় অমগী মথবাক্তা খোঙউপ বুটনা নেৎলগা শঙ্গিন্না থিনবা ভম্বা মীনুংশি খঙদবা কৈশাল।

ধর্ম্মরাজ—খঙলে, মখোয়গী গাড়ী গুরুং চৎকহ্লগা মখোয় অনীবু দূতশিংনা ফাদুনা পুরকপনি। মখোয় অনীমক মরালগীদমক চক্কী কল্ল অমা অশাবা থাংদা ভৌবগী চৈরাক পীরিবনি। মতুংদা হুই অমদি কৈশালগী মপোক ওইনা অমুক থাম্বিগনি।

চিত্রগুপ্ত—মপাপকীদমক মদুমক মতিক চারবনি ধর্ম্মরাজ।

ধর্ম্মরাজ—মীরম্লেনগী থরায় পুম্নমক ঐগী চৈরাক ফংদবা কলাস্থু য়াওররোই। সাধু-বৈষ্ণবনি হায়দুনা লৈরিবা ফাওবা লম্নোই-বনা শমজেৎ পুবগী থোদোদা লোইনা থরক চথরে। নোংমা-নোংমগী মথং-মথং দূতশিংনা ফাদুনা ঐগী ইনাক্তা লোইনা পুরক্লগনি। ওইদবা ভাঙবা, শেঞ্জা থুমজা হৈবা, লমচৎ নাইদবা-নাইদবী পুম্নমক লোইনা ঐগী চৈরাক ফংলগনি। ঐগী পাপ-পুন্যগী খল অসি মীচঙ-মীথায় নাইবা নত্তে। মানা মানা তৌজরকপা অহু মচা তানা পোপ-পোপ থাইদোকপিবত্তনি। তারিত্রা থরায় মরিমক, নখোয় হৌজিক্কি কৌথ্রবা মীরম্লেনগী মপোকীদমক মুংনাংলুরগন্থু। মত্তুম অসিদদি মতম পুম্নমক্তা নখোয়না শাস্তিগী রাথলতবু শাগোম্নরগদবনি।

মরিমক—(মথুৎ লোম্নরগা মঙক নোন্দুনা) ধর্ম্মরাজগী রাথংনি।

নবকুমার—ধর্ম্মরাজ, ননাইনা মীরম্লেন্দা লৈরিবা মহাম্বোল ছাত্র ছাত্রী পুম্নমক্তা রাজনীতিম্নালাশিংগী ঈথিল চঙহন্দনা ফম্ভববু মন্না ফংনা মাঙহল্লগা অচুম্বা লমজিংগী মখাদা মালেমগী অনৌবা অহোংবা শক্তম অমা পুরক্লবা য়াইফ পাউজেল অমতং থাজনীংঙি।

ধর্ম্মরাজ—তাও থরায়, হৌজিক মীরম্লেন্দা তাবিনবা কনা লৈত্রে। পাউতাক পীবিনবদি কোঙ্গায়নি, ইনবিনবদনি লৈতবা। অদুবু য়ৌবা ওইসনু নহাক্কী য়াইফ-পাউজেলত্তু।

নবকুমার—(মঙক নোন্দুনা) ধর্ম্মরাজগী থোজাম্নি।

(অঙকপা খোজেলগা লোয়নন্না স্বর্গগী লৈকোন থক-থক নীক্লকই। লৈরিবা পুম্বা লোইনা ঙক্লে।)

ধর্ম্মরাজ—চিত্রগুপ্ত, তৌরিবা উপদ্রব অসিগী মরম করিনো ?

চিত্রগুপ্ত—ধর্ম্মরাজ, শেঙ্গা থুমজাদা য়াম্না হৈনবা, মীগী মপুক্তী মাঙহনবনা পামজবা ওইবা মরমচৎ য়াম্না কান্বা থরায় অমা দূতশিংদুনা ফাদুনা পুরক্লে। মহাক্কী মপাপ ময়াম অদুগী প্রতিধ্বনিনি ধর্ম্মরাজ।

ধর্ম্মরাজ—অদুদি মকম অসিদা কুইনা পম্বা য়াদ্রে। থরায় মরিমক, নখোয়দি মতম পূম্নমক্তা শান্তিতবু থাগোম্নরগনবনি ; কাউবা য়াদে।

মরিমক—(থূং লোম্নরগা মঙক নোন্দুনা) ধর্ম্মরাজ।

ধর্ম্মরাজ—(মখূং তিংথোক্লগা বন্ন পীরদুনা) ওঁ শান্তি। ওঁ শান্তি !

(ধর্ম্মরাজ চংখি। চিত্রগুপ্ত মাগী বয়জাউদু থুমজিল্লগা নাকন্দা য়েপশিল্লি। অদুগা চংখি।)

[তপ্না তপ্না ফিজঙ হাইজিল্লকই।]

অঙম্বু
ঙম্বা

চুড়াচান্দপুর
নভেম্বরগী অহানবা ময়োল
১৯৭১

মীশক মীওই :—

১। রাজমণি : এস ডি ও সাহেব।

২। তোম্বা : এস ডি ও সাহেবকী মখুমগী চাপ্রাসী।

৩। জগৎ : তৌবা ওম্বদা মমিং লৈরবা নুপা অমা

৪। অহন : লবায় নুপা অমা।

৫। পুলিস সব-ইন্সপেক্টর।

৬। পুলিস কন্সটেবল

এস ডি ও রাজমণিগী

মূম

(রাইমরপ ওইবা ইমুংনি। এস ডি ও রাজমনি বাবুগী মী উরকম কানি কাগী লৈতে' য়াম্না চম্নি, অছবু তক তনান্না ফনা নীংখিজে। কাগী ময়ায় য়েৎ থরদি ওইরপ্প রাজমণি বাবুনা ফমবা টেবল চৌকি থাই। টেবল মথক্তা ফোন মখোঙ পানবা কেলেণ্ডর অমা, লাইব্রিক অথাবা অমা-অনী অমম্লুং পেপর য়েইটনা নননশিনবা চে খরা লৈ। ওযবোম থ'বা নাকল মাঙ খরা ওইরপ্পা উন্নবা লাকপা মীশিংনা ফমবা চৌকি অনী অহুম থাই। ওয়ৱোম থংবদুগী ভুং ওইরপ্পা টেবল অমা লৈ। টেবল মথক্তুদা রেডিও, টেবল-ক্লোক অমম্লুং ফুলগ্লাস থম্নি। য়েৎথ বা নাকনগী ভুং ওইরপ তৌনা লাইব্রিক লাইগু হাপ্পা উপু আলমিরা মিংশেন চনবা মচা অমা লৈ। ফক্লাংদা মিংশেল চনবা অফাওবা মীওইশিংগী ফোটো থর অমম্লুং মুপী য়েকপা কেলেণ্ডব অমা অনী থেৎলি। য়েৎথংবা নাক্কা ইমুংলোমদা চঙখিনবা থোঙনি, অদুগা ওয়থংবা নাকমা মপান্দা চথোক চৎশিন তৌনবনি। কা অম্তুদা রাজমণি বাবুগী চাপ্রাসী তোম্বা নক্কনা কনাগুম্বা অমত্তা লৈতে। তোম্বা চহী য়াঙ্খেমুক ওরবা অহল্লি। মরৈ থরা থরা লোম্মি। মহাক গি মচা অমা পায়দুনা টেবল, চৌকি, উপুনচিংবা কম্থোক নাম্থোকলি। তাঞ্জাদুদা ফোন লাকই। তোম্বা প্রেপ প্রেপ চঙশিন্দুনা ফোন পায, বা ভাওনৈ।)

তোম্বা—হলো, ওঃ এনে। তোম্বা! ... ... এখোয় সাহেবপু হায়বরা? বাবুবু কনা ওইরবনো? করি থবক্কী... ... ? ... মন্ত্রী বাবু! ওঃ খঙজদ তৌনি। ... ... এখোয় সাহেবননে ফোন তৌরকইবা মীদো মশক খঙজবদি এঙোন্দা। চৈয়ে,

অহুনা হংজবা। - . হোয়। ঐখোয় সা'হবনা হায়রিবা মী অমু কনানো, করি থবক্তৗনে মুম' হংউ । .অ . অহুগা সাংগুম্বা নপুগা কান্নবা মী ওইংগন। লৈ কাযম্বু, অদুগা সাহেবতা ভাক্লকুট হায়রে। . অ'. . কাম্মদবা মশক থঙদবা মী ওইবগনা মশা লৈত্তে হায়খে হায়রিবা ‥ ‥ অহোয়। ... ফনি, কায়জ্রগে। অহোয় । (মখুৎনা ফোন পায়দুনা লৈরগা) সাহেব, তাবিরিবরো সাহেব।

রাজমণি—(থংনবা কাদগী) কনি'না ত ব?

তোম্বা—ফোন লাকএ, মন্ত্রী বাবুদগী।

(রাজমণি থংনবা কাদগী চঙলকই। চহী নীফুমক্তী মা'ইনি ফম চাউববনি হায়দুনা নাপনকাম্ব হাইফেৎ তৌজব মা'গনি।

রাজমণি—কনাদগীনি হায়বা?

তোম্বা—মন্ত্রী বাবুদগী।

রাজমণি— ওঃ (প্রপ প্রপ চঙশিন্দুনা তোম্বদগী ফোন লৌরগা বা ঙাঙনৈ।) হলো, ওঃ তাইবুংঙোবু ‥‥ ‥ কব্রি তাকপিগদবা? ‥ ‥‥ অহোয়, ‥‥ অহোয়। ‥ ‥ ফনি। অদুদা রাকম অদুবু ‥‥ ‥‥, ঐনা হায়জনী'বনা, ‥ ওঃ খোইনবুদি বেরা লৈত্তে। ‥‥‥ অহোয়, অমত্তুগীদি যাম্না লায়দা তাইবুংঙোবু; মত্তুগীবুদি ননাও লৈজবিদা। হোয়, তাইবুংঙোখোয়গীদমক ননাও, অদুগা ননাওগীদমকপু তাই-বুংঙোখোয়। করিবু ওইরবনো? ‥ ‥ মতু শাউলু লুগা নত্তে, মাইনর কেশনি। ‥‥ অহোয়, ‥ ফনি-ফনি, শোয়দনা

তৌজগে। ...হোয়েনগীনা করি ওইবিরব্নো ? ..কনা-কনা ?
তাইবুংঙোখোর মন্ত্রী মন্নামগী মরক্তা ননাওনা কনায়দগী
যাওজবোইদা। ... ... নহুদি নমাওবু মুংশিবিবগী রাকমি।
ইরাইবক্তুম ফবনি। .. .. এঃ এঃ মহুগীকমক্তদি ...... ফনি,
লাকচগে। পুং কয়াদনো তাকশিরিবহুবু ? . ... অহোয়
অহুদি মুমিদাংগী পুং নীপান্দা হেক্কা য়োৌজরক্লগে। ... . .
ফনি, ... মফম্বু শঙ্গায়দরা নত্রগা হোটেলদরা ? .. ..
ফনি, অহুদি ননাও থমজরগে। ...য়েস, শ কে।

(রাজমণি ফোন থম্মি, অহুগা চৌকিদা ফম্মি।)

তোম্বা সাহেব।
রাজমণি—কবিনে ত-তোম্বা ?
তোম্ব—গোরেশবু পার্টি লেঙবিগদৌরিব্রা ?
রাজমণি—ঙাইখোনে তা-তোম্বা, মুমীৎ খুদিংগী নহাক্না ঐঙোক্না পার্টি চৎকত্রদা হংবসিবু করিগীনো ?
তোম্বা- বারৌবিম্নু সাহেব, হংজরম্রোই।
রাজমণি—বারৌবুদি রারৌদনে। অত্তনা হংলিবহুবু নহাকী করি কাম্নবা লৈবগে হায়বনি।
তোম্বা—হংজদৌত্রবদি ননাই তাদ হয়েং চক্তীক চাজদৌরিবা।
রাজমণি—অহুগী হংডিবা রা ওইবে।
তোম্বা—অহুদম্ভ নক্তনা সাহেবতি ওঙ্খিন্নকপদা মনমও মহাং-ও ; মহু ঐনা কয়া হৈনজদবা।
রাজমণি—হৈনত্রবদি হৈনবা মী ওইনা থম্বা তারেদুনা। ..

তোম্বা—(মুংশা থীরম্বা) মদু হায়বিম্মু সাহেব। হৈনগ্রবস্তু হৈবদনা হুম খাঙজগে। সাহেবনা পীবিবা থরদুনা ননাইগী ইচা-ইশু পুম্নমক্কী জীবিকা ওইজরিবনি।

রাজমণি—তা-তোম্বা, নহাক্কি থায়নগী খুম্মুংগী অহম্নি; অদুনা খঙদ্রবনিনে। য়েংঙোই, ঐগীদা লৈরবদি খুদুং ওইবা য়াদ্রবনি খঙলদ্রা? মকম-মতমগা চাননা অপ টু-ডেট ওইগদবনি, থরদি খঙগদবনি। তাদনা মনম হৈনদে হায়দ্রিবা মহীদো, মদু য়াওদ্রবদি হৌজিক্কী যুগ অসিদা মী অমা ওইবা য়াদ্রবনি। মদুগুম্না মহী-মনায়দো ঙাওনি হৌজিক্কী মতমদা পার্টি পার্টি হায়না তোনবিবসি। অসিগুম্বা পার্টি অসিবু য়াওদ্রগা, মহী-মনায় অসি চাগা-থকপা হৈদ্রবা, ঐ অসে এস ডি ও সাহেবনি হায়দুনা কনানা সম্মান-ইজ্জৎ তৌবিগদগে?

তোম্বা—চুম্মি সাহেবনা তাকপিবা। মতুং মনাও নমথীককা হায়জররোই। চজীক্কদি চাজদনবা চাক হাম্পু-হাপকম্মু হায়বিরম্মু।

রাজমণি—মদুদি তা-তোম্বা, ফনা লুবা য়ানি। ওফিসতা পাউ খঙবা ওইরবদি ফোন্দা হায়রকপা ময়ায়। য়ুমদা হায়া খঙলগনা চৎলমদাইদা মহায়গনি। অদুদি নত্তবা লম্বী-লমথাঙদা মরূপ-মপাং কনা কনাগুম্বা উম্নদুনা ঙসিদি অত্থ-অদা পার্টি-মুংদি হেক মহায়রবদি তাদদা তাক্কপা করম্না ঙমগদৌরিবনো?

তোম্বা—মদুদ্দ চুম্মি সাহেব।

রাজমণি—অদুননে তা-ঙাম্বা, চাব ভাক্তে চানীংত্রবদি চারুম্মু। হেক্কা লংশেকখে।

তোম্বা—করি রানা সাহেব, অদুক হেক্তংঙ থাদিদবু।

রাজমণি—মতুগী দনক করিম্নু চিংনকপ্লনে তা তোম্বা। নঙনম্নু হেম্না উরবদুনি, অ বকী মথক্তা থরকী ইনথাংগী মী কযা-কয়া হওং তত্তনা লাক্তুনা শেন চবুন চবুন লংশিল্লক্লিবদো। লেম্না কংবা শেন্দূনা চাবনি, হুন্দোকখিবদা করিম্নু পাম্মুংনম্নু।

তোম্বা—অদুদা সাহেব, সাহেবতদি বরিম্নু ওইনা থনখিদবা। মনাই ঐখোযদদি সনা মতম অমবুদি চেঙ মক অমনা হেম্না লুনা থংঙ্গ। চাক হায়বসি জীব ঐখোয়গীদি থরাখনিদো।

রাজমণি—অদু ওইরবস্ত তাদ, ঐগীদা লৈরবদি ঐঙম্না তৌবা ভাই। নকপদি ঐগী ইজ্জৎ মাঙগনি। চঙীক পূথম অমনা ঐগী ইজ্জৎ লৈবা কংবা নত্তে।

তোম্বা—চুম্মি সাহেব, অত্তুদা নোংফাদোক্তা নকবতুদা।

রাজমণি—থা অমা ওইগে ওইয়ু, চহী অমা ওইগে ওইয়ু; ঐগীদি ইজ্জৎকী বাফম্নি। তাদনা যাম্না পাম্মুরগা চাক্তবা, চানীংত্রগা লংশেকখিব; ঐক বমক্তা বেবা লৈতে। অদুগনে তাদ, হুন্দোকপ্রবস্তু লেং মাঙবা নত্তেনে। তীল-ঝাঙ, উচেক বাঝানা মরাইনা চাজখিনি।

তোম্বা—অদুবু সাহেব, তাইবঙ নী ঐখোয়না ফাওবা চাবা ফংনত্রবসিদা।

রাজমণি—অদু ওইরবস্ত তাদ, ঐগীদি ইজ্জৎ! ইজ্জৎ মাঙবা যাবা নত্তেনে। চাক চগ্রিং অমনা চেঙকোক অমা মাংঙি

হায়নবক্তম চাক ন্যীক পুখম অমনা এগী ইঙ্ক ৎ মাঙ্গনবা য়াদে। মাঙজমন্থনে চাক্লে। এগী শেঙ্গি, এগী ফুরাংগাইদগী তিংবনি।

তোম্বা—করে সাহেব, মাঙজরমজ্ঞ। য়াঙ্গৌনিঙ্গুনে।

(তোম্বা থংনবা কাদা চঙথিগে তৌই।)

রাজমণি—ঙাইখো তা-তোম্বা। দুকান কাথবদা ঙাক্কাক্ত চৎলুচো। চুকপ লোইথোকখ্রে গোদে ক্লেক উপু অমাদ লৈরকউ।

তোম্বা—ফমি সাহেব।

(রাজমণি শাচই অমা পুথোকগা লাম্বদ ... জুপা তয়াড় লোবগা মপাল্লোনদ চং ... উপু হাংদোক্লুনা ... থবর পুবগা চঙলকই।)

তোম্বা—সাহেব, মসি সিদা থমজনগে।

রাজমণি—থম্মু।

(তোম্বা টেবল মথক্তা খবর থম্মি, অদুগ অমুক থোকথিগে লৌই।)

রাজমণি—কদায়দনো তা-তোম্বা?

তোম্বা—দুকান্দা চুকপ হায়বদু লৈজক্লখিগে।

রাজমণি—লৈরক্লিব্রাও?

তোম্বা—লৈরকত্রি। কোঙ্গোঙদা লোকবনা থবর পীবন্দুনা কাম্বা পুশিনরক্লবা।

রাজমণি—চংলো, থরা থুনা লাকউ।

(ক্রোক্পা চংথি। রাজমণি উপুদগী লোইথোকপা মাইরিক্তু টেবল মথক্তা থম্লগা থবর লোথংত্রুনা কায়ফেং য়েংঙি। অচৌদগী ইবেজ্রনা ফমথরগা থবর পাড্রনা লৈ। ওকাক লৈরগা চহী হুফ্মুক শুরবা লয়াবগী অহন অমা য়াঙা কিথি কিকম তৌনা চঙলকই। মান। পুরকপা ছাটিন্দু ওপা লৈমায়দা থম্লগা মথুং লেংলৈ।)

অহন—বাবুবু।

রাজমণি—তাশিংমদে, অদুম থবর পাড্রনা লৈ।)

অহন—ইবুংঙো সাহেবপু ননাই খুরা লাকচরিদ।

রাজমণি—(হাইফেং য়েংগা করিস্ত থোশাদনা) ওঃ অহন, কাবনো?

অহন—বুংঙো বাবু, ননাই খুরাগী লোগী কেশ অডুগী—।

রাজমণি—করম্ব লোগী কেশ? করম্ব লোফনগীনো? লাওশ্রমগা লৌ বড়বা?

অহন—নচ্চদে বাবু সনাগী তৌয়বা। তৌনবা কেশ অডুগীনি।

রাজমণি—ওঃ সনাগী তৌয়াবগী তৌনব কেশতুগী ওইরবদি ঐগা রা ওঙনবগী কান্নদা ফংলোই।

অহন—হায়বিন্নু বাবু।

রাজমণি—অ, মথা তানা কাম্লোইদবা।

অহন—ননাই খুরাদি ইচুমদা চুমডবনি। অডুদা মথোয়না—

রাজমণি—চুপ্পা চুমদবা কান্নবা কবিস্ত লৈহৌরোইনে অহন।

অহন—হায়বিন্নু বাবু। ইবুংঙো বাবুদি অঙম্বমি। ইবুংঙোনা হন্দকীসি উপায় অমুক্তং তৌবিজ্রবদি? ইবুংঙোনা ইঙমদা ওম্বা; চুপ্পি কায়না হেক ইবিবদা লোইরবা।

রাজমণি—ওহো, অরেম্বদা রা মাঙনবা পঙঙাঙ ঙাঙলে।
ন্নখিবনত্রম হেম্রা খুদোং চাগনিদা অহন।

অহন—ইবুংঙো, খুম্বাবু অমুক্কং মুংশিবিত্রবদি। অচুম অরান
ইবুংঙোনা হেম্রা খঙবিরবনি।

রাজমণি—জ্ঞান তাউমে অহন ওইররোইদবদা রা ঙাঙনবদি
ঐগী মতম শীংলি; অদুগা অহনসু পদাঙ চাক্রুনে?
(তোম্বা চুরুপ লৈরুবা হল্লকই। টেবল মথক্ত চুরুপ থম্মি।)

তোম্বা—সাহেব, চুরুপ হায়বদু সিদা লৈরে।

রাজমণি—করিনো তা-তোম্বা, তৌরকইবসে? গোল্ড ফ্লেক
লৈরকউ হায়রগা করি চুরুপনো লৈরকইবসিবু।

তোম্বা—সাহেবনা হায়বিবদু নত্রাও? সাহেবখোয়গী গোফেক
মুংফেক খঙজদেদা। হায়বা হেক্তা কাউথোকই। মচু মায়ৈ
হায়ম্না লৈবকপানি। সিম্নু চুরুপ্নি; চুরুপকী চুরুপ
অমহানিদা সাহেব।

রাজমণি—করিগী অমহানো? ঐদি গোল্ড ফ্লেক নত্তদি থক্তে
হায়বসি খঙত্রাও? সিগুম্বা চুরুপসি টেবল মথক্তা থমগনু।
লৌশিনখো, মীনা উরগা ইকাই।

তোম্বা—(চুরুপ লৌশিল্লগা) ফনি সাহেব, সাহেবকীচু অমুক
লৈজরুখো হায়বরা?

রাজমণি—তোকও, অমুকসু শোয়রগা অরেম্বদা শেন মাঙনবনি।
হোৱেল ঐ হেক্তা লৈজরগে।

তোম্বা—সিদি? হঙোকউরো হায়বরা?

রাজমণি—হন্দোকউত্ত, চুরুপ উপু অনীথক্তু অমুক হন্দোক-হজিং তৌবদা ঐ চোপকনিকো। তাদ অক্তুম থকচনো।

অহন বাবু লিপদি। পওয়াম য়ামজত্রে; য়াবৌবিগনু।

(অহন অতুনা কুরিংখাউবগী শেন ময়োম মচা অমা পুখোরকই। তোম্বনা ময়োম মচাত্ত লৌগে তৌই।)

রাজমণি—তা-তোম্বা, মচু লৌবা য়াবা শেনকম নত্তে।

(তোম্বা লৌগে তৌরবা তোকই।)

অহন—ইবুংঙো বাবু, ইবুংঙোনা অমুক্তং উপায় তৌবিরবদি হন্দকী ননাই শুরাগী কেশ অসে —

(মথুং থক-থক নীক্তা শেল ময়োম অত্তু টেবল মথক্তা থম্মি।)

রাজমণি—ইহে অহন, মচু য়ারোইনে। (কন্নবদগী হৌপকত্তুনা) ময়োম মচা অসি লৌশিল্লু। (শাউরগা) ঐবু মোয়োক মেৎপদা জাৎ তাহনগদৌবগী তৌরিব্রা ?

অহন—অদুম্মা থনবিম্মু বাবু।

রাজমণি—থনবা-থন্দবগী রাকম কবিনো ? ওসায়না য়ারোই হায়বচুদা হেক হনথ্রবদি মনা-মনিল নাইনবোইদবা। তা তোম্বা।

তোম্বা—য়াহেম্মু।

রাজমণি—অহন অসি মপান্দা পুথোকখো। [illegible]

[illegible]খোকখো।

([illegible])
মথুজ্জা পী।)

তোম্বা—সে তাদ, লৌশিল্লে। য়াবল্লোই, মপান্দা লেভথোক্লসি।

অহন—ইনাওনা ইবুংঙো থাবুদা অমুক্কং হায়রিব্রবাদ। নত্রবদি ইয়াম্বা—

তোম্বা—মচু য়াদে তাদ, ইচিন-ইনাও কোম্না উম্লসি। ওসিদি লেঙথোকপিবনা ফরগনি।

(অহন্দু মথয়ায় হুংঙাইতনা থোকখি।)

রাজমণি—তা-তোম্বা, অহন্দু ছাটিন হুন্দোক্লম্মে। থরা পীখিবো;

তোম্বা—ইহে ওন্থোকপা অহন্নিদকো।

(তোম্বা ছাটিন্দু পীবা থোকখি। রাজমণি লেপ্লা লেপ্লা থবর য়েংই। তোম্বা চঙলকই। অহন্দুগী ময়োমচু পায়রকই। খুৎনা মতুংলোমদা লোংশিল্লি।)

রাজমণি—তা-তোম্বা, করিনো নতুংদা পায়রিবদো? অহন্দুগী ময়োমচু অমুক লৌহোরব্রাও?

তোম্বা—লৌজহোদে সাহেব। ওসায়গী চুক্কপ উপু অনীচু ননাইনা য়োমশিল্লবনি। অমুকপা শেন্দু সিদা।

(রাজমণিদা তোম্বনা শেন পীগে তৌই।)

রাজমণি—তাদনা অহুম থম্মো, করি করি অরাং অপা লৈননবা।

তোম্বা—অনি।

(তোম্বা শেলনে চুকপনে ময়োম মচা অম্বনে পুমপ ফিরৈদা য়েপশিল্লি।)

রাজমণি—তা-তোম্বা, নঙবু হৌজিক লাক্লম্বা অহন্থব হাংমা খঙনব্রাও?

তোম্বা—করিমতা খঙনজদে সাহেব।

রাজমণি—অদুগী য়াম্না খঙন-চাম্মবদৌনা ইচিন-ইনাও কোম্না উম্লসিকা হায়রিবা?

তোম্বা—চুম্মা হুম্ব হেক্তা হায়দোকখিবনি।

রাজমণি—ঐগীদা লৈবা কুটরবনিনা মীওক মীচানিদি কনা হৈরেবে তাদব্রু। অতুগনে তা-তোম্বা, অহন অতুগী শেন-খুমকাদি লৌরু-লাক্নুহুকো।

তোম্বা—সাহেব, অহন অতবু?

রাজমণি—অহন্দু কৈদৌরবগে?

তোম্বা—মাবু কয়াম মরাল লৈরবগে? সাহেবনা চুমথোক চুমশিন করিমতা—

রাজমণি—তা-তোম্বা, অহন অতুগী মরান করিস্নু লৈতবনি। মতৌদু উবদা ঐস্নু সুংশিবা পোকই। কেশ অতুস্নু মানা ইচুম চুমজবনি।

তোম্বা—অতুদি সাহেব, মাগী ময়োমতু লৌহৌবা করিস্নু কায়দেন্না।। ময়োম মচা অদো রামত্রবদা লুপা চামা/চনীদি মওইরমগনি।।

রাজমণি—অতু ওইরবস্নু তাদ, হন্দকী মতাং অসে লৌখু, মাদবা মতাং থোক্নে। মানা কনা চুমজবকস্নু চুমোইদৌরি। ঐনা মাবু লানহনগদৌরি।

তোম্বা—সাহেব, অয়ানবা নুপা অতুদগী কয়াযুক যাম্না কংনীংঙাই আশা লৈবগে?

রাজমণি—মস্তোঙ্গনীদি কংনীংঙাই করিমতা লৈতবা অমংনি।

তোম্বা—অতুদি সাহেব, অচুম্বসিবু অমুম চুমহনবা, অতুগা চৌকমু মমা খুঙ্গিক-কংহৌবসিবু—।

রাজমণি—হৌজিক মতাং অসে মত্রু য়াদেনে তা-তোম্বা। পৈশা অমা কাওবা কঞ্জেনসু অয়ানবা অহুবু চুমহন্দুনা অচুবা অনিবুনা লানহন্নবা য়াক্রবনি। মসি অন্দুগী মরাইবক মীবনি। হৌজিক্তা তাইবুংঙো মন্ত্রীনা ঐঙোম্বা কোন তৌরকপাহ্ তাদনু খঙহৌইদনা। অন্দুগা লায়্বা তৌনরিবা সলাম তোয়ায় হায়বদো মন্ত্রীগী মীনি। তাইবুংঙোনা য়াগী মীলিনা ভমহন্নবা য়াদে হায়রক্লিবনি। মত্রুগীদমকপ্ত হোয়েন শার্টি লৈরিবনি।

তোম্বা—অস, সাহেবতি ভমদবা লৈতে: থোক্তা-থাক্তা য়ায়া ভশ্নিজাংনি। অয়ানববুস্থ চুমহল্লি, অচুববুস্থ লানহল্লি। সাহেবনা লোইনা ভন্নি। অদুবু অসুক ভম্বা ঐখোয় সাহেবপু শেনস্থ কংদবা মন্ত্রীনা হেক্তা ভম্ন্য?

রাজমণি—অঃ, তোম্বা, নগাক জ্ঞান তাদ্রে। রাজনীতিবালা মন্ত্রী হায়বসিদি অত্তপ্পনিনে পূমক্তম ভবা। মকম মতমগী মচুং ইন্না মখোয়না ভম্বা মতাং, ঐনা ভম্বা মতাং—মতাং মতাং লৈ। অইবুংঙো মন্ত্রীখোয়না হায়বা হেক ইন্নুনবদা চাউকয়ে ভমজয়ে হায়দুনা লৈরিবা এস ডি ও ঐ অসে থোকা [illegible] মায়জিন হেক্তা তৌবকনি। অদুনা ঐবু ভশিবা মখোয়নিনে। অদুনা মতাং [illegible] ইন্না [illegible]।

[illegible]

রাজমণি—মতাং মতাংগীনিনে তা-তোম্বা। ভোট ময়া ওইরক্লবনিনা তাইবুংতো মন্ত্রীসু থম্বা ভমহৌদনবা য়াদবা।

তোম্বা—খঙজয়ে সাহেব। অঙগবু ভম্বা, অঙঙবুসু ভম্বা, শুমঙগ ভম্বা য়াম্বা লৈরমায়ে।

রাজমণি—হোয়নে তা-তোম্বা, মী মচাদমশুবু ঐখোয়না ভম্বা, ঐখোয়বু অমুক অমনা ভম্বা—, ঐনা তাক্কা ভম্বদি ঐ নিংথৌমক্তি নত্তেদনা।

তোম্বা—চুম্মি সাহেব, অদুবু শৌজিকী ইচুম চুমজবা অহন অদুদি সাহেবনা ভম্বনিনা অদুগ লানহনবা তারেদো?

রাজমণি—কমদৌনি, লানহনবা তাদেদনা। মতাংনদি য়াদে। মাবু লানহল্লিবদো ঐ ইশাগী থৃকউ শেল্লিবনি। মতোনগী হাবী-জাবীকাদি তৌরুবনুকো তা-তোম্বা। অমাদা মফমদা তৌবদি ঐ য়াই। অদুবু অহন্দুদদি তৌরু-লাক্রবা য়াক্রবনি। নক্রবদি অমসু অমসু ইচোপ চোপ্পনি।

(রাজমণি মগুলী থংনবা কাদা চত্থি। তোম্বা ফিবৈগী য়েপশিনথিবা মমোম মচাদু পুথোরকই।)

তোম্বা ইস। সিনা কমদৌবা? সাহেবনদি য়াদে হায়রিং ঐনদি য়াতনগে হায়দুনা লৌহৌরে। তৌদৌসে কনা জুইদা। চনীমুক্তি মত্তবমগনিসে। হোযদে লৌহৌরবদবু; খোক্ল-খোক্লবা লাকনি। মানা লৌহৌ হায়দুনা শীবহুসিবু। ঐগী হেক ওইথোক্লগা লৌইরে। চঙলক্লবা মক্কীবু মীরায়বা হৌনদে।

(রোজমণি থংবদা কাপগী চঙলকই। তোম্বা ময়োমচু কিউরদা অমুক য়েংশিনথি।)

রাজমণি—তা-তোম্বা, লক্ষ্মী কৈদৌরবা?

তোম্বা—ও ...... সাহেবপু, হন্দক্তি লক্ষ্মী পূজা তৌসি হায়না সাহেবতা হায়গে খল্লরম্মিবা।

রাজমণি—কৈনে; তৌসি কৈদৌবগে অহুবু।

তোম্বা—হোয় সাহেব, তৌসি। লক্ষ্মী মীরায়বা ফত্তে।

রাজমণি—কালক্রিবা শেন অসিদগী অমুক্তা গেম্মা কংনবা হন্দকী লক্ষ্মী পূজা সুমীত্তা হেক্তা তৌরগা লোইরেদনা।

(রাজমণি চৌকিদা ফমথৈ।)

তোম্বা—অহুনি সাহেব, শোয়দনা তৌসিকো।

রাজমণি—হোয়নে, তৌসিনে। অদুগা এনা হেক চঙলকপগা কিরৈদা হেক্তা য়েংশিনজুবু করিনো? নত্তে তা-তোম্বা, নত্তবু অহমুদগী শেন ময়োমচু লৌকৌরব্রা হায়মনি?

তোম্বা—এঃ এঃ নত্তে-নত্তে সাহেব, কদায়দগী। সাহেবনা য়াদবা ঐ তৌজদে। এনা য়েংশিন্নরিবসিদি সাহেবনা য়াদবা চুরুক্তুনি।

রাজমণি চুরুক্তু শুইরগা করিসী ঐ হেক উবদা য়েংশিন্নিবা?

তোম্বা—সাহেবনা থকীংদবা চুরুপ্দি, উরগা ইচ্ছুৎ খাওজি হায়না খাওনি হায়রুনা।

রাজমণি—(নোক্নুনা) হ হ .... প্রযোক-প্রযোকপা। উবথুদি করিসী খাওজনি হায়বগেনে তা-তোম্বা। উবদা খাউরবদি

ঐনা থজবা চুরুপ- মইথু রোনবা মুক্তোরশিং অশিদা ঐ চঙখবা তারেদো।

তোম্বা—ম্যাকোবিন্সু সাহেব, চুঙ্গা খুম সাহেবনা শাউগত্রা থজবগী রাশি।

রাজমণি— করিসু থম্নুগম্নু, উবদি করিসু শাউরোইদা। চাসুম থকসি তা-তোম্বা। থম্না লোজকউ।

তোম্বা — ইহে, ওসায়না হায়রকপা য়াই শব্দুনা ঈশিং থাজৎচরবনি। ইকাউ কাউথোক্রুরে। মৈকা লোইনা মুৎলম্বা করিনো?

(তোম্বা মঙ্গংগী কাদা চঙখি। রাজমণি ওসাম উপুন্দগী লোথোকপা লাইরিক্কু ফাক্তোক্লগা অমুম য়েংই। ওহাক লৈরগা তোম্বা চা কপ অমা পুদুনা থোরকই।)

তোম্বা—সাহেব, চা হায়বদু।

(তোম্বা টেবল মথক্তা চা কপ থম্মি।)

রাজমণি — এঃ য়াম্না থুরকইদা তা তোম্বা। য়েদিয়েদদা করিনো?

তোম্বা — ঈশিং শোদুনা লৈরম্বা।

রাজমণি — তাদগী শরুক্তি?

তোম্বা — কমুংদা লৈকোরে।

(তোম্বা অমুক চঙখি। রাজমণি চা থক্না থক্না লাইরিক য়েংদুনা লৈ। তোম্বদু চা কপ অমা শায়রগা থক্না থক্না থোরকই।)

তোম্বা — সাহেব।

রাজমণি — করি হায়গে তা-তোম্বা?

তোম্বা - শাউবিশুকো।

রাজমণি—করিনো শাউস্থ হাত্তুনিসিবো? ঐবু শাউস্তুনদা লৈব্রকো?
তোম্বা—অং, য়া অমত্তা হায়জগে তৌবা।
রাজমণি—হায়য়ুনে, করি য়ানো? হায়স্থ হায়ক্রিঙৈনা হায়া শাউগস্থ হায়বসিবু ঐনা শাউনবা য়া হায়গদৌরিব্জাংলাগ?
তোম্বা—নংচদেদা সাহেব। য়ুম অসিদা সাহেবকা ঐগদা লৈবনি সুংঙাইত্রে। য়ারবদি হলেম্মবু কৌদ্রিক্রো। ঐ কৌজক হায়রবস্থ কৌজরুগে।
রাজমণি—অা তোম্বা, মাগী য়া পল্লকস্থ।
তোম্বা—তো, হেক্তা শাউরিবা।

(তোম্বা রাজমণিনা থকপা চাগী কপ অহু লোথোকই, অহুগা মাগীগ্গা লোয়ননা ফকলাং ময়াদা থম্মি।।

রাজমণি—শাউবগী য়াকম নত্তেনে।
তোম্বা—শাউরিত্রবদি সাহেব কৈদৌবগে চকী ভরামরি মঙা হেন্না লৈমিন্নরকুগনি। লৈমিন্নবা হায়বসিদি থক্কবা হৌনৈ। অমুকস্থ চামনি।

রাজমণি—হোয়, তাদনা হায়রিবত্তুবুদি চুম্মি। অদুবু মরাক্তি ঐগী স্পণী অমা ভইংদা মতিক চাত্রবীনি।

তোম্বা—করি য়ানোনে সাহেব, স্পণীবু অমুক কুইনা লৌতুনা লৈরকুগা হৌজিক্কা মতিক চাত্রে হায়তুনা থাইনবসিবু লৌনবা মতৌ নত্তেদা। অদুং শোক্কবস্থ নত্তেদা। ইচা ইমুংঙো অমগা ইবেম্মা অমগা অা লংফেক্কা লাইরিক অমথিবা অদুনা সাহেবকা ইবেম্মগী মওঙ অসিবু করিনি হায়না থনগনি।

রাজমণি—তাদ, অঙাংশিংহু য়াম্না পিক্রিবমক্তি নত্তে। মানখি মচাগী খত্তবনিনা ঐনা খঙ্কম থোকপ্রাও ? মখোয়সু মখোয়গী থোকপা। ঐসু মপা অমা ওইনা ঐগী তৌকম থোকপদি অদুম মতৌবিগনি। ইশাগী য়েংদনা মখোয়গী ওাঙ্কা য়েংলবদি ঐদি মীমাঙদা য়াম্না চোৎপৌরি।

তোম্বা—সাহেব, ইবেম্মনা সাহেব অমদি অঙাংশিংবু খন্দবকাদি নত্তেদা। নহান নোংমা ইবেম্মদু লম্বীদ, উন্নবদা রুয়া মুংঙাই-ঙনা উখ্রে। ঐগ বারী শাবদা হেক কপহৌবনি। লাকসু য়াম্না লাক্লীংহে, সাহেবন্না শৌবিরুত্রবদি ‥ —।

রাজমণি—মদুমা ঐঙোন্দা দায় লৈত্রবনি তা-তোম্বা।

তোম্বা—হাযবিমুদা সাহেব। অঙম্বনি ওম্পি হায়দুনা করিসু কায়জদবী ইবেম্মবু য়ুমদগী হেক তাম্লোকপসি কত্তেদা। ঐ কৌজরু হায়রাও ?

রাজমণি—কৌরুবা য়াদেনে তা-তোম্বা। কবা কত্তবা ঐগীদি তাম্লোকখ্রে। কৌরুরগা মহাক কদায়দা লৈহনগনি। ঐগী য়ুম অসিদদি মহাক লৈবা য়াদে। মানা থোকপা মপামদা অদুম লৈজসনু। তাদগী মীয়েংদনি মহাক করিসু কায়রমদবা ময়াই। অদুবু ঐঙোন্নদি মহাক অসি য়াম্না কায়খ্রে।

তোম্বা—করি বানোনে সাহেব ? ইবেম্মনা সাহেবত্তা কয়াম শাবীনা কায়রদুনা ?

রাজমণি—তা-তোম্বা, থৌজিকী মতম অসিদা ঐসে কয়ম্না মীনো ? এস ডি ও সাহেব নত্তো ? সব-ডিভিজন অমগী মকোক্পি।

মহাক্কী খুন্নংগী নুপী অমত্তু ঐগী যুমগী মুপীনি হায়রবদা মতিক চারিব্রাও ? মানা ঐগী যুমনিদা লৈরবদা ঐগী করি লেমজক্কনা লৈরিবগে ?

তোম্বা—করি হায়নোদা সাহেবনা ডাকপিরিবচুবো ? যমাওঙৈদদি খুমংগী মুপীনি খনবিহৌত্রগা হৌজিক্তা খনবিরিবত্তু করি-গীনো ? হায়রা লৌখ্রিঙৈদা মতিক 'চায় চাদে' খনবিরম্লবদি কাগদবা। হৌজিক্তি ... ...।

রাজমণি—(কপ্পদগী হৌগৎলগা) তা তোম্বা, মহাকীসি চাননা ঐঙোন্দা কোচি থাংবা যরে তৌরেনা।

তোম্বা—অদুসা বাবু হায়জবনিনে সাহেব। থাউবিবস্লাও ?

রাজমণি—থাউবা থাউদবগী রাকম নত্তেনে। ঐনা যাবু লৌবা মতমদদি ঐ অচম্বা ক্লর্ক অমা ওইরম্মী। মতম অদুদদি ঐগী নুপী অমা ওইবদা অদুম মতিক চারম্মী। হৌজিক্তি ঐ মতম অদুগী অদুগুম্বা মী অদু নত্ত্রে। এস ডি ও ওইরবনি। সব-ডিভিজন অমা ঐগী খুত্তা লৈরিবা ওফিসারনি। তো, ঐগী পুল্লী অসি হায়গীচুদা অদুম লৈত্রেদনা। হোংলক্রি হায়বা। অসিগুম্বা ঐগী পুল্লীগী অওনবসিগা লোয়ননা মাগী পুল্লীদসু অওনবা মখক অমা পুরক্কনবনি। 'অমুবু' মহু মহাক্কা যাদে। অদুনা মতম 'অমদা ঐগী খুংখিজরবা মতিক চাবুগী নুপী অমা ওইরম্লদে। হৌজিক্তি মতমগী অদুম ইম্না ওইরক্লে।

তোম্বা—ঐখোয়' সাহেব এস ডি ও সাহেব ওইনা অহুম পোকপি-
রক্লমবগি ফগনবা। অদুম তৌরবদি মতিক চাবা অপাম্বা নুপী
অহুম ফংগনবনি।

রাজমণি— শাউরগা) তা-তোম্বা, নঙ ঐ কনানো খঙব্রা?
ঐঙোন্দা হায়া করেমগনু।

তোম্বা—শাউরিগনু সাহেব, করেমবা লৎচে। ইতিকনু মৎচে।
রাজমণি—ঐ খঙতি, নঙনু খুমংগী মীনি; অদুনা জান তাদে।
খঙউ, তা-তোম্বা, হৌজিক হায়া ঐগী নুপী ওইনা তারবদি
মাগী ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ শাগত্তা অহোংবা মশক অমা
লৈগদবনি। মহাক লাইরিক মমেক খঙদবী নুপীনু নত্তে।
অদুবু মানা ঐগী মাময়োক্তা লৈবগুম ঐগী অপাম্বা অমতা
তৌরক্তে। মহাক্না সতী শাস্ত্রনা ইমুংগী কাংচিনবী হেন্দোকখদে
ঐ পামদে। ঐগী নুপীদি মতমগী ঈরাং খঙবা তায়।
মতমগী চৎনবী ফিজেৎ-চাকচা হৈনবা তায়। মীওক-মীচাল
ফবা তায়; পাটি চৎপা তায়। ঐনা তৌবা খবক, ঐগী
লমচৎ খুদিংমক মহাক্না য়াবা তায়। ঐগী অপাম্বা
পূমমক অসি মহাক্না করিগুম্বা মতমদা তৌবা উত্রা?

তোম্বা—সাহেবতি য়ু য়াম্না থক্কই; নুপীনসু ভাওইদে। মহু
ইবেম্মনা কয়া পামদে, য়াম্না নুংঙাইতে। অদুনা সাহেবকী
অপাম্বদো ইবেম্মনা য়াদবা ওইরমগনি।

রাজমণি—তো, মহু পূমমক য়ানদি। ঐবু মমাঙউৈদা য়ু থক্লবরাও
মতমগী মতুং ইন্না-তিন্নবা লাক্না য়াজিবনি। য়ু থক্লনরি

পাট্টি মচিংবা মরূপ-মপাং তিন্নবা অসি কদায়দগী য়াগদ্রে ?
য়েক্লাং মথেন-মথেন লাবক্তম নোংমা কাদোকন্থু অতোম্বা নুপীদা
ভাওবা হুপা ওইবগী হৌনশামি। মসিদি মান্না য়েংশিন্দ্রম
থোক্তে। অদুগা মানন্থু ঐনা পাম্লিবা নুপীগী শক্তম অদু
লোবা ভমজ্রবনিনা ভাওবা-কোয়বা হায়বসি মশানা তাবনি।
অদুগীন্থু মথক্তা এস ডি ও সাহেব অমনা অপুম্বা গতম থম্বা
লেনখোক্তবদি করম্বা মীনা ঐবু ইজ্জৎ তৌবিগনি। পেদংনবী
নুপী অমগী মনাক্তা ক্রন্দুনা লৈগদবা ইজ্জৎ লেত্তনা নুপা
ওম্বা মীতাদু ঐদি নত্তে।

তোম্বা—অদুবু সাহেব, ৺মুক্তা মুম্না থম্বাংবিয়ুদা। নুপী য়াওদনা
যুম পানবা মুংঙাইবা হৌনদে।

রাজমণি—মদু ঐ খঙ্গে ঙা-তোম্বা। ঐনা মাবু থায়নরিবসি
মুংঙাইনা যুন পাম্লবনি। ঐনা হায়বত্তা ইনবী, ঐগী
অনীংবা থুদিংমক থুংহনবা ওম্বী মন্তমগী ঈপাং থঙবী নুপী
অমা য়াম্বা থুনা পুশিল্লক্রগনি।

তোম্বা—মদু তৌবিস্থু সাহেব, সাহেবনা পাম্বিরিবা নুপীগী জাত্তুদি
নুপাবু মুংশিন্দুনা সেবা তৌগে হায়না শাক্কদবা নত্তে;
শুমদুনা চাগে মশাদা মুংঙাইগে হায়বা জাৎ মহাবিম্বী
অলক্ষ্মী হায়বশুনি।

রাজমণি—ঐদি অদু অদা খঙদে; ঐবু পোল্লহনবা ওম্বী, ঐনা
অপাম্বতা তৌবী, ঐগী ইজ্জৎ ভাকপা ওম্বী নুপী অদুনা
ঐগী যুম অদিগী লৈত্তেং ওইগদৌরিবনি।

তোম্বা—(মথমাক থমা হুংঙাইতরগ তোম্বা) ওন্নি হায়বদুনা অঙ্গওবা তৌবগুম ইবেম্মদদি তৌবিরম্বা কৈ। করমদু কম্মমদু ইবেম্মমা সাহেবকা অমৈ-নৈত তানদুনা কুইনা লৈমিন্নরকনি। অরুবি থবক বিরুদো।

রাজমণি—(শাউরগা) তা-তোম্বা, মাদি বা ঐথোক্না হায়রকনু ; নাকোঙ অসিনা তানীংদে হায়রবগক্তা। ঐদি মাবু পুমকাউ কাউদ্রবনি।

তোম্বা—মতুমক তেক হায়বিদুনা সাহেব। কৌবিক্রবা হক্কোইরবদু ননাই ঐ কৌজরগে।

রাজমণি—(শাউনা) তা-তোম্বা, ইবেঙ চবেঙ তাঙগদু। মশু থবক তোক্কে হায়ববা ? চৎলু, নথৌ তৌরচো।

তোম্বা—সাহেব।

রাজমণি—বা মথা তাগদু হায়রিবসিনি।

(তোম্বা মথমায় হুংঙাইতনা মঙ্গংগী কাদা চঙখি। রাজমণি শাউনা লেপ্লুনা লৈহৌই। জগৎ মপাক্কোমদগী চঙলকই। চহী নীহুগী মথক্কী মীওইনি।)

জগৎ—এস ডি ও সাহেবপু নমস্তে।

রাজমণি—(শাউরদা শকক্ম থাদোক্লগা) নমস্তে ! করি থবক্কী ?

জগৎ—সাহেবপু হুম থবক অমগী উম্মজনীংঙুনা।

রাজমণি—করি, হায়বিয়ু।

জগৎ—(চৌকিদা কমথরগা) সাহেবনা ঐবু মামনা থক থম্বিরম্বা মাই।

রাজমণি—(চৌকিদা কনখরহুনা) যারৌবিগনু, অদোমু ঐনা খঙজবা ওযবে। অদুবু কবিগুম্বদি উত্রবজম কৌত্রা।

জগৎ—পৌরদনা উবিরমগনি, অদুবু মুমা খঙবিবগী রাকম এইগনি। ঐনদি সাহেবপু যাম্মা মুমা খঙজে।

রাজমণি—হোয়, ঐনা মায়কৈ অসোমগী খবক খুদম্বিবগিমা অম মা ঐবু মুমা খঙবি। অদুবু ঐনদি কনানা কনানো হায়বদি খঙদনা খরা রানা থোক্লে।

জগৎ—অদুবু ঐগী শক খঙবিত্রবম্ব মিং কাওবদি ভাবিরম্বা যারে। মখা মায়কৈ সোমদা হাইকেৎ ইমিং চৎচা জগৎ হায়বন্থ ঐনি।

রাজমণি—ওঃ মিংদি হায়া ভাজরে। হৌজিক্তি শকম্ব খঙজরে।

জগৎ—হোয়, খঙবিয়ু। ঐগা শকখঙনবদা সাহেবকী কাম্বনস্থ খরা মকংবিগনি।

রাজমণি—ওসি শকখঙনজবা যাম্মা সুংওাইজরে। ওসি, জগৎ বাবুনা লেঙবিরকপদা করি খনকী? চুমা মুম লেঙবিরকপা ওইরক্রা?

জগৎ—ঐ লম্নাই ওইনা সাহেবকা বা অমতং ভামজনীংদ্রনা।

রাজমণি—করম্বা রাকম ওইরবনো? হেক্কা হায়বিয়ু।

জগৎ—মহাক লোংমা ঐগী মী অমা সাহেবকী নাক্তা থাজখিবা অদুবু— ?

রাজমণি—কনা ওইরবনো মীদুনো? করম্ব্র খবকা মকী লৈননা?

জগৎ—মাইবাগী জোনচো হায়বা অমা—

রাজমণি—ওঃ ওঃ খঙজরে। মতুদি জগৎ বাবু থম্বা খীৎ লুইবা।

জগৎ—অকনচুবু লায়রকবা নাহেবতদি মাঙা লাকনা থোকই।

রাজমণি—মহাককমু কদায়দগী জগৎ বাবু।

জগৎ—অদুমা হায়বিদুনা নাহোকপিথ্য। মাঙা মখত। শোয়দনা হেক্তা—।

রাজমণি—করি রাবোদা জগৎ বাবুনা তাকপিরিবদুবু, খীকা পওতম ওয়স্মু নত্তবদা।

জগৎ—ওস্মি ওমদে মায়া নীংথিনা খঙজে। হন্দকীসে তৌবিদবা মাত্রবজাৎনি। গোৎনবিমম সাহেবকী থরদি শোয়দনা তৌজগনি।

রাজমণি—এঃ এঃ মতুকক্তা কদায়দগী।

জগৎ—অদুমকা হায়জুনা শোয়দনবিবা মাবা নত্তে সাহেব। মসি, লৌশিনবিয়ু।

(জগৎনা লুপা তরাচগী চবুন অনী কুবীৎখাউদগী লোথোক্লগা রাজমণিগী মমাঙদা টেবল মথক্তা থম্মি।)

রাজমণি—করিনো জগৎ বাবু তৌবিরিবসিবু? তৌশিন্নু অসি; লৌশিনবিয়ু।

জগৎ—মত হায়বিমু সাহেব, মসিদা নত্তে।

রাজমণি—মতুগী মাকম নংচগে। জগৎ বাবুমক্তগী ঐনা করম্না হেক—

জগৎ—এঃ এঃ মথু থনবিমু সাহেব। সাহেবনা ঐথোয়গী থবক তৌবিবা; ঐথোক্না সাহেবতা করিগুম্বা থবা পীজবা। মসি, মঙ্গল-অশাং ওইনবগী 'অচুক' থবা তৌনবা হায়বমনি।

রাজমণি—অঙ্গীবুদি কনিত কায়বা মন্তে জগৎ বাবু ? অহৌবা ?

জগৎ—অদুবকা হায়রগা ঐথোকপিনবা খাবা মন্ত্রে সাহেব। ঐনা স্যান্ডেবজা তৌরগে অঙ্গিবগে পুম্না লৌশীং মঙাবি। ঙসিগী অদিনা অমীনি। মমুক্তা ঙবরা য়েংবিয়ু। অঙ্গাংবা অহেনবগী মায়া খুদম—।

রাজমণি—অশীবুদি জগৎ বাবুনা তৌবিরক্লবনিনা মতম্ময়নি। অদুবু—

জগৎ—অদুবুকাহ থীং হায়বিরমুনে সাহেব। তৌবিদবা য়াত্রবনি।

রাজমণি—অঙ্গ্রেনে. জগৎ বাবুনা কম্না মহায়রবনিনা য়েংবা [illegible]নি।

জগৎ—য়েংবনা চৎমদে সাহেব, ঙকশোয় শোয়দনা—।

রাজমণি—(ভুপা চবুন অনীদু লৌশিল্লগা কোটকী য়েংথংবা মচুংগী কুমীৎখাউদা হাপচিল্লগা) হোয়দা, জগৎ বাবুগীনিনা শোয়দনবা হেংৎনবা হায়বতু তাব্রেদবা।

জগৎ—(কল্লবদগী হৌগৎলগা হুরাউনা রাজমণিগী মখূৎ শোক্লতনা) থেঙ্ক ইয়ু সাহেব, থেঙ্ক ইয়ু ভেরী ভেরী মচ।

রাজমণি—তা তোম্বা, হো তাংতোম্বা, তাম্বিত্রা ? চা কপ অনীদা তৌবিরকউ।

জগৎ—এঃ এঃ সাহেবপু চাকা অমুক তৌবিকরম্লু.। ঙসিদি ঐ থবক থরা চিৎথে, য়োঙ্কগে।

রাজমণি—কমিন্নোনে জগৎ বাবু, ম্লহানবা [illegible]নবা সুমীগনি। চা কপ অমমনংদি থকবিদ্রবিনি কৈনো।

জগৎ—য়াম্নৌবিগ সাহেব, মতুংদা কয়াম্বক খক্নাম্মবা তাইং। ঙসিদি ঐ মবক খরা চিন্থুনা তৌবনি। য়োকখ্রগে, অত্ত লাইউ।

(জগৎ থুনা চংখি। তোম্বা মহুক্কী লাম্দা থোরকই।)

তোম্বা—সাহেব, ঐবু কৌবিখিবরা ?

রাজমণি—য়ারে য়ারে।

তোম্বা—সাহেব, য়ারৌবিমগ্রাও? অ চাকলঙগী কাদা তৈফক তৌনি।

রাজমণি—য়ারৌদেনে কৈন্থু; য়ায়নি।

তোম্বা—নত্তে সাহেব, ঙসায় ঐনা ইবেম্মগী মরমদা করিঙম্বা খরা হায়ৈজে হায়চুনা শাউবিরগ্রাও? শাবিম্নুদা, অহুক য়া তানজবনি। সাহেবনা য়াত্রবদি মতুং মনাও খক হায়জরগোই।

রাজমণি—(কপ্পকপগী হৌগৎলক্তুনা) শাউরে, ঐ করিমু শাউবে।

তোম্বা—অওইনি সাহেব, মতুং-মনাও ঙকহায় হায়জরগোই; ইবেম্মগী বাস্ত হৌদোকচরগোই। মুবু থক্লবস্থু, সুপীবু কোয়খবস্থু সাহেবনা অপাম্বা তৌবদা ঐ করিমত্তা হায়জররোই। মবাই তাদনা হায়খিবদু য়া ওইনা লৌবিমনু। শাউবিমুকো সাহেব।

রাজমণি—শাউদে হায়মনি তা-তোম্বা। ঐনস্থু তাদনা খোন খরা কনগ্রে। শাউনু।

তোম্বা—শাউজদে সাহেব; ঙসাম্নবাইদি খরায়খরা খুংঙাইরদে; অহুমু হৌজিক্কি কদে সাহেব।

রাজমণি—অহুনি তা-তোম্বা, নৈমিরবা হায়বসিদি খরা শাকন খরস্থু চৈদা—।

তোম্বা—বাবুক্কী মাইকনবা অমাসুং । থৌনা হুরাওবিদুগে লৈরে, হুৎহৈরো ।

(পুলিস-সব-ইন্সপেক্টর অমা কন্সটেবল অমগা লোয়ননা চংলকই । রাজমণিনা চৎলকই ।)

রাজমণি—লেপ্তশিন্নকউ ইন্সপেক্টর বাবু । করি থবক্কী চৎলকপনো ? চেয়ারদা ফমদো ।

সব-ইন্সপেক্টর—অনি । (চৌকি অমদা ফম্লগা) ঙসিদি সারগা হায়না অমতং ।

রাজমণি—(চঙশিন্নকুনা ফমথরগা) করম্বা বাক্য ওইরবনো ? হায়বিয়ু থানি । (তোম্বদা) তা তোম্বা, চা থৌরকউ ।

(তোম্বা হুৎনিনা মখুংগী কাদা চংখি ।)

সব-ইন্সপেক্টর—ঙসি ঐনা লাকচরিবসি মরূপ মপাং অমা ওইবগী মওঙদা লাকচবা অদু মত্রে । গোভর্ণমেন্টকী দিউটিদা লাকচবনি । হায়রকম খোকপা হংকম খোকপা থবা হায়রজ কঞ্জবা তাবি । থাকৌবিবদি যাদে ।

রাজমণি—যাদি-যাদি, করি কয়্রি থওবিনীংবা লৈবা ?

সব-ইন্সপেক্টর—সারগী কোটকী রেৎখংবা মসুংগী কুমীংখাউদগী লৈরু চবুন অনীহু অমুক্তা লোতোক্তশিন্নকনি ।

রাজমণি—(চিংনরূপ তোনা) হায়রিবা থাকমনিবু ?

সব-ইন্সপেক্টর—থওশিনবনা তৌবিনমু । ঐখোয়না সারগী কুকচাং থোক্কুনা মর্চ তৌজিনৈনো মতমনা, লেয়া, পুখোক্কলিরকপনা কৎলিদু । তেজাচক্তীগী নোট ওনকনি । মহুক, মহুক্কী মথক থবা নোটকী নম্বরনা ৫ঃ 124301 নি । অতোমবৃগীনা

২৭/১২০১ নি। (চেক্কেং অমুদা থেংনগনুবা মায়ুবা)
রাজকুমারীনা ফনিল্লা লৈ।)

সব ইন্সপেক্টর—নুংশিনা খেনকম মখা ইনেক, চেংখোক্লা লেংওতর থোক্লকনবাদি, ঐখোয়গী ইথৌ পাঙথোকচরকনু, থাগৌবা তৌবিয়ু।

(সব ইনসপেক্টর মফমদগী থোগংকে তৌই। রাজকুমারী মমেৎ অমতা ভাঙদনা কুরাংথাউদগী নোট চবুন অনীম্থু লৌখোকলগা টেবল মথক্তা থম্মা থম্মি। কনসটেবলনা চংশিল্লুনা নোট চবুন অনীমু লৌই, অদুগ সব ইনসপেক্তরদা নানশিল্লি। সব-ইনসপেক্তরনা মানা পায়বিবা চেক্কেংগা নোট চবুন, অনীমুগা থানদুনা নখন চানবরা য়েংই।)

সব ইন্সপেক্টর—নখন অনীমক চানরে। সার, শেঙ্গা-লুমজাগী থবক অসে কা পঙনেন হেনবিরবদি ফবনি। খেন চাবা ভারবস্থ খপিবা খেন চারবদি ঐখোয়না খুঙলকস্থ থঙনা মরূপ মপাং শুকবগী খঙশিন-উশিন্নদবা ফম্থি। অচঙবা শেন চাবদি পরিকী রিপোর্ট কনমনবনা ঐখোয়না তুম্বিরা লৈখোকপা ঙমজদে। অদুনা অনিশুবা খেন্দি চাবিদবনা ফবা জাংনি। খঙন চারবা থৌবগী সারদা ঐখোয়না রানিং কমান্ত পীজম্রে। অদুবু সারনা কমিকন্তা থম্বা লখিদে। অচৎ-অওক কয়ানা ভাঙনরিবা সারগী মথক্তা লৈবা শেঙ্গা লুমজাগী য়া কয়া ঐখোয় ভাবনা নুক্তে। লৈকাই লৈকাইগী লুপ্রোলশিংনা পীরকপা সারনা হু থকপা হুগী-মহাদা ভাওরবগী রিপোর্ট কয়াম্ত ফংজরবনি। তৌবিলেনবী

থাইরেক্টরসিংনু সাহবী মখতা অকনবা এক্সন পৌনখং তীংখোরদা য়াম্মা কনা ইথরক্রবনি। অদুগা ঐনা য়াম্না ভক্তিবদি জগৎ কৌবা চৌথর ভুখৎ মখিং খাক্লা কর্থনা হৈনবা খীপক অবংগী শেংন চাগনি হায়দুনা লাকিরক্লিবা লায়রু হাইকেতি কচুনি। ডলিদি লাম পুলিসকী কঙ্টলিনা লৈকিবা থারে।

[illegible]—লেমকম অহু মাবুনা অদুম শাকশিনখিরে। মরুপা অমুক হাপচনকখিগে।

সব-ইনস্পেক্টর—নো-নো, সারজ। অদুমা হায়খিগদবা নত্তে। কর্ণেলসিংবু করপসর্দা থিংবা রাদে হায়বনি সাম্না খঙবিখিরবনি। য়ামিং করাগী মতুংদা ডসি অসি থবক ওইনা শাকখৎচরবনি। লাম তৌবা ডবা সব-ডিভিজন অমা পুখিখিবা এস ডি ও সাহেবনি হায়বা খঙই। অদুবু ডসিদি পুলিসকী কন্ট্রোলদা লৈরবদিনা এফিসতা অমুকদি য়ৌবিবা থারে। শকতুনা কারদে, য়ৌনবা তৌবনা করগনি।

(সব-ইন্সপেক্টর কনবনী চৎলংলি।)

[illegible]—ক্যান। (চৌগৎলগা) কোন অমুকদি শারজরমগে। (কোন শারখতুনা) হলো। য়েস্, নম্বর থান থাইব থান থ্রী। ... ও ডাইবুংডোবু লৈবিদবরা? ... অ... কয়াম কুইরবা লেঙখোকখিবা? ... ঐ এস ডি ও থাজমগিনে। ... অদুদি ইতৈম বেন্সা, ডাইবুংডোদা থোরেল [illegible] অমুক [illegible], করিকখা মরম অবদগী ঐ পুলিস স্টেশন চৌদ্রে হায়না। ... অহোম... মরুনু থোইদোকপা লৎচদে, [illegible] অংকপী হাবনদা [illegible]। অহোম... অদি অদুদি

[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] । [illegible] (তোম্বা [illegible]) [illegible] তোম্বা ।

তোম্বা—(মহুৎকী) সাহেব, লৈইখ্রে-লৈইখ্রে ।

রাজমণি—করিগনা তাইবুহ্রেগো মহাক [illegible] নাহরুকপি ঐ পুলিস ইন্সপেক্টর, পুলিস ষ্টেসনগী [illegible] কোন [illegible] চাওনা থবা থাবগে ; কাউহ্রকো । (সব-ইন্সপেক্টরদা) [illegible] চৎপা ।

(রাজমণিনা মাঙ থারগা পুলিস সব-ইন্সপেক্টর অমুহুং কলা টেবলদা হুং বংহুনা মখী মখী চৎখি । তোম্বা মহুৎকী কাপকী চা কপ অহুম এই অমদা হাপ্লগা পুথোরকই ।)

তোম্বা—হায়মা, সকেবখোর চা কান্দনা লেঙবিরম্লো ? (টেবল মথক্তা চাগী থৈজু থম্মি ।) হৈহে, হো সাহেব, তাবিবিরগো ; হোয়েলবু পার্টি হায়বহ্ন লোম্বখিন্নবা তাংলাও ? নবাই তাদা হয়েং চকৌক চাকননবা অমুক্তা হায়বিরম্লো । (মতোমতা) থায় হেক ওহোকথিবদা তুক্তা তাবিরোইদবনি । চাক হাগে কনায়, হাপত্রে কনায়, কয়াদা মুরবনো ? চা কপ অহুমসিদা কনানা থকপা ? ইতোমতনা থকপহ্ন তম্বা নুবে ; হৈন ।

(তোম্বা মথৎনা মবুক্তা তপ্পা তপ্পা থাক্তি । অহু [illegible] জনাবগী লেন মলোমহ্ন পুথোরকই, কাক্লোক্লগা হেৎই । হয়াউরগ, তৌনা হাইকেজং মোয়োন লোকই ।)

[তপ্পা তপ্পা কিজাং হাইজিল্লকই ।]

অদোমগী খুদোংচাবা

◉ আই এস কাংজমগী 'ফোংলবা' লাইব্রেরিশিং মথাগী [illegible] অদুগী লমগী [illegible] থৌ-ক্রবদি চাবদা থুনগী হৌংদা খুদোংচাবা পাংকগনি।

◉ অথেবাগা, [illegible] পীবইনিংলা আই এস কাংজমগী মথাগী লাইব্রেরিশিং অমি লোয়না [illegible] লৈরবদি থুবা [illegible] লুপা ৫ (মঙা) মনি [illegible] থাদোকউ। [illegible] অমুক্তা লুপা ২০ (কুন) মুক্ত তারুনা হায়বা চৌবিবক্রবদি চামদা থুনগী হৌংদা খুদোংচাবা অদুম পীজগনি। পোষ্টেজগী অচৌবা শেনফমদি অদো মগী ওইগনি। করিগুম্বা অদোম্বা লুপা লুপা ৫০ (মাঙা) দগী তাদনা [illegible] চৌবিবক্রবদি চামদা থুনগী হৌংদা পীরিবা খুদোংচাবা অসিগী [illegible] পোষ্টেজগী অচৌবা শেনফমস্তু ফ্রি ওইহনজগনি।

◉ আই এস কাংজমগী ফোংলবা লাইব্রেরিশিং

নাটক :— [illegible] — লুঃ ৬.৫০

প্রাপ্তি অবি — লুঃ ২.২৫

খোঙথাং অমতদা — লুঃ ৩.০০

খোংয়াবা — লুঃ ৩.০০

ভাবু কুমার সাগর সিংহ — লুঃ ২.০০


একাঙ্কী — বিদায় — ১.৩৮

ভাক্তক অমগী লীলা — লুঃ ৮.০০

[illegible] পোংসুতগী পুকী — লুঃ ০.৭৫

[illegible] লৈরাং লৈচন — লুঃ ৩.৫০

[illegible] — চিত্রকার লুঃ [illegible]



বীণা মন্দির

[illegible] প্রিন্টিং সেন্টর এণ্ড হোম লাইব্রেরি

[illegible] অখোং, লৌক্রাকপম লৈকাই

[illegible] পোলবম, ইম্ফাল (মণিপুর)

পিন — ৭৯৫০০১



আই এস কাঙজম—মপু কাবা মিংনা ইবোহল সিংহ কাঙজম। দিসেম্বরগী তাং ৫ শুক্রগী চনী ১৯[illegible], শগোলশেন সুমিথু, পোক[illegible]। পোকফম্মা নাউরেমথোং, শৌগ্রং[illegible] [illegible]কাই, শগোলবন্দ [illegible], ইম্ফাল। মপোকপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নারায়ণ সিংহ অমসুং রাজকুমারী [illegible] [illegible] [illegible] বি এ (অনর্স), এম এ (হিন্দী), [illegible] [illegible] [illegible] সাহিত্যগী লমদা খোঙদাখ্রে। [illegible] [illegible] লাইরিক "বিদায়"। একাঙ্কী [illegible] [illegible] ছাপা [illegible] পুথোকই। [illegible] [illegible] [illegible] লাইরিক [illegible]।

আই এস কাঙজমগী [illegible] লাইরিকশিং :—

নাটক— (১) [illegible] (১৯৬৭), (২) প্রাপ্তি [illegible] (১৯৬৮),

(৩) [illegible] (১৯৭১), (৪) [illegible] (১৯৭[illegible])

(৫) [illegible] (১৯[illegible])

শৈরেং— (১) [illegible] (১৯৭০), (২) [illegible] (১৯৭২)

উপন্যাস – (১) চিত্রক[illegible] (১৯৭২)।

একাঙ্কী – (১) বিদায় (১৯৬৭), (২) [illegible] অমগী [illegible] (১৯৭৪)।